ঙানু থ[illegible]ংনা পাইখ্রবদা




জাতিশ্বর সোবাম

ঙানু থঙ্গোংনা পাইখ্রবদা

জাতিশ্বর সৌবাম



ইমাখোল
(ইবমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জৈ লূপ)
অবাং পোংশংবম



থোম্বা সিংহ ইবেমহল দেবী

অপোকপা অপোকপী অনীগী মফমদা

বাবী মচাগী লাইবিক

'ঙানু থঙোংনা পাইশ্রবদা'

নচানা কচ্ছবি।

ঙানু থঙ্গোংনা পাইশ্রবদা

জাতিশ্বব সৌবামগী বাবীমচা কুনমবিগী খোমজীনবা লাইবিক

অহানবা ফোঙবা ঃ ওক্তোবব, ২০০৮

অফোঙবা ঃ সৌবাম ওংবী সুর্নোলতা দেবীনা ইমাখোলগীদমক পুথোকচবা

কপী মশীং ঃ ১,০০০

মখুম ঃ যুম্নাম সুধির, নিলকুঠি

মমল ঃ লুপা ৬০/-

নম্ফম ঃ পদ্মা প্রিন্টর্স, পাউনা বাজাব, ইম্ফাল

ফংফম ঃ অইবা মশা, ইমাখোল, অব্রাং পোৎশংবম,
মণিপুব সাহিত্য পবিষদ, ইম্ফাল

অইবগী ৱারোল

নহা ওইরিঙৈ শাংলবা মতম অমা সাহিত্যগী হীরমদা শুক্রীং নীংশিংলুদ্রে। মণিপুর সরকারনা কোর্পোরেসন ডিপার্টমেন্ট মৃখৎখিবদা ঐগী পুন্সিসু থবক্তগী পোখাবা তাখি। নীংবা কায়ববা পুন্সগী তাঙ্কক অসিদা মরূপ রাজকুমার গুণচন্দ্র সিংহনা লমজীংদুনা সাহিত্যদা খোঙদাবা হৌরকখি। ৱারীমচা কুনলোম পাউ-চে, চেফোঙশিংদা ফোঙলবা মতুংদা ৱারীমচাগী লাইরিক অমা ফোঙনীংবগী আশা লাকখি। পৃক্রিংদা অকিবা অমা লৈবদগী মরূপ্না লম-চিংদুনা শক্লাইববা ওজা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহনগী যূমদা চৎতুনা উনকই। শক তাক্লবা মতুংদা ঐগী অনীংবদু ফোঙদোক্লুবদা ওজানা মমল য়াম্নবা পাউতাক্কা লোযননা হায়রকই। ‘চহীগীদি থম্লুনু, ইয়ু ফজ ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা পুথোকউ, মপান খোপচিল্লু। মীগী মতৌ তম্লুনু হৈজবা জাতিশ্বরগী খুৎই মায়ামদা উৎলু। অফবা লাইরিক খর্বাদি পাও।’ ওজাগী পাউতাক ঐ ওসি ফাওবা কাউদে।

অরাং মাযকৈদা লৌববা সাহিত্যগী লূপ ‘ইমাখোল’ (ইবমদম মীয়ামগী অপূনবা খোঙ্জে লূপ) গী প্রসিদেন্ট রাজকুমার গুণচন্দ্র, জেনরেল সেক্রেটরী কেশো সিংহ ইবেংনা ওজা অনীনা ঐগা লাইরিক ‘ওানু থঙ্গোংনা পাইশ্রবদা’ হায়রবসি পুথোক্লবা তোংনবদা মাযপুননা মীৎযেং থাম্বদুনা একজিক্যুটিব মেম্বরশিং শগোলশেম বিলাশিনী, লৈশাংথেম ইবেযাইমা, চিঙ্গাংবম ডাঃ চন্দ্রকালা, তোনজম সোরোজিনী, শগোলশেম মোহেন্দ্রো, লাংগম জদুমনি, যুম্নাম সুধির, ওক্রম বসন্তা ইনাওশিং অমদি ইচলশিংদা ঐগা অইবা ৱারীমচা মযামদু পাথোক-পাশিন তৌহনবিখি। কাইনথংদা ৱারীমচা কনমবি খনগৎলগা, লাইরিক ওইনা নম্ননবা ঐঙোন্দা খঙহন্দনবকই। ইমাখোলগীদমক লাইরিক অসি পুথোকচরনি। কপ্পা নৈনাবখিবা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরী লোযননা একজিকুটিব মেম্বরশিংগী মমকপু থাগৎচরি।

কম্প্যুটর সেটিং লোইববা মতুংদা শক্লাইববা ওজাশিং ওজা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন, ইবোসনা যামবেমদা কপি অমমম যেংবিনবা খৎশিন্নজখি। থৌ চিল্লবা ওজা অনীনা ঐগীদমক মংম কাইখোকপিদুনা কৃপ্পা পাবিববা মতুংদা ওজাশিংগী মোড অমমম হীরনকপা ৱাবোলনা ঐগী ৱারীমচাগী লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক্তা তাপচবা ফংজাবরসি ঐদি পেনবগী ওমথৈ লৈজদ্রে। ওজাশিংনা মফমদসু ঐনা শিংবা ওম্নবোইদবা লমন অমসু তোনশিঞ্জবরনি।

চিমাপুরদা পোস্টিং লৈগ্রবা মরূপ গুণচন্দ্র মনক মরক্তা টৌলফোন্দা পাউ ফাওনৌ। লাইরিকমী মতাঙদা খরদা হাবরকউ হায়জাখরদা মরূপ্তু হান্নগা লোযনা পাম্রগা ৱারীমচা শাক্তানন, তেন্তক্লা নাফম খবা হীরবকপা অসিগীদমক্তসু মন্দপ্লু কাউজারোই।

লাইরিক অমা লম্নসি অনাযবা অমদি ওইবমদ্রে। চডাশল্লববা মতমদৎতদা মশোযবদ্ উবকই। অদুগুম্বা মতমদুদা পদ্মা প্রিন্টরসকী ইনাও সোইবম ইবানং অমদি কম্প্যুটর সেটিং তৌবিবা ইনাও আব কে বতননা অকৃপ্পা মীৎযেং থম্বিদুনা এগী লাইরিক অসিবু মশক থোক্লা পুথোকপিবকপগীদমক থাগৎচরি। অমোইবদা ইনাও যুম্নাম সুধরনা লাইরিক অসিগী মখুম পুথোকপিবক্লনা মওং তাহল্লকপা অসিগীদমক্তসু ইনাওবু থাগৎচরি।

লাইরিক অসি পাবিববা মতুংদা অশোয অঙাম তাকপাবকপা খদিং অইবনা হবাওনা লৌজগনি।

অইবা

তাং ১০।৮।২০০৪ ইং জাতিশ্বর সৌরাম

ৱাহৈ খরদং



জাতিশ্বর সৌবামগা শকখঙনদ্রিঙৈদা মহাক্কী ৱাবীমচা অমগা হান্না শকখঙনখি। 'হুইয়েন লানপাউ' গী সাহিত্যগী লামাযদা যাওবকপা ৱাবীমচা অমদা নুপীনা ঐগী পৃক্রিং চিংশিল্লকখিবনি - যেংঙুনে, ফজখ্রে ৱাবীমচাসে।

মতম খরা মতুংদা, রাজকুমার গুণচন্দ্রনা মহাক্কী মফম অমা পুদুনা ঐঙোন্দা লোয়বকই। গুণচন্দ্রনা ঐঙোন্দা শক তাকই - জাতিশ্বর সৌবামনি, থবাথ যাওনা ৱাবীমচা কন্না ইখৎলাক্লবা। নীংশিংলকই 'কিচেন গার্দেন' কৌবা ৱাবীমচান্দা, মদুগী অইবা জাতিশ্বর সৌবাম। চহী খরবুদি বার্যশিল্লক্রে। অদুবু কবিসু কাযদে। থবাখিচাক পৃষ্মমক লোইনা ঙম্না থোকপা নত্তে, থেঙনা থোকপসু যাওই। থেঙলবসু থেঙনা সাহিত্যগী লমদা থব্বাথ যাওনা চঙলকপা উবদা থাগৎতবা ঙমদে। লাইবিক ওইনদি অমা যাওবা ফোঙদ্রি, অদুবু ৱাবীমচা কয়াদি পাউজেল চে অর্মাদ চেফোঙশিংদা ফোঙখ্রে। থীন্দনা ৱাবীমচাগী লাইবিক অমা ফোঙনীংবগী আশা অমা ঐঙোন্দা ফোঙদোকই। মদুগী ৱ খরা তাম্নীংদুনা লাক্লবসি মখেয অনানা।

জাতিশ্বরগী মঙলান অদো ঙসিদি মঙফাওনবে। চহী খরসিদা ইথবা ৱাবীমচাশিং অদুগা মরক্তুগী খরা খঙৎতুনা খোমজীল্লগা লাইবিক ওইনা কাপৌ মঙাল যংহনবা ঙম্লে। মম মপা ওইবশিংনা অহানবা মচা অমা ফংজবদা হনা ওক্নবগুম জাতিশ্বরসু মহাক্কী অহানবা লাইবিক অসি উবদা শোযদনা হবা ওবমগনি। মসি মতৌশনি।

লাইবিক অসিদা যাওলিবা ৱাবীমচাশিংসে থোইন শাংবা অমত্রা যাওদে, অতেনবা ঙাশান পাউজেল চেগী লামাযদা চন্নবা পান্দম অমগী চাংদা ইবনা ৱাবীমচাশিং আসগী শওং শান্দা লেপ্পা ওইবন্বসু যাই। ফ্রেঞ্চ ৱাবীমচানা খোঙচৎ হৌবকপগা মওংদা মসিমক খোঙফম, পাউজেল চেগী লামাযনা মতমদুগী ফ্রেঞ্চ ৱাবীমচাগী চাউ শাংবা লেপখি। অদুন্নমক ওইবগাসু অফাওবা ফ্রেঞ্চ অইবাশিংগী ৱাবীমচাগী মগুণদি অদুম ফজনা চেনখি। হায়নবান্নবানি ৱাবীমচাদা ফ্রেঞ্চ

জাতিশ্বরগী চাংচৎ অমদা পঙশাং শান্দনা ইবা ৱাবীমচাশিং অসিসু মহাও য়াওদনা অমত্তু যাওদে, অমগা অমগা মহাও খরা খরা খেন্নবনসু। ৱাবীমচাগী লমদা জাতিশ্বর শোযদনা মশক নাইবা অইন অমা ওইরম্নি। ৱাবীশিং অসি মীওইবগী পুন্সিদা, সমাজগী পুন্সিদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা থৌদক বাখোক্তা য়ুম্ফম ওইবগা ইবনি। চুম্না ৱাবী লীবতা নত্তনা অইবনা ৱাবী লীবদা, এটমোস্ফেয়ার অমা ফজনা শাগৎতুনা অপাবদা যাই থাবদৌনা পঙথহল্লগা ৱাবীগী অরোইবা ফাওবা পুদুনা চৎপা ওর্মী

লাইবিক অসিগী মমম সু ওইরিবা ৱাবীমচা 'ভানু থঙ্গোংনা পাইখ্রবদা' হায়বা অসিমক য়েংসি। 'নিংথমগী' উল্লেন লাকপগা লোযননা লাপ্পবা সাইবেরিয়াগী বৈকাল পাৎতগী ভানু থঙ্গোংনা পাইরকখিবা ইবদা খুঙ্গংগী মীপুম খুদিংমক মথুম মরাও হৌরকই- হঙ্গাম হায়নীংঙাই লৈতনা হাউর্বানি, হায়নাংঙাই লৈতনা থোংলানি। অদুনু ইচম চম্না অদুঙৈদগী পঙহোং লোংথ্রবা খুঙ্গংগী পুন্সি মরেন্দন হৌরক্কী অনৌবা পুন্সি মবন্না লান্দাবক্লবা ইমুংসু যাওদবা নত্তে। তম্ফাজাওগী অমত্তা শোকপ মচানুপান্দা মুম্বাইদা থবক তৌই। মংগা মচাগা পুদুনা চংখি

তম্ফাজাওনা মখোযবু প্লেন পাইফম তান্না খিন্দোক্লই। ময়ূমদা হল্লক্লগা মাগী নুপীনা ইতক তূকথনা লৈবম্বদো উই। ঙসাই অয়ূক্তি, অঙাংশিং চৎখ্রগা কৈথেলদা ঙঙ্গাম যোল্লুনি, ঙঙ্গাম যাম্না শীৎলনি হায়বনি। নুপীগী তূকথবা মতৌদু উবদা তম্ফাজাওনা হংঙি কৈদৌনে বৈ থল চৎত্রববা? নঙবু ঙানু থঙ্গোং পাইখ্রে হায়বদাইনে? নুপানা খুন্নকই কৈথেল চৎলুদুনা কৈদৌর্কনি, ইচা ইমৌ ইশূ লোইনা পাইখ্রেবদা। মগী নুপীদা যাওনবা ইহাঙ হাঙনা ইচাব চাকপগী চৈনা অদো তম্ফাজাওদসু ফাওবকই। অইনা হৌজিক্কী অরা নুংঙাই য়ান্নবা সমাজগী পুক্সি অমা শংশংনা অপাবগী মীৎমাঙদা উৎপদা নত্তনা থম্মোযদসু ফাওহনবা ঙম্মী।

মতৈ মনাও হায়বসে ফনা নুংশিননা লৌমিন্নবসু কাবগুম্বা মতমদা মীনা মুকম মুকম ঙাঙনবকপা নৎত্রগা মতাঙ চানকবা থৌদোক ব্রাথোক থবদগী অমনা অমবু চিংনবকপদগী ঞ্জান তানদবা কয়া যাওবক্তবা নত্রে। লৈকায়গী মৌনতা মোবে লল্লোনবী অমগা মোলেদা ওাদট তৌবা চৎখবা মপুগোইবদো লৈমিন্নহৌই তাবদগী নুপীনা লাম্না লৌদুনা উংনদুনা লৈবগী শার্গানি 'নোংঙাল্লকপদা খাবলনা মূৎখিবদো' হায়বা ব্রবীমচাসি। তাংথক লাইনা থাললগা ঊম্পামদা ব্রবী অসিগী এটমোস্ফেয়াব কবম্না অইবনা শাগৎপগে হায়বদো অপানা উবা ফংগনি।

যাগীদ মানবা অদুগু যাম্না সিাবযস ওইনা হৌজিক ঙৌজিক মণিপুবদা ওইানবা যি ওম অসি উৎপা পনবা যাবা ব্রবী অমনা 'ভূত চঙলবা শনিপুব' হায়বসিন। মণিগী লৈবাক মণিপুব ওইবম্নদগী হৌর্জাক্ত শনগী দশা চংলবা লৈবাক শনিপুব ওইবে। চহী কুম্না নিফুবোম মমাঙদা ইখিনা বাবীমচা 'শনিপুবগী খোঙচৎ' (অইবা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন) হায়দুগী মথা চৎথবকপা বার্গানি হায়না লৌবা যাই।

দাগ ওম্বমগা ব্রবামচাশিংসে অম মম তা নৈনব 'খুদোং চাবদো মতাঙ অসিদা লৌজববেই। মদ তৌবগাদ অপাবশিংগী পাক্লং বাখলদা ২৫ থিংজিনবা ওইনা খোর্কনি। অদুনা ব্রবীমচাশিংসে অপারকদ দা শিল্পদনে।

বাবামগেগা ইফুৎ ভাগী ওম্বমগী খোজৈলগী কংলন ওইসনু

ইম্ফাল, জুলাই ৮, ২০০৪ নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন

ৱাহৈ খরা

জাতিশ্বর সৌবামনা ইবা ‘ঙানু থঙ্গোংনা পাইশ্রবদা’ হায়না মিংথোনবা ৱাবীমচাগী ওইবা খুৎই অসি পাবগী তাঞ্জা অমা ফংঙি। হায়বিবা খুৎই অসিদা পুন্না ৱাবীমচা ২৪ য়াওবি। যাওবিবা ৱাবীমচা অযাম্বা খবা তেল্লপ তেল্লপ তৌবা ৱাবীমচানা অযাম্বনি। অতেনবা ৱাবীমচা ওইজলকসু মপূং মবৈ ফাববা ৱাবীমচাশিং অদুম থেংনবি। থঙ্গেশেংনা ৱাবীমচা ইবদা মায পাক্কদৌবা খুৎই, খুৎলাম্থোক, খুৎফোঙদোক য়াম্না ভাবাত্মীক অমসুং কলাত্মীক ওইবা ৱাবীমচাগী ওইবা মচলশিং যাওবা অদুম থেংনবি। হায়বিবশিং অসিগী মনুংদা অইবনা য়াম্না কা-হেন্না ফোঙদোক্লীংবা ভাবনা হেনজিনখিদুনা ৱাবীমচাগী কলাবু কাউথোকখিবা, পাউজেল পীবগী মওংদা হেন্না চঙশিল্লকপগী মওং অমদি মবক মবক্তা হেক হেক থেংনে। ৱাবীমচাশিং অসিগী মনুংদা উবা ফংলিবা লমচৎশিং অসি যাম্না আদর্শ ওইবা মীৎযেংনা মপূং ওইখিবনা থৌদোক ঙাখোকাশিংনা- অশেংবা ভুঁস; অয়ূক নুমিদাংগী পুন্সিগী মশক ওইবা য়াম্না যানশিল্লবা পুন্সি অমসুং সমাজগী মশক্কুগী খবা থৈবপ থৈবপ লৈ। যাম্না নুং [illegible]ইবা অরাংবা মফম অমদা অইবনা যমদুনা লৈবগা [illegible] ভুঁসি ঐখোয়গী পন্সিদা থারক্লিনা [illegible] লাম্থোক, থৌদোক [illegible] অমসুং লুব লুবা লালহৌবনা সমস্যা মযামসিন [illegible]দুনা লেবগী মহুৎতা সমস্যা [illegible] মহম মফমশিং অদুদা চৎলিন্দনা অশেং[illegible] পুন্সিগী মশক, ঐ অইবগী অমূম্বা [illegible], [illegible], গৌজিল সমসু[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নাউবাদা ঈ চোল্লবা মাশক অমমম ওই[illegible] [illegible]। অসুম অইখা [illegible] [illegible] [illegible] অযাম্লান।

জাতিশ্বর সৌবামনা যাম্না [illegible] হেন্না [illegible]কল অসিমংগী হীকমদা ৱাবীমচানা কলান চঙশিল্ল হায়না বাফম লৈরে। অইবনা [illegible] [illegible] ঐখোয়গী পন্সি অমসুং সমাজ[illegible] [illegible]বকপা অমসুং সম জ মনুংদা চঙশিন্দনা লৈবনা মনম [illegible]দুনা পু[illegible] [illegible] [illegible]বকপা মা[illegible] থৈ[illegible]ক ৱা[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ব [illegible], অ[illegible], সমাজ[illegible], অনৌবা [illegible] [illegible] অদিনা [illegible]কুনা ঐখোয়গী হায়না লৈজবখ্র মালেমপুম্বা [illegible] [illegible]ইবা, [illegible] চাক্লা [illegible]বম্বা [illegible] [illegible] অমসুং আশাগী মাযওন [illegible] [illegible] অদিনা অযক নুং[illegible] পুন্সিদা [illegible] পুন্সিগী [illegible] কয়া, মা [illegible] মমল লৈশিল্লক্কদুনা মাগী মমল [illegible] [illegible] চাইবক্লিবা পুন্সিগী মশক কয়া অমবুদ অইবনা নৌশং[illegible] মহাক্না [illegible] ওইবা বিচাবদা অচুম্বা মায়কে, থোঙখাঙ অদু অসি ওইফম থোকই হায়দনা আদর্শকী মীৎযেং[illegible]মদা [illegible]শিং [illegible] যাম্না কয়া হোৎনববা মহাক্না খুৎইশিং [illegible] [illegible] মমি [illegible]। অসি[illegible] অইবগী পুন্সিগী ওইবা ‘বিচাবনা’ হেনজিল্লকপা মতাঙ অসিদদি ৱাবীমচাগী কলান [illegible] [illegible] [illegible] ফোঙদোক্লীংলিবা বাফম অদুনা কা হেন্না

হায়বকপনা ব্রাইহে খজিক্কনা ভাব ময়াম অমা ফোঙদোকপগী হৈ শিংবা কলাগী পৃৎলাম্ন্থোক অদুমদি খবা শোল্লপ্পা মহাক্কী ব্রাবীমচাশিং অসিগী মনুংদা উবা ফংলে।

অইবগী ব্রাবীমচাশিং অসিগী মনুংদা অসুম পাবকপা মতমদা অমুক্তং পাবিবা মীদুদা তিং লাউনা পালহল্লগা ব্রাবীগী পোলোইনা অপার্বশিংগী মফমদা থম্লম্বা ব্রাবীমচা কলাগী য়াম্না চেকশীনবা অমসুং পৃৎলাম্থোক্কী হৈ-শিংবা শাফ পীবা ঙম্বা মপৃং মথৈ নীংথিনা ফাববা ব্রাবীমচা শবা য়াওবি। মখোয়শিং অদুদি য়ুখল মরুমসিদা, নোংঙাল্লকপদা থাবলনা মৃৎখিবদো অমসুং নুমিৎ তাগদৌবে হায়বিবা বাবীমচাশিং অসিনি। হায়বিবা ব্রাবীমচাশিং অসিগী মনুংদা ব্রাবীমচাগী ওইনা ফজবতা নত্তনা হৌজিক হৌজিক, ঙসি ঙাসিমক ঐখোয়গী পুন্সিনা মায়োক্নলিবা পুন্সি, সমাজ অমসুং হিংবগী সমস্যা কয়াগী লাম্ন্থেং ময়াম অদুবু থৌনা ফনা মযেক শেংনা ঊঙ্গিং অমসুং ব্রাইহে খজিক্কনা ফোঙদোকপা ঙম্নগী শক্তি অমা হ্লংং ঙশেংনা যাওরি।

অইবগী নাংথিজবা, মবাক চন্নবা মণিপুরবা মবক অসন্দা যাম্না চেকশান্দনা ইংরেজী, হিন্দী, বাংলা, সংস্কৃতনচিংবা অপুনা ব্রাইহে কয়া অমাদি মীং এম্বা শান্দনবকপা, হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী সমাজদা হিংলিবা লোনগী মশক অমা উবা ফংই। মতাং অসিমাদ খবগা, হন্না খন্নবা অমসুং মণিপুরীগী অশেংবা মশক পুথোক্লবা হোৎনবদা কবক্না মায়থৈদা খোঙ থাংজল্লক্কদৌরবনো হায়নবগী চিংনব যাম্না কম্না যাওহল্লি। বাফম অসিমদি ঙাং চম্বব মতমগী নাফম ওইহল্লে। মণিপুরী অইবা খুদম মক্কী ওইবা সমস্যা ওইরে। অতোপ্পা লোন্দগী মণিপুরীদা হন্দোকপা হন্দোক্লোই চংনদ চেৎপা নমিং ঐ মণিপুরী শাজিন্নানা, চাংনবকপগা খোঙজং অম চমিন্নপদা, থীজং অসিনা থা চেনব মও অমদ নহবে। অইবগী ময়ামদ ঈশ্বরনা মঙ্গল শাবীদ পান্নবা ওইসনু হায়না নিজনি।

চেঙ্গা
১৮।১।৩৪

ইবোসনা যামবেম

ৱাফম খরা



ছাত্র ওইরিবৈদগী ইবগী লমদা পামজনা লার্কখিবা মীশক অমা মমিং পনবদা জাতিশ্বৰ সৌৰামসু যাওবৰনি। মহাক্না ঐহাকপু কলমনিষ্ট অমা ওইবদগী ৱাবীমচাগী লাইরিক 'ঙানু থঙ্গোংনা পাইস্তবদা' অসিগী মবমদা ৱাহৈ খবদং ইবক্লবা হায়বীবকই। তশেংবমক্তি লাইরিক অমগী মবমদা নৈনবা তবাই তবাইবা নত্তবনা মতীক চাবা নত্তে হায়না নুংনাংজখির্বনি। অদুমকপু সাহিত্যগী লমদা খবদং খুদোল তৌবক্লগদবা অইবগী খুৎই উরুবদা পূক্লিং থৌগৎচদবা যাদবনা ৱাহৈ অমনীদং ফোঙদোকচবি।

লাইরিক অসিদা পীবিবা মিংথোল (ৱাবীমচাগী মমিং) শিং অসি অযাম্বনা ৱাবীগা চশিন্নৈ। কেবেক্টব (চরিত্র) শিং অসি কবিগুরুদা ৱাবীগী প্লেটকা যাম্নমক চূশিন্নখিবনা ফিক্সনদগী খবা লৈথোক্লগা চংখিদুনা তশেং তশেংনা ঐতিহাসিক ওইনা থোকখিবা মানবসু যাওদবা নত্তে। মসিগী ক্রাফ্টমেনশিপ অমসুং ক্রিযেটিবিটি অসিবু শীজিন্নবিবা মশাগী পোক্লকপদা লোযনজবকপা মগুণ অসিবুদি পাগৎতবা ঙমলোই। লাইরিকসিগী অযাম্বা শরুক পাবদা মতম ইচঙ চঙদে। মদু যাওবিবা ৱাবীমচা পূম্নমক্কী মহাও তংনীংবগী থৌবাংবা অদুননি। জাতিশ্বৰনা খুঙ্গং অমসুং শহরগী তোঙান তোঙানবা শক্তমদা যোক্লবা, শাগৎলিবা ৱাবীমচাশিং, বিযোলটিদা নকশীনবগী মমি তাবা থেংনৈ। অযাম্বা ৱাবীমচাশিংদা তুং কোইনা কাউঙমদবা শাফু পীবা ঙাক্তনি। অইবা ওজাশিং কুঞ্জমোহন অমসুং দানমণিগী ৱাবীমচাশিং অদুগী মহাও চেংগে তৌবা মতাংঙস অইবা অসিগীদা যাওদবদি নত্তে।

ৱাবীমচাগী লাইরিক অসি সাহিত্যগী সংস্থান ইবমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জৈ লুপ (ইমাখোল), অৱাং পোৎশংবনী মবিশুবা খুদোল (ৱাবীমচাদনা অহানবা) ওইনা পুথোক্লুনা সাহিত্য প্রেমিকশিংদা ফঙহনবা ওমথংনীদমক ইমাখোলগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবিবা অইবা শ্রী জাতিশ্বৰ সৌৰাম্ব হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচবি।

লাইরিক অসিগী মতাঙনা অখঙ অইগী যোহসু থেংনবগনি। মখা তানা লাইরিক অসি ফংবিবগনন অদোম্সু ইশাগী ওইবা ৱাফম পবদি থম্মোগানুংদা ফাওবনগনি। অবোইবা ওইনা অইবনা মখা লাইবিন পুথোকপ ঙম্বা ঈশ্বৰনা মতেঙ পীবিবা ওইবসনু।

বাজকুমাব গুণচন্দ্র সিংহ
প্রসিদেন্ট
ইমাখোল, অৱাং পোৎশংবম

ইম্ফাল
তাং ৮।৮।২০১৯ ইং

ৱারীমচাগী ময়ীং	চেমায়

য়ুখল মরুমসিদা

মতম কুইনা উঁখিদ্রবা মরূপ মোহেন্দ্রো ঐগী যমদা চঙলকই ঐদি ঙাইহাক ঙক্লুবে, মোহেন্দ্রোনি খংলবা ম তংদা ঐনা কৌখি।

কদোমদগানো থাজদনা তৌবরক্লির্নসরো, লেপশিনবিবকউ।

- খঙন চাৱবা মরূপ মপাঙ মসাম অমগী দনকাব লৈরে। অদুনা লাকচবিবর্নি। বোং কমদা ফম্ঙমদুনা কেফা থব মিন্নগা ৱানী বাতায তৌনে। লাক্লিবা লোক সভাগী ইলেক্সন্দা মরূপ মেহেন্দ্রো এম পি [illegible] দ ওঙনা লেপকদৌবি। বাজনীতিগী অরোন অথুপকী [illegible] কাদা যাদগী পোনম [illegible] ঐব লৈবদ সার্কলসিদা দাযত্ব লৌবিদনা [illegible] মপা [illegible] কাদনদুন [illegible] বনি। কোন্দদেত [illegible] বনী মরক থংনা ইমুং [illegible] তৌদা [illegible]

[illegible] কনকন [illegible] অমা অনা [illegible]

ঐদি [illegible] অনীখ [illegible] অহলদ এম [illegible] হোস্পিটালদ [illegible] নাইবকথা [illegible] এক্কতগী [illegible] আশাবা ঐ [illegible] চঠী [illegible] খন্দবাদ ঙম্নক্কে

[illegible] অমদি ইশদ ফাওই। মখা [illegible] শমথনদ্রে। মী [illegible] য়াম্মী [illegible] লেপহায় ওইনা এব থাগৎপিবকই।

[illegible] লাকউত্রা [illegible] এপগ্নান।

[illegible] চানাবা : যবংনি

মহুপ মোহেন্দ্রা গেৎ থাংম ফাওবা থিন্দোক্লবে। হঞ্জিল্লক্লগা থোতিং কমদা খব চনীং তনা হোন্থবব মতুংদা পুন্সদা নোংমা থোকখিবা থৌদোক্তু মবী মবী নীংশিংলকই। নুমিৎতো নুংথিল পোবোপনি। হকচাং নুংঙাইতবদগী থাকস ছাট লৌদুনা ইমুংদা হীপ্ল। মমানা মমুবা হাউজাউ অমা পুশিল্লক্লগা মফী, অযাঙ ওইনা হাযবকই।

সিবু কবমতাযনা তৌগদৌববনো? ইশাপি নীকপনা কৈনোমসু তৌখ্রে।

কবিনোকে অদুবো?

খতদে বোম্বোতদা শিপিন্দ মোতোব তো ব নহা অনীনা লংশিল্লম্মা। ইমা গুনা পাশনাবয় মহোয পুলস না তান্নবাগ্লি বানি। লোংমা লৌবা লাক্কে হায়বল্লগা মেং তাবদু কম যৌপি। [illegible] হন্দুন [illegible] পাশিল্লাক্কল।

[illegible] ঐ [illegible] অনা বাবা [illegible] লন্নাদা তাক্কী অমা কম যৌহিবগা [illegible]

[illegible]

কোৎ দা থৌ [illegible]

[illegible]

[illegible]

হঙ্গৎ [illegible] মঙান্দা কবি তৌহ [illegible] অতাংদ লোইবে। [illegible] অঙ্গবদ হাবদ [illegible]

[illegible] কুং [illegible] কাথবা নহা অনাদু পুলসনা [illegible] অপোকপা [illegible] মখা তাবদা [illegible] শলদুদ [illegible] পুলসনা থি হম্বগা থবক চৎথাব।

[illegible] লেবকপা হাপ্তা মমা অনা তৌখ্রে। কনাসু যমদা থিব, [illegible] হুম্বা চংলকাখদ্রে মম এবোয অনাতল হতনাববা। নুমিৎ তবা কুনানগী মতুংদা মমানবু তৌদবকই

নহা অনাদুখক্ত তৌবা [illegible] ওইবমাল্লে। লম্মা ইমানা ঐখোয়গীদমক

শীবিবক্লবনি। লৈতবসিদা শীজিন্নবা হৌবসি। কনানসু খঙলোই।

— হায় মদু য়াদ্রি, মতম খবা কবি তৌবকপগে য়েংখিসি। নচীন কাঙথোকপা য়াদেকো।

ঐগী লৈতবগী য়াদি কবি হায়কনি। তোলোপ চাবি হায়বদু ঙায। ইচা মগ'গী হোৎনবদা থোক লোংলবনি। শেন্দোয় কাবীদা পূশল্লবা শেল্লেপ্তু শিংবা শুকওম ঙমদ্রবনি। মওং চাদনা হিংলিবা পুন্সিনি। য়ুম শাদ্রি, গাড়ী মচা অমা ফাওবা লৈবগা তোংবা ঙম্মদ্রি। লৈতবদু খঙনা ইচাশিংসু তুফক তুফাই চন্না হিংলিবনি। শেনযাম অমা ঐগা ইমুংদা পেদুনা লৌবনদু শাাজন্ননীংবনা মথুম মবাঙবুদি হৌবে। কিবনা শোক্লুবা ঙম্মদ্রে।

চহী হৌখ্রে। মখোল চোংখিদ্রবা পুন্সিগী উপালদা য়েন্নীং শুন্নকই। [illegible] লুপা লীশিং ৫০ তাবা মকপ অমখক ফংঙ মদু ফংবদা মকপ মপাঙ ইমু [illegible] কাব [illegible] হংবাসনা কুম্মৌনি। এনা শন্না খুমখি। "দুকান ফমগান, শেল্লেপ মা [illegible]" মাপ [illegible] কইনগনি।"

পুন্সিসিসি মখল অমগা লীলা ওইবন্নে। [illegible] পোকপদগা হৈনবক্লবনি। শেল পাইবা ইনাক খুনবগা ম [illegible] হল্ল ওা খ [illegible]। ইচাশিংদু দুকান য়ম্বা হেন্নে। [illegible] অমা [illegible]। থাদোকপদুদদি কদাইদা কাব লৈ [illegible]। ইনাব [illegible] মা [illegible] যান্না [illegible] নুপাস [illegible] কোন্দুন [illegible] তৌবকপদুনি।
[illegible]

এ অ [illegible] অমদা য়ুমগা মমাঙনা দুকান অমা শাবগ চুন্ন [illegible] মহনাখিবনি [illegible] অল্লকপদুনা [illegible] সু লৈ। দুকানদু [illegible] য়ুম [illegible] ফমদা [illegible] পেদুনা [illegible] শাডিন্নবনি। য়ুমকা [illegible] হৈবকপদা মকপ মপাঙ লৈকাযনা [illegible]। "ইক [illegible] য়াম্না [illegible]। লুপা [illegible] কাবনাব [illegible] হৌজা [illegible] মডা [illegible] মপু ওইরে [illegible] পুন্সি চুপ্প অমা [illegible] ওইসনু।

ম [illegible] মশুমগা [illegible] বা লোয়াশল্লকপা, ইনাক [illegible] খিবকপা, দুকান নাম্না [illegible] ইচা [illegible] অমমমনা [illegible] মাযাম্না [illegible] ইনাক [illegible] ইমুং ম্মনি তায়দুনা বাবহাব [illegible]। মবক মপাঙ [illegible] শাংথা [illegible] এবু [illegible]। লৈকাযগা [illegible] থাথোক্পী চফ [illegible] ওইহনবিবা মওা তকবক শুরে। মদুদসু ঐ তেঙবাংবা ওইনা লুপা লীশাংদগী [illegible] তেঙবাংখি। [illegible] ঐনা শীজিমবদা পৈশাদো তঙ্খায় চাদ্রি [illegible] মবিদা [illegible] হাংদো কুনা থমজিল্লি। শেলগাদম ওদি ঐ কাবদ্রে।

মকপ মোহেন্দ্রো লাক্লম্দদা ঙাসিদি ঐগী পুক্লিংগী হাযফম খঙদবা চৈনা অমা

ফাওবকপগুম তৌই। মকপকী মচা অঙা ওবা, গুন্দা, শেল লাকপদুনা ঐবু মপান নাইদনা নুংঙাইহনবনি। ঐদি নোংমতবু লৈখিদ্রবা অঙাংদুগী ৱাখল খনবিকদে। অঙাওবা, গুন্দা, শেল লাকপসু ওইসনু ইচা অদুমদি ঐগীদমক্তদি ঈশ্বরগা চপ মান্নে। পুন্সিদা ঐ কনাগী মফমদসু লানখিদে, অকায়বসু তৌখিদে। ঐনা ফোঙদোক্লিবা ৱাৱীসিদা ঐবু ইবাল লৈব্রা?

নীংশিংলকপা ৱাখল থুগাইবা ওইনা ইমুং মনুংদা ইচা অতোম্বদুগা মমাগা লাউনবা মযেক শেংনা তায।

ইবুংঙো তোম্বা নোংমৈদু কদায়ৱাইদগী লৌথোক্লবিবনো? নপানা চেকশীন্না লোৎলীবনি। কদায ইমাদা পীবকউ। মদু পাযবা যাবোই। মীমাঙদকা উৎপা যাবা নত্তে।

– ইমা ফজনা অমুক্তা যেংগে তৌবনি। কবিসু পুবোই।

– কদায়ননা, ইমানা যাবোই শর্যাবিবাসিনি।

নোংমেগী ৱাফম থাওলকপদুদা ঐ পাম্খৎপা অমা যাওনা ইমংদা চেনশীল্লি। মমা মচা নোংমৈদু চিংনদুনা লৈবম্মী। খংহৌদনা নোংমৈদু কাপথোকশিবগী মখোল তাবা ঐ লাউখি "হাই ত"। মমাগী মবোক্তা নোংমৈ মকপনা পানখিবদি। ঈ হাদোবকপা উই ঐ চেনশীল্লি ইচা অতোম্বদনা ইমা কৌদনা [illegible] কো [illegible]। পক্সিগী অবা নুংঙাইদা [illegible] মমাদা মল [illegible] বাফম [illegible] থুমদনা [illegible] [illegible] ক্ৰায়নগা [illegible]।

[illegible] থুমতিন্দুনা থাম্বা [illegible] ইচাশি লৈকায় মীনা [illegible] কোহশিল্লরে [illegible] ইচা অতোম্ববু ফম্বা হৌনকই। ঐনা লা টখি।

ইচাশা, ইচাগী মবাল [illegible] ইবালা [illegible] ওব ফ [illegible] পালস [illegible] ক্লগন

প্যালস [illegible] কাইদে [illegible] ইমাদ [illegible] কৃষ্মে হৌবক্লান [illegible] মচান [illegible] [illegible]।

ইনম্মগী অউনপোৎ

ঐগী তামোনা ইনম্মা অমা পুবক্লে তাবদা ঐ যাম্মা হবাওখি। ঙাইঙমদনা মনাক চঙদুনা যেংলুই। ফজবা মশক্তো উবদা ঐ ঙকই। ইনম্মদু লাইমুক ফজৈ। ঐখোয় তামোসি নুপী থিবা যাম্মা হৈ খঞ্জখি। মনাক্তা চঙদুনা অঙাও-অফে শম এনা হাযদোকখি।

—ইনম্মা ঐসে অমত্তা ঙাযববী তামোগী মচান্নি। তামোগা কুইদনা নুংশিনবগা চেল্লক্লিববা? ঐঙোন্দা যেংলগা অবংবা যাতোন্দু খজিক্কুং উংলগা নোক্লকই। মখূৎনা ইখুৎ পাযদুনা চিংশিল্লগা হাযবকখি।

ইচান্না হাযবা ঐদি হান্নন খঙঙি। তামোগসু কলেজ তাপ্লৈঙেদগী মবী লৈনরক্লবনি। মহাক্কা ঐবু হান্না খঙলম্লদা ঐ হাযফম খঙদনা নাংঙাইবা ফাওই। ইশাগী নুংঙাইবদু ঘম্মায় নুংদা লোংশিল্লগা মঙোন্দা শাউশিংদনা অমুক মখা তাক্কই।

নখোয় পনাদি নবক যাম্মা ফংতে। অদুক হইনা নুংশিনবগা তামোনসু তাকপীদে। ইনম্মনস্ লোংম শবু নীংশিংবিবক্তে।

মম্মা ঐগা মীৎ যেংবা ক্তা বি এ তম্লদগী এম এ লেইবা ফাঙবা লৈরম্লবনি। থোবকপদা ঙাহান্। নখোয় তামোনা যামন্দবদগী ঐ লাক্লবানি।

ইনম্মা, ঐখোযদি যাম্মা লাযববনি। তামো ডাক্তর ওইনবা হোৎনবদা লোইনা তমখ্রে। তামো ঐখোয অনীদনি যৃমসিদা লৈবিবা। ইনে অমা লৈবম্মী ঐবু ঙাকপা শেন্নবিনবা। মদুসু তামোনা ডাক্তর তম্বা লোইদুনা যৃমদা লৈবদগী চৎখ্রে। ইনম্মনা ঙাসিদি ঐবু হাযফম খঙদনা নুংঙাইহল্লে।

ইনম্মাগী মখৎতু ঐনা চেজেৎ পাযাশন্দুনা তাখিবানি। মহাক্লা নোক্না মখা তাবকই,

তৌজাকু ঐখোয অহুম শুবা তাবেদনা।

খঙদে ঐখোয ইমুং মনুংগী মতৌসি উবদা ইনম্মগী পাবুংখোযনা পীনীংলোইদবা। খঙদেদা ইনম্মা।

ঐখোয পাবুংসু লৈত-লায়বগী মবমদা থোইনা শনবা লৈবোই। মীশক অদুখক্তনি যেংলক্কদবা। নঙনা লাযনা খল্লব্রা? তামো অসুক যাম্মা ফবিবসিদি।

– ইনন্মা ঐখোযবু থাদোক্কনুকো।

ঐগী মীৎতা পিগী ঈবা চেল্লকই। হাযফম খঙদবা ইথিল অমা খঙহৌদনা থম্মোয়দা ফাওবকই। খঙহৌদনা মীৎতা পিসি খান্না যাদনা তাখি। ইনন্মনা ঐবু মুন্না যেংলগা চেজেং কোর্নাশনবিবকই অদুগা তপ্না হাযবকই,

– মেন্মা নঙনা নবুংগীদমক ব্রাজাখবা, নঙগী ইমুং-মনুংগী ফীবম পূম্নমক ঐ লোইনা খঙাঙ। মদু পূম্নমক ইশানা যানা লাক্লবনি। নঙগীদমক যেংদুনা ঐ যাববনি। নহাক ননম্মবু থাম্জী।

ওশেংনা ইনন্মা লুহোংবা অসিনাক্ত ঐগাদি লোতবী ফাওবগা চপ মান্নে। অউনপোৎ ময়ামদ্ ঐদ কি। লাযববা ঐগা তামোনা ইনন্মগী অউনপোৎ ময়ামদ্ লৈবা তংববাদ পান্দ তঙ্খাৎ অমদসু ঙমগদবা মান্দে। ইনন্মগা মপান্ন। তামোসু মাকাওত জেন অমা খৌদুনা তোম্পিতাল চৎপা ঙম্লে। ঙর্সিদি, ফ্রীজগী ঙাবেল, ব্রাশং মোছন্দা ফি শূবা, কাঠনোতক ঝুম খৌদুনা চৎথোক-চৎশীন ফংজাবব্বী ঐনি। সনা লূপা ময়ামদু পুথোক্লগা ফজবা লীক কোন মখৈ ঐঙোন্দা কাবসু খন্দনা পীথোকপী ইনন্মানি। ঐখোযগী যুমদা খঙহৌদনা অহোংবা অমা পুবক্লিবসিগী অচৌবা মবমদি নুংশবর্বী ইনন্মর্নান। মহাক্কী তৌবিমল অসি তামো ইবানীনা কৈদৌনুংদসু শিংবা ঙমগদ গা মান্দে। নোংম ইনন্মনা এনা ব্রাকম অম ফোডদোক্লবদা ইনন্মনা নো কুনা হাযবকই,

– মেন্মা পোৎশক ওইনা উববা অউনপোৎ ময়াম অর্সিদি পেশানা লৈবা ফংবা পোৎ ঙাক্লনি। মশক উদবা পোৎশক থম্মোয অমখক্লা ঐবু জয তৌথিদুনা মদুগা শেংলবা থম্মোয় অদুতবু খন্দুনা ঐ লৈবির্বাসিনি। নঙগা তামো লৌবঙৈদা ঐগীদি অরাৎপা কবম ত্রা লৈববোই। নঙগী ব্রাৎতনবা হোৎনবনা ইনন্মগী ইথৌন। নঙগা হযেং লুহোংবদা সিদগা তেন্না উনগদৌবান। ঐদি হৌজিক্লগী লাডাশনবদুম হৌবগান।

ইনন্মা ক্রোবপাত ইমুংগী নিঙেলনি। অদুবু মশাদা চাডথোকপা, পোঙবা কাবমত্তা যাওদে, ইচম চন্মী। মান্মাখোযসু তত্তনা লাক্লনা তামো, ইনন্মা ঐখোয ময়াম চামিন থর্কমিন্নদুনা মখল মখোলগী ব্রাবা কযা শানবা মতমদা নোংমা মান্মনা ঐখোয় তামোদা হাযখি।

অশোক, ঈশ্বরনা পীবিবস্বনা ইপাগী পৈশা য়াম্না লৈনে। ইপানা ব্রাৎলিবাস মী থক্তনি। ইচানুপা অমখক্তান। ইপাগী লন থুম ময়ামসি ইচাগীসু তঙ্খায অর্মাদ নম্মা পাল্লগে খল্লে। মদু পূম্নম কু ঐনা পান্দ নঙোন্দান, নঙনা কাব খল্লিবা।

- পাবুং ঐদি মদুগুম্বা ব্রাফমদু মঙগুম্বান। পাবুংনা সিনা ফৈ হায়বদু তৌবিয়ু।

মবকসিদা ইনন্মনা মান্মদা ব্রাকৎখি।

— পাবুং অতৈ লায়রি। য়ুম অমত্তং হান্না শাবিয়ু অতৈদি তামোনা থোকপা তৌজনি। তামোগী হক খরা থম্বিয়ু। মবুংনা মচন নুংশিজবা লৈরমগনি।

— ইচানা হায়বা চুম্মী। সুমদৌরসি অশোক নখোয়না পামজবা দিজাইন্দা, আর্কিতেক অমদগী দ্রোইংদু লৌরুরো। অথুবা মতমদা য়ুমদু শারসি।

অহল ওইরক্লবা মাম্মনা মাগীনি হায়বা পামদনা মচা মচাগী শরুক পীথোক্লীংলবসু ইনম্মনা মবুং-মচন নুংশিনবগী ঈচেল অমা উৎখিবদু ঐ তশেংনা পেল্লি। অদুবু মাম্মা চৎথ্রবা মতুংদা তামোনা ইনম্মদা হায়খি,

— রাধা নঙগী লন-থুমগী মরমদা ঐবু চেন্নহনগনু। নঙনসু পন্দবা ফৈ। চন্না থম্মোয় শেংনা ইমুং অনীমক হিংমিন্নসি।

চহী অমরোমগী মনুংদা ঐখোয় ইমুংদা অঙকপা ফীবমদা হোংলক্লিবা শক্তম অদু থংনরিবা লৈকায়না কল্লকপা, নুংনাংবা য়াওদবা নত্তে হায়বা ঐ খঙঙি। মখল-মথেলনি, কনা অমনা থাগৎপিরম্মী, কনা অমনা লৌথোক-লৌশীন য়াননবা নপশীল্লকই। পুম্নমক অদু ঐখোয়না ব্রাবনা খম থেংলিঙৈ মতমদদি লৈকায়গী মতেঙদি লায়রদনা তূমিং ফাওবা পাইরদে হায়বা য়াই। পূকফবী লনচেনবী ইনম্মা অমা ফংজবসিনা নুংঙাই-য়াইফবা হায়বদু অঁাস ওইরে খঙলবা ঐনি।

সঙ্গ লৈবা শেন-থুমদা তৌগেদা ঙম্বা মাম্মা লৈবদগী ইনম্মা কলেজগী ওজা ওইরে। ঐসু কলেজ কাবা হৌরে। য়ুমসু গ্রাউন্দ ফ্লোর লোইশিল্লগা শঙ্গারে। মথক্তি কোন্না শারসি হায়দুনা লেপ্লে। ঐখোয়গী ইমুং-মনুংগী মী অমা ফাওবা লৈতবনা য়ুম শঙবিনবা খুড়া চাউভল লৈহল্লে।

লৈশাবী ঐনা ঐখোয় ইমুংগী থৌদোক অমা হায়দোকপা ইকায়। নুংঙাইবদি কয়াম নুংঙাই। তৌরক্লদৌরিবা ফীবম অদু মীৎতা শং-শং উরকই। ঐঙোন্দা নেনে নেনে কৌবক্লনি, ঐনসু বোবোচা বোবোচা কৌগদৌরি। অদুবু ঐখোয় ইনম্মসি মওং অমনি। শেরান-তুরান য়াম্না খল্লি।

— মেম্মা, ঐদি অঙাং উনবসি য়াম্না কিজেবো।

— কিরবদি ওপরেসন তৌরগা লৌথোকও। অদুদি কিবদু ফরেদনা।

— অওইবা! নখোয় তামোগা তান্নসিরা খঙদে।

— তানীংদে ইনম্মা। অঙাং পোকপসি নতোমতা তৌবদুঙায়।

অসি হায়রগা ঐদি হৌনা নোকথোক্লুই। নোকপদি ইনম্মসু নোকই। ঐনা উবদা থব্রায় তাদে তশেংনা কিবা মাল্লি। তামোনদি হায়খিবা লৈ— ননম্মসে বি পি ব্রাংবনি। কিহনগনু, শাউহনগনু। ঐগী পুক্নিসে লীলা য়েংলিবা ভাবোক্কা চপ মান্নরে। লীলা শান্নরিবা

আর্টিষ্টশিংনা কপ্পা নোকপদা ভাবোকসু য়াওবদুগা ঐগা কবিসু খেন্নদ্রে। ইনম্মা থা সুবে 'ঙসি নোংমা নীর্নিসিদা ওইবনি' হায়বল্লগা তামো হোস্পিতালদা চৎখিবনি। পূংখায় অমবোম লৈবগা ইথা থাজদনা য়ূমদা টেলিফোন খীংলকই। ইনম্মনা পায়খৎলি।

– মানি কবি হাযবা? হা! মোযতামোবু নোংমৈ কাপ্পবদা পাল্লে হাযবা!

ৱাবীদু মখা তাখিদ্রে। ইনম্মা খঙহৌদনা লেকথবক্কুনা লৈমাযদা তুপ্রে। মওং অমনি খন্দুনা চেনশীন্দুনা ইনম্মদু কোনখৎলুই। খঙহৌদনা মপান নাইদ্রবা আতিয়া নীংখাযদুনা কোক্তা নম্ববকপগুম ঐ খাঙফম খঙখিদে। মীকুপ খবগী তুংদা ঐহাক ইশাবু ইশানা লাকশীঙখি। খুডা চাউভল কৌই, লৈকায মীযাম তাকই। মাম্মখোযদা টেলিফোন্দা খঙহনখি। লৈকায় মীযাম্না হোৎনদুনা হোস্পিটালদা পুখৎলি। মখোয়গী মবক্তা ঐসু মঙগুম্না যাওখি। হোস্পিটালগী যাম্নবা ডাক্তরশিংদুগী হোৎনবা পম্বা অবেম্না ওইখি। তামোস্ কোক্তা পানবা নোংমৈ মধ অদুদগী কনবা ঙমখিদে। ইনম্মসু পাখৎখিবা থৌদোক অদুদগী অমুক্তং ফাওবা হম্ববমদনা তামোগী মতুং ইনদ্রে। খঙহৌদনা লাকপা অকনবা নোংলৈ অদু ঐ ৱানা খাঙলম্মী। পুন্সিগী অঙকপা শক্লোনসিনু উবদা ঐ তুমদনা মঙলাক্লবর্ম্মী। অদুনু হোস্পিটালগী নর্স অমনা ঐঙোন্দা পোকপদা পাযাববা মথাং অমা ইনম্মগী মচানি হাযনা শিন্নবিবকউ। মঙাংদগী তক একপা ডলনা মমীৎ অদুনা ঐবু মুনা ...ংবগুম তৌনকখি। ...ক্তি যাওদবা হাযম কথ লোইবা নাইদনা হাযবকপগুম ...নীন ... উবদা ঐগী চান্দা হাযদোকাখ– ইনম্ম!! নঙ ঐবু নংশি হায বদাইদে? নখ্নাযদগী তেল্লনা নঙগী ননল অসবু কবিগী ঐঙোন্দা এগী অউনপোৎ ওইনা পীবাম্লবা? মাসন কবম্ন পাউখোঙনো" ?

অকংবা গুলাপ

অম্মূক যাহৌদ্রিঙৈ ফমুংদা লৌবঙৈসিদা যূমগী নুপীনা চবেঙ-চবেঙ ঙাঙদুনা লৈবম্বসি নোংমদুগী মঙ্গল ওইগদৌবা মান্দে। পামজদ্রবা থৌদোক অদু নুপীনা হেক তৌবম্মী হৌগৎতবদি য়াদবনিনা স্বব য়েংলগা হৌগৎলে। মালেম লৈমদা লাইবক কৎচবে, মপাল থোক্কুনা নুমিৎপু খুকমজবে। তুলসীবোঙ য়েংলুবদা প্রিথাই শেম্পাক অমদা অতবগুলাপ খবা হাপ্পগা ঈশিং অথনবা খুজাই অমগা ধূপকী নুংশিবা মনম অদু উবকপদদি ব্রাখল খবা নুংঙাইবা ফাওখি। অযূক্কী থৌদাং লোইববা মতুংদা খবব পুথোক্কুনা য়েংঙি। নোংমাইজিং নুমিৎলনা বাশি ফল হান্না যেংঙি। ইবম্মী, "ইম্মং মনুং শান্তি লৈনা ব্রাবী শানবা যাগনি। শেন চৎকান মতুংদা শেঞ্জা ও ফংনবা প্লান শানবা তৌবগনি।" খবব পানা পানা অঙাংশংদা লাখি।

অঙাংশা চাদুবু কৈদৌববগে?

হো চা মনা লৈনমদ্রদুনা দুকান্দা থাখ। ঙাইঙমদবা তৌগনু। মমানা পাউখুম্লকই।

ঙসাই অধক অগুনবদা মমানা ঙাঙখিবা মযামদ মানা লুনা থমজবা লৈকোল মচা অদু ঙবাং মচানা লৈনা কপ্পুৎতুনা গুলাপ পাম্বী মশা ঙেক্লমাল্লে অদুগী শাউদ্না ডাগুবনি। মোয মমাস অচৎ গুলাপ লৈদদি মহা বিকাব অমনি। ফজনা শেমজৎত্রবজাৎনি। মথোং শোম্বিবা হব হাপ্পবা আববা মশা ককথৎপা অনৌবা থাজনবা চশেংনা গুলাপ্পা ঙাওখানব ন ", পাপ্পা ঙাওজবা ওইবদুনা এনা শাং চৌনসুহ ওই।

সনাবৈ অং নবকাসু থাভাপ্পু মদুসু ফংবানি।

থাবোই পামজদে, মগুণ যাওদে।

কাবগা। মীনা মেবা থাগী সনাবৈ হাযনবিবদুনি।

– যেংবদা ফজবা ভাইহাক্কী, লৈহা চেন্দবা খোইমু ইন্দবানি। বাকচাংগা উনলেন্দা মক ফংনা কংবনি। থা ফাদবী লৈদুগীদমক কাবগী থাজকনি।

অছা অছা লৈগী মবমদা খোসিস অমত্তং ইববাদ শোযদনা দোগুবেত ফংগনি।

– তানাংদে শ্বাইদা লাঙাববনু। ঐগী গুলাপ অসিদি কুম কাংদবানি। বাকচাংগী উন

কিদবী, অশীৎ-অরানথা পাখৎতবী, নোংজুথা নাচুংদবী লৈনি। পাখঙ-লৈশাবীগী লৈ। খঙলেদনা, ঐসু রাখল খন্দবী নুপী নত্তে।

কদোমদগী সাহিত্যনো হনুথংদা ঙাঙথবক্লিবদো ঐ ঙকই। অঙাংশিং তাখিদুনা, পাদুম পাখৎলি। কোযনা যেংলুবদা কনাসু লৈবমদে। ঐদি লৈকোল মচাদো নোংমতা নাপী মকা অমা ফাওবা ফেংযবিকদে, মমাদি থরাযগা চপ মান্ননা শেমজবা লৈকোলনি। অচৎ-অওক্লসু হাযবম্মী, 'নখোযগী গুলাপ লৈকোলসে ফজবে।' নুংতিগী মপূং ফাববা লৈ হেক্লগা সূর্যাদেবদা কৎপানিনা লৈ পাম্বীদা অবো অবোবা অরাবগী শকফম পুবা লৈ অমা যাওবা উদ্রে। পোল্লিবা, পোমশাৎনবকপা, হযেংদি মপূং ফানা শাৎকাযবগদবা লৈ ঙাক্তা পাম্বীদুদা উবনিনা যেংবদসু যাম্না নুংঙাইবা পোকই। হোৎনজবিবা মমাবু থাগৎতবসু ঙমদে। অঙাংনা চা পুবকপদু থক্লা থক্লা মমাদা হায়খি।

- লাইশ্রমগী শোবাৎতু ঙসি ওইবমগনি। নঙ চৎলুবো লুপা ৫০ বা কৈনো পীবম্মু।

লুপা ৫০ পোৎযেং পীবদু ঐসু ঙমজবোই। নখোয নুপানা চৎপনা ১০০/১০০, থাবসু থাবা, ইবেমনুংশিদো ঐখোযসু তিন্নবিবনি ইকাযজৈ।

লৈতবগী হাযবনি। লৈজবগনা ১০০/২০০ পীয়ু কৈনো।

তশেংনা মমানা হাযখিবদু যান্নদি চুম্মী। নুপীশিংদা পৈশা খবা পীবগা দেব কর্ম চৎহনবসি ঐখোযগী সমাজসিদা চৎনবী অমা ওইবক্লে। ইজ্জৎ যেংনবদা তৌবিনা থৌওংনি। ফোংনা হাযনবে, 'কর্ম তোযমনবসিদা ঙল্লক্তবদগী নুপী থাববান।' নুপাদি ইজ্জৎ যাওদরা? নুপীনা পীনবা পোৎযেং অদু নুপা ঐখোযনা থম্মোয শেংনা পীবদা ইজ্জৎ কযাম মাঙবগে? নোংমাইজিংগী দুবি পার্টি অমা ঐখোযগী লৈবি। মখোঙ শুদে হাযবক্লনি। এবসেন্তসু ওইনীংদে, অদু নৎত্রবদি লাইশ্রমগী শোবাৎতু চৎপিবা যাবনি। চৎলবোই। খবব পাবা লোইদ্রি। অরাংগা কাকাদু ইনাক্তা লাক্লনা হায়বৈ।

- ইবুংঙো নন্দোমচাদু লেং খিনবা তৌদুনা লৈবে দাঙবদা পুদবা যাদ্রে। পৈশাদু ৫০০/৬০০ তং লৈগদ্রা?

- ঐ ঙ্গোন্দদি লৈতেনে কাকা। মমাংহোযদা অমুক্তং হংখিগে।

মমাদা হংলুবদা লুপা ৩০০ খক লৈ হাযদুনা পীবকই ঐঙোন্দগী চাম্মা হাপ্লগা কাকাদা সিদগী হেন্না লৈত্রে হাযদুনা পীখি। পৈশাবুদি চামঙা চৎপী অমখক লৈবি। হোবেল দুবিগী খুৎপায় তৎলগদ্রা খন্দুনা খাকহৌববনি। অনা-অয়েক তৌবদুদা ফজববোই খন্দুনা অরাং কাকাখোয়বোমদা চৎলুই। মহৈ মহৈ কোযলাঙ লাঙনদুনা লৈবম্মী। ভান অমদা ইন্দোমচাদু কাকানে ইনাওশিং খবগা চৎপ্রে। যুম হল্লকপদা ইচানুপাগী মমান্নবা অনী ফমদুনা লৈবম্মী। ইচানুপাদুনা ইমুংদা লোল্লপ হাযবকই।

— বাবা' ইমাসু লৈতে। লাক্লিবা ইমান্নবশিং অসি অবাপ্পদগীনি ক্লাস ফেলোনি। চাক চামিন্নগে য়েন লৈননবা লুপা চানীদং পীয়ু।

— নমা লাকঅনি। অৱাং ইবোক্তু নাবদগী দাক্তবদা পুখি মদুগী চৎখিবনি। নমাদা হংঙু।

নীংবগা পীদবদুদা ইচাদু মখায় নুংঙাইতে। তঙাইফদ্রবদি ঐনা পীগনি অদুবু ঐগী অচিনবা অদুগীদি বিজার্ব থমদ্রবা যাদ্রবনি। মমা হল্লকপগা ইচানুপাদুগা শুক মুক তৌনখি। লুপা ২০০ পীখিবা উই। নুপীমুক ঙকপসি অনী শুদে। কাকানা অনাবগী পৈশা হংলুবদদি লৈতে হাযদুনা লুপা ৩০০ খক পীখি। মচানা ইৱা ৱাদনা চনী অমসু লৌখ্রে। মদুদা নত্তনা খবা অমসু লৈবমগদবা মাল্লি। মতৌ য়েংনীংদুনা ঐনা ফাগি অমা কার্পখি।

— চাম্মখক লৈজবম্বদু অনাবগী পীথোকখ্রে। দুবি শান্নবগী খূৎপায লৈত্রি ২০০ খক্তদি পীযুদনা।

— ইবুংঙো ওইদবা ঙাঙগনু নশুগ চপ চানা খঙঙি। ঙবাং নঙগী মান বেগতা লুপা ৬০০ যাওহৌবনি চাম্মা পাথোকখ্রবসু লৈবিবদু ঐ খঙঙি।

— আই' আই' মসি নুপীসি বেগ ফাক্তুনা যেংলিবা জাৎনি।

ইবুংঙো নুপিতগী যেংলিবনি। লৌথোকপিবা জাৎকাদি নৎচদে।

— মবক মবক্তদি শেল মাঙবা যাওইদা।

অকাউবা অমসুং খঙনাং নীংশিংলকই। ঙসি পাকিস্তানগা ইন্দিযাগা ক্রিকেত ফাইনেল গেমনি। দুবি মখোঙদু কনানো অমা মবাইনা থিজবনি। পূং ১ দা হৌগদবা ক্রিকেত প্লেনি দুবি গেম অহুম মাবলুদি যাওকবা যাই, হোবেল ফবক্তা তোক্লুবদা গেম থুগাই হাযদুনা মযাম্মা শাউনবক্কনি। ঙসিদি দুবি শান্নবা য়াদ্রে। ৱাখল খল্লিঙৈদা কোম্প্লোঙলোমদা নবচন্দ্র বাবুগা গোইবগা চঙলকপা উই। ঐনা লৈবিবা মাঙ্গোল তান্না চঙলকপা অদুদা ঐ উনবা লাকপনি খঙঙি। যৌনবকপা মতমদুদা ঐনা হংখি।

থাজদনা কবি থবক্কীনো তৌবকইবসিদি।

মাঙ্গোলদা থাববা ফানশাং অদুদা ফমহল্লি। তাদা নবচন্দ্রনা মখা তাবকই।

— তোলোপ চাবা ঐখোযসি শেল খবা তুংশিন্নবা মকপ লোতবী অমা তৌজগে তৌবি। লীশীং অনী অনী থাংগৎনবগা মী ৫০ না লাখ অমা যৌহনসি হোৎনবি। বাইলোসি যেংবিযু নিযম অসিগী মখাদা লোতবী শান্নজগনি।

— লাখ যৌববদি ফৈনে। অফংবা মীদুগীসু কবিনো অমদি তৌনীংবা যাবে।

— সাহেবকীসু মিং পানশিঞ্জবে। চাক অমুক্তং চানবগা অহানবা হৌদোক্লবদু শীঞ্জবক্কে। মথং মথং মী অমা অনী খোমজকখিগে।

মরূপকী বাইলোনি হাযদুনা থল্লম্বদু হন্না য়েংনীংদে। কদায়দগী মরূপ য়াওবা ঙমদোইনো। পোৎযেং-চাযেং, অঙাং লাইবিক তম্বগী অনা-অয়েক্কী ময়ামসি ফাওবা মেনবা কোন্নদে। লাখ ফংবগী ঙাক্তা খল্লুবা য়াদে। হযেং হুনবা ঙমদদুনা মীমাঙদা চোপ্পুনা তোক্কনি। ঐ যাওবোই নবচন্দ্র বাবুনা মিং পানশিল্লে হেক্তা মহায়। চাক- ঈশিং তোকপগী তাঞ্জাদুদা তা চাউবা লাক্লগা হাযবৈ।

— কবিনো তৌবিবসিবু সন-ডে প্রোগ্রাম কাউবরা? মীনদি অসোমদা ঙাইনহৌবে।

— তা চাউবা ৱাবৌবা যাদ্রে। ঐ চৎপগী দবকাব অমা লৈবে। কনানো অমত্তং হৌবিবো।

তা চাউবদু উপায লৈতনা চৎখি। নুংঙাইনা ক্রিকেত যেংলগে খনবদু যেংলনি খনবদা নুংঙাই। তাল্লকসিদা অৱাং কাকাদু শূকথনা চঙলক্লগা হাযবকই।

ইবুংঙো নন্দোমচাদু এপেন্দিক্স ওইবে। ঔজিকমক ওপবেসন তৌগনি হার্যাব। কাকানা লাক্লিবসি পৈশাগীনি। নঙনা খবা থিদ্রবদি কমদৌনি। নঙসু খবা থিদকউ ঐসু মী অমা অনীদা হংলুগে।

কমদৌনি তৌবিবসিদি। মমাসু কর্ম চৎকদবগী মকে শেন্নি। লৈবমগদ্রা তৌবিবাসদি লাশাং ৪ / ৫ দি পুদবা যাবোই। মমা থোবকপদুদা খঙহনখি।

- যেংঙেস্ট অকবা অমা লৈ রেনে। ইন্দোমচাদু ঔজিকমক ওপবেসন তৌগনি হা বি পৈশাসু লৈতে হাযবম্মী। সন বন্ধেপ থম্লগদ্রা ঐদ হাযফম খঙদে। তমিন লৈথোকপসু যাবোইদৌবি।

- তৌদবা যাদে। ঐ পোৎযেং পাথোকউাখগে। খুনা হল্লক্নি। গা ডা মচাদ এখোয় অনাদ চৎলুসি। পৈশাদে চে চাং চপ্প আইবন গোদ্রেজ মনুংগী উপু মনুংদা খবা লৈবনি কয়ানো অবাং বাজিনা হাযবদে লৌবো শো সিদা লৈবে।

মমাদু শো পাবনুম কর্ম চৎখ্রে। এদি উপু শো হাংদোক্লগা কাব লৈবা লৈতবা লোংমতসু রে লুদে। দবকাব লৈবা মতম চে চাং লৌগদবা ওইববসু মমানা থিদুনা পীবা ভ জুং পৈশা কয়ানো লৌগদবা লৌ হাযবদু ঐ ৬কই। নুমিৎ চুপগী পৈশা লৈতেদা হায লৈবনি। কয়াবু লৈবজাৎনো খঙনীংবন গোদ্রেজ হাংদো কুনা মনুংদা যা ওবিবা উপু অদু হাংদোক্লে। কদাযদা লৌবিবা শেলনো যেংলুবদা যাম্না ফজববা মমাঙউগী ইনভেলপ অমা লৈবম্মী। কবিনো খন্দুনা হাংদো কুনা যেংলবদা মখোক যাওনা কংলবা আতবগুলাপ অমা যাওবম্মী। চিঠি অমসু যাওবম্মী। মদু উবদা খঙহৌদনা ইতোমতা মোমোন তৌখি। ঐনা পাখঙ, মমানা লৈশাবিঙেদা ঐনা থৱায তানা পীখিবা গুলাপনি। নীংশিংলকই নুমিৎ অদো।

নুংশিবনা লৈতাফম খঙদনা কোযচৎ চৎতুনা নুংশিবগী ৱাখল্দা অঙাওবা অমগুম

লেনখি। করিনো অমত্তংদি ঐবু নীংশিংনবা পোৎ অমত্তং পীগে খন্দুনা লৈরিঙৌদা শঙ্গোয় মচীদা নাইতোম পোমশাৎনরিবা আতরগুলাপ অদুদা মীৎয়েং তারুরে। থরায়না পামজবা গুলাপ অদু মনা অনী য়াওনা লৈখোক্তা থৎলুরে। মদু য়েংলগা ঐগী কাদা চিঠি ইবা হৌখি।

মেম্মা,

ঙসিদি নঙোন্দা ঐনা গুলাপ অমা খুদোল তমজরি। মমল য়াওদে খনবিগনু। গুলাপ লৈদি পুন্সি চুপ্পা লেপ্তুনা শাৎপনি। ব্রাকচীংগী উনলেন কিদবীনি, অশীৎ-অন্নাস্থাদসু পাখৎতবীনি। কালেনগী মৈশাদসু পৎথদবীনি। নোংজুগী নোংলীক্লা য়ৈবদা নাচুংদবীনি। নঙবু ঐনা গুলাপকুম লাৎচরি। ঐগী থম্মোয়দা গুলাপকুম পুন্সি চুপ্পা শাৎপিয়ু।

নহাক্কী, অঙাওবা অমা।

ঐ কয়াম কুইনা উংলুরবনো খঙদে। মমাদু শোরাৎ পোৎয়েং পীরক্লগা হল্লক্লুনা ইনাক্তা লেপ্তুনা য়েংলম্মী। ইনাক্তা চঙলক্লগা অকঙবা আতরগুলাপ, চিঠি অদুসু লৌশিন্দুনা ইনডেলপ মনুংদা হাপচীন্দুনা থমজিনখ্রে। উপু মনুংদগী লুপা পীশীং ৫ খাইদোক্লুনা লৌথোরক্লগা হায়রকই– “গুলাপ অসে মাঙহনবা য়াবা নত্তে। লোইশিল্লো চৎলসি।” ○

প্রোফেসর ডা. গুনমণি

ডা. গুনমণি লৈবাক্কা শকখঙবা ওজানি। অহল ওইবে। থবক্তগী পোৎথাববা প্রোফেসরনি। রাবীমচা, শৈবেংগী লাইরিক তবা হেন্না ফোঙখ্রে। সাহিত্য অকাদেমী অৱার্দকীদ ঙম্লিরৈঙেদা ফংখ্রে। অহল ওইবকপাসদদি চাং-লেম্বগী মগুণ যাম্না ৱাংখ্রে। সেমিনার কয়াগী মোদরেতর ওইবদা দেলিগেৎশিংগী পুক্রিং লূম্মী। মীয়াম্না ব্যবহার তৌনরিবা ওজানি।

নোংমাইজিং নুমিৎনি। নুংথিল পুং ১ বোম তাখ্রে। শান্তি ওজা গুনমণি লৈবমগনি খন্দুনা ওজাগী যূমদা চঙলকই। শান্তি পি এইচ দি তৌজবিবী লৈশাবীনি। থোসস অমা য়েংহন্নীংদুনা লাকপান। ওজাগী নুপী মেমচৌবানা শান্তি চঙলকপা উবদা হংলকই

ইবেম্মা কাব থবক্কীনো? কনা উনগদবগেনা?

– ইমা ইবেম্মা। পাবুং উনজগে তৌবান।

– নৈতেনে ইবেম্মা। অযুক্তগী চৎথোকখি মম্লগা হল্লক্কনি হায়বা্ম্মনে।

শান্তি নীংবা কাযনা কোযযেং যেংলে। ওজা গুনমণিনা তোংবা মাবতি কাবদু অৱা শঙ্গোযদা লৈবা উবকই। পুক্রিংদা চিংনা চিংনা শান্তি যূমদা হল্লকাখ। অহল ওইশিল্লকপদুদা ওজা গুনমণিদ নুংথিল চাক চাবা তোক্লবা মতুংদা পোৎথাবা ওইনা ফমুংদা চোপ্প। মম ইবেম্মা মেমচৌবানসু নুপীবু ওইববাদ উনগে লাকপদু উনহন্দে। ঙাস চেনা্ংগী ৱা নত্তে। কুইবর্বনি, মসিগী ৱাথোক অমা লৈ।

ড. গুনমণি মশাগী চহী ৩৫ / ৩৬ শুবকপা মতমদা য়ুনিভর্সীতগী প্রোফেসর ওইনা ৱাবামচা, শৈবেংগী লাইরিক অমা অনী ফোঙখ্রে। সাহিত্য অকাদেমী অৱার্দসু ফংখ্রে। ওজাগী মীয়াম্না অফ ওবা কাব অমনি হায়নসু শীংথানখি। সাহিত্যদা পুক্রিং লপচবা ওজানি। ওজাগী লোযনবী মেমচৌবীসু হায় স্কুল অমগী ওজানি। পুং ৯ ৩০ দগী স্কুল চৎখিবদুনা পুং ৪ তাবকপদা যূমদা হল্লকপানি। মচা অনীদুসু স্কুল চৎলি। অয়াম্বা মতমদা ওজা গুনমণিনা যূম শঙঙি। অদুদা লাইরিক ইবনি।

য়ুনিভর্সিতিগী ছাত্রী তোম্বীম্না সাহিত্যগী লমদা খোঙদাবকখি। উপন্যাস অমা ইবা লোইববা মতুংদা ওজা গুনমণিবু য়েংহন্নীংদুনা থিনবা লাকই। উনখি।

— ওজা অশোয়-অবাকসু শেম্নীয়ু।

— য়েংসি। অদুবু নশানা ইবনি, নশানা পাবগদি য়াম্না থুগনিদো।

— মদু য়াই। ওজানা য়ুমদা লৈগদৌবা মতমদু হায়বিয়ু ঐ লাকচগে ওজা।

তোম্বীম্না নুংথিল তাল্লক্তা হেক হেক লাক্কুনা মশাগী লাইবিক অইবদু পাবে। ওজা গুনমণি বস লৈনা তায়। নুংশি-নুংওলগী মবমদা ইবা লাইবিক্তি। মতাঙ মতাঙগী ওইনা ওজানা পাখঙ শাদুনা ৱাহৈ-ৱাতাগী লৈচল থেৎচীল্লি। তোম্বীম্নানসু লৈশাবীগী শক্তম লাংদুনা দ্রামা ওইনা মৌল্লে লাংঙলকই। ওজাগা ছাত্রীগা শেমদোক-শেমজীন তৌনবনিনা লাইবিক্তো ফনা ফজখি।

ওজা গুনমণিগী ঈবাংদু যৃমলোন্নবদা লৈমিন্নবিবা মতৈর্মাশিংনা মীৎ নাবকপদগী য়েমচৌবীদা পাউদমখি। য়েমচৌবী খঙহৌদনা ইশৌ লাংবা হৌবকখি।

- নুংথিল তাল্লক্তা যৃর্মসিদা লৈশাবী পুশিন্দুনা ঈবাং তৌবিবদো ঐবু থওই-উশির্ত্রবো?

- কৈনোনহে মসিবো। মকোক-মমৈ খঙদনা লরাই লেম্ফৃদা যৈবিবসিবো। ইচন পুস্লন। মী অভাংদুনা লাইবিক ফোঙজনি হোৎনবদুদা তান্নবগী ৱানি। নবূক ফত্তবা শনগনু ইবেম্মা। লোইশ্রবনি মতুং লাক্লবোই।

ঐ অদু গুস্না শাজৎ লীচৎত্তু যাদে হায়বসি কাউবিগনু।

পাউ অদে তোম্বীম্নাসু তাবে। মনম্মা শক্লবা য়েমচৌবীদা খাজিক ইকাযখি। ওজা গুনমণিদি তোম্বীম্না উনবদা হেন্না থৱায যা ওশিল্লকই তাল্লক-তাল্লক্তা তোম্বীম্নগী মযৃম চৎত্তনা হংলই।

লাইবিক্তু কযাম নমথবে ফজগদৌবিবা উপন্যাসনি থুনা ফোঙনবা তৌসি।

— ওজা প্রকাউবা অমা লৈবে। ওজাগী ফোবৱার্দিংদু ফোটো হাপচনীংঙি।

ফোটোকা হাপখিদ্রনে?

তোম্বীম্নানা ইজবা অনৌবা শৈনেং লাইবিক অমগীসু ওজা গুনমণিগা যাম্না চীক্লা যেংমিনবা হৌবে। অনৌবা খোঙথাঙ অমদা ওজা গুনমণি তোম্বীম্নাবুতা উন্নদুনা লৈবে। ইমুং-মনুংসু অফাওবা কাব, শক্লাইববা য়ুনির্ভর্সীতিগী প্রোফেসরবনিনা থোইনা কৃপ্না যেংশিল্লদে। সাহিত্য হায়বসিসু মনুং মপান লোৎত্তুনা থম্না যাদবাননা কাচিন-কোযাদা লোৎলিবা সাহিত্যদু চিংথোক্লুনা নৈনবকখি। মদুদা তোম্বীম্নানা গম্মোয শেংনা হাযজে।

— ওজা ঐবুদি ওজাগী অতোনবী ওইনা তুং ইঞ্জবা ঙমগনি। লৌশীনবিবা ঙমদনা অবেম্বদা লৈখা তাহৌগদ্রা খঞ্জবগী ৱানি।

— ঐ নুপানি তোম্বীম্না। ঐগী অৰ্নীংবদা কনাগো থিংগদৌববা।

ওজা গুনমণিগী হূবান লীচৎ অমা লৈবি। ওজানা তোংলিবা স্কুতবদু নোংমনা সেক্রেতবিযেত মমাঙগী হৈনৌ মখোঙদা, নোংমনা হোটেল মমাঙদা নোংমনা ব্রার্কশোপ্তা শো লোনশীল্লগা থন্মী। ওজানা বিক্লো তোংদুনা তোম্বীম্লাগী যূমদা চঙভি। মমিং লৈবা ওজানিনা মীনা খঙনবকই। নুংশিবিবা মীওইনা মেমচৌবীদা পাঙদমখি। মেমচৌবী খংনবা হৌদ্রে। লুমদুনা মপুবোইবগী অচেংবা ঙাইদুনা লৈবে।

মীনা হাযনবদু চুপ্লে। য়ুনিবর্সিতিদগী হল্লক্লগা ওজাগী স্কুতবদু সেক্রেতবিয়েত মমাঙদা শো লোনশীন্দুনা থল্লম্মী। বিক্লো তোংদুনা মখা পাংনা হাইথখি। মেমচৌবী মশা থক-থক নীক্লা খাঙভি। অশাওবনা মচীন থোবকই — 'খঙগনি ঙসিদি অবোইবা মচিং ফূদোক্লুগে' হাযদুনা বিক্লো অমা ফাবগা ওজা গুনমণিগী তুং ইন্নখি।

মেমচৌবীনা কাদুদা চংলুবদা মপুবোইবগা মীৎ চানখি। ওজাদুনা ফিংনা হায়বকই।

— কবিগীনো অসিদা লাক্লিবদি।

মেমচৌবী অশাওবা পূম্নমক ফাথবগা চীং-লেম্বা মওংদা হাযবকই।

- থবক অমা চৎমিন্নগদবা লৈ। কোযথি থিকব্ববনি। অখঙবা কাঙবুনা ইবেম্মগীসিদা চঙাখ হাযবদুদা লাকপনি। চৎসি। ইবেম্মা নঙ ওজাগা কোন্না উনবো।

ফজবা ব্রাহৈদুদা ওজা গুনমণি শাউবা ঙমদ্রে। মেমচৌবীগী ব্রাদুসু ইন্দবা য়াদবে। মখোয অনী থোর্কামিন্নবক্তুনা যূম যৌবর্কখি। যূম য়ৌবগা মেমচৌবী ভৈববীগী শক্তম লৌদুনা ঙাঙথবকই।

— ঙসিদি অশেংবা অমা ঙাঙনসি। লৈশাবী তৌঙম্বীদু লৌগে হাযব্রা? থিংবা ঙমদে লৌ। হৌজিকমক ইপামদা থিল্লু। দাইবোর্সকী চে ইর্নসি। অদুগুম্বা লীচৎ শাজৎতা হৈনবা নুপাগা লৈমিন্নবা ঙম্লোই।

নঙনা অদুক শাউবিবদুবু কবি প্রমাণ লৈববগে?

কবিগা প্রমাণ, সিবু কোর্টলো? মীনা উদবা ঙাক্লান মচা পোক্লবিবসে। ফবসু ফৎএবসু ডে ভবের্তান, য়ুনিভর্সিতিগী প্রোফেসরনি। কবিনি, সাহিত্য অকাদেমী অরাৰ্দিনি। মীযাম মমাঙদা নুপীগীদমক্তা মত কাযনবে হাযনজহৌসন্, ঐসিবু নুপী নংত্রবো? ইচা পোক্লিবা নুপীনি খন্দ্রবদি, লৈমিন্নব্বগী অর্থ কবিনো? হায়বো অশেংবা অমা।

মেমচৌবী ও খোংনসু কপখি। ইজ্জৎ লৈববা মপুবোইবনা মশা ব্রাবকপা ঙমদনা ইজ্জৎ খোঙ্গাওনব্বা অদুগী ব্রাখলদনি। ওজা গুনমণি ব্রা ঙাঙখিদ্রে। খংন-চৈনদুনা অকন অবীং শীংবসু পামদ্রে। হেঞ্জিনখিবা খোঙথাঙদু মশানা যানীংনা মেমচৌবীদা থেল্লকই।

— শাউবনু নঙনা পামদবা থবক ঐ মতুংদা অমুক হন্না তৌববোই। বাশক্লবনি। ঈংথনবসি।

তঙাইফদনা থা ১ বোমগী মতুংদা তোম্বীম্নাগা ওজা গুনর্মাণগা উনখি। অনীমক হঙ্গোয়নবে। অদুবু বাফম অদুদি ফোঙদোক্তবা যাদবানিনা তোম্বীম্নানা হাযবকখি।

— ওজা ঐ মমা ওইবে। পাখৎপিনু ওজা। ঐ মীগী ইমুং মনুংদা য়েখায়-থিনগাই তৌজবোই। ওজাগী অপাম্বা থুংহল্লখিবনি। ঐগী নীংজবসু থুংহনবিযু। অঙাংসি এবোর্সন তৌবিবস্মু, লৈশাবী ওইনা হিংজখিগে।

- তোম্বীম্না মদু য়াবোই। নঙগীদমক্তা ঐ লৈবি।

ওজাগী বা ঐ অমুক হন্না তাববোই।

ঙসিদি লৈবাক্তা শকখঙলবা ডা গুনমণি মাগী পুম্বিগী তাক্কক অমদা মচা হাৎখ। মীহাৎপা ওইখি। কনাসু খঙাখদে খঙদবদুনা বাথোক লৈখিদে। মতমদুদগী হৌনা মেমচৌবীনা ওজাবু উনবা লাকপা নুপী খৃদিংমক লৈতে হায়দুনা উনহন্দে।

নুমিদাং ওজা গুনমণিগা মেমচৌবীগা ফমদুনা বাবী বাতায় তৌবিঙেদা টেলিফোন খাংলকই। ওজানা বিসিপ তৌই।

হল্লো কনা ওইববনো ও ইচা শান্তিবা হোযনে ঐ থবক অমা চৎথোকডবে অম্ভা ওবীসিদি থেসসত্ত নমাদা শিনবস্মু যাদ্রো হোয় হোয ইচাগীবু হেংদবা য়াব্রা। নোংমা থিল্লকউ। গুদ নাইত।

টেলিফোন থমস্ত্রে। ওজা গুনর্মাণ মেমচৌবীদা ওনশীন্দুনা হাযবকই।

ওস্ত্রেকর্পানদা মমা নঙর্সদি। ইমৌ, ইশ লৈববা মতর্মাসদা ইশুগুম্বা নুপী মচাদুনা উনবা লাকপা ফাওবা উনহন্দেদকো। ঙস্মী নঙগী থম্মোযসি। ঐ হনুবে হাযবসি নঙ ঙসি ফাওবা খড্রি।

ওজা গুনর্মাণনা টেলিফোন্দা মীনথা ঙাঙদুনা মাবু কনাবখিবদু, মেমচৌবী হবাওই। হনুবাদনা পিশম শক্কৎলগা হাযবকই। 'মখোয মপু হনুবে হাযর্বসি ঐদি যানীংদ্রি।'। ১

ঙানু থঙ্গোংনা পাইখ্রবদা

উন্না পূমঙৌ ঙৌনা হৈথববা ৱাকচীং থাগী অয়ূক্কি। লম্পাক্কী অশংবা নাপী মথকশিংদু লাশং মফোল চাইখাইবগুম উৰ্বি। ত্রৎ ত্রৎ চিংশিনবমখৈ ঈংঙি। মৈ য়াইদ্রবদি ফিজাউ ইনবনসু ওইবা যাদে' থম্বালঙৌবী মৈফূদা মৈতাল পাক থন্না হাপচীল্লগা মপুবোইবা তম্ফাজাওগী মনাক্তা থমদুনা মশাসু ৱাংমদা ফমদুনা মৈ যাইবা যাওবি। নিংথম্বা খবা ফবক্লবদুদা তম্ফাজাও ৱা হৌদোবকই।

— ইস' ঈংগ্রে মীবু শিনিনে। ঙসি অহীংদুদি ঐদি খোঙ খূৎ কোনশীন্দুনা অঈংবা খাঙজববানি।

উপু মনুংদসু তেবা কম্বল অহনবা অনা অশুম মবৈবি। হাযনীংদ্রবাদ ৱাঙবা হাযবদুনি।

থম্বালঙৌবীগী মীৎয়েংদু কৈদা'মা ঙৈথি। নুপাসু 'নিংথম্বা কোকহনবা ঙম্ম মৈশ' চেনবীনি হায়বগী ওঙদান, তম্ফাজাও কৈনো' মা হযগে তৌবদা মমৌ সানতানা পাক্লিবা মশানুপাদু মনেমদা শিন্নবা লাকপা উই। নুমিৎ খ্বাদংগী মনেম্না মশাদু হেক হেক লৌথোকপিদুনা মমৌনা অয়ূক্কী মথৌ তৌজবনি। সানতা মচাদু মনেমদা শিন্নববা মতুংদা মকু তম্ফাজাওদা ঙনশীন্দুনা হংলকই।

পাবুং কবি এঙ্লাং অমক থোংখনি।

— ঙাবেন লৈববদি হঙ্গাম পেবেদু চম্ফূৎ তৌবগা তোকও ইবেম্মা।

ইবেম্মা ঈশিংদু খবা থাম্ন' নুমশিল্ল। ঈকজবা ঙম্নববোই। থেঙখিনি হোৎনজকবো। মনেমগী ৱা' তাবগা সুনিতা ইমুং চঙগ্রে। ফিনা যোমশীল্লবা মশাদু মৈশা ফংহন্দুনা থম্বালঙৌবী মশা লক্লদুনা লৈবম্বদগী মপুক্লিংদা লৈবা ৱা অমা হায়বকই।

— অঙাংশিং চৎপ্রবা মতুংদা ঐসু কৈথেল্দা হঙ্গাম যোল্লবা তাবি। ঙসিদি হঙ্গাম য়াম্না শীৎকনি।

- কবিগী' কৈথেলদা হঙ্গাম পুখৎলক্লববনে ?

— মখোয পাবুংসিসু জ্ঞান যাওমন্দে। ঙবাং ঙানু থঙ্গোং পাইখিবদু উবিহৌদ্রা ?

মবেক-মহাও খীকথবল্লবনি. ঙসিদগীদি হঙ্গামসি উয়ান চঙখিবদা ব্রর পৎলম্লগদবনি। মমলসু কাবগনি।

থম্বালঙৌবীগী পাউদমদু হঙ্গাম পৎতা পৎলগদবোই নীংঙি। তম্ফাজাও তৃমিন্না তায়। ওবাং নুমিদাংবাইবম অহন-নহা ময়াম অমা মমাঙ লম্পাক্তা ফল্লিঙৈদা তাদা চাউথোইনবু মীয়ামদা খঙহল্লকখি। 'অঙাংশা ঙানু থঙ্গোং পাইবিবসে য়েংঙু। হঙ্গাম পৎথবগনি। হাউবগদবনি।' মহে মহে মাগী মাগী অনীংবদু পঙাঙ ঙাঙনে। 'মবেক-মহাও খীকথবল্লে' হায়বা বাহৈসিদা থাজনবি। মমৈদা ওজা তম্ফাজাওনা বাতেমদুনা বাবী লীবকই।

'সোভিয়েত রাসিয়াগী অরাং থংবা শকক্তা সাইবেরিয়া হায়বা লম অমা লৈ। লমদু চহী চুপ্পা চোৎ চোৎ লাউবা উন'হী চেনবা লমনি। বৈকাল পাৎ য়াওনা পাৎ মচা কয়ামকমদা চিক্কোন-নাউকোন্দুনা অঙ্গংবদা হৈনবা উচেক কয়ামকম চাক্তাবি। সাইবেরিয়াদা চাক্তাবা উচেক কথাদুগী মনুংদা লম ঙানু অসিনা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা উচেক্লি। বাইল্ড লাইফকী মনুং চল্লিবা উচেক্লি।

খতুগী খোঙচৎতা পৃথিবী অসি বাকচীং থাদা উন পুবা নুংশিৎ শীৎলি। নুংশিৎকী মাযকৈ য়েংদুনা লম ঙানুশিং অসি ইথোযননা অহীং নুংথিল নাইদনা শাংলবা লমদম অসিদা পাইবর্কখি। ঐখোয়গী মণিপুরদসু বাকচীং থাদদি নুমিৎ মঙা-তরানিদি উন মবাঙ কাযনা তাবদগী লোক্তাক্কী ঈশিং যাম্না ঈংঙ। অঙ্গংবদা হৈনবা লম ঙানুশিং অদুনা লোক্তাক্তা চ'ক্ত'ং। লো ক্তাক্কী থবোই, ঙা অ'ে জীবশিং মবাঙ কাযনা মচীঙ্গাক ওইখি। নুমিৎ খবনি চ'ক্তাবল্লগা ঈশিং শাগৎলক্লনা অমুক পাইখিবনি।

'ঙসাই পল্লখিবা ম'বেক-মহাও খীকথবমদুনা হঙ্গাম হাউবনি হায়নাববা বাফমদু লানবনি। উন মবাঙ কাযনা তাবিব' মখৈদি হঙ্গামবুদি হাউবগনি। চানকবনি, ঙানু থঙ্গোং পাইবকপদা উন মবাঙ কায়না তাবগদবনি। নহাশিংনা বাফমসি খঙজিল্লু। মবেক মহাও খীকথবম্বা নত্তে।'

ওবাং মীযামদা শেংদোকপ্রবা বাহৈদু ঙাস থম্বালঙৌবীনা নৌথৈননা অমুক পল্লকপদা তম্ফাজাও খোয়বাঙ-খোযশা ওবা পোকই। চৈগে তৌবদা শুমাঙ মথাযদা লেপ্লগা নুপা মচা অনীখক্লা থম্বালঙৌবীদা হায়বকই।

— ইমা হঙ্গামদু লুপা ২০ খক্তংগী লেনবীয়ু।

নহাশিংদু মশক খঙঙি। মমাঙ সড়ক্তা খোলা ফজনা শাদুনা অহীং যাবেক্লনা থোং শাবদা য়াওবা কাঙবুগী নহাশিংনি। মবক-মবক্তা এঙ্গাং লৈবা লাকই। তম্ফাজাওনা নহাশিংদুদা ওনশীন্দুনা ফাগি তৌই,

— অঙাংশা নখোয হঙ্গাম চামল্লেকো। ষল্লা তান্নবা শোযবোই।

— পাবুং হঙ্গাম্মুক হাউবা লৈত্রে। হোঙবসু মসিনা মহোঙলে।

মশূনুপাদু মপুদা শিন্নবল্লগা নুংশা মঙাল ফাওবক্লবদুদা লোথবক্লবা মৈফৃদু পুদুনা থম্বালঙৌবী থোকখ্রে। তম্ফাজাও মশূ পমদুনা লক্লবি। পীক্লিবা অঙাংদুনা ময়া অনীদু উৎতুনা খিগৎ খিগৎতুনা নোকপদু উবগা তম্ফাজাওসু নুংঙাইবি। অসুম্না মচানুপা ইবোচৌবনা অঙাং ওইবিঙৈদাদ নোংমতা পমখিদে। পমনীংদবা নত্তে, মমা-মপাগী মমাঙদা মচাদু পম্বদি লাযবদনা মুম্না য়েংবা ফাওবা ইকাযজখি। মতমদুদদি মপানা মচা পম্বা চোপ্লে। তঙাইফদনা পল্লগাসু ইমুংদা মী কনাসু উহনদে।

হৌজিক্কী মতমগী থৌদৌসিগদি য়াম্মা শাথানা খেন্নবে। যেংবদা মীৎ নাই। মৌসু অদু মঙায। মনেম মকৃদা অঙাং শিন্নদ্রে, মপানা অঙাং লৌবনা লেম্লবে। খোমনম নল্লিবা অঙাং পমদুনা লমজাও থোকপা নহা পীক থন্না খেংনবা যাওবে। মদুদা লেম্লবদৌনা তৌই। হায়কবা য়াবা ব্লাফম নওে।

মমাঙঙৈগী বা অমা খঙনীং নীংাশংলকই। ইবোচৌবা থা অহুম্মুক্তা হায়বিঙৈদা থম্বালঙৌবীনা অকম-লাইহৌ তৌদুনা নুমিৎ ৫-৬ নি ফমুংদা কন্দুনা লৈখি। নোংমা মমা-মপা অনীমক মমাগা পোকমিন্নবা মবুং তম্ফাজা ওগী মাম্মদু লৈখিদবগী কর্ম যাঙনা চৎখি। অঙাং লৌথোকপিনবা কনাস লৈত্রবদা থম্বালঙৌবীনা মপুবোইনদা হায়দনকাই

— অঙাংস শবা লৌবাযু। ইনাঙা সুম লৈবনাদ লৌনদনা নাবকপা যাই মী লাকওইদ্রো? চোপ তোক্কনিকো।

মপানা মচা লৌনদ্রিবাসবু নংাশবা খঙদবা জ্বংলা? ঙসিদ তঙাইফদ্রবানি শনা লৌবাযু।

নুংশিবগী হায়কববদি চূপ্লীংলিবনি।

তম্ফাজাও নুমিৎ তুমদি অঙাং মচাদু পমদুনা লক্লাখ। মদুসু মাঙ্গোল যৌনা পুথোকপা নওে। ফমুং কাঙ্খল মনুংদানি। কনাসু উখিদে।

অদুগী হাযবনবাদ থা মঙা শুববা মশূনুপাসি মচানুপা ইবোচৌবনা নোংমত্তা পম্বা উদ্র। মদুসু য়ুমদা লৈতবা মীবমদা লৌখবনবা খঙদে। মতোম তা পোকপা ইবোচৌবনি। বেঙ্গলোবদা নিই তম্বা লেইবগা মুম্বাইগী কোম্পেনী অমদা ইঞ্জিনিয়ব ওইনা থবক অদুমক তৌখ্রবনি। লুহোংবদুদা থা অনীবোম য়ুমদা লৈবম্মী। মমৌ সুনিতাবু থল্লম্লগা মুম্বাই চৎখিবনি। মশূ পোক্লমদাহ মতমদুদা য়ুমদা অমুক থোবক্লম্মী। ষষ্ঠী হেক লোইবগা চঙখিবদুনা মশূনা থা ৫ শুববা ফাওবা থোবকখিদবনি। নীনি হুমনিগী মনুংদা টেলিফোনদা ব্লাবী শানবদুনা মখল অমনি।

তম্ফাজাও ব্লাখল অমা খল্লকই। কনানা খঙনি কালগী মীবো, মচা ওইববসু থাজবা

কৌবা লৈতে। মমৌ সুনিতা নত্তবা পোৎথাবা য়াবা নুপী অমা লৈবক্লবদি নুংশি-চান্নলা লৈমিন্নবিবা ইমুংসি মহী লাঙলকপসু য়াই। অদুগী মথক্তা মীগী মচা নিঙোল অমবু মপুবোইবা য়াওদনা হনুবা-হনুবী সেবা তৌহন্দুনা থম্বা হায়বসি ধর্ম নত্তে। তম্ফাজাও ধর্ম কায়নীংদে। মদুমক্তা মচাবু কৌথোকপনি। ইবোচৌবা যুমদা লৈবা নুমিৎ তবানিবোম শুবে। ঙসিগী ফ্লাইত্তা নুপী অঙাং পুদুনা চৎখিগদৌবিবনি। মাঙজৌননা তম্ফাজাওনা মচাদা হায়খ্রবনি।

ইবুংঙো হন্দক চঙখিবদদি ইমৌ ইশূ পুখো। নহা ওইবিঙৈদা চাওখৎপা মীগী শতবশিংদু য়েংহল্লু।

— য়ুমসিদা বাবাগা ইমাগা?

— মদু খল্লুনু। ইপাসু নমাসু অহল ওইবা নৎত্রি।

ঙসিদি সুনিতা মপুবোইবগা লোয়ননা মচা পুদুনা মুম্বাই চৎলগনি হায়বর্বাসদা অৱা নুংঙাইগী খাখলদা মপুাক্রং লৈতাদে। নুংশিজববা মকৃ মনেম সেবা তৌনীংঙ। অদুবু অমবোমদনা লৈবাং লৈকাদা নীক নীক লাউনা থল্লবা খোইহীদু অবেশ্বদা মাঙহন্নীংদ্রে।

অঙাং পম্বগী তৌনবীদু তৌবক্লে। মযূংসু অমদুসু ইয়াও যাওবে। তম্ফাজাও খোন কল্লপ মমৌবু কৌখি

ইবেম্মা। সূনিতা ইশাসি মওং চান্দ্রহে। সূনিতা মকৃনা কৌবদু জ্ঞান তাই থোবক্লনা অচুম্দু লৌশাল্লগ হায়বকই।

পানুং ঈশি, অশা বা থৌবাঙ তৌদ' লৈজবে। ঙাসদি ত্রিশায পুন্না চাক চামিন্নবসি। ইমাপ লোইন্দহীবে।

ইবোচৌবদুবু পুগদবা পোং চৈশিংদু লাইশিল্লব্রা ? চাংগ নাস্তাহীগান লোইশিংস্ত্রবানি পাবুং।

চাক ঈশিং চামিন থর্কামিন্নবা লোইবগা চৎননবগা থৌবাঙ লোইশিল্লকপদুদদি থম্বালঙৌবী নুংশুক নংজাংনা লৈস্ত্রে পুগদবা পোং চৈ পম্মমক মবাং অপা য়েংলগা কাব মনাংদা হাপচানস্ত্রে। সুনিতা মমাংতা মাপ তানা মকৃ মনেমদা 'চৎলুখিগে' হায়দুনা খুকম্মী। তম্ফাজাওনা মমৌবু থেম্মী।

ইবেম্মা চৎলমদাইদা কপকনু। ইকৃনা চাওখৎপা শতবণী চৎনবীদু খঙহন্নীংঙি। চৎলু। না য়েকপা যাদ্দ ইকৃনা বব পাবিবসিনি। থম্বালঙৌবানা মশাদু নুংশিনা চূপ চূপ্পুনা হায়বকই।

— ইশূসে লুনা তৌবিয়ুকো। ইবুংঙোচৌবা মম' মচা মীযাম মবক্লদা মাঙখিনিকো।

য়ুমগী মার্কাতনা তুলিহল এয়রপোর্ত ফাওবা তম্ফাজাওনা থিনবিকই। থম্বালঙৌবীদি চৎলুসি হায়বা য়াদ্রে।

তম্ফাজাও মচা, মমৌ, মশূ য়াওবা বোইং প্লেন্দু পাইশ্রবা মতুংদা গাড়ীদু অমুক থৌবকখি। লাক্লিঙৈদা হায়দুনা মী অমা অনীসু উনকই। য়ূম যৌরকপদা নুমিদাংবাইরম ওইবে। ঙসাই অয়ূক পূং ৯ তাবদা ফমহৌবা মফমদুদা থম্বালঙৌবী তূমিন ফমদুনা লৈরম্মী। তম্ফাজাও থম্মোয়দা ঈহৌবকপা নুংনাংবগী খোঞ্জেলদা তম্ফাজাওনা হায়রকখি।

— কৈদৌবে কৈথেল চৎত্রবা? নঙবু ঙানু থঙ্গোং পাইশ্রে হায়বদাইনে।

— কৈথেল চৎলুদুনা কৈদৌকনি। ইচা, ইমৌ, ইশূ লোইনা পাইত্রবদা।

বা মখা তাবমদনা তম্ফাজাও ইমুং চঙলকই। থম্বালঙৌবীসু মপুবোইবগী তুং ইন্নবকই। ইহাঙ হাঙবা ঈচাক চীকপা অমা মখোয অনীমক্তা কন্না ফাওনবকই। মখোয় অনীমক্কী থম্মোয়দা ফাওবিবা চৈনাদো হাযদোক্লদ্রবসু খঙবদি ঙম্লে। ○

নাকেম্থাদা চোংলকপা য়েম্নীং

ঙসি নৌনা শাবা অঙৌবীগী হোটেল শঙ্গাবা নুমিৎনি। লৈকায় অহল অমা ওইনা য়াওবিনবা হায়জবকপদগী চঙলুই। পাকখন ওইজববসু কযা নান্না শাবন্নে। লম্লোঙ মবি ফাংবদুগী মখা থংবা মশাগী ইস্কোল চুথেক্তা লৈপন্দু থুগাইবগা শাবা হোটেলনি। মওং তাই। চাকখূম কা অমসু তোঙান্না শাদুনা শো লোনবা য়ানবা থোঙকাসু পাম্লি। ফর্নিচবশিংদু য়াম্না নান্না চেকশীন্না চনবা উই। মী ওবা কুনদি অমুক্তদা থকপা চবা য়াবগনি। অজ্ঞা গোপালনা বসুধাব তৌথোকই। তিল্লবা মীয়ামদু চা অমা, ক্ষীব প্লেট অমা য়াওনা সেবা তৌবকই। নুংঙাই, ময়াম হবা ওনৈ। অঙৌবীনা নুংশিবব থোক্লে-থোক্লোক্তা পেহৌ পেহৌ মীযামদা হায়জবকখি।

মান্মা, খুডা, ইবুং ইপ্পাশিং ঐ উপায অমা লৈজদবগী হোটেল অসি ফমজগে তৌজর্বনি, থু ঙা ওবা, কাবন তাবাশংদগী এবু ঙাকপা শের্নাবিয়। ইনেম অমদি ইচাশিং মবক খবা থলহনবা ঙস্না য়েংজগে খন্দুনা হাংদোকচবনি।

লৈবিবা মীথামদু থম্মোয় নৌথোকই। খোযথুম্নববা ব্রাহৈদুনসু তেঙবাংনীংঙি। কনাসু ব্রা ঙাঙলক্রুবদুদা ঐনা পূম্নমক শূপচীর্নাখ।

হোৎনগদবনি ইমৌসিদি, ঐখোয় লৈকায় মযাম লৌব। কাবমত্রা চিংনকনু। নঙগী মফর্মাসিদি পকা তাববনি। মাযকৈ মাবগী মী পূনফম ওইবগদবানি। হোৎনৌ নঙগী থৌদৌসি ঐখোয় য়াই, থাগৎনীংঙি।

চহী নৌবিবা তগৎ তগৎ তেক্লিবী মৌ নহানি। মবাযবক থীবা হাযবদুনি ঙস্তানা লুম্রা ওইখি। মপুবোইবা ইবুংঙোদু গাডী মচা শেম্বা ব্রার্কশোপ অমদা থবক যাওজদুনা ইমুং মনুংগী লৈত লাযব পুজর্বনি। মশানা শেম্বা লোইববা মোতোব বাইক অমা ত্রাই তৌকবদা যুঙাওবা তা এ দ্রাইভব অমনা থোমজিনবিবক্সদগী মপুক্সি লোমখিবনি। ব্রাথোক অদু পৈশানা লোইশিন্নখি হাযবা আখ। মতুং অবা পুক্সিদু হিংজনবা হোতেল ফমজবকপা ওইবিনি।

হোটেল ফম্বদি ওম্বোক্রুব হৈজ্রে। মিশা হোটেলদবুদি থুম-মোবোক্সী অচাপোৎনা হেন্না খোযদাই ঐখোয়দি। অঙৌবীগী হোটেলসি লৈকায মীযাম্না পামজবদুমক থোকই। অযূক অঙনবদা তল, মঙ্গল উতি, কাবিগুম্না কান্দনা কোবী শাক, চাকমাঙদনা

বোবা-কাংঙৌ। নুমিদাংবাইবমদনা আলু চোপ নৎত্রগা বোবা নুংতিগী তোক্তুবনি। শঙ্গোম নম্লপ চা মনা থাদক তৌবা চাদুনকা খোযথুম্লনা হাউই। মশক্লা ফজবনে, কুচুনা তঙাং তঙাং, কোকশেৎ অমা শেৎ, লৈ মচুগী খৃদাঙ মকক য়াওবী ফৃবিৎ অমা লীৎপদুগী মথক্তা ফিদোন চিংখৎতুনা হোটেলদকা ঙাম্থোইবম্বদুদি নহাশিংদি লায়বদনা যাইতেং-খমদোংবা ফাওবা অঙৌবীগী লেঙদ্রবা কন্তমব ওইনবি। পোৎ হাইফেৎ লীৎলি। মতোমতা ঙম্লক্তবদগী মতেঙ পাংনবা কদায়দৈনো নুপামচা অমসু থমদুনা হোৎনর্জাবি।

নোংমাইজিং নুমিৎ অর্মান। কালেন থাগী যাক্লা শাববা নুংশাগী মৈশাদু খাঙদুনা লৈবা ঙম্লদে। অঙৌবীগী হোটেলদু উখা ওইনা তৌই। মদুনা খবসু ঈংঙি। মী অমা অর্নী ফম্লম্বা যাই রাবী রাতায় তৌদুনা ঙাইহাকা পোৎথাকপে খন্দুনা চঙলুই। নুংথিল তাল্লক ওইবদুনবা কনাসু লৈবমদে। অঙৌবী হৈজ্রাংনা আলু মকু খেৎলম্মী। খোয়খা শেৎলি। ঐবু উবদা মশাদু খজিক্তং চেকশীনখি। হাযবকই।

মম্মা নুংশা মবকসিদা কদায লেঙাবগদৌবিবনো?

– ইবেম্মা মৈশাসি ওলাং-ওনশাওই। খাঙফম খঙদে। নঙগীসিদা রাবী-রাতায তৌদুনা পোৎথাগে লাকর্পান। কনাসু লৈবমদ্রে।

– মাম্মা এগীসি ঈংবান। পোৎথাবিযু মী অমা হেক্তা লাক্লনি।

– অঙৌবীসু ইমুং চঙখি। রাখলদা চবা ঙনবা অমদি ফাওম্ব। মতম চাদ্রববনে ঐনা চংলবিবসিবু। থংা খম্না অদুম ফম্লে। অঙৌবী ফিদোন চিংখৎ লগা খোব কুনা মাগী থব ক্ত পাযবে। ব্যবহাবদু উবদা ঐ নুংঙাই। মাগী ফজবা মতৌদু উকবগা ঐহাক্লা ইমৌদু তাঞ্জাসিনা নীংশিংলুবগা হেক বাবৌবকই। মতমগী চৎনবীনা খঙদে। মীকপুদা নহা মবি মথা তুকং ফৃজিল্লকই। ঙাইঙমদনা লাউবকই হৌজিক্কী নহাবোলগী মওংদা।

ইহৈমা বোবা কাংঙৌদু লুপা কুনগী পাযু।

নহাশিংদু হোটেলগী কাচন অমগা টৈবল মথক্তা লুদো বোদ তিংথোক্লুনা ফযাশনম্রে। শৎ শৎ হেক্তা ফমথনখি। মক নীক্তুনা অথোকপা পো চংনবা হৌনম্রে। ঐ তৃমিন যেংঙি। অঙৌবী মপোৎ-মচৈ পুম্নমক লোইশিল্লগা পুশিন্দুনা ইমুংদা চঙখি। নহাশিংদু লাঙলকই "ককই, কক্তে, তথবে। সোকা! সোকা!" থরায য়াওনা শান্নবি।

অঙৌবা অপাকপা প্লেত অমদা বোবা কাংঙৌ চামচ য়াওনা পুথোবকই। মখোযগী শান্নবিবা টৈবল মথক্তুদা থমখি। চা অমসু য়াওবকই মদু ইমাঙদা থম্লগা হায়বকই।

– মাম্মা অশাবসিসু অশাবনা লোক্লবদি ঈংঙি হায়নৈ। অমুক্তা য়েংবিযু।

– থম্মু থম্মু।

নহাশিংদুদা ওনশীল্লগা চৈবোই-ঙাঙবোই তৌখি।

- ইম্পাশা নখোয় হোটেল মনুংসিদা পঙকুই কুইনা শান্নগনু। মীনা য়েংবদা নুংঙাইবোইক্লে।

- ইতৈমা নুংশা য়াম্না শাবি তৌবনিদা। লম্পাক মচাসি উকম লাংলগা হোংদোক্লে।

হকচাং খর্বাদি ঈংথবকই। ঙাইহাক পম্বুবা পাম্বনি। রাবী-রাতায় তৌনবা যাবা কনাসু লাক্লে। নহাশিংগী চবাঙনবদু য়েংনীংলক্লে। অঙৌবীদা পৈশা পীকব্দস্ লৌ হায়বা য়াবক্তুবদুদা থোবক্লে। নহাশিংদুদা চৈবম্মী।

- ইচাশা নখোয শেল থানবগী থবক্তু তৌগনুনে। লমদমননিনে।

- মাম্মা চুম্মা মতম লেনবনি।

থোবক্লে। পঙশাং শাংনা চৎত্রি। ঐ তাসনু মতাগুম নহা অমনা ঙাঙলকপা তাখি। 'ঐখোয় মাম্মসে নুংথিল তাল্লক্তা ভিতামিন চুপ্পল্লিবসি উবেদনা'। মযামদু নোকখিবা খোঙ্গেল তায। কযাদা মচোং-মপাক নাইদ্রবা অঙাংশিংনো? অঙৌবীনা কবি খল্লমদোইনো? মথোঙ মদে, শাউমাংবোই রাবৌবোই লাকপদা লৈশবী মচা অহুম-মবি অমসু লন্থীদা থেংনৈ, হংলকই।

- মাম্মা কদায চৎপীকবনো?

হোটেলদা চা থক্লবনি। কদাযদনো নখোযদি?

হোটেলদা শিংজু বোব চাবগে মাম্মা।

মহক . 'মদা' রাইবমদতা নত্তন নুংথিল তাল্লক্তসু অচীক-অকোম লৈতবা . লৈটসানা শিংজুকাম যাওরোইবে খল্লনা যম যৌবকখি।

. . মীশা কল্লক কঞ্জাওনবা যাম্না থুনা থেংনৈ। অদৌবানা হোটেল ফমজদুনা শেল পাযখৎলকপদু উবদা লম্লোঙ পর্বাংদা লৈবিবা কাঙবুশিংদ মাগী মাগা লৈপন . . দুকান, পান দুকান, হোটেল শাদুনা ফমগৎনবকই। লম্লাঙ মাব যাংবদু . . বোর্দ ওল্লকই। নামদাংদকাদি এলেক্ট্রিক মঙাম্মা পুল্লংনি। মদু পম্মক ওইজববসু হোটেলদাদ অঙৌবী নম্বানবা লৈতে। মদুমক্লা পৈশা খবা পায়জাববনি।

যাবোই হোংনবা কল্লি মখোনা লৈ। মাবু বাদৌদনবা পেন্নবা নুংশানবা বাঙাঙ শাজল্লে। লাইবিক লাই শু হৈজবৌদ্রগাসু সাধারণগী চৎনবা মশক মুংঙা খঙ্গাই। থা অমগা নংদা নুমিৎ মঙানিদুদি মশক মশাকা উবা ফংদে। মনেম অশোনবীদুগা নুপা মচাদুগনা হাতেল রানা পূর্জানবনি। মীযামগী লাংবা থুংদ্রবসু নোংমতা হোটেল থোঙ লোন্দে। মদুমক্লা মচা অনাদু অফবা ইংলিস স্কুলদা লাইবিক তমহল্লি। অশোনবা মনেমদুসু ফজনা লায়েংবীবনবা কবিনো কুচু কুমেন থোক্লা লৈবা উবে।

কুইববগী তুংসিদা হন্দক মবক অঙৌবীগী হোটেলদা মার্কাত জীঙ্গী তোংবা মীযাম চর্নাদ্রবা নুপা অমা লৈকায নহাবোলশিংগা ফল্লম্বা হেক হেক থেংনৈ। তোযনা লাকই। মানা অঙৌবাদা যেংলিবা মীংযেংদু চুমদে। হাযকবা য়াবদি নত্তে। অসুক কুইবসি মীনা অঙৌবীবু

কল্লকচবদি লৈবন্না যাই। অঙৌবীনা মদুদা ব্লাখল থাদবমগনি হায়বদি থাজদে।

য়ুমগী মমানা পাউ অমা খোয়দানা তম্মী।

অঙৌবীদু ঠিকাদাব অমনা য়ুমসু শাবীনি; অঙাংশিংসু ফজনা শেন্নীনি; লৌ-শীং খবসু নামা পানবীনি হাযদুনা কন্না তকশীল্লমাল্লে। চিংনবা অমবু লৈবে।

— ইবেম্মা' নখোয নুপীসিদি বেদিওনি। থুব্রেনে নখোযগী টেলিফোন, মেদিয়াগী থবকসিদি। মদুদা নঙগী তোংজবা কবি লৈবগে'? মীব্রা ঙাঙনবগা।

নহা মানা হোটেল ফমদুনা ইজ্জৎ য়োনগদবগী শকক নাখে শেংনা য়ুমলিংবদুনা ফংব্রো? লোইবেদনা লৈবাক্কী নুপীশির্সিদি। ঐগী নুপীমক্রসু তেকঙ্গ শন্দোকপা হৈববা। নুপী মচদুনা নৌনা দশা তদুনা ব্লাববা মতমদুদা মীব্রা ভাঙনবিবা অসিগুম কবব্ল নুপীনা মাগী মতেঙ পার্ংবাখিবা কনা যাওবগে? নুর্শিবসুশাবা, কল্লক-কঞ্জাওবসু যাওববা, মথৌনাদি লৈতনা মীব্রা ভ্রঙনবিবাসিবু কবগীনো'বা। তুশোন-মাশোন্নবা মী ওইনা হিংগদৌববু মাল্লব্রুনে। ঐ শাউদুনা মমাদ' চৈংথখি।

— যেংঙু নুপীমচাসিনা তৌবিবসি। অশোনবী মমাদু লাযেংলে। মচা অনী অফব' ইংলিস স্কুলদা তমহন্দুনা মোঐক থাগদৌবে। মবৌশিংতনা শেল তাঞ্জদুনা নুপ' যা ওদনা অসুক কুইনা লেল্লব্রসিদা হৌজিকপু ময়ুম পান্নীংলর্মখিগদ্রা? নুপী নুপীনা' পবান. ম'পাল লৈবা ব্লাখল লৈতবী নুপীগী মীব্রা ভা ভনকগনু।

ঐ সার্বিসতা পেন্সন ফংখিবদগী কুইবে হোটেল খোকাখিদবা'। হচা-হমৌগী সেবাদ' পেম্লোকচবে। ইশু ফাওবা পাখঙ ফাবে। অহল ওইবকপ' মতমাসদা হোটেলদক' ফমদুনা চা থকপদু হঙ্গোইবে। অঙৌবাগী হোটেলকাদু কাউবু কার্ডাশল্লক্লে। পাউদি তায় "ইনে অঙৌবীগী হোটেলনা স্বাইদগী মহাও লৈ।" ইশূশিংনা হায়নবনি।

পাউ অমসু তাথ। অঙৌবাগী মচানুপা অহলদু এম এ লোইবগা প্রাইবেট কলেজ অমদ' লেকচরর ওইবে। শোযদনা ওইর্গানি, অঙৌবীদো অশেংবা মমা অমগী মগুণ চপ চানা য়াওই। মাগী মচানা অফবা ওইদ্রবদি কনানা ওইর্গানি। ঐদি মাগী থৌন'সি থাগৎতবা ভ্রমদে।

তৌখোক মৌথো ভ্রুনা অঙৌবীদু য়ুমদা চঙলকই। মাবু উবদা ঐনা হংখি।

— অঙৌবা কৈদৌবা য' ওবগে?

— মাম্মা নশূনুপা অহলদু মখোয়গী কলেজদা ওজা ওইমিন্নবা নুপীমচা অমা পুদুনা লাক্লে। পাউ হাথ'দাকপদু মাম্মসু খবা য়াওবিয় হায়জগে লাকপনি।

— য়াওগে, ইশূগাবে। লাক্লে-লাক্লে চৎতবা যাব্রনে।

অঙৌবী চৎব্রে। চৎলমদ'ই মাযথোঙদু য়েংবৌই। মহৌশাগী অঙৌবী ওইদ্রে। শকফম খবা লৈশীন্না উবে। অব্রাবা মবক্তা অঙৌবীগী মায়থোঙদা নুংঙাইবগী মমি মচা অমা উবগুম তৌই। মাসদামীযাম্না মহাক্কী মফমদা কবন্না তোকঙ্গা শন্দোক্লীংঙাই লৈবিবগে'? ○

কিচেন গার্দেন

মৌ অতোপ্পী সুশিলানা মকুবোক ওজা মোধুদ ফোঙদোচবকই।

—পাবুং ঐখোয়গী ইস্কোল অহাঙবা মতেক থবা লৈবিবসি কিচেন গার্দেন শেপ্পুসি।

— ইবেম্মা হোৎনবীনববু লৈতেনে।

পাবুং য়াম্না য়ানা হোৎনগদবা নত্তে। অশংবা অশংবদা ঐ হোৎনজগে। চাবা ফংদে হায়জবা নৎচদে। ইস্কোলগী মনা মশীং ফংগৎলকপদু যেংবদা য়াম্না নুংঙাই।

সুশিলাগী অনীংবদু মপুবোইবা মণিদা হায়জকখবদা শম্না পাউখুম্লকই।

কৈ কান্নদবদা য়ানননবনি। লৈবগা চাবগা লোইবে।

চাবগা ভুস্পগা টি লাং য়েংবগা কৈদুনা লৈবদা ঐদি ইশাসি বোব চুবে। ঈ চেন্দ্রদৈনা ইলম্ন লূপ্লে। শাজেল ওইনা শংগা শৃজগে যাম্না য়ানসু শজরবোই।

মণি সুশিলাগী য়াদু ইন্দবা ভুমদ্রে। ফোসন লেভুনা ইস্কোল মচাদু ফজনা খোইদোকতল্লে। সুশিলা অশং অশংবদা হাপু হনাং খোমদোকপা তৌবে। মচে সখী, মচন মেম্মীনদি সুশিলাগী মতৌদু উবদা য়াবা ওইনা শানখি।

তৌবিবসে যেংঙু। লরায় নুপী অতাক্রে। মা কনানা তৌবিয় হায়বগে?

অ ওইবান ইনম্মা। অসিবু কৈদৌবিবনো?

লাইবিক হৈবী এম এ নিনা ঐখোযনা ভাঙলুবা ভুমজপোৎ নত্তে। ঐখোযবু শুনীংদবী তাবক্নি।

ওজা মোধু সার্বসতগী পেন্সন ফংলবা ইমুংগী অহলনি। নোং ভানবগা মাগী নুপীনা চাবোই চাদবোই তৌদুনা ফিয়োনফম কৈথেল চংখ্রে। মচানুপা অনীসু মম্মী অহলসু সবকাবগী থবক মচা অমমম তৌবি। মচনুপী মেম্মীসু কলেজ ওম্প। মচেগী অভাং অনীদুসু স্কুল চংখি। নুংথিলগী মতমদা উন-য়াইমুক চাক্রা লৈবদ্বা সুশিলা ইস্কোল শূবা হৌখিবদগাদি মশাসু যাওলে। য়াথলসু নুংঙাইবে মমৌগী থবক্তদা ওজা মোধুসু থবক অম ফংলে খন্দুনা মপুক্রুং চঙনা য়াওশিনবীবে।

সুশিলানা ইস্কোল কোইবগী যৌবাঙদু উবদা মতৌনা খুৎশেমগী হাব দাইমন্দ, য়ুবিয়া,

পত্তাস বেক বেক ওইনা যূমদা পুশিল্লক্লগা সুশিলাদা তাযবকই।

— হাব হাপ্পা যাম্না ফৈ হাযনৈ। মদুগী লৈবক্লিবনি।

– ইতৈগী হাবসিদি ঐখোয ইস্খোলসিদদি চহী ১০ হেন্না শীজিন্নবনি। খজিক্তন চঙগদবা।

– কন্না খঙগনি। মীনা ফৈ হায়নবদুদা লৈবকপনি। নঙনা থোকপা তৌজবো।

থা অনী / অহুমগী মতুংদদি সুশিলাগী কিচেন গার্দেনদু ফজবদা অঙকপা অমা ওইবে। থাজদনা ফবিবা পোৎ চৈশিংদু উবগা মচে সখীনা ফোঙদোকই।

- ইনাও নঙগী কিচেন গার্দেনসে ঐখোযদি যাম্না য়ানা শূ নোমগদৌই খল্লুই। মসিদি ঙাইহাক শংবদা হোৎনবগা য়াবা ওইবল্লে। ঐসু যেংশিনবা যাওবগনি।

- ইচে হকচাংসু যাম্না যাংবনি। চাবা-থকপদসু ফ্রেশ ওইবা ঙাক্তা চাবা ফংঙি। যূমদা হৈনবকপগী ঐসু খঙবনি। হোৎনসি ইচে।

কবিগীসু ফবোই। মতম কুইনা পোৎ চৈ থাবীদনা লমহাঙ ওইনা লৈবকপা অদুগী মথক্তা খুৎশেমগী হাব মতীক চানা হার্পাখবদুনা ফবকপনি। যেংবদা কয়াম ফজে। লেঙ লেঙ চৎলব তিলহৌ, ফদিগোম, হঙ্গাম পাম্বী, কোবীফুল, কোবীলৈ – ফজমন্দুনা চাংথোক্লদনা পাম্মুই। নাকন অমবোমদনা হরাই থবাক, হরাই অমুবী, খামেন অশানবা নিংথমগা মনা মশীং মযাম্না ফগৎলকপদ যেংবগী পেনথ নইদে। থবায় যা ওনমদবা মচে, মচা মানাস চৌদিকি ও শেংনা কিতচনা গার্দেন্দা মসু কর্শিল্লে।

কৈগেল হম্বা মনেমদু যূমদা এঙ্খাং লৈ যম্লোই হয়বগা অনাগ লেপ্লে। ইমা মগুনা চাবা নঙনা খঙনা চান্নবা মক্তপ মপা ঙাশিন্দসু ফ্রেশ ওইবাস মহা ও যেংলুচো হাৎনা পানস হওবে। মদুদসু হংলাক্লবান।

অসুক নাম্না ফজনা শেম্লিবা কিচেন গার্দেনসিগু কন্না হোৎনাবনো।

ইনাওনুপান মাস্তবনি। তৌজিঙু ঐখোযসু যাওবে।

মতৌনা থাগৎপনদু সুশিলা হনা ওই। থাগৎপিনব তোৎনাখবদি নত্তে। মশাগী তৌবদা অদু থবক ওইনা পা ঙখোকাক্কনতাল। তৌবদি সুশিলা লম খবা হাইথবা লৱায় নিঙ্ঘোলাল। মপা মদা লৈবিহৈঙদা লাইবিক পাবগী অশংবা মতমদা মমা মপাগী মতেঙ পাংদুনা ইস্খোল শুবা যাওবকই। মতম মতমগী মক-মবাং থাবা হৈবকই। যাম্না য়ানা শূকবা নঙবা শাজেল ওইনা তৌবনা হকচাংসু যাংঙি। মদুগী হৈনবাদু যূম পাল্লবা মতমদা থজিক্কং হোৎনকবান।

অযূক্কী নুংশা যাইবা ওইনা মকূবোকসু, মতৈসু ইস্খোল চুবিদা ফম্নগা থবব পাই, চা থকই। ঙাইহাক শংবদা মখোয-মবাং মবক্তা হৌবিবা নাপীদু ফোয়দোকই। থবক শংদে হাযবগ্না ইমুং-মনুংগী মী পুম্নমক ঙাইহাক শংবদা ইস্খোন্দা মায় ওনশীল্লকই। লোইনমক হৈনবকই। চাবা থকপদসু অতেক-অনৌ পেন্না চাবে।

সুশিলাগী থৌদৌসি উবদা মনেম-মকু, অতৈ মচেনসু তবাইনা খনবা গুমদে। মহৈ মশিংদসু ইমুং মনুংদা খ্বাইদগী অৱাংবা সার্তিফিকেত পায়রীনি। এম এ পরীক্ষা লোইবগা মণিনা চেল্লকপনি। ইমুং-মনুংগী মী অতৌদি বি এ ফাওবদনি। সবকাবগী থবক মচা অমমম তৌজবি হায়বগী ৱাফমতনি, মপুবোইবা মণি ফাওবা মেত্রিক পাস তৌবগা দিপ্লোমা তন্নগা এস ও ওইনা থবক তৌজবনি। ইমুং-মনুংনা সুশিলাবু তবাইনা খনবদি খনখিদে। হন্দক কলেজগী ওজা খবা কৌবি মদুদা ত্রাই তৌনীংদুনা মপুবোইবদা হংজখি।

– পৈশা য়াওদ্রবদি ইন্টরবিয়ু য়াওকনবগী কান্নবোই। কমদৌসিগে ?

– য়েংসি ! তামো ইতৈমদসু খবা লৈবমগনি।

ইমুং-মনুং পূন্না তান্নদুনা খন্নবদা 'তৌদবা য়াদে' হায়দুনা অবৈ-অবৈবা পৈশা খোমজীন্দুনা পীবা যাবা পৈশা পীখি। মশানসু এম এ ইকনোমিক্সতা ফাষ্ট ক্লাসনি। শেলগা মতীক চানা পীখিবদুদা সুশিলা থবক খল্লক্লে। ইমুং-মনুং পুম্নমক হবাওখি। মদুদা মচন মেশ্মানদি হায়জবকখি

- ইনম্মা তেম্বীনা লেকচরব ওইত্রবাননা কিচেন গার্দেনদি ঐনা মহুৎ শিনবা তাবেনে।

– ইপা লৈবরাসদি ইবেম্মা। মতৌশা হৈবমদবা খগুলমদবা পুম্নমক ননম্মগী হৈ শিংবদগী এম্খায় লোইনমক খঙ হৈবে। মসিদি মযেক চঙবা মতম চঙবা থবকসু ওইবমদ্রে। অশং অশংবদা ইশাগা শাংজল ওইনা তৌগদবা থবকনি। ইচা তোম্বীসু তঙাইফদনা হৈগদবনি।

সুশিলা কলেজ মপাং তৌরে। 'কচেন গার্দেনদি ইমুংগী মী থুদিংমক্তা অশং অশংবদা থবক য়াওনা পুথোকনদুনা অদুমক য়েংশিল্লি। তৈনবা ওইরবা ইমুংগী থৌদাং ওইবে। মতম মতমগা এক্লাং ইশ্মোলদা থাদুনা চাবে। অশেংনা কৈথেলগী মনা-মশাং লৈদুনা চাবা হঙ্গোইরে। ওজা মোর্ধুদি লম খবা চাউবা অমা লবাযদ লৈবগা ইশ্মোল কোইদনা পুলি লেল্লুবগে খল্লকপা যাওরে। ফযোনযম ফঙ্গী মনেমদসু ইমংগা ইক্লাং পুদ্রবাননা মথৎ ত্রা শেল তুম্শিনবা ওমজরে।

সুশিলা মশা লক্লে। মচে মচাগা ইমুং মনুংগী থবক ইশ্মোল শূবা য়াওবগনু হায়দুনা খাম্মা মদুদসু সুশিলানা পাউখুন্নরক্ত।

– ইচে, লবাদ থল্লাইদা লৈনা মৌশিংদি নুমিদাং অঙাং উনগদবদু নুংথিল নুংশা মনক্তা হুমাং তাবমখৈ থবক শবা যা ওই। মানা হায়নবদি থবক শবা শূবনা অঙাং পোকপদা ৱাদে হায়নৈ।

– মদু য়াবোই ইনাও নুংঙাইনা পোৎথাও।

চীন্দা ঙাওজববসু সুশিলা পোৎথাদুনা লৈখি। অদবু মাগী থম্মোযদা খ্বাইদগা নুংঙাইজবিবাদ মানা শেমজবা কিচেন গার্দেন অদু মহয চাবতা নত্তনা ইমুং মনুংগী মীওই থুদিংমক্তা তৌদবা যাদ্রবা থবক অমানি খন্না হোৎনবিবদুনি। সুশিলাগী থম্মোয়নসু পেঙ্গবি। ○

অরোইবা খোঙচৎ

নুমিদাংগী পুং ১০ তাশ্রে। পানখৎলকপা থাসু তাগদৌবে। মুশি মুশিববা থাবলগী মঙালনা যৈবদা উ ঝাগী মকম শাংনা শাংনা লৈমায়দা তাবি। থাবল মঙালগা মমিগা অনীদুনা লৈমাযদুদা মবাং মবাং উবি। পুংফম অসিদা অনুবাধা মাগা নুংশিনজবা প্রেমচন্দ্রনা উর্নসি হায়দুনা পীবকপা চিঠি অমা পাবি। নুংশিনবা নুপা ওইজববসু অনুবাধাগী পুক্সিদা নুমিদাং অথেঙবদা অমুক ফাওবা উনখিদ্রি। ঙস্লোই হায়বসু হায়নবা মতম ফংখিদ্রে। তৃপ্সু যাদ্রে, পুং তাশিল্লক্লবা মতম অসিদদি অনুবাধা মশাদু তনীক তনীকপা হৌবক্লে। উন্নববোই তৃমিন্না লৈথোক্লগে হায়বসু ঙমদ্রে। অশেংনা অনুবাধানা প্রেমচন্দ্রবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবদা নত্তনা পুক্সিগী ওইনা লেপচবর্বানি। খঙনবকপা চহী অনী হৌখ্রে। তোয়না উনদে মবক মবক্তা চিঠি পীনদুনা অরা-নুংঙাই নুংশ নুংওলগী ঝা ফোঙদোক্লদুনা থম্মোয শেংনা লৈনর্বনি। লমগা লাপ্পা লৈনবদুদা মহৈ মশিং মতাক চানা তম্নখিসি হায়নদুনা লৈনর্বানি।

অহীং অদুদা অনুবাধানা তৃপ্লিবা মপাগী খোঙনাওদা তেক তেক হায়রব খোঞ্জেল অমা তাবকখি। প্রেমচন্দ্র লাক্লে, অনুবাধা খঙাঙ। উপায় লৈতবদগী তপ্পা হৌগৎলগা ফি মতেক অমা ইন্দুনা য়াম্না তপ্পা মনীংথোঙ হাংদোক্লগা মপাল থোবকই। য়েনখা অরাংলোমদা হাইফেৎ চেপথদুনা যেংলুবদা প্রেমচন্দ্রনা মখূদাঙ পায়দুনা চিংশিল্লম্মী। অফাং অফাই ওইনা অনুবাধানা হায়দোকখি।

— কৈদৌনিবনো ? ঐ হশাসি নীকপনা কৈনো'মা তৌবে।

- কবগী নাক্লিবা ঐবু কিব্রনে ?

— কিবগী নত্তে। খঙদে নাক্লিবসি য়েংঙু। কবিনো হায়গদবদু হায়বো ঐ চঙশ্রগে।

- লাকপদা ঙাযবি ঐবু নুংশিদববা ?

— অদুগী ঝা নত্তে। ইমা বাবা খঙশ্রবদি।

— তৃমখ্রবা নৎত্রো ? ইবেন্না ফম্মু ঝা হায়গে। ঐ হয়েং চৎলগনি। লাইবিক ফজনা তমদুনা লৈবম্মুকো। তোয়না চিঠি ইবক্লনি।

— ঐবু কাউর্বিগনু। নঙগী মঙ্গলগীদমক্তা ঈশ্বরদা নুংতিগী খুকমজগে। ডাক্তর অমা

ওইবদু ঐসু য়াম্না পামজে।

— বাধা ঐবু কাউনবা ঐনা নঙগীদমক খুদোপ অমা পুখক্লি। কদায় নখুৎতু... ঐ শিবীবমগে।

— ঐদি ঐবু নীংশিংনবা কবিসু পীনীংঙাই লৈতে। ঐনা নঙবু নুংশি হায়জবিবসে মসিমত্তং কাউবিগনুকো।

প্রেমচন্দ্রনা অনুবাধাগী খুনিংথৌদা সনাগী খুদোপ অমা শিজিনবিবা লোইবদা ঙায়বি। ঙাম্নবা তোর্স লাইতকী মঙাল অমনা অনীদুগী মায়দা য়ৈবি। লাউনসু হায়বকখি। 'কনা কনানো? চেনগনু।' মঙাল অদুদা প্রেমচন্দ্র চেনবসু ঙমদ্রে। চেনগে হায়বসু খন্দ্রে। লাক্লিবা নুপা অদু অনুবাধাগী মপাবুং ইবোচৌবনি। মখা তাবকই।

— ফৈ ঙসি খঙগনি। মী উশিংতবা শাবদনা। নখোয় অনীমক ইমুং চঙঙু। ব্রা ঙাঙনসি। লীচৈ অমা পাযনগা লেপ্তুনা হায়র্বক্লিবা মপাবুংগী য়াথং অদু অনুবাধা চৎতবা যাববোই খন্দুনা প্রেমচন্দ্র মখোয় অনীমক ইমুং চঙদুনা ব্রেতিং কমদা তোঙান-তোঙান্না ফম্লবম্মী। প্রেমচন্দ্রনা অনুবাধাদা লোম্লপ্না হায়বম্মী ঐ কমদৌনি।

ঐনা অশেংবদু হায়গনি।

ইবোচৌবনা য়াম্না ফিংনা অনুবাধাগী মমা সুমতিবু হৌদোকই।

মমা হৌগৎলু। নচানুপীগী কুম্মৈসি যেংলুলা ও।

সুম ৩ ম ওং অর্মান খন্দুনা থুনা হৌগৎলি।

মপুবোইবগী মনাক্তা চঙদুনা লৈবম্লিবা মওং অদু যেংলগা তপ্না হায়বকই।

- কৈদৌববগে?

- কৈদৌবগে হায়গনু। যেংঙু নচানুপীনা তৌবিবসি মসিগুম্বসি ঐ হৈনদে কন্যা কৎথোকখিবনা ব্রাই শংলগনি।

- ঙাইখোদা ফিংখিনু। হায, নুপী নশক্তো য়েংনীদে। চৎপ্রো হৌজিক নশম ননাকাদু ফোয়দৎতুনা শবা শানি।

অনুবাধা মমানা চৈবা অদুদা হোয় মায হাযদনা মক লুকথবগা মাগী কাদা চঙদুনা তুমিন্না ফমপ্রে।

প্রেমচন্দ্রনা মক লুকথদুনা য়াম্না ইকায়না কবি তৌবক্কদগে খন্দুনা লৈবিঙৈ অদুদা সুর্মাতিনা ব্রাবৌনা হাযবকই।

— নুপামচা ওইবগী অয়ুক-নুংথিলদা উনৌ কবি হায়নি। নখোয়গী নতৌসিদি মী হাৎলেনে। মবুং-মৌপ্পা লৈবম্লবদি ঙসাইনা ফু শিবনি। কবি পাম্মী হাযয়ু।

- অদু-অদা খঙদে। ইচানুপীসি পুবগা চৎখিগে হাযববা? অহন-লমন কৌকচো হায়ব্রা? অপাম্বা অমা খল্লু। অহন-লমনগী মিংসু তাকউ।

ইবোচৌবনা ঙংদুনা ঙাঙলকপা ব্রাঙাঙ অদুদা উপায় লৈতনা য়াম্না কিনা তপ্না খুন্নকই।

— বাবা ঐ লাক্লে। বাধাগা ঐগা মবী লৈনবা চহী ২ হেল্লে। ঐ হয়েংদগী মীনৈবাক্তা দাক্তব তম্বা চংলগনি। অসুম্না ঐখোয় অমুক্তসু উনদে। ঙসিদি ঐবু বাবানা ঙাকপীয়ু। ঐ চিংখৈবোংদগীনি। ঐগী পাবুং আব কে মণিসনা, ইমাগীনা মেমতোন কৌই। থৌদোক আসমক ইমা পাবুংবু তাহনবীগনু। মতুংদসু ঐ অমুক হন্না চৌজবোই।

ইবোচৌবা চীংমৈবোংদগী আব কে মণিসনা পল্লকপদা চীং লাউই। ঙসি-নুংথিল ইম্ফাল বাজার ময়াংদা ওজা মণিসনানা কৌবকাখিবদু খঙনীং নীংশিংলকই।

ওজা। ইবোচৌ চৌবকইবসিবু কদোম লেপ্তবিকবনো?

- ওজা পোৎ চেখবা লৈজগে লাকপনি। উনখিদবা কুইবে চা অমমমদং থকমিন্নর্কস

- হোযনে উনদবসু কুইবে ব্রাবা ঙাইহাক চৌসিনে।

অনীমক হায স্কুলগী ওজা ওইরিববা ঙাক্তনি। কলেজ ওস্লিংদা লুনা তিন্নবকপানি। শনফমসু মান্নবদুদা হৌজক ফাওবা কায়নবা য়াদনা তিন্নবি। লম থাপ্না লৈনব অদুন চোং নাদ উনদ্রে হোংলদা ফমদুনা চা সিংহাব পাযদুনা ব্রাকী হৌদোক্লে।

ওজা আন বেনী অঙাংদু ফাষ্ট দিবিজনদা পাস চৌবকপদুনু কান তমহন গদোলবনে।

ইশ নদু হন্না ঙাক্লনস ঐ গল্লে ওজা। অঙাংদু দোনেসন্দা খোদকেল তমহনাত [illegible] [illegible] [illegible] — চুযো মব চংখ্রগনি মদাদ্রদান।

য়াম্না ফব্বা কান। পাট তানদা লুংহাই শেন থুমগী অরাং চপানি কমদে ব [illegible] চৌন্জিক হৌজকমতাদি মংগাব শেংলক্লদানিবা ক্লান। বাংলংসু ওজা [illegible] চাবকান।

অদুনিনে। [illegible] তিন্নব হায়বাস চা থকামিন্নবনা মপু ফাদে চেংবংনব [illegible] লৈ ব। প্রাদ ওজাগা অঙাংদু মশাক হংলবোই। [illegible] ওইনিংঙনা উশিবদুদা

[illegible] ওই ব। ইচানুপাদুনি কাব [illegible]

তন্দক চৌন থাং নীব।

প্রেমচন্দ্রগী ব্রা অদুদ নুমাংসু শাখলগা মঙ অমা মঙলকই মেমতোনগা মখোয় অনা লৈকাই অমত্তদা হৌমীক কামান্নবকপানি। লুনা তিন্নবা অনী লুহোংনবকখি অঙাং পুংকক চাখিবকপা মতমদা নোংমা মেমতোন্না সুর্মাতা মচানুপা অংবাথা উবদা হায়নাখিবা ব্রা নীংশিংলকই

সুর্মাও ইচানুপাসে মশক্ক মশক ফজাববা। ব্রাঙাঙ শাঙাঙনা নুংশিবিবা। মীতোন্দা পীথোকখিব যাবোইকো। এগী অঙাওবদুগী ইমৌ ওইগদৌর্বনি।

পীদাদি কৈকো। নুংশিনবা ঐখোয় মশেল মবী তংনদনবা ইচা-নচা লুহোংদাদি কৈনো। মাই মশিং ফজনা তমহনাখিস। নোং ফাদোকসু নচানুপাদু পুবগা কোয়থোবকউ।

মতমদুদা মেমতোনগা সুমতিগা ঙাঙনখিবা ৱাদো অনুবাধা ময়েক শেংনা তাহৌই। মাগী থম্মোয়দা ইমা মেমতোনগী মচানুপাদু উনীংবা খঙনীংবনা লৈতাফম খঙখিদে। নোংমা প্রেমচন্দ্রনা মবোক লৈতবা কর্মগী বার্ত্তন তৌবা লাকপদা অনুবাধা থেংনখি। নুমিৎ অদুদা থম্মোয় অনী অমত্তা ওইনা নুংশিনখিবা অদুনা ঙসিদি নুংশি ৱাথোক ওইরববা অসিনি।

হৌজিক ইবোচৌবনা তৌগদবসি কবিনো? খুৎ থাদুনা অকন-অবাং শীংলুবসু যাবা নৎত্রে। নাকল অনীগী ওইবা ৱাফমদ ইবোচৌবগী ৱাখলদা যৌবী চিংবী শান্নবক্নে। মচানুপা য়া ওদবা কনাসু লৈজদ্রবা ইমুং অসিদা থওই উশিৎতবা শাজৎ অদু যানীংদে। মচানুপীনা চৎলিবা লীচৎ অদুগী অফ-ফত্তগী দায়ত্ব অদু মপা ওইবিবা ইবোচৌবনা লৌবা তাবনি ফবিবমখৈ যৈ ফন্তু-নুংদা থোবক্লবদি মদুগী মৈশা লাংগদবা মওং অদু খল্লকপদা মচানুপীবু পুহন্নাংখি। নাকল অমবোমদনা লুনা তিন্নবা মকপ অমগী মচা ওইবল্লে। মদুগী মথক্তা তুংগী মীবক তিনবা ঙম্নবা মীয়াম্নস কল্লক্লীংঙতি ওইববা মহৈ তম্বা চৎননবগী শেম-শাবা লেইক্লবর্বনি। মসিদা ইবোচৌবগী অনীংবদু পাঙথোক্লববদি যৌদোক অসি তুংদা খঙনবক্লবা ম্রেমদা ওজা মণিসনানা পুক্নিগী কাউববোই। অবোইবা ওইনা ইবোচৌবনা মথক্তগী ওইনা ৱাবেপ অমা লৌবে। ঈনখৎলকপা পাখঙ-লৈশাবী মচাগী চেষ্টবক্লিবা নুংশিনবগী ঈচেল অদদ মমা মপা ওইবিবা ঐখোয় ঈচেল অদুগী পল অসিনা থিংলুবদি ঙম্বা নত্তে অদুবু কওশাং ওইনা গাউথমিন্নদুনা ঈচেল অদব গাক শেনবাদ দবকাব ওই। মাগী নুপী সুমতিবু কৌশন্দুনা ইবোচৌবনা লোন্না হায়বকই।

ঐবু চেমহনগনু। নঙনা থোকপা তৌগ্নো।

ইবুংঙোসে চৎহনগ্রগে

ওজা মণিসনা, মামানা পাখৎনবন্ননি। চৎহনগ্রো।

সুমাত ৱাই অমা খঙশং শংদ। মপুবোইববু মপাক্লংদা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎখি। ৱাশং অমা ফাওবা ঙাঙদনা মচানুপাগা কাদা চঙদনা মচানু প্রেমচন্দ্রনা লৌববা কা অদুদা পুশিল্লকই অদুগা য়াম্না চাং লেম্না পাউমেল্লকই।

– নখোয় অনীবু নপাবুংনা ঙাকপাবে। অদবু ইমা ৱা অমদি হংগে। নখোয় অনী কযা কুইবে খঙনবা?

ঙসাইমখৈ মমায লৃকথনা ফল্লবা প্রেমচন্দ্র সুমতিগী ৱা তাবদা মশা অদু খংযাং য়াংখি। মমায়দু হাইফেৎ নোনখৎলগা খুন্নর্কাখ য়াম্না কুইবে। চহী অনী হেল্লে।

অঙাওবা ঐশ্বর্যদি নঙবু নশক খঙদবনি। ইমা পাবুংদা ব্যবহাব কাযনদনা লুনা তিন্নবিবনি। যুর্মসিদা নঙনা লৈবদা কনানা কবি হায়নি। অঙাওবসিদি অদুম্না হৌনব্রা? নঙবু নমান্নবা কনা লোয়নবকপগে? অসুকশাংলবা লম্নীসিদা অহীং মাসদা নঙেমতা হনগদৌবিব্রা?

— ইতোমতনি ইমা।

— ইমা-বাবানা নুংশা থীনবল্লগনি চৎলো চৎলো।

প্রেমচন্দ্র হৌগৎতুনা মপাল থোবক্লে। মমাঙ শঙ্গোয় মকমদা থল্লিবা হেবো হোন্দাদু ঈছোবক্লবা শেম-শাবি। অনুবাধা মমাগা দাবী মচীন্দা লেপ্তুনা য়েংলম্বদগী কবি খল্লক্লবনো তফিং-তফিং চেনখিদুনা প্রেমচন্দ্রগা বা অমা অনী ঙাঙনখি। প্রেমচন্দ্রগী গাড়ী থোৌদ্রে। অনুবাধা য়েংহৌবি। ঙাল্লবা এলেক্ত্রিকী মৈঙান্দা সুমতিনা মচানুপীগী মীৎলুদা শীম্বুবিবা পিবাংশিং অদু উবকখি মচীন্দসু হায়দোকখি।

"ইকাযখঙদবীসিদি।"

নুংশিনবদা মপাল থোক্লবী, নুংশি ঈবাংদা লমযৌবী, ইকায়খঙদবী মিংথোল ফংলবী অনুবাধানি, মাগী থৱায়গী থৱায ওইবিবা প্রেমচান্দ্র মদ্রাজদা এম বি বি এস তম্বা লোইদুনা হাউস সার্জন তৌবি। থা মবি মঙাগী মতুংদদি ডাক্তব মিংথোল ফংদুনা ইম্ফালদা থোক্লকগনি। মদুর্তনি অনুবাধানা ঙাইজবিবা।

মতোমতা পোকচবী কেনা মনীং-মখা তৌদুনা লৈজবী অনুবাধানি। অঙাং ওইবিঙেদগী প্রেমচন্দ্রদা ঙাওজবী ওইবকপদুনা থৱায় হকচাং পাম্মুবা লৈতনা কৎথোকপা ঙস্রবীনি। কবিগুম্না মতমদসু প্রেমচন্দ্র লৈবা লৈতবা খন্দনা ময়ুমদা চৎতুনা চাক ঈশিং থোংদুনা নুমিৎ মবি মঙানি লৈথোকপসু মশীং খঙদ্রে। প্রেমচন্দ্রগা মবী লৈনবা থৌদোক-ৱাথোক নত্তনা কুম্মৈ হবাও অমত্তা নাচুংদে। চৎসু চৎতে, য়েংসু য়েংদে। লৈশাবী মখল অমনি, পুনা খঞ্জবী মমা সুর্মতিনা মচাগী মতৌ অদুদা তশেংনা হায়বা যাওখি।

ইবুংঙোদু হেক থোবকপগা লুহোংলসি হায়নবে' ইচানা লুহোংশ্রবদি বাবা ঐথোখ অনীখক্তা যূর্মাসদা য়াম্না চীক্লা লৈহৌগদৌবি।

— ইমা ঐদি লুহোংলবসু যুর্মাসদা মবক মবক্তা লৈগনি।

অনুবাধা লমকেৎ-লমহাইবী নিঙোলদি নত্তে। মদু পুম্নমক্ত প্রেমচন্দ্রগী মপাবুং সনাজাওবা অর্মদি মমাশি যেমতোন্না মওং মতৌ মুন্না খঙবনিনা য়াম্না নুংশিজে। প্রেমচন্দ্রনা এম বি বি এস তম্লিঙৈদা অনুবাধাসু বি এ পাস তৌববা মতুংদদি মখা তমথখিদ্রিবনি। দূর্গা পূজাগী ছুটি থাবদুদা প্রেমচন্দ্র য়ুমদা থোবকই। ঙাইওমদনা অনুবাধা উনবা লাকই। প্রেমচন্দ্রসু অনুবাধাগী যুম চঙলকপদা ইকায হঙ্গোইবা লৈতে। গ্রোঙ চঙদুনা অনুবাধাবু উনকই।

ঙসিদা থুংলবনি। শা'উর্গনি খন্দুনা উনবা লাক্লিবসিনি। কবি এঞ্জাং পীজগদৌবি'?

— চানীংবদু হাযয়ু, পীজবা ঙম্লবা হোৎনগে।

— কাংশোই। ইবোম্বা। মীবমদা চাবা ফংদবা এঞ্জাং।

অনুবাধাগী মমায় নাকচী অনীমক্তা খোইখোইবা শল্লাং চোল্লপ চোইজাইননা তাবিবদু য়েংবদা মকা লাম্লা ফজববা মায়থোঙদু উদে হায়দুনা প্রেমচন্দ্রগী খুদোম্নীনা তপ্না তপ্না চিংলগা নাকমদা য়েপখৎপি। অনুবাধা পেননাঈদবা নুংঙাইবা অমগা লোয়ননা ফোঙদোবকই।

— লোইংগদবা থা কয়াদা ঙাইংববগে? ঐদি ঙাইবদা অঙাওবী ওইবে।

— কুইদ্রে। থা ৩/৪ খক্তা ঙায়বে। য়াবগনু।

পুম্নিবু কনানা তম্বা ঙম্বগে? মীওইবগী পুম্নিবু খুৎ থেক্কুনা নৈনকবদি নুংঙাই-যাইফবগীসু মশীং খঙদনা অৱাফম তাবা নৈংশ্রে। অৱাবগীসু নুংঙাইবা কয়া উশ্রে। মদু পূম্নমক্তদি হোৎনজমল কর্মগী ফলনি।

য়েংবদা মীৎ থরুবী ফজবদা হায়নবী তঙাং তঙাংলবা কুচুদুগী মথক্তা মোমোন মীনোক অদুতনা অউবনা কল্লক্রবম্বী অনুবাধা মশা নাবদগী য়েংবা যাদ্রে। কুচুদু তাইফেৎ তাইবে। য়াইঙং মচু চঙলে। মচানুপীগী মতৌ অদুদা ইবোচৌবা সুমতি চার্গনি-থর্কনি খঙদ্রে। লোম্না-লোম্না য়াবী শানমিন্নবগা মমা মপাদু কপমিন্নবা নত্তনা উপায় লৈতে। মণিম্না মেমতোনসু অদু মঙায়। তোয়না লাক্কুনা মমৌ শরুবী অনুবাধাবু উনবৈ। লেক-চাদুনা অহন লমন পম্না য়াবী য়াওয শানবগা কপমিংন্ন মণিম্নানা মচাদসু চিঠি ইখি।

পরীক্ষা লোইবা নোং ঙানবগা পম্লবমদনা প্রেমচন্দ্র যুম যৌবকখি। অনুবাধাবু উনবা পুখি। ফমু এটা অমদা ফম্লগা হী পুনা লৈবিবা অনুবাধাগী খুৎশাশিং অদু চেংনা পাযশিল্লগা মুন্না য়েংলকই। প্রেমচন্দ্রবু উবদা কংলবা মবেক মহা ও য়াওদ্রবা চানবান্দু হাইফেৎ লেঙলগা মোমোন নোক্লকই। মখা তানা হংল্লবকই।

পরীক্ষা লোইবমলৱ্রা?

— উম। বাধা নঙনা পাম্মজবা ডাক্তর অমা হায়বদু ঐ ওইববনি। নাবা য়াদে। নঙনা নাবা ফৎত্রিবা ফাওবা ঐ লৈগনি।

ঐ হিংগনি থাজবক্তে।

— কবিগী অদুম্না খনবা হৌনত্রা। ঐ লৈবিবসিদি। তৌবম্লিবা ফীবম, ডাক্তবদ যেংলুবগী চেযামশিং অদু য়েংলগা প্রেমচন্দ্র মশাদু থক থক নীক্লকখি। মীৎলুদা থিংবা ঙমদ্রবা পিবাং শাম্লবকখি। অনুবাধাবু উক্ষন্দনবা হোৎনবদা অৱাবা অমসু ওইখি। মতম ঙাইববা কৈদৌঙৈ থোক্কদগে খঙদ্রবা অনাবনি। য়দ কেক্সবনি। ডাক্তবশিংনা যাববোই খঙদুনা ঈ কাপশীল্লগা যুমদা সেবা তৌকনবা থাবকপনি হায়বা প্রেমচন্দ্র মুন্না খঙখি।

অঙাং ওইবিঙৈদগী আক-অখং য়াওদনা, চোম্না লেম্না থিদনা নুংশি-নুংওন্দা ইকায় ইকি য়াংমা লান্না লোয়নবকখিবী অনুবাধানা অশিববু ঙাইদুনা লৈবম্লসি প্রেমচন্দ্র থম্মোয় পুবা য়াখিদে। হিংলগুমসিবা খনবা যাওবকখি। পাম্মুজপ্রবী থৱায ওইবী অসিনা

সংসাব থাদোকপ্রবগী তুংদা প্রেমচন্দ্র কবি ওইহৌগদৌবি খনবদা মশাদু কোয়পাই পাইবগুম তৌখ।

যাববোই খঙনা খঙনা অনুবাধাগী মশাদা ঈ কাপ্লিখি। ফর-ফম্বা হীদাক-লাংথক কয়া অমসু অহীং-নুংথিল শেন্নদুনা কাপ্লিবদগী হাপ্তা অমবোমগী মতুংদদি কুচু-কুমেন খবা লার্কখি। নোক-খেবা যাওবক্লে। খবা ফববদুদা প্রেমচন্দ্রনা অনুবাধাবু মপাবুং ইবোচৌবগী মার্কতদা পুদুনা নুমিদাংৱাইবম কোযচং চংমিন্নবম্মী। প্রেমচন্দ্র গাড়ী থৌবি হাযবদু মঙায। গাড়ী মনুংদা থৱায যাওদ্রবা হকচাং অমা কোয়পু পুদুনা চংলি খম্নুবদা মীংলুদা পিবাং ত তুনা শীপ্পবর্কখি।

নুমিদাংৱাইবম সেন্দ্রা তুাঁবষ্ট হোমগী চাংথক্তা লেপ্তুনা ফজববা লোক্তাক্কী দৃশ্য যেংলঙৈদ শাফ্ কল্লবা নুংশিংকী শহুম্না অনুবাধাগী ইল্লিবা ফিদু পাইথোক্কদবগী হোৎনবকই। পাইবিবা শল্লাংশিং অদুবু শেম্নগদ্রা মফি অদুবু শেম্নগদ্রা অবাবগী তঞ্জা অদুদা মাযথোঙদদি মোমোন তৌবগা প্রেমচন্দ্রদা ওইনবকই।

ফির্সিদবু ফাবীগে হায়দে। পাইথোর্কখিবর্দুন নঙনা পাল্লিবসে। নবুক যাম্ম ফংখিদ্রে। ফংখিদ্রবা মালংবনি। ঐবুসু ফঙবা ত্তংল্লে।

অনুবাধা কবিনো অমা হায়জগে খননান। মদুগী পন্ন তৈনবদা প্রেমচন্দ্রদা তুংখনং হায়বকই।

- হকচাংসি কবিনো অমা তৌরে। যুমদা হল্লসি। কানবাদুনা মাক্না ত মনুংদা প্যাশনবিদুনা ফমহল্লগা প্রেমচন্দ্র চিংনবা অমা যা ঙনা গা টা কল্লপ থৌব কুনা যুম যৌবর্কখ প্রেমচন্দ্র যাম্মা কুপ্না অনুবাধাবু যেংখি। হাদাক কাপ্লখি। নুংগী মৈশানা মপান্দা থোবকপ থেংলুবা শোক্লবা মতমদনা মশাদু উনমুক ঈংবগা তাঞ্জাদু যৌবক্লে। বানা মৈচাক খাঙলন অনুবাধনা শর্শন্ন 'ইমা ঐ যান্না ৱারে।'

প্রেমচন্দ্র মপাবুং ইবোচৌবদা অবোইনা ৱা হায়বকই।

- পাবং সেবাগীদমক মাইবা থৌবাঙ তৌবিবো। লৈকায়সু পাউ তার্কাপবো।

অনুবাধাগী অৱাবা শকফমদু যেংবা ঙম্লব্রুদুনা প্রেমচন্দ্র মাগী কাদা চঙদুনা তৃমিন্ন ফমখি। খঙহৌদনা থংবা ঙমদ্রবা কায়নবগী মৈচাক অদুনা হীক হীক লাউনা মপি ওবো ওবে তাদুনা কপ্লকই। ইকায় ইকি পন্নমক মাঙস্রে। কায়ববা থম্মোয় অদুতনা পিবাং ওনস্রে।

নোং ওল্লমদাই অমম অঙান শিন্নবকপা তাঞ্জা অদুদা মমা সুমতিনা কায়ববা খোঞ্জেল অমখক্লা লাউনা তেংথাবর্কখি।

- ইমাগী বাধা। ইকায় খঙদবী, ইমাবু কবি ওইর্বসিগে, ইমাগী ইবেম্মা।

সুমতিগী তেংথা খোঞ্জেল অদু মীয়ামগী নাকোংদা তপ্পা তপ্পা চঙখি...।()

লৈশাবী লুকোকপী

মীসিদি অবাযবা অমত্তা লৈবমদ্রে। মশাগী অনীংবদু ফৈ-ফত্তে খন্দনা থবক ওইনা হেক্তা পাঙথোক্লে। ঐখোয় অপ্নাংগী লৈশাবীদুনা মক শীৎ নান্না কোকথোক্লগা লৈবম্নদুদা ঐ পূমণ্ডক ঙকশ্রে। মশক ফজবদা লৈকায়না হায়নবিবনি। অঙাং ওইবিবৈন্ডেদগী মোইবাং থেংইবীগুম্না ফজবীনি হায়দুনা ঙাঙনবদগী মীযাম্না থোইবী কৌখি। নীংদু যৌনা শাংলবা মুশিল মুনা লেঙ-লেঙ চংলবা ফজনবা মশমদু ম্রেত থাদুনা মক শীৎ নান্না তুম্না ঙাক্তা লৈবম্নদুদদি প্রাখল জাং জাং খনখি। তৌবা ঙম্বা নহাবোলনবু তৌবিব্রা? মপা-মমানবু কোকপীনিব্রা? থোইবীনা কবি মনাল লঙজপ্রবা? ফববসু ফৎত্রবসু লৈশাবীনি অদুমক্তি সাম্না তৌরম্নাংদে।

হংনকবাদি মতোমতা ককচবা ওইবন্নে। শংশাউ শাউনীংখি। চৈগে য়াওনা চৈখি।

অদুবু কবি ননাং থুংদবগীনো? নাংলকপা পঙতৌ তৌবা যাব্রা? লৈশাবীনবু অদুম তৌদা কনানা হীনবগে?

তাম্মোচা, তপথবায়ু। মসি ঐগী অপাম্বান। লৈবাকসিদা পাখঙনা তৃক্কৎচনবা নৌদ্রবদি শক খবা ফজনা লৈশাবীদি মপাল থোকপা য়াদ্রে। মসি ঐগী তোংজবা লৈ, কোন্না খঙসক্লান।

হেনমাম্লা থোইবী। সমাজগী চংনবা অমম্ম চাউনা লৈবি। মীযাম্না ঙাঙনবকপদু মচান মেনবা ঙম্লোই। লৈতৃম পংশিল্লকপা শোযদ্রবান।

তামোচা, মোদেল অমা ওইনা এনসু তৌদোকপসু য়াইনা।

স্পোর্তস কেপ অমা উপশিল্লগা কলেজ য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা কবিসু নাচুংদনা কলেজ কায়। কেপ্তু মখুৎনা পায়বগা চংপসু থেংনৈ। মী নোক্লবদা হৈনববা কলেজগী ছাত্র ছাত্রী, ওজাশিং ফাওবনা শেবান তুবান ঙাঙনবিবে। তাবদা ব্রায়। কদাযদগী তোকঙানো জাং জাংনি ঙাঙনবিবদো। "থোইবীগী নুংশিনবা নুপাদু লৈখিদ্রে মদুগী মৈচাক খাঙবনি", "লমচৎ নাইদবা থৌদোক্তা মপানা থেংনকদুনা শাউবদগী মক কোকপনি", "নাতৈ চাদবা ফিলম নম্লনবা হোৎনবদা নহাবোল থেংনবদগী তৌববম্বনি।" অশেংবান শেংদবনি খঙদে

ঙাঙনবিবা খুদিংমক ফজফম লৈতে। হায়জিল্লিবা খুদিংমক পকই। ব্রাফংনকবদি মী শিনবা যাবা ব্রা ঙাক্তনি। মীগী মচীন্দি কনাসু মেনবা ঙল্লোই। অশোয়বা য়েংলগা ভাবনা শেম-শাদুনা শন্দোকখিবদি লৈবাক শবা শল্লি। তোকগ্ডা হৈনবা লমদম অসিদা মীবা ঙাঙনবা লৈবাসিনা থোইবীগী মবমদা ঙাঙনবিবসি লৌখৎপা য়াদ্রে। যুমথঙননা লৈমিন্নৈ হায়বদু ঙায় ঐ ফাওবা অশেংবদু খঙদে। মদুমক্তদা ঐগী ইমানা ঐঙোন্দা পাউমেল্লকই।

– অব্রাংগী থোইবীখোযদা পঙচৎ চৎলুনু। বদনাম ওইনিকো ইবুংঙো।

– কবিনো ইমানা ঙাঙলিবসিবু। মশাগী অনীংবা অমা লৈজবগী পঙতৌ তৌবা ওইবমগনি।

– হে' লৈকাযনা, লৈবাক্লা ঙাঙনবিবসি ননা তাদ্রা'? অশেংবা ব্রাথোক নত্তনা লৈশাবীনবু লু কোকপা কনানা পামদোইনো'?

তোকগ্ডাদা থাজগনবী ইমাগা য়েৎনকবদা থোইবীগা ঐগা মবী লৈনবগী ব।৲স অমা খল্লক্ক'দৌবি। ঐ তৃমিন্না লৈহৌবে। লৈমিন্নবা ইচন ওইবগী নুংঙাইদ্দবদুদা ঐ চুম্না য়েংশিল্লুবনি। ঐখোয অনীর্বুদি কবিগুল্পা মবী অমত্তা লৈনদে।

অঙকপদি অঙকপা ঙা ক্তনি। নুংশিবিবা পাম্মুজবা কাঙবু অমসু নুংশনা শোন্নখি। "পাম্মুখ্রেদা। লাইবিকসু য়াম্না ফবান, মশকসু যম্না ফজে। মানা ব্রেন চোর্ইবিবসি মীবমদা লাযেংবীববদি ফগদবনি।" ঙাঙন শক্লবিবা পূম্নমক্ত থোইবী তায। নাচুংদে মীনা অঙ্গা ঙবীান লমচৎ নাইদবীনি হাযনবদুনা হেন্না হবা ওই। মতৌদুদা লুন্না তিগ্নজবা সুনিতনা হৌদোবকই।

থোইবী নত্তগী নতৌসি ঐদি ঙকই।

– তৌগে য়াওনা তৌবিবনি ইবেম্মা। মতমগী পাখঙশিংসে ইকায়বা খঙমন্দে। কলেজদা, লম্বীদা, য়ুমগী গেত মমাঙদা শংদুনা লৈবিবা ময়ামদু ঐ হৈনদে। হৌজক্তি ইতৌসিনা বদনাম লৈববান হাযবদসি কনাসু ঙাঙনদ্রেদনা। মশিমুক ব্রাই শংবা অনা শুদ্রে। ঐ নুংঙাইবে।

নশমদুবুদি শাংলকপসু কুইবোই। কমদৌবা তাবগে?

– মতম মতমগী হায়বদুনি।

থা অমা-অনীগী মতুংদাদ থোইবীনা মব্ধ কোকথোক্লগা কবিসু খৌশাদনা কলেজ কাবদুদদি ঙাঙনবম্নদু তোকপ্রে। ঐনা খঙবদা মশমদুদি ব্রেদনা কোকথোকই। থোইবী অয়ূক-নুমিদাংদা লাইবিক য়াম্না কন্না পাই। কৃম্মৈ-হবাও থব্রায় য়াওদে। অকে অমৌ তৌদে। মশাগী ফজববা তঙাং-তঙাংলবা ভৌববা কুচুদু ফাওবা লোংশীল্লবা হোংনৈ। নীংবা থুংবগী মকা লাল্লবা মায়থোঙদুদি পূর্ণিমাগী থাজগুম মকা লাম্না লংঙি। ঐতনা শেংনা খঙনীংবা অমা লৈবদগী হংখি।

–থোইবী নঙগী নতৌসি কৈনোমনি। নঙগী অনীংবদু ঐঙোন্দা অমুক্তা শেংনা হাযয়ু।

মকা লান্নবা মীনোক অমা ঐঙোন্দা উংলকই। থম্মোয়দা অমকপা লৈতনা মপুক্লিংগী ৱাদু ফোঙদোবকই।

– তামোচা, ঐগী থম্মোয় পুক্লিংবু জয় তৌখিবা নোংমগী ৱাবীনি। মদুতনি ঐনা খল্লিবা। ৱাবীসি তাবো।

কলেজ তন্নবা মতুংদা মেবিত স্কোলার্বশিপ থাবগী ফোর্ম লৌকবে। ইনকম সার্তিফিকেত দবকাব ওইবম্মী। মীঙোন্দা হংলগা ঐ ইতোমতা এস দি ও ওফিসতা চৎলুই। এস দি ওদু চহী ৪০ মুক্কী মৌ অমা ওইবর্মী। ঐ কবিম ন্না খন্দনা চঙজবক্কে হায়খি।

– মেদাম ঐ অমুক্তা চঙজবক্কে ?

– যেস কমইন। (ঐবু উবদা মেদম্না হংলকই) ইচানা লাকপদি কবি হাযনীংঙ। ফম্মু ফম্মু।

– মেদাম, মেবিত স্কোলার্বশিপ থাবগা ইনকম সার্তিফিকেত অমত্তং পীনবিয়ু।

ঐ ফাইল মবি মঙাসি লোইশিনখিগে। ঙাইহাক ফম্মু। ইমা ফমনবা তৌবিগে।

মেদাম্না ঐবু মচানুপীগী ভবতা 'ইচা' 'ইমা' পন্দুনা হায়বকপা ৱাহৈদু ঐ পেল্লি। মেদা গুম্না ইমা' অম তুং ফংজববদি নুংঙাইহ্নানি খঞ্জখি। ফাইল ফাংলুনা মেদাম পাই, সিগনেচব তৌখি। মথং এ'এ অমুক্তি বেল খীংদুনা পিওন কৌখি। পিওন্দা হেদ ক্লার্ক চঙলক্রবা ৱা হায়খি। হেদ ক্লার্ক অহলদুনা মেদামদ' ব্যবহাব তৌদুনা হাযখি।

মেদম, কবি তাকপীগদবা'?

ওদা, ড্রাফসি অন্দব লাইন তৌবিবা ৱাহৈ খবসি লৌথোকপিবগা লেংইশিনবিবক্নে।

ফাইল পূদুনা থোকখি। নুপা-নুপী অমা অনীসু চঙলকই, মেদামগা অশপ্পী ৱা অমা অনী ঙাঙনবগা থোকখি। পিওন্না চা পুশিল্লকই। ঐগীসু পাবকই। মেদাম থবক লোইবে ঐঙোন্দা ওনশীন্দুনা য়েংলকই।

– কদায় ইচাগী ফোর্মদু।

মেদাম্না ঐগী ফোর্মদু যান্না মুন্না যেংঙি। সহী তৌন তৌনা হাযবকই।

– ইচাদি শকপু ফজে। মোত্রক্তসু ফাষ্ট দিবিজন্দা নম্বব যাম্না ফংঙি। তৌজিক্তি কবি তাল্ল।

আর্টস ওইনা তমজবি।

– চাদু ঈংখ্রনি থকউ। কন্না হোংনৌকো। ঐদি ইচানুপী যাওজদে। নুপা ঙাক্তা মচীন-মনাও অনীমক দিল্লীদা থমখ্রে। নখোযগুম্না নুপীমচাশিংসি কল্লকই।

বেল অমুক খীংদুনা পিওন কৌশিল্লি।

— তোম্বা, ঐনা সহী তৌবিবসিদা সিল খবা নমহল্লকউ। মেদাম্মা মখা চৎথবকই। কন্না হোংনৌকো ইবেম্মা। হৌজিক্কী মতমসিদি নিশাগা গাড়ী মচাগদা ঙাওশিন্নবিঙেদা নুপাদগী নুপীনা লাইবিক হৈবা হেল্লবনি। ইচাদি শক ফজবনিনা পাখঙ মচাশিংনা কোয়তান তান্নবক্কনি। নহৈ তম্নিঙেদা পাখঙশিংগা নুংশিনবনুকো। অবাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা মাঙজবক্কনি।

— মেদাম, মতৌ কবম্না নুপাশিংদগী ঙাকখোক্কনি।

— ঋা ঙাওদবা তৃমিন লৈবা তম্মু। উাঁশং খঙইদবা, অথাবা ঋা শীজিন্নবনু। মনাক নত্তবা শুঙাঙ ঙাওনদবনা শ্বাইদগী ফব্বনি।

— ইমাগী যাথং ঙাকপা ওম্ননবা হোংনজগে।

যুম যৌবদা ঐ ভূতনা পূবগা চপ মান্নাখ। মেদামগী লেমজনীংঙাই ওইববা ফমদু ঐ কল্লকখি। কমদৌনা নুপীনা অদুক চাউবা ফমদু ওইবিবনো খনবদা কো ক ঙা পাখ। মেদাম লাইবিক য়াম্না হৈবমগনি। আই এ এস নৎত্রগা এম সি এস ওইবমগনি। থাক অদ যৌননা ঐ লাইবিক তমনীংখি, হোংননীংখি।

তামোচা, কলেজগা মতৌসিদি লাইবিক ফজনা তমগে খনব মাঁদি হনতৌন। পাসু নুপাসু ঈবাং যাম্না পাম্মা। ঐভোম্বু নৈতম হাবকপা, ইতংদা ইন্নববপা শম পাযদং চিংলকপা, চিঠি পাগে হায়বকপা, যম যাঙবা ইন্নবকপা নং পামজনবাদে খন ... ম উনাংবা পেন্দবদগী ইতোমতগী বাখন্দা পালবদ চঙলহ। পালবগী ইচেদুং তংলহই।

— ইবেম্মগী শমসি কবম্ব দিজাইন্দা, স্তহলং কমদৌসি হাযনবে।?

— ইচে, ঐগীদিং শাং নাম্না কোকথোর্কাপিয়ু।

— ইবেম্মা, ঐখোয়াদ ফেসনগীদমজ্জা পালব তৌবান নেশানাং নু কোকপাং ঐগোম ঙল্লোই। কদাযদনো অমা যেংলুচো।

ইচেদুনা শাউদপ তৌনা ও চলকই এ হধাম অমা অনাদসু হ জকন কনামহ যাবিবক্কে। পেন্দবা অমা যাওনা যুম যৌবণা ইতমত কাতি প যদুনা পেথংপান। লে ইবমদাইদা ইমা থেংনৈ পাখৎতুনা লাউনকই।

— ইমাইপেম্মা। তৌববা মতৌসিদি ঐদি মাঙজবেদনা। লমশা অদুবু কনানা তৌবা হৌনবগে। মমা মপা শিববসু নুপীনবু কোকপা থোংনবরো নানাং থুংদবা কান লৈববগে

ঐবু ফবদা নত্তনা যাম্না কপখি ইমাদু। পাবুং দুকান্দগী হল্লক্লগসু ঐবু মী ওইবগী ঋা হায়বিদ্রে। পাবুংদি ঐবু ফুবমক্তি ফাখদে। কাইনথংদা ঐসু কপ্না কপ্না পাবুং ইমাদা হায়ৰ্জাখি।

পাবুং, ইমা। ঐ লেপ্পবনি। ঐ লাইবিক য়াম্না হৈবা মী অমা ওইনীংঙি। নখোযনা ঐবু শক ফজনা পোকপাবম্বনা ঐগী অনীংবা কায়গদৌবে। নহা পাখঙ কয়ানা তকৎচনবা

হন্না য়েংলক্তনর্বনি ঐনা তৌরিবসি। শমসিদি করিসু নত্তে। নচাগী পুক্নি অমা লমথুংফম য়ৌদনা মাঙখিবদুদি ইমা পাবুংখোয়না মেনখৎপা ঙম্লোই। পুক্নিবু ইশানা শেমজবগে খল্লুবা বাখলনি।

থোইবী বারী লোইখ্রে। স্বব মপী অমা হোল্লগা ঐঙোন্দা য়াম্না কিনা হংজবকই।

- তামোচা, নচন্না করি কায়খ্রবগে?

- কায়। ফজবা বাখলগী থৌনাদু পুক্লিংদা জয় তৌদুনা লৈয়ু। কনানসু খুদুম চনবা ঙম্লোই। থোইবী মতুং তৌগনু। নশমদো বোয় কত্তা থম্মু। ইবুংনা হায়বিবসে য়াবিয়ু।○

মীনোক অমগী পিরাং

কৃক কৃক ঈন্নববা মেলাগী মীযাম মবক্তুদা যাম্না লাপ্না ওজা মোহোনবু উখি। মশা পাদক তৌবা কুলৈ-কুচুগী শাবান্দুদা উৎ মচুগী সুট তাই, পোক অমা ফাওবা হৌদ্রিবা খুশিল মুববা মশম্মদু পোজ তানা হাৎপদুর্দদি যাম্না নহা ওইনবু উকই। এখোয়গী লেঙ্গাব মাল্লি অশেংবা চন্টী হুন্দ্ফুত্তবা হেল্লবনি হাযবা থাজদে। সাহিত্যগী খ্বাংখল্লোন্দা নুংঙাইথোক্লা লৈবদুনা অহল ওইশিন্দবসু ওইলা যাই। ওজা উখিবদুদা এন মক প্রা খঙহনখি।

— ওজা মোহোন লাকইনে।

- কদায় মী যাম্না কূংবদুনা ওজাগী মশক উাখদ্রে। অশেংবর্মা ক্ত উখ্রবনি। এন মক্তপ্রা অমুক হায়খি "লাকখিবনি থিকসিবা" মক্তপ এখোয় অনা চাইকান কান্দুনা মাংখি মবক্তুদা কোয়চৎ চৎতুনা ফনা যম্ম থিবে। পাক ফংদে। মমৈদা নুপাশিংনা পুথে কপা এমব্রোইদবীগী কোবিল অমগী মমাঙদা ফজনা লোপ্পনা মীৎ থক্রাংঙাই ওইববা ফিশিংদু লেপুনা যেংলিবদু উবকই। খ্বাঙাঙ খ্বাতা হৈববা মক্তপ্রা ঙাইঙমদনা তৌ সম্লুই।

ওজাদি খ্বাকচীংগী গুলাপ, মেবা থাগা সনাবৈ, কাংলেন থাগা লৈনাক্রে, খাগী লৈতাউ লৈবাং মবকসিদা খোইমু ওইনা নাইতোম ঙংলমলেদনা।

মী তাখিনিংনে নখোয়বো। বগা অমা লৈনা যেংলবানো। ওজাগা হৈনবী খোইকম মোমোন নোক্লগা শোন্তাংননা পাউখুম্লকই। মকপ্রা মখা অমুক তাখি।

ওজা ইতেম্মা য়া ওদনা কা হেল্লনু। এখোযদি তমথোক্কদবনি।

ইবেসনা নঙ্ক ঙাঙথোবকপসিদি। উনবগা খ্বাবী শানবদা পেনবা নাইদবা ওর্জান। অশা ওবা উৎথে জপা, অশোয়বদ লোন্না তাকপীবা, যাম্ম উাগনবা গুক ওইনা লোয়নজবা ওর্জান। ওজাগী মগুণদি খ্বাংখ্রে লেঙ্গাগী অহন লমনাশিংদু তিন্ন ফম্মিন্নবদা মীকোক থোংলিরবনি। খ্বাংনা লৈনিবা মগুণশিংদুগী মবক্তা নহা এখোযগা তিন্নবে অদুমক চানবা ওজানি। অহানবা টনবদদি চৈবক্কদ্র হায়দুনা য়াম্না কিজখি। ঙাঙলকপা খ্বাঙাঙশিংদু তাকবগাদ থম্মোয়সি পূমপেন হেক পেল্লি। সাহি তবু পামজদুনা চঙজকবা মায পাক্লনি খঞ্জখি।

হৌজিকশুদি কোযনদ্রে। ফাগি-ফবাং চোয়ঙাওকাসু ঙাঙনবে। মদুমক্কা ওজাবু ব্যবহাব থমদবগী ৱাফম নত্তে। থম্মোয়গা থম্মোয়গা অমত্তা ওইকবা হায়বদুনি। চান্নবসু য়াম্না চানে। মদুমক্কনি ওজাবু উবদা ঐগী মৰূপ বাজকুমাবনা মঙ্গলাচবণ হৌখিবদু। ওজা মোহোনগা ঐখোয় অহম নোক-নোক্কুনা ৱাবী শানবিঙৈদা কলেজ প্রোফেসব ডা নন্দিনি মমান্নবী খবগা ঐখোয় ইনাক্তা চঙশিল্লকখি।

ওজাবু উবদা ঙকলপ কৌবর্কখি।

- হাযমা! ওজা মেলা য়েংবীবল্লি। ইনম্মা যাওবা উদেনা।

- কুইবেনা ননম্মগা চৎমিন্নদবা।

ওঙার্গী পাউখুমদুদা ময়াম্মক নোকমিন্নখি। মখা তাবকই।

সিবু মীনপ্পো? হৌজিক ননম্মদু উদ্রিবসিদি। ওজাগী ৱাঙাঙ হায়ববু উনবা, থেংনদুনা ঙাঙনবা মী খৃদিংদা লৈথেৎ-লৈচন অমা হাপ্পুনা সাহিত্যগী ফজবা লোন্দা ওইহল্লকপর্সিনি। লেপ্পা লেপ্পা মীযাম মব ক্তা কৌনবগা ফাগি তৌনবা ওইনা ঙাঙনবল্লগা ডা নন্দিনি মমান্নবীশিংগা মবী মবা চৎপ্রে। ওজানা হৌদোবকই।

ডা নন্দিনিসে চহী ফনা য়াম্লবনি। অদুবু মশকসে হান্দ্রনে মবৌ লৈবা ওজাগী ম .ঠদুগ মবা লৈননা ববা অমা শঙাং নাশিংলকই। ঐনা ওজাদা হাযখি।

ওজা ইচেম্ম নন্দিনগী ৱাথোক অমা লৈখি। ইচেম্মগী তাইঙোদু শিঙমদনা শাহবানা

কম্ম দীননেনে।

তাইঙোদু চহী অমা / অনী পেবালইাসস তৌদুনা নাবম্মী। ইতমগী মশক মতৌ, মাবম মৃর্তি থীক থাদ হায়নবানিদো। লাযেংলিবা ডাক্তবদূনগা তোয়না লাক্কুনা ইচেম্মগা অবোনবা ৱা তেক হেক তম্মবঙাংনি। তাইঙোদু ইচেম্মা থম্মল্লগা শিবা ঙম্মখদবান ওজা। শিঙমদন শিখি।

এ' মদুদি ঐদি তাবু তাদ্রিনে। যাম্মা ফজবা ৱাবী মচাগী সাহিত্যানিনে। আশ্বানা ৱাবৌবি হাযবদুনি।

মেলাপ্পাউদি মনুংদা যাম্মা নাম্লবা কোফী বাব অমা লৈ। কোফী থক্কুসি হাযদুনা ঐখোয় অহম কেবিন অমদা চঙদনা ফম্মী। কোফী ওর্দব তৌখ্রে। মবক্তদা ঐগী মৰূপ্পা ৱাহং অমা শৎ হংজল্লকই।

— লৈশাবী-পাখঙগী নুংশিনবিবা এতমোশ্ফিয়াবসি পান্দুনা ৱাবীমচা ইবদা চহী মতাঙসিদা অকায়বা ওইগদ্রা ওজা।

- বাইতর্বাদি চহী থাযদে। পাখঙ-লৈশাবীগী নুংশি নুংওল, কাযনা মৈচাক যাওদ্রবদি

সিনেমা, ড্রামা, লীলা কনানসু য়েংনীংলোই। লাইবিক, নোবেল, ৱাবীমচাদসু অদু মগুায়। বোমাললতা যৌনা ইবদুনি খ্বাইদগী যর্জাববসে। ইয়ু ফজ ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা নৌনা পুখোকউ। মপান খোপচীল্লু, লৈশি-লৈথোলগী লৈচন থেৎলু মদুদদা ফজগদবনি।

তাকপীবিবা ওজাগী ৱাদু ঐগোন্দদি য়াম্না কান্নবা লৌশিং ওইখি। ঐনা পামজবদি ৱাবীমচা ইজবনি। মবক মবক্তসু ওজাদা শেম্নীনবা য়েংহঞ্জবিবনি। পুক্লিং লৌশিং ওইবগদবা অসিগুম্বা ওজাগী পাউতাক্লা ঐসু ইজবিবনি। অদুবু যৌবদি ইগুম গুমদে।

কোফী পুথোবক্তুনা ঐখোয অমমম পায়বগা থকনৈ। মতাঙ চানা কবি নন্দকুমাব নুপী অমগা ঐখোযগী কেবিন মনাক তান্না চগুলকই। ওজানসু হান্না কৌখি।

— নন্দকুমাব নখোয় মেলা য়েংবা লাক্লিব্রা?

— ওজাবু! থাজদনা মক্ষপশিংসিগা।

— এ! ঐখোয় থেংনদুনা কোফী থর্কমিন্নবল্লিবনি।

খঙন-চানবা ওইনা ঐখোয় ময়াম খৃৎ শোক্লে। উনবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লে মতুংদা নন্দকুমাব ঐখোযদগী খবা থা প্রুক তৌবা কেবিন অমদা নুপীদুগা ফম্মিন্নব্রে। চিংনবা অমা যাওনা ঐনা ৱাবী হৌখি।

- নন্দকুমাবগী নুপীদুদি ঐ মশক মুন্ন। খঙ্ডি। নুপীসিবু ওজা।

- অতোম্বীনি। য়ুম ঢোঙান তোঙান শাদুনা থল্লিবনি। ওবিজিনেল ময়মাদ থাংমৈবন্দানিদনা অসিনা শিংজমৈদনি। কবানি হায়দে সিকদাব ইঞ্জিনিযবদগা হেন্না পানব লৈবনি। খোঞ্জেল তপ্পক হাযবকপা ওজাগী ৱাঙ্ঙনি। মতাঙদুদা ঐগী মক্ষপ্পা নোকমী নোকমী তৌদুনা ওজাদা অঙকপা ৱা অমা হাযদোকখি।

— নুপী লোনবগী ৱাসিমা ওজাদি পুক্নিগী ওন্নলোই। ঐনা খঙবা অমা লৈ।

— কবিনা খঙলিবনোনে হায়য়ু তাশিনে।

- ইতৈমগী শক্ত চুদা অৱাংপা অমত্রা লৈতে। লাইবক লাইশু মতীক চায। লমচৎ ব্যবহাব মঞ্জে যমগী লক্ষ্মী অমগী মগুণ ইতৈমদা যাওই। মতম চুপ্লদা ওজাবু নপুনব হোৎনৈ। মদুদবু ওজান ইতৈমগী ৱাখল খন্দনা অতোপ্পা নুপী কনাগী ৱাখল খন্দোইদনো। চুমদ্রববনে ওজা।

— ইবোসনা মদুমদি চুম্মিহে।

ঐখোয় অহন্মক হাযনকবা তৌদনা থৱায় তানা নোকমিন্নখি। অদুক গুণ লৈববা চীং-লেম্বদা হাযনবিবা ওজাগী মফমদা ঐগী মক্ষপ্পা অওইবনা ফাগি তৌবকপসিদা ওজাসু চেনবা হেক য়াদবনি। নহা ওইবিগুদদি ইতৈমা নত্তনা অতোপ্পা কনা কনাদা কবিগী মিতাবম্মোই। মদু পুম্নমক্তু খঙলুবগীসু কান্নদ্রে। ঐখোয়না উবিবদি ওজানা ইতৈমবু ফজনা

নীংঙি, ইতৈমনসু ওজাবু থাদোক্তে অসিখক্তনি।

মেলাদি য়েংদনা কোফী বাবদা ফমদুনা লৈবদু মতম হৌখিবা খঙহৌদে। ঘড়ী য়েংলুবদা নিংথমগী মতমসিদা পূং ৩.৩০ তাবগ্নে। ওাইহাক লৈববদি শোয়দনা মন্নগনি। ওজানসু হৌদোবকই।

- ইনাওশা মমখিগদৌবে।

ওজাগা ঐখোয়গা কায়নবে

কাব থৌদুনা চৎখ্রে। মকপ ঐখোয় অনীসু যাম্না নুংঙাইবা বাগদা গুম হল্লকই। তোংমিন্নবিবা গাড়ী মচাদুগী মনীংদা ফাল্লবা মকপ্না হৌদোবকই।

- মী ওইবা ঐখোয়সি হার্ত তু হার্ত লৈববদি য়াম্না নুংশিনবা জাৎনি। ওজানা ব্যবহাব যাওদে খল্লম্মোই। ওজানা ঐখোয়বু নুংশি। মদুমক্লান।

- অদুবদি ওজাদা ফাগদগী অ ওইবা হাযবা ওগ্লেদনা।

ওজা মোহোনসে ওজা মমাম মবক্তগী পূক্তা অমান। অদুমক্লনি মগুণ হেম্লিবসি।

নুমিদাং চাক ঈশিং তোক্লবা মতুংদা টেলিফোন খাংলকই। পায়খৎলুবদা ঐগী মকপ বাজকুমাব ওইনম্মী পাখৎপগা মওংদা হাযবকই।

– ওজা মোহোন্দ শাথাবা এক্সিদেন্ত অমা থোক্লনা হোস্পিটালদা লায়কন্নবি হায।

তা কযাম শাথাবনো, কনানা হাযবকপনো ?

ওজাগ ৬.৩০ ইবা সোংক্লোক্লাদুনা টেলিফোন তৌকর্বানি। মমৌনা খঙতল্লকপানি। ইটৈঙমস এচাশিংসু লোইনা হোস্পিটালদা চৎখ্রে হায। কযাম শাথাবনো হায়বদু খঙাদ্রে।

কমদৌসি হাযবনো ? যৌকসি হায়ব্রা ?

নুমিদাংশসদা মদুদি নুংঙাইববোই। হয়েং অয্যক ভুস্তা যৌকবসি।

ফবে ঐসু ঙাইহাক লৈবগা পাউ লৌদুনা যেংগে। খঙলবাদ খঙহল্লক্কে। থস্নগেকো।

যোস! ঙুদনা হওা।

ওজা এম হোন এক্সিডেন্ট থোক্লে তাবদা হশাস শ্লাই লাউখি। ঙাইহাক্কী মমাঙদ ব্লাবা ব্লাতং তৌনদুনা লোযননবগ্না ওজাবু কবস্থা ফাবমদা লৈবমগবা! লাইবক থাবদগী শববাদ পাম্মুইদা। রাখলনা ঐগী লোকসে পূমশা শাবকই। ওজাগা ঐখোযগা সম্বান্ধ অমা লৈনবসু নত্তে। নকুব নবা মতাসু লোক্লদ। অদুবু মবা মতা সম্বান্ধদগী হেনবা ইচান ইনাওগুম্বা থানবা বান্দ্রবা মবী অমাদ লৈনি মদু থম্মোযগী কাফমান। পাউ খঙনীংদুনা টেলিফোন পাযখৎলুবদসু দাইল তোন ফংদে। অনী অম্মলক ব্রাই তৌবদসু কান্নদ্রে। লব্রায টেলিফোন হাযবদুন অহাংদো লৈতাফম খঙদ্রবা রাখলনা ব্লানা খাঙ্খাখ। ঈশ্বরদাদ যৌনিজখি "খুদোংথীবা থোক্লবা ওইসনু"।

অঙনবা অয়ূক্লিনা হোস্পিতাল চঙবগী অথীংবা লৈত্রি। ওজাবু থিরুবদসু থোইনা ৱাদে। চুমদ্রিং ফমুং মনাক্তা চঙশিন্দুনা লেপ্লুই। ইতৈমদু ওজাগী সেবা তৌদুনা লৈরম্মী। ঐখোয়বু উবদা কৌরকই।

— ইনাওশা নখোয় লাক্লি। ওজাসে খবা শোক্রে। ডাক্তবনবুদি কবিসু তৌবোই হায়বি। ফবক্কনি হায়। অহীং চুপ্পদু কোয়চেন চেন্দুনা লাক্রবনি। হৌজিক্তি পোৎথারে।

কোক্তা বেন্দেজ, ওযগী খোঙদা প্লাস্তব, খুৎ-শা খবদসু বেন্দেজ তৌদুনা হীপ্লিবা ওজাবু উবদা খঙলকই। ফিজেৎ- লৈতেং লৈবিঙৈদা নহা ওইনা উবদু ওইবমদ্রে। ওজা তশেংনা অহল ওইবে। চহীনা লৃপ্পবা মতমসিদা মওং তাদনা শোক-পন তৌবম্বদু তশেংনা য়েংবা নুংঙাইতে। ইতৈমনা ওজাগী নাকোং মযাদা নোম্থদুনা হায়খি।

— তাবিব্রা? ইনাওশিং লাকই। মীৎতো পাঙথোকাপবকউ।

উইশিল্লম্বা মীৎতু তপ্পা তপ্পা পাঙথোবকই। ঐখোয়বু ফমুং মচীদা ফম্লনদ। নখুৎনা ইঙ্গিৎ তৌবকই। মক্প ফমখি ওজাগী খুৎ পাযদুনা তপ্পা তপ্পা নানখি। ঐসু তুল অমদা ফমথকই। ওজা ৱা ঙাঙথোকপা নুংঙাইতে খঙতি। ঐখোযদা মুন্না য়েংলম্বদগী ওজাগী মীৎলুদা পি মতম মতম শীঙ্খবকউ। ওজাগী পিবাংশিংদো ৱাহং অমনি। অর্থ য়াম্না লৈ। শিবমগদবসু শিতৌদ্রে হায়বিব্রা, ঐখোযবু উবদা পেনবগীবা, খুদেংথীবদা কনা লৈতে খল্লিব্রা, লোন থোক্তনা তিংগদৌবে খল্লগ্র অমদি মওইবে। ঐসু নুংঙাইতে। অদুবু শিহৌদবসে লাইবক ফৈ।

ইতৈমনা চেঙ্খবক্লিবা ওজাগী পিশিংদু অমোনবা ফি অমনা তৈথোক্নপবগা ওইনবকউ।

- অহল মতম ওইবকপসিদা ৱাখল পঙখন খনবিগনু। কাবিসু তৌববোই। থুনা ফবক্কনি। শিহৌদ্রিবসে ঐখোয় পুম্নমক্কা লাইবক ফববনি। ননাওশিং উনবা লাক্লবসিনা।

ঙবাংদি উনবগা ঐখোয় পুম্না নোকামিন্নখি। ঙসিদ উনববদসু ৱাতে অমা ফাওবা ঙাঙনীংদ্রে। শোল্লবা ওজাগী মতৌদুদা।।)

অকায়বা মিংশেল মচেৎ

অঙাং ওইবিথৈদা ইশুং ইমান্নবশিংনা মমাদা ওইনজদুনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবদু খজিক খজিক খঙহৌই। ইমা লৈজদ্রবা ঐনা কল্লকপা অমদি ফাওখি। নৌবিবা ঐগী থম্মোয়দা ইমাগী নুংশিবদু পামখি। ইতোমতা ৱাহং অমসু হংজখি। "ঐগী ইমাদু শিগ্রবনো?" থম্মোয়গী ৱাহংদুমক ইবোক্তা হংখি। মদুদা ইবোক্তা ঐবু থেমজিনবিবকই।

- ইবোক লৈবিবর্সিদি। ইমা ইপা লৈত্রবসু ইবোক্ত ইশূগী কবিমত্তা ৱাংহল্লোই।

ও! ঐগী ইমা বাবা শিগ্রবোইবে। ঐ ইবোক উহন্দনা লোল্লা কপখি। ইবোক্তদি ঐবু যাম্ন নুংশা তৌবি। ঐগী কবিমত্ত ৱাংহন্দে থবা চাউবক্লবা জ্ঞান খজিক লৈবক্লবা মতমদা ...চাং ঐগী ইমা লৈব। ঐবু পিশক পীক্র ...ন্দ ক্লগ্গা অতোপ্পা নপ অমদা যূম পানখিবনি হায়। ৱাফমদু ঐন ইবোক্তা ...ং কা চংথোক্লবদা য়ম হৌনা শাউবক্লনা চৈবকই।

ও কুবীদুগী ৱা পল্লকনু। নঙসু নমাদবু নীংশিংগনু মচা নুংশিবা খঙদবী নুপীনি। ই ম নমদা নংবু নুংশিবা খঙদনা হন্দাক্লগা মবা নাইখিবনি। মতুং পল্লক্কনুকো ইশূগী কবিসু ৱাংতেনা।

চাঙনা ঙাওনা ইবোক্ত কপখি। ঐসু মকম খঙদনা থম্মোয়সি নৌথোকখি। নুমিৎতুদা ঐ ৱাশকখি "হে ...পী নঙনদি পুক্নিংগী ইমা কৌববোই।" ইমাদো মশক্তি য়েংনাংখি, শঙনীংখি ঐনা তাবা অমসু লৈ। ইমানা যম পানস্রবা মতুংদা থা ৩/৪ গী মতুংদা ইমানা ঐবু ইবোক্তগী লৌবা লাকমাল্লে মদদা ইবোক্তা ...বৌনা হাযখিমাল্লে। "নযূম পানবদা ইনেম খিংদে। ইশাসে মীগী শাগে অমদা লৈহনবা য়াবোই। শাগোসিগী থাবা মৃৎত্রবা ইশূনি। মবোক অমা ইচাউ চাউনা লৈবে, নিংথৌগুম্না ইশূ যোক্কান। নুপী নঙসু মতুং যূমসিদা চঙলক্কনু। নঙ ঐগী কনাসু নৎত্রে।"

নোংমা উখি ইমাগী মশক। ইমানদি ঐবু মশক যাম্না মুন্না খঙবগী মওংনি। মীৎতমক য়েংনখি। কদোমদগীনো ঐস কপ্পীংবা অমদি ফাওখি। থংনবা মীকূপ্তা ইবোকপু নীংশিংলকই। ঐ ইবোকপুদি পুক্নিংগী মীবাযবা ওল্লেই। ইবোক্তা মীনম শোবি তৌদুনা ইমাগসু থক উনবোই। ইমাদু মচানুপী অমদগী তেন্না পোক্লে হাযবা অমসু তাখি। মদ

ফাওবা ঐদি খঙদবনি।

ঐ কলেজ কাদুনা বি এ তম্বা হৌবে। ঐবু যোক-থাকপদা বাজবক্কবী ইবোক্না অশেংবমক্কী হায়।

— ইবুংঙো ইবোক অহল ওইশিল্লক্কে। মৌ থিবসি। লুহোংলবা মতুংদা লাইবিক তম্মু। লন থুম মযামসে নঙগী ঙাক্কেনি। শিবমদাইসিদা ইবোক মৌকাদু উনীংলে, ইবোক্কী বাখলদু ঐনা ঐগী সোবিতাদা ফো ঙদোক্লুই। মমীৎ-মনা লংখৎতুনা পাউখুম্লকই।

— তামো' হৌজিকপো যম পানবা' নাতে চাদে মীনা লাইথী শান্নবদৌনা ঙাঙনবনি। চহী অমা অনীদং ঙাইখিসি।

- নঙনা যাদ্রবদা ঐনা কবি ঙমদোইনো?

- অতৈ লায়বি রা অমা হায়গে শাউনক্কনুকো।

কান বানো শাউদনবা হায়যু।

— তামোগী ইমাদন তামোবু মশক মুন্না খঙ্গাও। মচা উনববসু কৌবা ঙমজদবগী নুংঙাইতবদু ফোঙদোকই। নচন মেম্মীনসু তামোবু যাম্না খৌবাংনা ঙাইহীব। অমত্তুংদি উতৌদনা

সোবিতা অকায়বা মিংশেল মশেং ময়াম শমজিল্লবগা কৈদৌনকানি। অদুবু ইচলদুনাদ নোংমা উনগে।

ইচলদুর্মাদ পুক্লিংদা উনবা,বা পেকাখ কনান খখান ইমাঙদ মতমগা নত্রাখোলাক ... লাক্লা খোংনদুনা কাত্ত কাবন তৌবকপদা ইচলনি খঙলবাদ মবুং লৌব খঙনা থীনা উৎপসু যাই। নোংমা সোবি তানা পুবক্কুলা ঐ,ঙান্দা ইচনদু মশক তাকাখ। ইনা ক্তা চঙশিল্ল ফুল কাবিমত্ত কোইদনা হায়জবর্কাখ।

তামো নচাবু নুংশিবিয়ু। ঐাদ ইবাল লৈজদবীনি। সংসাবাসদা ঐগানি হায়বা ইবু অমা ফাওবা লৈজদ্রবীন তামো লৌন খঙবদা ঐ কাম নুংঙাই। ইমানসু নবুং কাবিগা উনদ্রিবনো হায়দু তা লৈ। তামোগা নফমদা নচনগা চঙজফম পাবয়ু। নচনবু মাবার্মাবগনু।

- কাবিগা নুংশিদান যাম্না নুংশি। মবুংনা মচনবু নুংশিদে হায়ব্রা? নবুং লৌন ইচনগা দমক

নুমিৎতে ইচন মেম্মী উনবদা যাম্না নুংঙাইখি ইপা। তম্রবসু ইবেমথাক্কী ইচন অমানি খল্লুবদা পুক্লিংসে উনৌদ নৌই। ইচন ওইবী মানা যুম অমদা পৃন্না লৈমিন্নবাদ চাক ঊশং থোংবা, ঐগী ফি বোল শৃদোক চামথোক্কানি। মদুগী নুংঙাইবা মহাওদু ফংদনা পুক্সিসে লেল্লু তমত্রবোই খল্লুবগা নীংঙম্লক্তে। পঙকুই কুইদনা যাম্না থাজদনা ইচন মেম্মী মাগী কাইনৌতক হোন্দাদু তোংদুনা যুমদা থৌজাল্লকই। নুপী লৈশাবী অমা থাজদনা লাকপদুদা

ইবোক্লা "ইবেম্মা নঙবু কনানোনে" হংখি। ইচন মেম্মীনা লৌথূপ-লৌকোয় য়াওদনা পাউখুম্লকই।

— ইবোক শাউগনুকো। ঐসু নশূনুশীনি। ইবুংবু হন্দোক্লম্লগা ময়ূম পানখিবা নমৌ নুপীদুনা পোকপনি। ইবোক ঐগীসু ইবুং-ইপ্পা য়াওদে ইতোমতনি। ঐ ইবুংবু য়াম্না নুংশি। ইবুংনা ঐগী য়ূমদা খক লাক্লবোই হায়রবদু ঐ খঙভি। ইবোক ইবুংবু নুংশিবগী মবীসি থদংশিগনু, ঐ খুকমজবি।

- অঙাওবী নহানমখে কৈদৌদুনা লৈ। ইশূশিংগী মবীবু ইবোক্লা থদংকদ্রা? নবুংসে চাকপু থোংবও, ফিবু শূবও লাইবিক পাবকা শংজদ্রবনি। ঐদি নুপী থিবগা লাইবিক তম্মু হায়বনি। রাজববা ইশূগী মতেঙকাসু খবা পাংবিয়ু। অদুগনে নমা ওক্তবীদো যূমসিদা চঙলকপা য়াবোই।

ইবোক্কী রাহে তাবদা মেম্মী যাম্মা হবা ওর্জখি। ঐসু। অসুক কুইববসি অসিগুম্বা রা অমুত্তা ইবোক্কী মফমদগী তাখিদ্রে। ইবোকসু হবাওবগুম উই। মেম্মী চাক থোংদুনা চামিন্নে। ঐগী ফি বোলসু শূদোকপিবম্মী। ইবোক্কসু রাবী চাকথনখি। চৎলমদাইদা ফোঙদোক্লম্মী।

- তম্মো ইবোক্লা মৌ থিবসি হায়বদো। ঐদি গৃ-গৃ তক্লবগদবনি।
  মেম্মী লম হৌঙ্গম্লক্কনু। নমাথ কাযজনি।

মম্বা তবানিংগী মতুংদা সোবি তাগা ঐগা উনৈ। রাবীদু হৌদোবকই।
  হম্দক্কী নচমূপাসি হল্লা যাবোইদৌবি। ঐ ফাওবা খাওবা রায।

- অদু ওইবগনা ইচনগী রাদু ইল্লোদনা।
  খঙদে ঐ তায়ফম খঙদে। অমুক্তংদি খন্নখিসি।

ইচম্নূপা মেম্মানা সোবিতাদা কন্না তকশীল্লবা জাৎনি। ঐ খঙভি। সোবিতাদু মবূক্লীং মথূম মবাঙ হৌবে। কাবগুম্বা লুহোংলবা মা ঐ লাইবিক ফজনা তমখিনি। মদুগী শেন থুমগা রাদি কবিসু চিংনদে। মেম্মী তোযনা লাকই। কাবগুম্বা মতমদসু নোংমা নীনি লেক্তুনা লৈথোকপসু যাওই। ঐদি তাযবান মফম মবাঙ খঙদনা লৈথোকপাসি তৌগনু ইমা বাবানা নুংশা থীবমগনি। মদুদসু ইবায লাযনা খুম্লকই। "যূমদা হায়বম্লবান তামো।"

পুম্মিসিদা ঐগী অশোনবা অমদি শাম্না চাউনা লৈবে। ঐ ইমা বাবাদু মবক-মবক্তা উনবা যাওখি। মীৎতনি যেংলাবব। চানসিনা ইমা বাবা কৌবা ভমখিদে। কবিগুম্বা ঐনা 'ইমা' 'বাবা' কৌবা ওম্লবাদ থিংগৎতুনা থাম্লিবা পল অমা কায়খিবগুম পুম্মিগী ঈচেলসি মনীং তম্মা চেম্লগদবনি অদুবু ঐ ইমাদাদ খক কৌবোই। বাবাদি নোংমা তাপ্পা চাবদা কৌগে খনখবনি।

নোংমা ইচন মেম্মীনা "বাবাদু নাবদগী হোস্পিটালদা লাযেংলি" হাযবা পাউ অমা

পীবল্লগা হোস্পিটাল চৎখি। ঐ কমদৌগদগে খল্লিঙৈদা ইবোক্সা হৌদোরকই।

— ইবুংঙো বাবা নাই হাযবদু নুপী ঙাক্তা মফম মবাঙ খঙলবোই। অহীংকা খরা লেকপীকবনা ফগনিনে।

ইবোক্কী রাসি মমাঙঙৈগা মান্নদবা রা অমা হেক হেক ঙাঙলকপগুম তৌবকই। কবি তৌকগনো খল্লব্রা নৎত্রগা ঐবু চাংযেং তৌবিব্রা? মখল কযানি ঐনা খনখিবা। অদুবু ইবোক্তি অচুম্বা মবুকথোক্কী রাফমদু ফোঙদোকপনি। ঐ ফ শেংচীল্লগা নুমিদাং লেকপগী তযাবিদা গাড়ী যৌদুনা হোস্পিটাল যৌখি। ঐনা চঙখিবদা ইচন মেম্মীনা হায়খি।

— বাবা তামো লাক্লে।

— ইবুংঙো নঙ লাক্লে। ফমুং মচীসিদা ফম্মু।

ঐ ফম্মী। ইমানা ঐবু মুন্না য়েংখি। তাঞ্জা অমা লৌদুনা ঐগী চান্দগী ঙাঙখোকখি।

— বাবা ডাক্তরনা কবিনি হায়রিবগে?

— কিদনীদা নুং লৈবে। নোংমা নীর্নিসিদা ওপরেসন তৌবগনি হাযবি।

ঐনা বাবা কৌখিবদু পুক্নিংগী অহানবনি। মিঙ্গৈদু তাবদা বাবাদা নত্তনা লৈবিবা পুম্নমক্কী থম্মোযদা পেনখিব্রা? পেল্লমগদৌবা মাল্লি। বাবাগী ওপরেসন লোইদুনা অনাবদু পূংফৎ ফৎত্রিবা ফাওবা অযূক নুংথিল অহীং য়াবেক্তুনা ঐ সেবা তৌবা যাওখ রাবী-রাতায় কয়া শানখি। অদুম্নদি ওইবগা ঐ ইমাবুদি খক কৌখিদে।

হন্দক মবকসে ইচন মেম্মী ঈবাং হৌবকই। তোযনা লা ক্তুনা হাযবে।

— তামো নখোয'রাদো লোইশিন্নবরনি' তামোনা মবে-মবাং অমুক তৌবা য়াবরোই।

লাইবক য়েংলগে নুপা মচানবো হাযদুনা সোবিতা চেনশীল্লবে। ইবোক্লা হবাওখিনর্দা কবি হাযগনি, তম্বরু থোক্তে। ইচন মেম্মীসু লাক্তুনা লাঙবা য়াওবে। লুহোংগনি হাযদুনা সোবিতা থিনখ্রে। ইবোক্লা কোযচেন চেন্দুনা লুহোংনবা যৌবাঙ তৌই। খম কৈ শেমজীল্লি। নুমিদাং অমা ইবোক্লা পোবোক শোল্লি। মেম্মীসু তায।

মখোয় মতৌ-মনা ওসিনা তৌবিবসি কবিনো? হন্না য়েংলবোই হায়বিব্রা? মচা অমা লুহোংগনি খঙলে লাক খোৎতুনা সেগা-মায়গা তান্নবদবসিবো হৌনবা থবক্লা? লব্রায এচাশিংসে। কনানা কুজবা য়াগদৌবি মমা লৈনা লৈনা ? মপা কনানা শাগদৌব?

ইবোক্কী পোবোক্তু মেম্মী ঐখোয় অনী তাননবা, পাউথাং চৎননবা হায়বা মাল্লি। ইচন ঐখোয় অনীসু যেংনবগা নোকমিল্লে। নোং ঙানবগা মেম্মী ময়ূমদা পাউদু ইমা-পাবুংদা তম্নুবা জাৎনি। নুমিদাংরাইবম ইমাগা পাবুংগা লাক্তুনা ইবোকপু খুকল্লে। ইবোক্লা মচীন পৈথোক্তুনা শাউনা ঙাঙথবকই।

— নচা অমা লুহোংগনি হায়বসি তাবৈনিনে? ফনদি মকুইবে লাঙলক্লিবসি। নখোয

য়াওদনা ঐনা ঙম্মিনে। অদুবুনে নখোয় য়াওদবা যাদেনে ঐবু মীনা কবি হাযগদৌবি? মপা নঙনা মপা শাউ। মমা নঙনা কুজবকা য়াগদর্বানি।

ইবোকপু নুংশিদবা মী লৈবমগনি পাজদে। ফত্তবী ৱাবৌ-পৃক্লৌ চাউবী নুপী নত্তে। অদুবু অনীংবা অর্মাদি শিদৎ তৎপীনি। ইমাগী মখূৎ চাদে। চাকখূম চঙহন্দে।

ইমা-বাবাসু মাগী মাগী মথৌ তৌদুনা ঐগী লুহোংবদু মায়পুননা হোৎনর্বিখি। লুহোংবা নুমিৎকী নুমিদাং থেঙাজিল্লক্লবদুদা ইমা-বাবাদু ইচন মেম্মীনা চাক ঈশিং চাননবা হাযকমাল্লে। মদুদা চাববোই থেঙস্ত্রে চৎলগে হাযদুনা গাডী মচাদা ইমাগা বাবাগা চৎস্ত্রে হায়দুনা ঐঙোন্দা তম্মী। তশেংর্বাদি নোংমতা ঐগী য়ূমদা চাক চাদ্রি। ঙসিদি তশেংনা চাক চবা অমত্তং চাখিবদু পাম্বনি। মদুসু ইবোক্লা হায়বল্লবদি চাখিবসু যার্বানি।

মাস ঐগী পুম্পিানি। অকাযবা মিংশেল মচেৎ খোমজাল্লগা অপূনবা শকযেং মিংশেল অমা শেম্বদি ওইথোক্লবোই।)

নোংলৈ মরক্তা আশাগী মৈরী অমা

নুমিদাংপূং ১১ তাগ্রে। ললিতা মপুবোইবা মণিহাবগী ফমুং মনাক্তা চঙলক্কুনা মশা নোক্লগা হৌদোকই। অমোনবা খূৎশাশিংনা থবাক্তা থম্লগা নোক্লকপদুদা মণিহাব মীকপ থোবকই। ললিতা লৈবক্নদুদা ভাব অমবু খল্লুবে। ললিতা শোল্লপ্লা হায়বকই।

- মোয় পাবুং জ্ঞান তাবিবব্রা?
- উমা কবি তৌবে।

ইচানুপী অহলদু লৈবমন্দ্রে, চেনশিবা তায়বদু ওইবমাল্লে।

তা এনাদি মখাংনা খাল্ল। কদায়রাইদা কনাগী মচাদনোনে?

অশেংবাদ খঙদে। ইবুংঙো কুমারজিৎকী মচানুপাগা মবী লৈনদ হায়বগুম তায়।

ওজা মণিহাব মূক হৌনংলকই। খঙহৌদনা ফুং শা টগংল কুনা লাল তাদা এমাং শানা যোংলকই। কুমারজিৎকী মচা পল্লকপদা মশাদা তিনাইখাক্নী চুবদৌনা মবেৎ নবেং চংলকই খোন্দা খবা লূদবনে ঙংদুনা লাউবকই।

মদু শঙলগা নহানমখৈ এঙোন্দা হায়দ্রবা কারগানো? মা এগা যানদবান খঙ্গালবা নংগ্রা? মমা নঙনে ঙাস ফূজিল্লক্কুনা তোক্কনি। নঙ য়াওনা শীল্লিবা ওইরবনিনে নংত্রো?

অমুক্তা ঈংথবগেদা মোয পাবুং এঙোন্দসু পঙতাই তাইনবিগনু। খোঙথাংখদিং এনা শেম্মবা ওম্না নত্তে। ইচাদুসু জ্ঞান লৈবীনি। ওপ্লা ঈংনা খন্নাস।

অদু অদা ২৬ দ যানদবা মফমদা ইচা পাবোই। হয়েং পাউ হায়দোকপা লাকপদা এনা কবি তৌনগে যেংঙু।

ওজা মণিহাব রাজনীতিদা য়াওন্নদুনা লৈবা মী ওইনি। হৌখিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা লৈকায় প্রজানা সহযোগ পীদুনা ভোট থেংনবা কন্না হোৎনখি। তাঙ্গা অমা ফংলে ভোট শোযদনা কারগানা শঙবর্ম্মন। নোমিনেসন ফাইল তৌনবকপা মতাঙদুদা ইখঙ খঙহৌদনা কুমারজিৎ য়াওনকখি। শেল পায়বদা লৈবাক্লা শক খঙনবিবা স্পিসিয়েল কদ্রেক্তবনি। য়াম্না নুবিবদি কুমারজিৎনা ভোট লেপ্লকপদা ওজা মণিহাবগী পোজিসন খংশোক শোকখি। রাজনীতিরালা অমা ওইনা অমাঙ অতোং মায়কৈগী চাওখৎ থৌবাঙদা খন্নদুনা অমা

নৎত্রগা অমা হন্দোক্লনবা হায়নবা ওমখিদে। শেল পায়বনিনা কুমারজিৎসু তকখৎলকই। ওজা মণিহারসু মতম কুইনা রাজনীতি তৌবকপগী য়ুম্ফমদা তকখৎলকই। প্রজাশিং নপাক-নপাকনি। ইলেক্সন অদুদা কেন্দিদেত মবী লেপমিন্নবদা কয়া লম্বাদা রাইনখিবসি ওজা মণিহারগা কুমারজিৎকনি। জোন অমদা মখোয় অনীনা থেংনখিবা ভোট মওংদু মহা কূম্মৌনি। রাৰ্কবশিংদু য়ূন চৈনবদগী হেন্দোক্নুনা নোংমৈ কাপ্লবসু য়াওখি।

ভোট হায়দোকপা মতমদুদা সেক্রেল জোনদা লেপ্লা চন্দ্র কৌবা কেন্দিদেত অমনা ওজা মণিহারদগী ভোট ৩৫১ হেন্দুনা কাথোকখি। ওজা মণিহার সেকেন্দ তাদুনা লোংদা তাগৌই। ইবুংঙো কুমারজিৎকী শেলয়ামদু উৎ ওইনা তুমখি। ভোট শীশীং অনী য়ৌদনা ফোব পোজিসন তাখি। কুমারজিৎ তশেংনা ইলেক্সন হাযবদু কিখিবনি।

থৌদোক্নুগী চাউববা মলোম অমা ফোঙ ফোং শানা লৈবিঙেদা কুমারজিৎকী মচানুপাদা মচানুপী চেনখিবসিদা মণিহার মখোযদৌ প্রোক প্রোক চাকই। নুংশিজববী মচানুপীবু থম্মোয়নুংদা ফোঙদোক্নুনা রাবৌবি।

অয়ুক্কী পৃ° ৮ তাবকপা অদুরাইদনি। কুমারজিৎ অহল অনীগা পাউ হায়দোকপা চঙলকই। লাক্লিবা কাঙবুদুসু মালোম অমদি লৈনবি খঙবানিনা "খবি থোক্লগবা" মখন্নে। ফিদাদা ফমুবা মতুংদা অহানবা ওইনা কুমারজিৎনা ওজা মণিহার অমদি ময়াম্বা চাউবদা খুকমদনা হায়বকই।

ওজা, তাইবুংঙো। ননাই ঐগী ইচানুপানি। শক্ত তৌর্জাব অমুক্তং চানবিয়ু। ইমুং মনুংগী নুপামচা অমনা ফাম্লবা ময়ামদু চা যেল্লকই। রা লান অমত্তা গুঙনদে। ওজা মণিহারগী মায়খাঙদা তাবনা অশাওবগী মামদু মহৈ মহৈ ইউ উনৈ ইমুংলোমদনা নুপী মথৈ কাব হায়বক্কদগে খনবদা মিপাইনাব। মখোযদ লুহোং খোঙদোংখবা পাম্মী। ময়াম্বা চাউবনা রা শমজাল্লকই।

- ইবুংঙো, কুমারজিৎ। থোকত্তবদি থোকখেদনা। লুহোংগনি। নমিৎ তাদ্রইঙেদা ইচাদু যৌহনাববকউ। মতুংদা লুহোংবগী রা তুপথোক্লনাস।

অদুনি ইবুংঙো এখোয মশেল নুংশিনা। মতুংদা কাব কবিনো খন্নসি। অঙাং অনীগী প্রেমসু কায়নহনাস্তুমাসি।

পাউ হাযদোকপা লোকপদা যাওবকপা অহল অমনা রা পাংশিল্লকই। রা মথা শাংনা শাংথনীংঙাই লৈতে নুপী থিল্লক্লবা মতুংদা অমুক লুহোংবগী রা লেপুনা, মাসদা যানবদুনা হৈ শিংলে হাযদুনা পাউ হাযদোকপা লাক্লিবা নুপা মযূমগী অহলশিংদু রা মথা তাবা ঙমদনা হম্নখ্রে। নীংবা থুংবা হাযবদুমদি ওইখিদে। নুপী হায়দোকপা চৎত্রবা মতুংদ মনা ওনুপা মণিহারনা রা লান থ্রাঙনা ত্রমিন্না ফুপ্লংনদুনা লৈবিবা মতৌদু খবদা ময়াঙনা পেন্দবদগী চৈবকই।

— ইবো, মদুনা ওইবা য়াবোইনে। নঙনা খল্লিবা ৱাখলদু কান্নদবনি। ইচানুপীদু জ্ঞান লৈববীনি। নঙনা পীদ্রে কৈদৌনি অমুক চেনখিনি, ঐখোয়দনি চোপহৌগদবা।

— য়েক্লবগী মফমদা ইচা পীবোই তাদা। ঐবু ফত্তে হায়গেসু হায়জসনু।

— নখোয় বাজনীতি তৌবা কাওবুসি নবূক ফৎনদেনে। ঐনা সি হায়বগা শাউনীংঙিনি। কান্নবোইকো লুহোংনবা তৌসি। নঙনা য়াদ্রগা তঙাইফদবনি ঐনা হোঙগনি।

— তাদনা হোঙবসু য়াবোই। ননাওনা হায়জবিবসিনি।

নুপী-অঙাং মবক্তা মচীন মনাও লাউনবদু পামদবদগী চাউবা ৱা মখা তাবমদনা থোকখ্রে। ললিতা মপুবোইবনা ফিংগৎতনা তূমিন্না লৈহৌবদু য়েংলগা হবাওজখি। শাউবা ৱাবৌবা হায়বদুদি মহৌশানি। অকাযবা ৱাঙাঙ, লূদবা খোন্দা ঙাঙখিদবদুনা ললিতাগী মমায পাকচখি।

তবা-কুননি হৌখ্রে। ওজা মণিহাব কোকহন-লাইহন ওইববা মচানুপীবু ...শিবদি ফ ওই। অদুম্না ওইবগসু কুমাবজিৎকী ইমুংদা মৌ ওইনদি থাজবোই হায়বা ৱাফমদু মচানুপীদা ইঙ্গিৎ পীখি। ললিতা মপুবোইবদা কয়া থেমদুনা যেংলে। পূকচেল হোংবা লৈতে। নুপা মযূম্না মবোল অমা তকশীল্লকই। "কদৌঙৈ লাকচৌগে তাকপীযু।" মযাম্বা চাউবসু বাজনীতি তৌদুনা মীবক তিল্লিবা মনাওনুপাগী ইজ্জৎ যেংদুনা ৱা তূপথোক্লবা ঙমদে। কুমাবজিৎসু খল্লকই, "হাযজবা যাবা হাযজবে। পীনীংদবগী মওংদা উবে। মসি যৌবক্লর্বদি ইচানুপাগী থৌনা মঙাযবে। ঐখোযদি নুপীমচাদু পামজর্বনি।"

নুমিদাং অমা ললিতানা মপূবোইবগী মনাক্তা চৎশিন্দুনা ৱা অমা নাকোননা যাম্না পুক্রিং চঙনা তমজে।

— মোয় বাবা, কুমাবজিৎতি মপূক্সিগী ভোট লেপ্পবোই হায়বি।

— এ, মদুবু নঙোন্দাদ কনানা হাযবক্লিবা? থাজবা যাবা ৱাবনে?

— মখোয়গী ইবেম্মদু ঙসি কৈথেলদা থেংনৈ। ৱাবী য়াম্না শানবকই। মথংগী ভোৎতদি ওজাগী তেঙবাংগনি হায়দুনা খন্নদুনা লৈ-কা হায়দুনা তন্নকই। লুহোংবা খবা থূজিনসি কা হায়জবকই।

- অদুদা নঙনবু কবি হায়লম্লগেনে?

- ইচানা য়াবির্বাননা মতম ফবগা হোঙগনি হায়খ্রবনি।

মচানুপী চেনখিবা নুমিৎতগী নোকখিদ্রবা ওজা মণিহাবগী মায়থোঙদা অহোংবা অমা লাকখি। অমঙবা নোংনা কূপশিন্দুনা থল্লম্বা পূর্ণিমাগী থাজদু লৈচীন পাইথোকখিদুনা থাবলগী মঙাললনা মালেম পূম্বা ঙাল্লকপগুম ওজা মণিহাবগী মথং জেনবেল ইলেক্সনগী মঙ মচা অমা মঙলকই।

ইশেন ইবায় মোত মান্নবা হোৎনববদা ভোৎকীদম ক্তদি কনাসু থিংবিনবা লৈতে। ইমুং মনুং ওইববনিনা অশেংবা ব্রাসু হায়গনি।

—ইবায় হোৎনদবা য়াদ্রবনি। অচঙবা শেলমখৈসু পুথোকচগনি। ইবায়না ভোট কাবা ঐনা ভোট কাবগা চপ মান্নে কৈনো।

ওজা মণিহার মোমোন্নবা মতৌদুনা ললিতা অমুক্তসু মথৌ শঙজিল্লকই।

– মথংগী ভোটকী য়েংলগা ইচা থাজদবা য়াদ্রবনি। মদু খঙনা ইচানসু ইমুংদুদা মযূম পান্নবা হোৎনখিবনি। মপাবুংবু নীংজত্রবা ইচানি।

— অদুবুদি। মপা ঐ লৌদুনা ব্রাখলদি লৈবনি।

ললিতা মথম্মোয়নুংদা মতোমতা নোকচৈ। রাজনীতি তৌবা, ভোট লেপ্পা মীওইশিংসি মাগী ভোটববু ওইদ্রবদি য়েক্রবা হিংচা-য়াইতম্বা, ব্রাখল যাওদ্রবা মী ঙাক্তা ওইনা উই। মচানুপী ফাওবা য়েক্রবা ওইনা লৌবন্ননি। ইবুংঙো কুমারজিৎ অমুক হন্না ভোট লেপ্লবোই তাববদা ঙাই-শেন ওইনীংবগী ব্রাখল অমদি উবে। ভোটকী মী হায়বশিংসি মশাগী মী হেক্কৎকদবা লৈববদি মীনুংশি চাউই পাথোকপা পাম্মুদে। ললিতা মপুবোইবগী যাকা যেংদুনা ব্রা অমা ফেন্নজিলহৌই।

ইবেম্মা নুহোংবসিবু কমদৌসি হার্যবিবনো?

— পাট অমা তাদদা হূৎত্রগা মবাইনা লাকচবনি।

অবেম্মা নাখৈ অমা শেংনববদা ললিতা থেঙলক্রবদুদা তূম্বা চঙশ্রে। নংগাইববা পাউ অদু মগানপাদা তমগে খন্দুনা মচানুপীগী কাদা চঙলুই। লৈবমদ্রবদা ললিতা শ্বাই লাউখি। হুমাং কাবকই। মপুক্রিংদা চিংনবা অমা য়াওনা মমাঙথোঙ য়েংলুই। পৌবোন থাবমদ্রে। মপুবোইবগী মনাক্তা চঙদুনা ইপা পাখৎনা হাযবকই।

তর্ববিত্রা '

- কবি অমুক তৌবে?

ইবেম্মা লৈবমদ্রে।

ওজা মণিহার ললিতাদা চাথোক্কদবগুম মুন্না যেংলকই। শাগৎলুবা ব্রাখল্লোন্দু কায়খিবগুম হোয় মায় অমত্রা হায়বকখিদ্রে। মবুক্রিংদদি খল্লি "ঙাইঙমখিদ্রেদকো অঙাংশিংসে ঐখোয়সু ফননবা মখন্নবি।" ○

নোংঙাল্লকপদা থাবলনা মৃৎখিবদো

মমাদুগা ঐগা লাউনদুনা তপ তাবা মখৈ খৎনবে। ৱাহৌ হায়ববু মোবেদা ওফিসকী দ্যুতি চৎপদা মনীং লৈকাযদা লৈবী মৌ হল্লকপী মেম্মীগা চৎমিন্নৈ হাযবা ৱাথোক্তগীনি। নুপী ওইজববসু লৌনী শীংজা কাদা শোক্লক্লবদি লৈজবী মচীং ফৃদোবকই। তাবা য়াদবা জাৎ জাৎকী ৱাহৈ কাম্মাশল্লকই, মদুগুম্বা পূক ফগবা ৱাখলদু ঐগোন্দা খনগনু হাযবমক্তদ হোঁঞ্জল্লকপদ্দা শাউবা হেনমনবদগী ঐসু উপু মিংশেলকা থুগাইকবে। মমাদুসু মাচং অমদি হাযনবীনি। থুগাইনা হৌববদি ঐসু থুগাইবে হাযদুনা কোর্ফ-কোর্ফান, পম্ম ঙেক্কোং মযাম অমা চাকশংদা লংহৌবনি। উজাব মেলা শাহৌববনি। পঙদাউ চাউদ্রিবা ইচা অনীদুনা পোব পেবি যেংহৌব। মসিদগী হোঁঞ্জল্লক্লবদি যুম কাযনবা তাবে খন্দুনা কম্বন অপাব অমা ইল্লগা ঐ মপান অদুম খোনরে। কনি কবিনো খবদি খাঙনহৌই, ঐ খুন্নমদ্রে।

কদায চৎলুন চৎফম লৈতে। হৌজিক্তা অথাবা ৱাহৈ ৱাত্র মযাম অমা পনদা লান্দাখবদু অতাবা মী যেংনদুনা হংলক্লবাদ পাউখুম পীবদুম ইকাযখ্ঞ। তৌফম খঙদনদগা ইখোল মচীদা ঙাইহাক লেপ্লুবে, কোঙ্খোং যৌনা চৎলুবে। পুক্রিংদা শাউনীংবা পেন্দবা অমা যাওনদগী ইমুং চঙ্গলবোই খন্দুনা ইঙ্খোল মনুংদা চক খবা পৈদনা লৈবিবদু চপ্পাইবগা অদুম হাপথবে। ইমুংদা গ্রাঙলিবদু তায

নুমিদাংসিদা নপাদো কদাযদা অমুক চৎত্রবনো? ঐনা কপ্পা কপ্পা লেনবসিন মান পামজ্জবব। কদাযদনো ঐনা খিকগনৌবরসিবো?

মমা মচা অহুমদু ওর্চলাইত অমা পাযবগা শঙ্গোম মচা, পুখ্রী মপান, ইঙ্খোল, কেঙ্খোং ফাওবা দেখিচৎ চৎ তুনা যম্ন কুইনা যেংলম্মী। পেংনদ্রবদুদা মাঙ্গোল দাবী মচান্দা মমা মচা অঙ্গমদ অমুক যমদুনা লৈখ্রে। ওঙ্খকপানি চন্দদগী থোবকপা কোকফায় শুজা মনমদুনা ঐসু হাকথা শন্দোকখ ইচানুপাদনা খংহায় হাযবা ওখি। "ইমা, বাবা চক'কুদ লৈবে।" ঐ লৈবে খঙবদুনা ওইনমাম্লে মমাদু মচাশং কৌশন্দুনা হোয মায় হাযবমদনা ইমুং চঙ্খব।

মসুক থম্মোখ তিম্মনা নুংশি চান্নন ইচাশিং য়েংদুনা লৈমিন্নাববা পুক্নিসিদা কদাযদগীনো মনীংগী মৌ হল্লকপা মেম্মাবু লুম্মি কাইনা কীং ঙে ক্তা নম্বদুমক্ত ঐগী নুপাদু

মনম তৎতবা মবায়বক ফৈ। অদু গুম্বা লমচৎ নাইদবা ইজ্জৎ য়া ওদবা নুপাদু গুম্বা নত্তে হায়বসি ঐগী নুপীমক্লা খণ্ডদবসি ঐগী লাইবক থীবনি।

ঝাখল খন্দুনা লৈবদু ফনা য়াম্না খেণ্ডজিনখ্রে। পূর্ণিমা মতুং মেবাগী থাজদু কোক্তোন মপাদা লৈবল্লে। ঐ হীপচবতনি তৃপ্তদি য়াদে। শাউনীংবোই কবিবোই শেবান ভুবান খন্দুনা থাবল য়েংঙি। থাবলদা ঙাওজবী চেক্লা অনীনা জুবা কায়দনা কোয়পাই পাইবিবদু নোংইন চেক্লা ওইবিগদ্রা? য়েংবা নুংঙাই মদু উবদা নোংমগী ঝাকম অমা খঙনীং নীংশিংলকই।

— অসুক নুংশিননা থম্মোয় অমত্তা ওইনা জুনা শাদুনা হিংমিন্নবিবা পুন্সিদা নণ্ড লৈত্রবদি ঐদি হৃ চাদুনা শিগনি।

- ঝাহৈগী ঝানি। মদু খক ওইবা য়াবোই। ইচা যা ওবক্লনি মদুখক্তনা পুন্সিসে পুন্দুনা থমগদৌবিবনি। অদুবু ঈশ্বরদা মদুগুং থোক্তন্বা শুকর্মসি।

অশেংবা মমা ঐখোয় অনীসি থাদোক্কবা ভম্নদনা য়াম্না নীংনবনি। ইচা অনী শুববা অসি ফাওবদা য়ুমদা লৈবমদবা মতমদা ইচাশিংদা 'মমা কদায চৎখি' হংবা তোকপা নত্তে। বাইদো মমাগীসু চীনফনি।

কদাযদেনো মোবেগী এফিসং ওাদও তৌনচা হাযদুনা হেদ ওফিসনা থাবনি। ঐনা চৎপা নমিৎ অদুদা বস মনংদা মনাংগী ইচন মেম্মী যাওবম্মী। মাদি মচাশিং যোকপা থাকপা ভম্নবা লৈ নব মেন্ননবা মোবে কাববাব চৎপা ফনা কুইজববনি। ন'ব নদা তব ও যাও গোঁবাখ। নহিদা বস ছুাইতাক লেপ্পদুদা কা, অচাপোৎ লৈদুনা পাখ লৈকায ইচন মবাযনক থাবিনি। মপুবোইব লৈখিদবদগী মচা অনীদু যমদা পুবক্তনা নানা হোৎনজাববা ইনেনি। এদি লেকায নুপী অখাংশিংদা ব্রা চক চক ঙাঙদে অদুনসু যাম্না হঙ্গোইনা ঐবু কিজবানি। মোবে যৌনগা মেম্মীনা যাম্না হঙ্গোইনা হাযজবকখি।

হাচৌ মোবেদা নুমিৎ কয়ানি লৈদোইনে ?

র্মব মঙানি লৈবা যাই। নঙাদ

অচৌ পেশা য়াম্না পায়কগা লল্লোনবা নওবানিনা হযেং অযক পোৎ উক্লগা অদুম হনগনি।

মেম্মাদি নোংঙানবদুদা হনখিমল্লে। ঐদি নমিৎ মাবনি মোবেদা লৈবকই। মদুদগী হেন্না ঐ কবিসু শণ্ডদে। মদুগী ওন্ন তৈনবদা বদনাম অমা পীবদুদি হংশাউ শাউনীংঙি। ঐগী ইমুং অসিবু যুম কায়ননবা পাই তমথোক চমশীন তৌবা মী খবাদ যাওবে। মহা বদমাস ইজ্জৎ মশক খণ্ডদবা। লৈকায় ইচন অমবু লমদা থেংনবগা কৌনদুনা অবৈ লৈত চামন থকমিন্নদবা মাশক অদুমক্তি ঐদি ওইবোই।

নোংযাই মতুং থাবলগী মকম্না তুলসীবোঙ হেজিল্লকপা তাঙ্গা অদুদা মমাদ মাঙ্গোল থোবক্তনা শুমাঙদা কাতু-কাবল চৎপদু উবকখ। নুমিদাং অথেঙবদা অদুম্না অমুক্তসু

তৌদবনি। ঐ মপান্দা লৈ খঙবদুদা থোবকপা ওইবমগনি। তুম্বা য়াবম্নবোই ঐ মগুণ চপ চানা খঙঙি। ঙাইহাক চৎলম্লগা মচীন্নসু ফোঙদোবকই।

— অঙৈংবসিদা নাবক্লগা ঐবু ব্রাননবা শীল্লিবনি। কান্নদবদা মবীল ফুদোকপ্রা হায়ববু হযেংদি লোক লাইহৌ তৌবা শোযবোই। ইমুংদা ঙীপ্না ফাওবা নিংথম্বনা খাঙবা ঙমদে।

ইনাক্তা চঙলক্লবদি ব্রা খবা হায়নবা য়াবনি। লাপ্পা ঙাঙজবদুদি ঐসু খুম্বা তল্লি। কান্নদ্রবদুদা ইমুংদা অমুক চঙখ্রে। নোং ঙানগদবসু কুইদ্রে অদুম লেল্লগে খল্লে। লৈকায়দা লৈবা যেন লাবনা খোংখিবা খুৎখোং অনীবক শুখ্রে হকচাংসি নিংথম্বা ফাওবকই। নোংপোক থংবা অতিযাদা চীঙ্খে হুনবগী ঙাক্লাংবা শক্তম উবক্লে। পূর্ণিমা মতুং ২০ নি পানবা থাজদুগী থাবলদি মযেক শেংনা মালেমসিদা ঙাল্লি। পোকপদগী উদ্রিবা ফজববা শক্তম অমা মাঙদা উবকই। নোংপোক চীঙ্খে হুপ্লকপা ঙাক্লান্নবা মচুদুগা থাবলগী মঙালদুগা মালেমগা ঈবোর্যমিন্নদুনা শান্নবিবা কুম্মেদু যেংবগী পেনবা নাইদে। ফজববা শক্তম ৯ ৩ং ঙানা যেংনীংবদগা ঐ হৌগৎতুনা কোয়চৎ চৎলগা যেংলুই। অদুক ফজখ্রবা পুক্লিং নুংঙলনীংঙাই ওইববা শকফমদু যেংনা যেংনা খঙহৌদনা থাবলগী মঙালদো মাঙখিবা ঐ খঙহৌদ্রে। অযুক্কী মচুনা মালেমাস শীন থুংলপ্লে। থাজনা অতিযাদা মমাথ ফীকক খুমদুনা ডপায লৈতনা থোক্লি। খল্লকই অসি ওইবেকো তাংবল্পাংগী খোডচৎ।

চীন যা শেংদোকপা ল্লাইবগা তুমিন্না ফিজ ওদু ইল্লগা সোফা মপ ক্রা ফমদনা বাখল হনবা হৌবকই। থাগী থাবল হায়নবির্বাস নুমিৎকী মমাঙদাদ কাবসু তৌবা ঙমদে। প্রগা ইকম থপ্পা হিংজবিবা মমানা ঐঙোন্দা কাব তৌবা ডমগনি। এ লৈবসা লৈবায় মমাঙদা মঙাল চাউনা হিংজবানি। রাবৌফম লৈতে। পেন্দবগা ঙাডজবনি, শাউনবা যাদে।

পাক্লিবা ইচা অনীদু ইনাক্রে লাইবক পুশিল্লক্তুনা ফম্লে। মমানা অযুক্কা চা পুথেব ক্লুনা চেবলগা সেঙবদা অমমম থম্বী। থম্মোযদা কবিপুন্না অমকপা ব্রাখল অম ক্লগা মমি প্রদনা চম্না হাযবকপখ।

ঙসিদি নোংমাইজিংনি। ইমাদু উদবা যান্না কুইবে ঙা অমওং লৈবগা চাক চামিংকাস

– উম চৎাস। অদবু ব্রা অমওংদি হাযগে ঙসি নোংঙাল্লকপদা থাবলনা মুর্থবদুদি পুক্লিং ওক্তোক্ল নুংাশক্রে।

অদুবু ডসিত্রা খঙবা। ঐদি যাহৌ ঙনবনিনা মশীং খঙদনা থেংনবে। থাজনা নুমিৎকী মমাঙদা কাবসু তৌবা ঙমদে। ঐনা হিংজাবরসি থাজদুান।

অদাদ ঐনা নুমিৎ ওইবেনে।

ইচানুপাদনা চা থক্ল থক্লা হায়বকই।

—চনচন বাবানা নুমিৎ, মমানা থানি।

ইচাগী বাঙেদুদা মমা ঐখোয় অনী য়েংনবগা থম্মোয তানা নোকমিন্নখি। ○

চেকশীলহৌদ্রবা হক

পঙথেঙ থেঙবা নুমিদাং নৎত্রি। পূং ৮ ০০ খবা হেনখ্রে। ইনাওনুপাগা ইমু দু খৎন চৈন্দুনা লাউনবগী খোঞ্জেল তায। মমাদা কৌদৌনববগে ফেংলুচো হাযদুনা থাগ থুবেমখৈ হল্লক্লগা পাখৎনা পাউ তম্লবৈ।

তৌবিবা মতৌসিদি কমদৌনি' ননাওনুপাদু নপী অমা পুবকহৌবে'

— হা' অওইব্রনে। ওস্লোক্লা দাই হল্লেদা। মথোঙ চাদবা থবকসে ঐঙোন্দদা থোক্কদবনি।

কবি অপাম্না অনাংবা লৈদুনা নুপা লোনগে খল্লিবনো ? হি অনা তোংবা কৈনো তৌই হাযবদ খংদ্রমাম্লেনে। ইসা ওস্লোক্লা চাম্মদা। ফববসু ফৎত্রবসু ইনাওনপা অমা হচা-চাদনা লৌনি। ঙম্মা হাযদুনা মম ঙদা হেক্তা পুাশল্লাক্লবানিনে। যাম্বাই শোযদনমক্কী লান থাবক্তা। ঐ স্না তাদে মাথা ং ওই।

ঙাইফদনা মমা ঐখোয অনা চঙদুনা যেংলুই। মতৌ অমান। ঙাঙনাববা বাঙাঙ শাঙাঙদু যি শেংনম্মদ্রে। এবু ঙবদা খাজ্ঞ ঈংথাখি। লাক্লিবা মৌ অনৌবীদুদি ওমম্না কাচন অমদা ফম্লম্মা ইনাওনুপাদুনা ফন্দুনা ঙাক শোল্ল। ঐখোযগী মমাদুসু খাঙচেং শেংঙনা মৌ অনৌবীদুগী মনাক্ত পাইশিন্দনা মশাম থোযাখি। ইনাওনুপাদুনা মতৈমদু চিংথোকপদা কৃম্মে ওইখ্রে। ঐনা লাউখি।

হায, মদুম তৌগনু বাগী ৱা ওইনা ঙাঙনসি। মীগী মচাদু শিনা থোক্লু ইমুংগী মৃৎকদৌযবানি কানগা জ্ঞা ওদবগে ? খৃৎ শাযা ওনবদুদি তোকখ্রে। ভৈবিবীগী শকযমদা লাউবকই।

হে নুপা মচু অচা লৈবা নুপা নৎ ত্রবদি নঙা নাইনীংঙাই নুপা লৈত্রবব ? ঙঙ্গু ঙস্মিনে। নবান কযাম ফবদনা। নতীক লৈবগা লৈয। নশাম ননাদু ফোযদৎকে।

ইতৈমা মঙোন্দা ঙাঙফম চৈফম থোক্তে। ঐনা পুবকপনি। কাবিনো ঙাঙনসি। ঙম্মী হাযদুনা পঙতৌ তৌবদি যাবোই। মীগী মশাম ফোযবগা থৌনাফবদুদি ঐঙোন্দা উৎপীবক্কনু।

অহল অমা ওইবগী কবম্না ৱাতেল্লগনি। ইনাওনুপীনা মবোল অমা ফ্রক-ফ্রক চোংদুনা "নুংঙাইনা লৈজগদৌবো ইপামদা খির্নবিবো" তঙ্ক্লে। মচা অনীদুমসু তিঙক-তিঙক য়েংলগা মপি শীঙ্খবি। মীগী মচা অমা যুম্বান্নবগনি হায়দুনা থৌনা লৈনা পুবক্লবা ইনাওদুদা ঐনা ঙাঙলুগদৌবসিবু কবিনো? তূমিন্না লৈথোকপসু যাবোইদৌবি। অদুবু য়ানীংদবা উৎতুনা ৱা অমদি খঙহনখি।

— নঙনা নুপী লোনবা কনাসু থিংদে। ইমুংসিদা পুশিল্লকপদি য়াবোই। নঙগী যুম-ইঙ্খোলনি হায়জববসু ঐ লৈবিঙৈদদি অথীংবা লৈ খঙঙু। চৎলো মফম কদায়দনো লৈকচো।

— তামো মদু পূম্নমক্তু ঐ খঙজে। যুম তোঙান-তোঙান শাবগা থমগনি। নুপী লোনবা ইতোমতনা হৌদোকপসু নত্তে।

— নঙগী অপাম্বদ কোন্না তৌজবো। ঙাসগীদি কদায়দনো চৎখ্রো। ঐ নুপী অঙাং ঙাক-শেনবা ঙন্লোই। নঙগী থৌদৌদু ঐখোযবু উশিৎতবনি।

ইনাওনুপাদু পুর্বাক্লবা নুপীদু পুদুনা থোকখ্রে। মশাগী মাকতি তোংদুনা চৎখ্রে। মখোয় মমানা ইনাওনুপীদু "নপাম চৎকে খনগনুকো" হায়দনা থেমহৌবি। ঐ অদুম পোকবক্লে। বাখলদদি মফাং-মফাং লেপ্তুনা হাল্লে।

থাযনদগী নুপী লোনবগী ৱাবী পাক থন্না তায। থেংনবসু মশাং খঙদনা ... নবে ফব ফত্তবা অদুমক্তি খঙবা ঙমদে। অদুবু ঐনা হায়র্নাংবা অমদি লৈ। নপা অমগী লৈজ্রনবা ... থুম অর্মাদি মশাম্ক নুপী অনাদা যেখ্লোক্লুনা নুংঙাইনা পাক্স লেনগনি হায়র্বাসমা ... থাজবা ঙমদে। নুপী অমখক নুংশি চান্নবা অনীশুবা থৱায়মক্লি খন্দুনা লৌমন্নানব অদ ফাওবদা পেলহনবা ঙমদে। নুপা থোক্তবগী ৱাবা ? মদুর্মাক্তু নত্তে। মসি মী মীদগী বাখল ওইবমাল্লে। তৌবসু মচা মশু লৈববা নুপাদা ময়ুম শানগনি লাক্লিবা নুপীশিংদুমক অবাযবা নুপীদ ওইবল্লোই।

নোংঙানবগী মযক অঙনবদ্দা খুড়া অচৌ লাক্লগ এঙোন্দা অমুক থেল্লবে

— ইবুংঙো ননাওনুপাগী থৌদৌসি পাউ অমত্তংদি হায়দোকউবনা চুমগনিনে।

— খুড়া মদুদা ঐবু য় ওহনাবিবগনু।

ইবুংঙো মদু যাবোইনে। ননাওনুপান যুম্ব হায়বদু নঙনা থোকইনে। চেন্নদব য়াবোইনে।

শাউনীংদুনা, পেন্দবদগী ৱা খবা হাযগদবসু লৈকায অহলনি। ইনাওনুপানা অহলদবু থাবকপা ওইর্বিনি। ইক- আদা ঐ পাউ হাযদোকপদু য়াওকই। মৌ অনৌবীগী ময়ুমদু নুংঙাই যাইফবা ইমুং অর্মাদি ওইবম্মী। নুপীদু মপুবোইবা লৈখিদবদগী মপামদা হল্লক্লুনা লৈবনি হায়বা খঙলকই। ওফিসকী থবক অমসু তৌবি হায়। মৌ ওইববনিনা পঙলু লুনদি থোক্লে।

অহন-লমনশিংদু ইকোম কোমথোক্না হায়বকই।

— মশা-মশা য়ানবগা চৎখিবনিনা অদুমক লৈজবসনু। নুপী-অঙাং লৈববা মীগী ইমুংদুদা ইচা ব্যবহাব কায়বা হায়বদু থোক্লে। ইবুংঙোনা খৎন-চৈনদনবা মদুমতংদি হোৎনবিবো।

ভক্তি তৌবল্লগা যুমদা হল্লকই। যুম হেক য়ৌবগা মমানবু ঙাইঙমদনা হংলকই।

— কবি হায়নবক্লবগে?

— কবি হায়ননি হায়বগে পাউ হায়দোকপিনিনে চৎলুবিবসে।

— অঙাং-নুপী লৈববনি খাইদোক্লসিকা পল্লমদ্রবা হাযবা।

— মমা! তূমিন লৈযু তানীংদে। মদু পনবা য়াবা ব্রাফমলা?

নুপী হায়বসিদ মখোয়গী অনীংবদু হেক্তা হাযযু সিনি। হায়বা যাবা যাদবনিসু খল্লুদে।

নুমিদাংব্রাইবম ঐনা ওফিসতগী হল্লকপদা ইনাওনুপীদুগী মপামগী মীযাম অমা পৈদুনা লৈবম্মী। ইনেনা মকোক চিংলগা ইনেশিং, মৌয়ামশিংনা যৌ য়ৌ তৌদুনা লৈবল্লিবা ফীবমদু ঐ হৈনদ্রবনি। ঐ চঙশিল্লবদা ইনেনা হৌদোবকই।

— ননাওদুনা ইচাবু পামদ্রে হাযববনিনা ননাওনুপীসি পুব্রগে ইবুংঙো।

ইনে খজিক্তং খর্ল্লাবযু। মচা যোক্লুনা লৈজসনু ঐ লৈবি। যূমসিদা নুপীদু পুশিল্লকপা শুকয়া য়াবোই

অসুক থওই উশিংএবসে ইনেখোয ৎবা ইকায ইবুংঙো। মবুং মৌপ্না সুক যাম্না লৈবিবসে তূমিং কাঙগুম খল্লে। ননাওদুগী মনীং থুংজবসনু।

মৌয়াম্দু যাওনা তকশাল্লকই। ঐ হৈনদবীদু খম থেংঙি। অনম কনশাল্লকপগী মতৌদু ঐ ব্রাবৌই। ব্রাখল খজি ক্রংদি খল্লফম থোকইনা। কাযনপ্রবা হায়বদুদি ইচাশিংসে তুফক তুফাই চনগদৌবিবনি। মদু খল্লদ্রেবা কবিগীনো? ঐ উপায লৈতনা অবোইবা ব্রা হাযখি।

- ইনে ঐগীদি তৌবিগনু হাযজবিবাসনি অদুবু মশাদা হংবিবো। মশানা যাদ্রগদি নম-হাদুনা তৌবিগনু। তঙাইফদনা ইনা ওনুপাগী ব্রা অমত্তংসু তাবা পাম্মী।

ঐগী নুপীনদি ইনাওনুপীদু মপাম চৎতনবা ফনা য়াম্না থেমজবনি। মমা, মনম্মাশিংদুগী চাক্রনা ঙমদুনা অঙাং অতোপ্পীদু পুবগা চৎখ্রে। কমদৌনি উপায লৈতে। ইনাওনুপাগী মচা অনীদুমসু ঐগীদা পুশিন্দুনা লৈহল্লে।

কবি কবব্মা ব্রাখলদা ইনা ওনুপাদুনা নুপী থিবিবনো ঐ ঙকই। মখোয অনী পাখঙ লৈশাবা ওইবিঙেদা নুংশিনদুনা চেল্লকপনি। হবাও তয়াম্না পামজনা লুহোংখিবনি। হৌজিক মচা অহুম শুববা মতমসিদা কবি ব্রাৎলবা, ইনাওনুপাদা কাব পেন্দবা লৈববা? ঙত্তবা ঙমদে হে মীওইবা। ইনাওনুপাদু মৌ অনৌবীদুগা যুমদা লৈবে। মদুদা ঐ ব্রা অমুক ঙাঙনীংঙাই লৈত্রে।

মঙা/তবানি লৈববা মতুংদা মৌ অনৌবীদু ঐগী য়ূমদা চঙলক্তুনা মমাগা খ্রাবী শানবা তায়।

— ইচে ঐনা লানখিবা পূম্নমক ঙাকপীয়ু। ইচেদুবুসু কৌবিক। ইবেঞ্জনা লৈমিন্নজগে। অঙাংশিং পূম্নমক ঐ শেমজগে। ইচাশিংসু ঐগা লৈমিন্নজবগে। মমা অমা ওইবগী থৌদাংদু ঐ লৌজগে।

খঙদ্রে ইনাও। নচেদো লোয়্নবীগী নুপী অহল ওইবা ঙম্লোই হায়দুনা চংখিবনি। কৌকবদসু লাক্লোই।

অদুবু ইচে অমুক্তংদি কৌবিয়ু। ঐ খুক্কমজদুনা হায়জগে। ঐ চংখিবা য়াবনি। অদুবু বদনাম লৈবী নুপী অমা ওইনদি হিংনীংদে।

লৈমিন্নববা হায়বাস নুংশিনবকই। তাথোক তাশীন তৌনদুনা মমাগা ইনাওনুপীগা লোয়নবকই। ইনাওনুপীদু পুবকপা নুমিৎতা মমানা মকক্ষী থোক্লা শাউখিবদু কদায় চংখ্রে। অঙকপনি হে নুপী। ঐখোয় মমানা ইনা ওনুপী অহলদু অমুক অনীবক কৌকবে। কান্নদ্রে "লোয়্নবী নুপী অহল ওইবা ঙমজবোই" হায়দুনা লাকউ য়াদ্রে। নুপী মাসু মকক্ষী ফংমন্দে। ইমুংসিদা মাগীসু চাউববা হক লৈনা নানা মপামদা লৌবিবদুসু কবিসু নুংঙাইবম্লোই। মৌ হল্লকপী নামা খোংদুনা লৈগদবগী শকক যাম্না শক্তি লৈনা হক কোন্দুনা লৈবনা ফর্বান। মানা তূমিন লৈশিনখিবা হায়বসে ইনাওনুপী অতোনবীদুগীদি মতোর্লনি।

খঙহৌদে চঠী ফাখ্রে। ইনাওনুপী অতোম্বীদু ফৈনে, ফত্তে হায়বা যাবোই। মচাকাসু ওম্থোক্লা লুনা তৌখ্রে। তোলোপ চাবীগা ওইবে শেন-থুমসু মবাঙ কায়না শীজন্নে। মনুংগী ৱাদি খঙদে মপাম্থোংদদি মীকৌ-মীবম ফজে লমচৎ-ব্যবহাবসু মচু ওাই। মানা ফংত্রিবসি মীগী হক মুনবা অদুখক্তনা মাগী মবালনি।

ইচান-ইনাও নুপী অঙাংগী ৱা থোইনা ঙাঙনদবনি। নোংমদি ঐনা ইনাওনুপাদা খঙহনখি।

- ইবুংঙো অমদু কৌকদবা য়াবোইনে। হায়বা শাবনি অঙাংশিংসে চাউবক্লগা মবূক্লীং নুংশিবক্লনি। আদা লৌবিবদো কবিসু নুংঙাইবা নত্তে। ইকায় খাঙদগী মবী তংখিবা য়াই। যূম অমা শাও তোঙান তোঙান থম্নবা তৌ। নঙনা থেম্মুদ্রবদি য়াবোই।

– তাদা যূম শাজিল্লুবগা লাকউ যাদ্রবদ্রি।

- মদু পূম্নমক্তো হান্নবা ঙাঙনগদবনিনে। য়াদবা য়াবোইনে মদু নঙগী নখৌনিনে।

ইনাওনুপানা অমুক্তা নত্তনা অহুম মরিবক থেমলুই হায়বা পাউ তায়। ইনাওনুপীদু মশাগী উইল অমা লৈজবনা য়াবক্তে হায়বা পাউ তায। কমদৌনি মশা মশাগী ৱা মঙায়বে।

কুমওন কয়া হৌখ্রে। অকাউবগী ঈবোম্নুংদা লূপখ্রে। ইনাওনুপী অতোম্বীদুনা শীন্দুনা

মচানুপা অনীদু দিল্লীদা লাইবিক তমহল্লি। মাগীসু মচানুপী অমা পোক্লুনা লৈববনি মদু শিলংদা লাইবিক তমহল্লি। লোইনমক পাখণ্ড ফাববা ঙাওনি। ইনাওনুপী অহলদুনা পুখিবা নুপীমচাদু চেনখ্রে লুহোংলনি হাযবা পাউ অমা তাবে। মবী তংনববা ইনাওনুপাদু চংনীংদ্রমাল্লে মচাদুগী অওঙ অউন তম্নবা লুপা লীশীং মলিফু খক শিন্নকনবা ঐঙোন্দা খণ্ডহল্লকই। পৈশাদু পুদুনা ঐ চংলুই। মমা মচা উনদুনা হায়কই।

সে সে। পৈশাসি লৌশীল্লু। মপাদুনা মচাগীদমক পীবকপনি। কোম্নদ্রগাসু হাযবকউ। অঙাংশিংদুবু পাউ পীখো হায়ব্রা?

– ইতৈ পৈশাসিনা কোম্নবা শীল্লগে। ইচাশিংদু খোবক্রুবসু পাউ অমত্তংদ খণ্ডহন্নীংঙি।

– হোয় হোয় খণ্ডহনখ্রগে।

ইতৈ। দানাসমতংদি ইতৈনা পীবিযু।

মকোক খুমদুনা ঐঙোন্দা খুকল্লকই। কদোমদগী হৌবাক্লবা পিনো ঐ খণ্ডহৌদ্রে। খণ্ডহৌদনা রা ঙাঙবা ফা ওবা খোঞ্জেল ফাইবকই। নুংহীক্লবা খোঙ্হোক্লা হায়খি।

– ইবেম্মা বাবাচৌ চংলগে। ঐচাগী লুহোংবা নুমিৎতা দান পীননবা ওন্ত লাক্লগেকো।

বাবাচৌ। বাবাদু ঐগী লুহোংবা য়াওববোইদ্রা?

ঐ খুম্বা ঙমদ্রে। অদুবু থম্মোযাসনদি হায়বি। "য়াওববোই।" চানাসদসু হংযদোকখি "ইচাসিদ মদু খল্লুবনু বাবাচৌ লৈবিবসিদি।" ☽

নাথৈশ্রবা ব্রাথোক

ইঙেল থানি। অয়ুক্তগী নোং ওফিস কানবা মতম য়ৌববা ফাওবা লেপ্তুনা চুবি। শুমাঙ, লৈবক লাংখোং ঈশিংনা পীক থল্লে। মদুমক্তদ অতিয়া পৃম্বা অমুবা নোংগী মপৈনা শীন থুংনা মল্লি। মখা তানা চুখিগদৌরিব। ঙবাং নহান উবয্যাদা অচৌবা সাইক্লোন অমা তৌখিবদুগী মনিল ওইবমাল্লে। শোযদনা ঈশিং চাউবগনি।

অনকপদা বস পার্কিং ওইবনিনা ছাত্তিন অচৌবা অমা ভূপ্লগা য়ূমদগী অদুম থোবক্কবনি। ওফিস যৌবকপদা নীংশিংলকই। ওস্তোকপা হাযবদনি ফুবিং অথাবা অমত্তসু লীংলক্লে। নিংথম্বদি ফাওই। মসিনদি যাববোই থন্দুনা ইচে থোইবীগী পান দুকান মনুং চঙ্গদুনা গ্লাস অনীদং যোংশাল্লুবদ নে হেক তাই। স্তুফর্কা কাদা চঙলুবদ থাবল্লে মতোমতা ফমদুনা লৈবন্মা। ঐসু ঐনী ফম্ফমদা ফমদনা মাগী মনাক্তা চঙ্গাশন্দুনা ফম্লুই। এসেন্স, থাউ মনম শন্দু ফুং লাউনা নাম্ভান্দা য়ৈবকই। হৌজিল্লুই।

ওফিস থল্লায যাওবাসি ইচনগা ঐখোয অনী মঙ্গাযব। কনাসু লাক্তে

ঐসু নোংসিনা থেঙলক্কদবনি ঐখোয় ওমেন্দু কলেজগী ক্লাস অঙনবদ লৈনদুনা মাকত্তদ যাওবকপগী ওল্লিবনি তামো

থাবল্লে লৈশাবীনি। চষ্টাদি ফনা যাম্লা লৈশীল্লম্লগনি। মশক ফজৈ, কুচু ভৌই, মপোপ মতাও হৌমা ৎম লাউবদুনা হেক থেংবদ নুংঙাইবা পোকই। স্তেনো গ্রেত তু ওইনা খবকসু তৌবি। ইদাক কৈবাকসু থল্লে। হৌজিক ফাওবা মযাম পান্দনা লৈববসি কৌব অশাযব লৈবদপানো শঙনীংংঙ। নহান মখোদি থোঙ্গ বুথক্কদে। থ্রস ঐখোয় অনীত্র ভায়বক্ক মতআসদা নিশানগা পানখংলকপগে হেক হংনীলকই।

থাবল্লে নশক্ক নশব ফজাববা কনিমঙা বাংতে। ফিজেং তুনসু অউবা মী থুদিং মাং থক্লিব। হৌজিক ফাওবা নযাম পান্দনা লৈবিবসিবো কবি নীং থুংদবা য়া ওবননো?

তযাইমা। ওল্লিঙৈদাদি খোযদাবা নুপা অমা ফাওবা থেংনদে। হৌজিক্তি তনসু তল্লে। যম পাল্লগব কৈদৌনগনো।

পূক্লিংগা অবোনবা অমা যাওনা থাবাল্লেগা মনাকোং মযাদা নোম্বদুনা লোম্লপ কামশিনখি।

— করিগীনোনে ইচন্না অদুক থম্মোয় শোম্বরিববো। নওনা খঙদা তৌবনি। যুম পাল্লগা অহানবা ইচা অমত্তং ফংলকপদা নুংঙাইবা খুৎনুংঙাইদুদি স্বর্গ কাবনি করিনো। চষী নিঙ্গু হেন্নবদি মদু নাম্বোকখিনিনে মেন্মা।

— উম! তায়াইমা মনমদো ঐ হৈনদে। নপশীল্লকনু, হন্দোকখো।

— হোয়দা হোয়দা। মনমসিবুদি নখোয় ননম্মদি নুংশি খোয়থূম্নে হায়বিপোৎনি।

— তায়াইমনা তম্বিদনা ইনম্মদুসু য়ুনমগী এদিক্ত ওইরম্লনি।

পূং ১১ তাম্রে। কনাসু য়ৌবক্ত্রি। নোং চুবদুনা চংখোক-চংশীন্দা বেবা কারবজাৎনি। ডিবেক্তরদি মাগী কাদা চঙখিবা ঙাইহাক ওইম্রে। থকচীল্লুবা খবদুনা ইশাসি উইনীংবগী মোন্দ্রঙ চুরকই। থাবল্লৈদা হায়দোকখি।

— অবেম্বগী ওফিস কাবক্রম্লে। ফৈজুপ লুম্না শৃপচীল্লগা ফমুংদা তূম লৈববদি কয়াম নুংঙাইনি।

— কৈদৌনা কাবকইনো, তূমদুনা লৈ যাদ্রো।

— নখোয়গুম্বা অতেক-অনৌ মযামসি উবগা ইশাসি বিত খরা লৈনৈ। মদুনা কাবকপগী ৱানি।

– তায়াইমা অদুম হায়না নিশা শান্নবক্তনু। তূক্কৎচৈকো।

– অশেংবা হায়ববসু শাউমাম্লে।

থাবল্লৈ ওল্লমাম্লে খুম্নকখিদ্রে। ডিবেক্তবনা কোলিং বেল থীংলকই। পিওন্দগী-চিংনা কনাসু কাবক্তবদুদা ঐ চঙলুই। প্রাইবেত সেক্রেতবী লাক্ত্রিমাম্লে থাবল্লৈদু চঙহল্লকউ হায়বকই। ৱাফমদু ঐ থাবল্লৈদা খঙহনখি।

– থাবল্লৈ সাহেবনা কৌবি।

অশেংবা মহানমখৈদি ঐ থাবল্লৈবু মুম্না খক খপ্তিল্লুদে। মাগী শকফমসিদি কল্লকপা ফাওই। যেংলুবতদা ইশাদা মৈশা ফাওবকই। মসিদবো খুঙ্গিন-খুৎনাম্বোক্তগী মশাদা শোক্লবদি ৱাধু থোক্লনি। মযূম পান্দনা ঐখোয় ইবক্তা লৈবসি চুমদ্রবা জাৎনি। জাদু তৌদুনা অতোম্বী ওইনবা হেক হোৎনবসিবা খল্লুই।

– তায়াইমা নথম্তা ঙায়বিব্রা? নোং চুবসিনা গাড়ী মচাকা থৌবা য়াদে। বেনকোতকা চন্নদে।

ঐগী মণ্ডলান্দু নবচন্দ্র বাবুনা হেক থুগাইবকই। ঐ শম্পৎনা খুমখি।

— থাবল্লৈ ঐখোয় অনীদি য়াম্না কুইবে। মাদি ডিবেক্তবগীদা চঙখ্রি। বসতা লাকপগী ঐসু ঙাম্লিবনি। ঙসিগী নোংসে কূম্মৈদি ঙাবনি।

— ইম্ফাল তুবেলগী ঈমায় দেঞ্জব বেদ মার্ক যৌহৌবে।

মথং-মথং য়ৌরক্লুনা ঐখোয় তরেৎ/নিপালদি শুরে। ঐদি ময়ামদু লাক্লরোইদ্রা খল্লুরে। ওফিস হায়বসি কাদবা য়াদে হায়বদু মশক মুন্না তাকই। হেদ ক্লার্ক পুরিবী ইচে মঙ্গিতোম্বীনা ঐঙোন্দা ওনশীন্দুনা হায়রকই।

— ঙসি নোংজু মতা অসিদা ইপ্পা য়াইমা মঙায়রে মশা ফরিবা। মী পুম্নমকতি নিংথম চাউবা ঙাক্তনিনা ফুরিৎ অথাবা অমমম লীৎনবি।

— ইচে ঙসাইনা ৱিন প্রুফকী জেকেৎ অমা ইচে থোইবীগী পান দুকান্দগী লীৎশিঞ্জরুরে। হকচাংদা অঙ্গাংবকা চঙবা ঙমপোৎত্রে।

- মসিনা তৌথোরকপা অমা।

মহৈ- মহৈ ফাইল পুথোক্লদুনা থবক শূবা হৌনখ্রে। নোংগা চুবদুদা ঐদি কারকইবা হায়বদুনি। থবক্কা শূনীংদে। ময়ামসু ৱাবী জাৎ জাৎ হৌদোক্লদুনা খোঞ্জেল থোক্লা পুন্নাঙ লাঙঙি। চরাঙনবা মবক্তুদা থাবল্লে ডিরেক্তর কাদগী থোরকই। ঙসাই ঐনা উখিবা ফজববা শকফমদুদগী য়াম্লা হোংলে। মমায়-মমীৎতু পুমাঙাঙ ঙাঙঙি। উপায় লৈতবগী শকফম চেল্লি। কনাদসু হন্না য়েংলমদনা টেবল মথক্তা থল্লিবা মাগী হেন্দ বেগ পায়দুনা থুনা মপাল থোকখি। ফল্লিবা ময়ামদু থাবল্লেদা মুন্না য়েংহৌই। পুম্নমক্লা ৱাখল অমা খন্নবগুম উই। ইচে মঙ্গিতোম্বীনা হৌদোবকই।

— থাবল্লেসিবু কৈদৌববনো। হোয-মাই হায়বমদনা চৎখ্রিবসিবো।

— খঙদেনে ইচে। মাগীসি মওং অমনি।

ময়াম চিংনবগী ৱা ঙাঙনবকই। হায়দোকপা, তমথোকপা য়াদবা থৌদোক অমদি থোকখ্রববা খন্নে। ৱা থোক্লৱা খঙদ্রি। ডিবেক্তবনা থাবল্লেদা ইজ্জৎ শোকপা য়াবা থৌদোক অমদি তৌবে হায়বসি ময়ামগী ৱাখল্লোনানি। অদুবু থাবল্লেনা ৱাফম অমা ফাওবা কাঙথোক্লমদবনা ঐখোয় কবিসু তৌবা ঙমদে।

পঙকুই কুইবা মতম নত্তে। পুংখায় ফাওবা ফাবমখিবোই। ওফিস মনুংদা প্রেস বিপোর্তব, পুলিস পাইশিল্লকখি। মখোয় লোইন্নমক ডিবেক্তব কাদা চঙখি। স্তাফতা লৈবিবা ঐখোয় ময়াম মীৎ-না ফুংশংনখি। শোয়দ্রে থাবল্লেনা পীবা পাউ ওইবা তাবনি। ৱাথোক অমদি শোয়ববোই। কুইদে ডিবেক্তর, প্রেস বিপোর্তবশিং, পুলিসমেন পুন্না মপাল থোকমিন্নখ্রে। নোংলক্তুদা গাড়ী ভোংদুনা চৎখ্রে।

ঐখোয কবি তৌবা তাবগে? কনাগী মীচঙ চঙদুনা তেঙবাংগদগে? ঐখোয় খুদিং মুকম মুকম ঙাঙনবা নত্তনা মকা ফোংনা হায়দোকপা ঙম্মদে। নুংনাংনরিবা মরক্তুদা থাবল্লে নোকমি-নোকমি তৌদুনা মায়থোঙ মকা লাম্লা কা মনুংদা চঙলকই। মাগী চৌকিদা য়াম্লা চীং-লেম্লা ফমখি। মীয়ামগী মীৎয়েংদি মঙোন্দা পুল্লপ হৈজীল্লে। কনাসু ৱাদি

ঙাঙথোক্লদে। ইচে মঙ্গিতোম্বীনা হৌদোরকই।

—থাবল্লে। অশেংবদু তাকউ কৈদৌরিবনো?

— খঙদে ইচে। ঈংবসিনা ওইরমাল্লে। ডিরেক্তরগী কা মনুংদা হ্যাং অনপ্পী কাংগ্লবনি। খোরকপগা নংননবা লেত্রিন তান্না চেঞ্জরবনি। চোপ্পমগনি, লাইবক ফহৌই। দাইরিয়াগী ফীবমনি। ফার্মাসিদগী তেবলেতসু লৈরগা চারুরে।

— পুলিস, প্রেস রিপোর্তর ময়াম্না ডিরেক্তরগা লোয়নরগা চংখ্রিবদুনা কমদৌরিবা?

— পুলিস ওফিসরদু ঐখোয় সারগী মরূপ ওইরমাল্লে। কদায়দনো চংলুবদগী তাঞ্জা চাদুনা চঙলকপনি। ঐখোয়গী সার ডিরেক্তরসু চীফ সেক্রেতরীগীদা ওফিস প্রোগ্রেসকী মতাঙদা প্রেস কনফরেন্স অমা য়াওরুগনি হায়দুনা পূন্না থোকমিন্নখিবা ওইরমগনি।

— হো হো হোত্রোঙ হো। ঐখোয়দি লবাই শম য়ুংলুরে।

— করিগীনো তয়াইমা?

ঐ খুমদে। ইচে মঙ্গিতোম্বীনা চিং-লেম্না পাউখুল্লকই।

— করিগী ওইনি ইবেম্মা। ডিরেক্তর কাদগী নমায়-নমীৎ ইঙাঙ ঙাঙনা ঐখোয়দসু হোয়-মাই হায়রমদনা মপাল থোকখ্রে। প্রেস রিপোর্তর, পুলিসনা ডিরেক্তর পুদুনা চংখ্রে। মসিদবু কবি অফবা বাখল খন্দোইনো। ইবেম্মা মিস্থলকাসে আ য়ৌই।

- অচা! তৃক্কংচদ্রা ঐ লোইবেহে ইচেম্মা!

লায়া খন্নরুবা বাফমদু মা মাগী ওইনা পুখোক্লদুনা বারী শানরগা বা বা নোক্রে। থাবল্লেদি খঞ্জিল্লরগা খরা ইকায়বজাৎনি। মীয়ামগী মরক থৎনা হায়জরকই।

- য়াম্না বেস্পোন্সিবিলিতি লৈববা আই এ এস ওফিসর অমনা মাগী স্তাফকী লৈশাবী অমদা ইজ্জৎ য়োনগদবা নস্তে। ওফিসবশিংদি ইজ্জৎ শাগোন্ননা লৈরিবা ঙাক্তনি। ঐগুম্বা কয়ানা ঈবাং তৌকবগী বাদি খঙদ্রে। মতাঙদুদদি বাখোক ফাওবদি চেন্নররোই।

লাঙলম্বা ঐখোয় ময়াম তূমিন তূমিন লৈনখি; মখা তানা বারী শমথরুবগী দরকার ওইদ্রে। মপান্দা মীয়াম্না লাঙনরকপা তাই। ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান লিলোংদা কায়রে।○

কবি চঙবা

মীসু লাইবিক য়াম্না ফোঙনৈ। ঐসু লাইবিক মচা অমত্তং ফোঙবা ঙম্না য়েংগে খন্দুনা মহৌশা ইখিবা বোয় ময়ামদু উপুদগী পুখোক্লগা শেমদোক-শেমজীন তৌদুনা নৌহৌননা অমুক ইবা হৌই। ইশানা ইজবিবদু পাবদা ফজদে খন্দুনা ককথোক- ককশীন তৌবদা চেসু, মতমসু ফনা য়াম্না মাঙখ্রবনি। ঐনা পামজবদি ব্রাবী মচা ইবনি। ফনদি য়াম্না ইবে। নুমিদাং অমা ইমুং মনুং চাক পূন্না চামিন্নবিঙেদা ইচা নুপীদুনা য়াম্না চম্না লৌথূপ-লৌকোই য়াওদনা হায়জবকখি। "বাবানা ইবিবা ব্রাবী মচাশিংদু ব্রাহে-ব্রাতাদু মোদর্ন ওইদে। তুরেন্ত্রিরান সেথুবীগী মীনা পানীংঙোই।" মদুদা ইচানুপানা মবোল অমা খীগৎলকই। 'ঐখোয় বাবাগীদি ইবমখৈ ইবগা উপু মনুংদা পৈশিনখ্রনি। লাইবিক ওইনা ফোঙদোক্লবদি ফগাদবনি। বাবাগীদুদি ব্রাবক কাবনি।' ইচাশিংদুনা হায়জবিবদু অচুম্বা ওই ঐসু যানীংঙি।

ইন্দকপুদি লাইবিক ওইনা শোয়দনা ফোঙলগে হাযবা পুক্লিংদা চপ য়ুংনা খল্লর্বল। ইবসিসু কল্ম চৎলু য়াদে। চহীনা লূম্লবা তাঞ্জা অসিদা হৌজিকপু মতম অসিগী পাখঙ-লৈশাবী শাদুনা ইবসি হৈনদবা অমদি পোকই। কবি ঙাঙন শক্লবিসু খঙদবনি। মমানা মবোল অমা ইবিবদুদা ব্রাহে অমা ফেনজিল্লকই।

- কবি ওইবসিদি মচা পাখঙ-লৈশাবীগী মমাঙদা জাং জাং ইবগা পাথোক পাশিন তৌনবজাং ওইবে।

– মদু যাদ্রবদি শুমাঙ লীলা য়েংমিন্নকন্নু। টি ভিকা থাকন্নু। খববদা ইজ্জং মাঙহল্লেকা হাযদুনা ইবাক্লবদু ইচাশিং উদনবা খবব মচেৎতু শেগায়গদ্রো, সাহিত্য হায়বসি মখল মথেলনি খঙঙু।

ইননবগী ব্রাখল খনবদা অতীং তৃস্বকা য়াদে। খনবদা ফজবা অমা উবকপদা মদু খূদক্তা ইশিলহৌবিবনি। য়ূমদা খনবা ঙা ক্রনসু ফজবা যৌদে। মী মবক্তা কূপ্মৈ-হবাওদা মীয়াম অমা থেংনদুনা ব্রাবী-ব্রাতায় শানদুনা দাইলোগ ওইনা হাপচীনবদু ফজবগী শকক অমা ওইখি। চংথোক-খোংতোক্তুনা প্রকৃতিগী ফজবা যেংলুবদসু মযেক শেংনা উবকই। নাকেঙ্গা লোইখিদুনা মনা যা ওদ্রবা পামেলদা অঙাঙবা কুবাও মপাল, অঙৌবা চীংগ্রাওগী মপালশিং

উবদা কনাগী থম্মোয়না নুংঙন্দবা লৈবগে? য়েন্নীংথা লাকপদা হৈনৌ মপাল শাবকপা, উবীবে মাথবীগী নুংশিববা লৈনম লোইবা নাইদে, খত্তু খুদিংগী ময়েক শেংনা শেংনা ফোঙদোকই। শৈথাবা হৈতবা প্রমাণ-পাছে খঙজদবা ঐগী অশোনবদুতা ঙায়হৌই।

শিথবকপা থানা তাবমদাই, নোংপোক থংবা অতিয়াদা ফাওবকপা নোং ঙাল্লমদাইগী মশেক-মঙাল ফাওবকপা অনীদুনা মালেমসিদা ঈবোইদুনা শান্নখিবা মতমদা থাবল মঙাল মুৎখিবদু উববদি পুন্সি হায়বদু অসিবা খনগনি। ইবিবনিনা ঐ য়াম্না যেংলে। য়েংলিবা মখে বাবীসু লোই নাইদনা থোক্লকই। য়ুম্ফম ওইবা বাবীদা খজিক্তং শোক্লবদি সাহিত্যসি য়াম্না বাংবা লৈ।

ঐখোয় মখা থাংনবগী মৌদুনা থবক্তি সুকশ শৃদনা তপ তাবা মখে কেবগা মাগী নুপাদুগী গাড়ী মনীং ফমদুনা মাগী নুপাদুগা ওফিস কামিন্নশিবদা মনেমদুনা হবাওনা যেংহৌবা, মচে অহলদুনা মমীংনা হন্না যেংখিদবদু অইবা ঐঙোন্দদি বাবী অমা হেক্তো ওই। নোংমা ইযাম্বা অমখক্তা হায়বা বা নীংশিংলকই। "ইবুংঙো ঐসু নতৈমসু তোলোপ চায়। দুকানগী ভাবা লাকই। নুপী অঙাংশিংদো মনীং তৌনা শীজিন্নে মদুদসু লেম্মী। নতৈমগা ঐগদি নুংতিগী খংনৈ। মবম হায়বনু যু খবা খবা থক্লগা চন্দ্রমুখীদা ঙাওশিল্লুবগী। হৌজিকপুদি নতৈমগা খংনদে। শঙ্গাব বস চেনব সাহিত্যসিদি ইমুং খংনদেকো ইবুংঙো।"

অইবা মমগী মর্মক্ত ইমুংদা, লেবাযদা, কোযকবদা অদুমক থেংনৈ। চহী ৯০ শুববা শেনবনা হৌগংপা ঙমদ্রবা কৈদৌঙৈ শিবগদগে খল্লিবা অহল অদুনা মচাশিং কৌশিন্দুনা থম্মোয় শেংনা হাযজৈ - "ইচাশা নখোয ওন্নবগা ঐবু অমুক্তং গুবাহাতিদবা, ভেলবদবা লাযেংবযু। ঐ অমু ক্তং হৌগৎ তুনা চৎপা ঙম্বা যেংগে।" বাবীনি সাহিত্যগী মচাক। য়ুম্বান নৌঙাববা নুংশববা মচা লক্লদুনা অবা-নুংঙাই কাউখোক্লনা লোয়নবিবা অদু গুম্বা প্রেমীক প্রেমীকা অনাদুগী মনুংদা অমা অশিবগী খয়াংতা ঠাখিবদু কবি ওইফম থোকপগে? পিবাং শাম্ভদনা কল্পা হৈবা মীওইবাদ থম্মু থর্মাখসি। পাম্বা অমখক্তদা লৈকা ফন্না শাংমিন্নবিবা লৈবাংশিং অদুগী মবক্তগী লৈবাং অমত্তং লৈখো ঙা পং খংলুবদা লৈখোক অদুদা থোক্লিবা ঈবিক অদুবু পেনবগী খুদমলা? মর্দাক্ল মী ওইবগা লৈবাংগা শম্নাবব সাহিত্য।

নোংমা ইম্ফাল শহবগী মনা-মশীং যোল্লিবা ইমা ইবেনশিংগী পোৎফম মমাঙদা ঐ লেপ্পুর্বনি। মশা যাম্না নানবা সুত শেৎপা, তাই পুনবা নহা অমা খবা থুবপ চঙলক্লগা পোৎফম ফম্বী ইমা অমদা হাযবর্কাখ।

– ইমা। অমদু মশা ঙমদে হাযদুনা হীপহৌববনি। অঙাংদু মফম মবাঙ খঙলবোই। য়ুমদা হনবিবো, ঐ মন্ত্রী য়াওনা সেনাপতি যৌগদবনি। থেঙলক্কান।

– হায। ডাক্তবকাদি য়েংলম্লব্রা?

— হীদাক লৈবগা থল্লম্লবনি। ঐ চৎলে ইমা।

— পোৎফম ফগ্নী লুপ্পাবী অমগী মচা, অচৌবা ওফিসব, মশান নাইদনা ফজববা অবাংবা থাক্কী বাবী অমা ঐগী কোক্তা চঙখি। ফজবা ফজদবগী ব্লানা অমনি ঐ ইবদি লেপ্পবোই।

ইম্ফাল শহরবসি চুমদ্রিং চৎপা হৈনদ্রে। কাচিন কোয়াদা লোৎলিবা লূ-নাল্লবা অর্থ য়াম্না চেনবা সমাজ লৈবিবোই নীংঙি। অদুগুম্না নুংগী ওইবা কৈথেল অদুদা কবি যোল্লিবা লৈবিবা খঙনীংবনা থল্লি। নোংমা গলি অমগী মপাদা লেপ্পুবনি। মশক-মতৌ য়াম্না ফজববী মৌ নহা অনীখক হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবদু উবকই। অহানবদদি থোইনা খল্লুদে।

অনী অহম্লক উবকপদুদদি পুক্লং চঙনা যেংলুবনি। বেগ মচা অমমম পায়বগা চীনবান্দা তৌবিবা লির্পস্তিক অদুগী তেঙবাংবা ওইনা কা মতপ উমশায় শায়বি। শেৎ-চাবিবা ফীজোলদু কুচুদুগা যাম্না পকচে। মীৎযেংদুগা শাজৎ তুগা ইনাক য়ৌবকপা মতমদদি ঐসু ফল্লকপা ঈবাং অমা ফাওখি। হুম! ঐগী ব্রাখল লাল্লে খন্দুনা ঙাইহাক লূকথবগা ধ্যান তৌখি। ধ্যান লোইববা তুংদা যেংলুবদদি আকিবা তুচুংবা ভৈববীগী শকফম অমা উৎখি। কিবিবদো অতৈ নত্তে। ঐ মৌ নহা অনীদু মনুং ফাওনা উবকই। মফি মবোল য়াওদ্রবা তোংশা অদু মীকূপ অমগী মনুংদা কবিনো অমনা চাথোকপ্পবী তুংদা শক পোলাং ঙাক্তা ঐগী মাঙদা লাকপ গুম উখি। কবি ঐগী ব্রাখলদা।

'মচা মশূ ব্রাবক ব্রাতেমদুন' লৈগেদি হায়দ্রদুনা শৈবেং ব্রাবেং ইদুনা কবিক' শ্যাব এ, মতম মাঙনবা। য়োৎপাক পাযদুনা লৈবাক তৌববসু মবোয, খামেন থাববান চষী চুপ্প চানগনি।'

হৌবেদো' কাথিম্ন শকথীবীসিনা ঙাঙলিবসে। হেক ওনশান্নকবদা চাক্লবদি শেথদ্রবান। ঐ ওনশান্নবকা শংদে। হয়েং গান্ধী মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোক্কদৌবব কবি সম্মেলন্দা ফজবা শেবেং অমা খীননবা ইবা লাক্লাববনি। মঙ্কপ মপাঙ মায়াম মমাঙদা ঐগী শেবেংদু ফজে হাযহন্নী ঙি। মদুদা মমানা চবেঙ চবেঙ ঙাঙলিবদো ঐ নাদা হাপ্তে। খুম্নিদ্রবদম ঙ্কদা মমানা মখা তানা কাবন তাবকই।

এখোয পাবুংগীদু অদুনা য়'গদৌবিব্রো ? নচানুপানা পৈশা থানকউ তায়বনি। ফিজমগী লুহোংব ঙর্সিনি। চৎপিবেইদৌবা ওইবিনি। পোৎয়েং থাম্বিবম্মু।

মসিগী নুপাসাদি পাকপ্পবা ব্রাসি হৌদোক্লনা খৎনবা তৌবিবাসনা কবিগীনো ? ইচা ময়াম অমা শেম শাদুনা তৌবিবসে কাব ওইনা উবগে ? ঐবু হৌজিক চীং কাদুনা শীং চল্লু, হাজিবা শূকচো হাযাবব্রা' অহল মতম ওইবক্লবসিদা ঐনদি ব্রাখল ঈংথদুনা কবি ওইনা লেঙ্গববাসদা কমাম্নক পেন্দ্রবনো খঙদে। মসু দূর্গা পূজা, ব্লুলোন, য়াউশঙগী হোলি যাওবদা

ঐনা কবি হায়। পৈশানা কয়াম ফংঙি। মখোয় মমাগী মশকসে ঙৌবদনা ফজবা শীংদা চল্লিবনি ইশৌ খুৎকন্দুনা ঐনদা কাথীমু হায়বীবনি। জ্ঞান মচেৎ অমত্তা য়াওদে। তূমিন লৈবা ঙম্লক্তবদগী ঐনা শাউবপ কামথোকখির্বান।

– মদু খুদিং ঐ খঙঙি। চগৎ চগৎ কৈদৌবিবনো? হয়েংসে ঐ কবি সম্মেলন য়া ওগদৌবি ঐঙোন্দা যেৎলক্কনু।

- ফৈ ফৈ। অঙাংগী পৈশাদো হয়েং থাবমদাইদা মীঙোন্দগী লাকউচোকা হাযবক্কবদি মদুমা দাই লৈতেকো। হায়জহৌবিবসিনি।

- হায মুথী। মদু নঙনা শূক-নোম্লবগা শিংব্রনে। কৈ কান্নদবদা।

মদুদগী নট খজিক্কং লৈশান্নবক্কবা ইচা-ইমৌগী মমাঙদা চোপ্লবা য়াই। মদুমদি খঙমাল্লে মমাদু খুম্লকখিদ্রে। ফববনি নৎত্রবদি ঐগী মিহুল অবাংবদু তৌবক্কদৌবিবা।

জি এম হোলদা পাওথোকপা কবি সম্মেলন্দু যাওকই। থরায় যাওনা শৈবেং থীথকই। থৌবমদু আই এস টি ভিদা তেলিকান্ত তৌখি। মকপ মপাঙশিংনদি ঐগী শৈবেংদু ফজে হাযনা থাগৎপিবকই। নুংঙাইববা আশাদা য়ুম হঙল্লকপদা ইচানুপীনা নোক্কুনা থাগৎলকই।

বাবানা মযামদগী ইহেন হেন্না ফজৈ।

- মদুদগী যাম্না হেনগদর্বান হবেম্মা। ঙবাংদো নমানা কানন তাবকপদগী পঙতৌ তৌশিনখ্রবান।

মমাদ ঐঙোন্দা য়াংযেং অমা উৎলকই। মোমোনকা তৌশিল্লকই। মমাঙঙৈ লৈশাবী ওইবঙৈদা নোকপা মীনো ক্লান। হনুথঙসিদা মমাযদা খুৎতুমসিনা হেক শুজিনববু। নুমিদাং চক চাবিঙৈদা ইচা ইমৌগী মমাঙদা মমান অমুক হৌদোবকই।

নখোয পাবুংনা ঙাস টি ভিদা খোবকপদুদি মকোক ইতাঙ তাঙলদনা, শম খবা হৌবিবদুনা পৃমঙো। শৈবেংকাদি ফজাবএ।

য়েংবু যেংজহৌব্রনে? কবি ঐখোযনা তৌথোবকপদি অদুনা।

কবিগী যেংঙেইদৌবিবনো?

য়াবে। ইচা ইমৌগী মমাঙদা মখা তানীংদ্রে। মীযাম্মা খঙদা তৌর্বান। কবি ওইবগী খুৎনুংঙাইসিদি অবা অন পূমকউনি। মী খৎননীংদে অথোৎপ অমেঙবা রাতা নীংশিংঙ। তৌর্বাদি ঐনা ইবিনা খববদা ফোঙালবা রাবীমচা, শৈবেংশিংদু মমান থরায় যাওনদি পাবর্বান। নোংমাইজিং সাহত্তা কোলমদা ঐগী আর্তিকল যাওবক্কবা নুমিৎতুদি মমনা হায।

- মোয় বাবাগী ঙর্সিদি য়াওবক্কে কাবগীনো?

উংগ্রোমতা ইগে হাযববাদ কদাযদগী যাগান। য়াসু ইবিবান।

— অতৈদি ফসু ফজদনা।

— তো অদু হায়য়ুদনা। নোংমৈদি কুপ্ত মেলা যেংবা পুবিগেবু খল্লে।

ৱাহৈদু খংনুং হেক নুংশি। কবিগী নুপীনি হাযবদা লেমজখে।

নোংমা-নীনি লৈবগা ইচানুপা মপান্দা লৈখিবদুগী শৈশা খবা জেং ত্রেভেল কেবিযবদা থাকই। হল্লকপদা ৱামনখিদুনা কোইবেঙ্গেগী হোটেল অমদা চা থক্লীংদুনা মনুং চঙলুই। মহৌশা ওজা ওইবিঙেদা তম্বিখিবা লৈশাবী খবা ফল্লুম্মী। ঐবু উবদা নোকুনা থাগৎপিবকই।

ওজানা নহান জি এম হোলদা থীবা শৈবেংদু যাম্না ফজম্লে।

– এ কমলা, ফজব্রনে?

— ফজেবো ওজা। য়েংহৌবোইদবা খজিক্তুং ৱাংলি। ঐখোয় ইন্দোমচা সুনিতানা হায়বকপদগী কেবলদা যেংহৌবনি।

ইশাসি চীং হেক লাউই। মৈশানা কাহৎলবা হকচাংদা উন মহী হৈথবমুক নুংঙাই। কমলাগী মন্দোমচা সুনিতাদো ঐগী পুক্লিগী অহানবা শৈহৌদা থম্মোয় অমত্তা ওইনা নুংশি ঈচেলদা তাউথমিন্নখিবনি। থুংনখিদে। কবম্না কায়নখিবনো ঐ ভ্রান তাখিদে। মাসু লানখিদে, ঐস্ কায়খিদব্র খল্লি। নোংদম্বনা তম্নখিদবা হাযবদুর্মাক্ল। থম্মোয পুক্রিংদি নুংশিনবগী মৈশাদো ঙসি ফাওবা ফোঙ ফোঙ শানা লৈবি। মৈশা মৎত্রে। ঐনা ইখিবা, থাগ্রিবা শৈংবেংদু তংশংনা সুনিতাদা পাম্লগা ইখবা শৈবেংদন মাবু কাউদনা মংপোকপিসাদ নীং ঙমদনা লৈন্দগীন হাযবদুগী ৱাফোংদোক্লি।

ঐনা শৈবেং থাবা সুনিতানা যেংঙি, তায হাযবদু ঐ য়াম্না নুংঙাই, ঐ পোকপগী মহৎ যাম্লেবু খল্লে। কবি অমা ওইনা হৌব্রনা পুক্লদ থেংনখিবা অশেংবা থৌদোক্ল' যম্ফম ওইবগা ইবনা সাহিত্যগী মগুণ হেল্লি হায়নবদু চুম্বোই খল্লি। নুংদা চেল্লিবা ৱাফোঙদো কু ঐখোয় মোয মমানদি মঙলানগী ৱাখলনি খনবা জাৎনি। কবিগী শক্তোন, নুংগা অর্থ খন্তুবা জাং নত্তে। মসিসু ফৈ। হৌজিকপো থাযনগী ৱা কাউপোক্লদুনা নুংদা থকম লৈননদু ঐ পামদে। ইচা ইমৌগা মমাঙসিদা।

মঙা তবানি লৈবগা অয়ূক অমা ঐগা লুনা তিন্নবা কাব মরূপ অমা য়মদা কোয়নকই। হেক্তা হৌজিল্লকই।

— ঐখোয়গী মহা কবিবু লৈবা নৎত্রো?

— লৈবনি যাম্বুং। কাদা কবি কবিনো ইবিবনি চঙবিয়ু।

— হোৎনবা কনবসিননিনে যাম্না থুনা মহা কবি ফমথোল ফংগ্রিবসে। খঙদেনে ঐখোয কোযবকপাস নখোয নুপীনদি কৈনোমা খল্লমগদৌবা মাল্লি।

— কদায়দৈনোদা য়াম্বুং, লেঙশিনবিযু চা শেমজবক্তে।

মক্ষপ চঙলকপগা হৌজিল্লকই।

— অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাংকা থায়খিদ্রেনে।

— নীংশিংলকপা অমা কাউখিবা য়াই খন্দুনা খোংলিবনি।

— ঐখোয় মমাদুদি মনাতোন চফ্রুমুক চাউথোকখ্রে।

- কবি চঙবদগী ওইবিনিনে। অমহানিনে। থোবকফম মান্নবা অমদগী থোবকপা মী ঙাক্তনিনে।

- সত্য ব্রাঙাঙকাদি পুবা সাহিত্যনিকো।

কবি ওইবগে হোৎনকবদা মীনা অসুক য়াম্না থৌওইদনা কবেম্নবির্বসি কবিগীনো। য়ু থকপা ত্মাব শান্নবদি কমদৌবা' নুংঙাই-য়াইফনা লৈববা মী কয়াসু নিশা অমদা হৈনবা ঙাক্তনি। নুপী কোয়দুনা অনী অহুম লোল্লিবদুনা কমদৌবিবা' ইমুং-মনুং, কৈবোল-লৈকায মক্ষপ-মপাঙনা যেংলিবা মীৎয়েংসি ওম্নোকপা মওং অমনি 'কবি' কা হায়নাবদনা নোক্নবদু ঐসু খঙঙি। অদুবু থাংজিনখ্রবা খোঙথাঙ অসিদগীদি ঐদি হল্লবোই।

ঐ মক্ষপকা ব্রাবী শানবিঙেদা টেলিফোনগী বিং খীংলকই ঐনা পায়খৎলুই টেলিফোনগী ব্রাফমদু ঐনা মক্ষ প্রা খঙহনখি।

ওজা তোম্বীনি। ঙসি পৃঃ ১১ তাবদা এম দি য়ুদা কবি সম্মেলন অমা পাঙথোকদৌবি হায়নকপনি। শৈবেং থীর্কসিবা?

— চৎলুসি। মদু গুম্বদু নাম্নোকহনবা যাবা নত্তে।

মক্ষপ চৎননবা শেম শাকবগে হায়দুনা চৎখ্রে। ঐসু হোবে হোবে তৌদুনা ঈক মাযথর্জাবিঙেদা মমানা কবেম্নবকই।

- য়াম্নুং লাক্নম্বদু ঙসিসু কবি সম্মেলন চৎপিগদৌবিব্রা?

কবিনবু চৎতব' য়াব্রা'।)

শুলাপকী লৈনম

শুসিগী অহীং পুং বাবো তাবদা শোক ২০০৩ বাই বাই তৌদুনা লোইখ্রবনি। থংনবা মীকুপ্তা ইং ২০০৪ হায়দুনা হেপী নিয়ু ইয়াবগীদমক পৃথিবী শীন থুংনা নিল-খোংদুনা লাঙখৎনবক্লগনি। মীওইবা ঐখোযসি শিনি কাউই। 'নিয়ু ইয়ার্স ডে' মশীং য়াম্লিবমখে শিবদা নকশীল্লক্লিবান হায়বসি কাউথোক্লুনা অনৌবা চহী হৌবগীদমক্তা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরি। মী অয়াম্বনা যাইফ-পাউজেল ইবা গ্রিতিং কার্দ লোয়ননা অঙম্বা পোৎ চৈ প্রজেন্তেসন পীনদুনা লাক্লিবা অনৌবা চহীদুগী নুংঙাই যাইফ ফোঙদোক্লবি।

ঐখোযগী লৈবাক ইবমদমসিদসু নিয়ু ইয়াব অহৌবা নুমিৎ জানুৱারী তাং ১ সিদি নুপী-অঙাং, পাখঙ লৈশাবী য়াইতোং-খমদেংবা ফাওবা লমহাঙদা পিকনিক ওইনা তিন্ন-তিন্নবা মকাপ মপাঙ পনশিন্দুনা চাক চানবি। শেল খাযনদুনা, অবৈবা গাডী পুথোক্লুনা লম লাপ্পা লাপ্পা চৎননবগী থৌবাঙ তৌনবি। পাখঙশিংদি মাগা মাগা য়ানজবা, নুংশিনব্বী লৈশাবীশিং পুদুনা পিকনিক অদুদা হবা ওনা শকক যাবসু য়া ওই।

নাই বাইগী নুংথিলদু মচীন মনাও ঙাঙনবকপা ঐ তায়। অনীমক পাখঙ ফানব ঙাক্তান। মযাম্বদুনা মমীৎ মনা শংদোক্লুনা মনাওনুপাদ লা উবকই।

অঙাং নঙনা অসুক যাম্না শীংনবিবসি কবিগানো যাবোই হায়বিবাসান। ঐগী যাম্না লুবা প্রোগ্রাম লৈ হায়বেদনা। গাডী এনা পুগনি হায়বিবসিনি।

- গামে ওসু হায়জিববসিনি। তামোদগী এনা হেন্না লুই। থা মখায় অমা বাংলা ইঙদগী এঙ্গেজ তৌনদনা খন্নব প্রোগ্রামনি।

মোং তব বাহক পল্সব অমথক লৈবদু হযেং নয়ু ইয়াব দে প্রোগ্রাম চংপগী মুন্নবিবান। গ ডা. অমখক, শান্তিগদবনা মচান মনাও অনী। মদুদবু কমদৌনা ব্যেল্লগনি। মদুদা বিচাবপতি ওইবগী শক্ত লৈতে। সাহিত্য অকাদেমী অৱার্দকা পীবিবসি কবম্বদা কনাদা পীগদগে খনবদা কোক শেংযদনা চাক্লমগান। মিষ্টব, মিস কন্তেষ্টতা ফাষ্ট, সেকেন্দ, থার্দ তাবিবদু চপ মাম্নবা ঙা ক্তনি মদুদা কবম্বদা বিনব পীগদগে খনবদা নুংশিবা যেংলগা মার্ক হেন্না পীখিবা জর্জ গা ওদবা নত্তে। তাবোক্লা খন্নবা আশাদুগী বাংমদা থোবকপা বিজল্ট

অদুদা পেন্দবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা ঐ ইচা অমত্তগী মীচঙ চঙলোই। হৌজিক্তি মচীন-মনাওগী বেঙ্কসু মাল্লবে। হায়দা হায়ব্বগসু মশা-মশাগী গাড়ী অমমম লৈবীদবদগী ঐঙোন্দদুম শাউজিল্লকনি। লুপ্তে লায়ববা পৈশা পায়দনা মপা ওইগদবসে। মচীন- মনাও লাউনদুনা লৈবদুদা কদায়দগীনো মমানা অমুক ফবক ফুজিল্লকই।

– ইচাশা নখোয় অনীগীদুবো হয়েং চহী হৌবগী লমচাক চাবা চৎপগী ব্রা নৎত্রো? নচীন-ননাও নুংশিননা গাড়ী তোংমিল্লবগা হেন্দোক্লা চৎমিল্লবা য়াই। অদুক য়াম্মা ফজনদ্রিবা কবির্গীনো?

তানীংদেকো। ব্রাথী ঙাঙলক্কনু। ঙসি শাউবক্রবদি লোইনা থুগাইদুনা শলাক শানি।

ইচানুপা অতোম্বদুনা লাউবকপদু ঐ খংবু খংঙি। কদোমদগী ফবকনো মমাগী ব্রাদু। মখূৎ-মশা য়াওবক্লনা অপায়বা পোৎ লংঙক্তবা মবায়বক্রুম ফৈ। লাইমা খঙমন্দে হয়েংগী খোঙচৎতুদি মচীন-মনাও চৎমিল্লবা য়াবসু নত্তনা। কনানা খঙনি মখোয় মখোয়গী ইীবোইন্দু মনীংদা হাপ্তুনা পুগদবা ওইবল্লর্বদি। ভাব-মেন অমা ইতা হেক তাদনা, মখোয় মমাসিমা।

মচীন মনাও খৎনদুনা লৈবদু ইচানুপী মেমথোইদি ভাব তানা মবুং অনীদুদা হায়জবকই।

– তামোচৌগ তামোচাগা য়েৎনবিবা মবৈদু মেন কৈসু তাবোই। লোতবী তৌদুনা লাইবক য়েংনবে। কনাসু ব্রানৌন্দনবা।

– নচল্লুপীগাদি ব্রাসদ মতাইনে ইচাশা। ইপাদি অমা অমগী মীচঙসু চঙনীংদে। মদুম তৌবোনে।

পল্লমকসে পাবুংনা য়াদুনা তৌরিবান। ঐসে নচানুপা অহলনি। ফববসু ফৎত্রবসু অঙাং মাদ ময়াম্বগী ব্রা ইনফম খোকপান। পাবুংসু চৈহৎপা য়াই।

– অদুম্মা ইবাল শাবিগনু তামো। ঙুতক অমনবা লৌবিঙ্কেদগী তামোনা চহী খূদিংগী নিয়ু ইয়াব প্রোগ্রামদা পুবনি। কুর্মাশ ঐনা পুগে হায়বসিদা ইবেম লেম্মা য়াফম থোকইনা তামোসু ব্রখল খনাবয়ু।

মেন তাদে, অহনবা অমত্তা যাওনদে। মখোয়গী প্রোগ্রামদু য়াম্মা লবা ওইবমাল্লে। খোয়দৌ শাউজাৎলকপদগা শেবান তুবান খল্লকই। হোবেল নুমিদাংসি কৈনো অমা তৌদুনা গাউাদু হেক খুদেকপা, মদু ওইববদি অমসু অমসু ফজবেদনা। কমদৌনা মচীন মনাওগী লান্দু লেইপিবনো খঙক্তৈদ্রে। ইচা মেমথোইনা হায়ববু মবুং অনীদু লোতবী তৌবদ মাপী তামোচানা ফাওদ্রে হায়। ময়াম্বদু মথায় ইনুং নুংঙাইতনা লমজাওবোমদ থোকখি। অমদুমসু গাড়াক ঈম্মোক্লনা লংনা শেংদোকপা হৌদ্রে। ওঙ্খোকপা ইচাশং হায়বদুনি। মীগী মচীন মনাও মবি মত্তা লৈবশিংদু অসুম্মা তৌবিগদ্রা? খজিক্তং ঈংলে খনবদুদা ইচা মেমথোইনা অমুক হৌবকই।

— বাবা ঐগী পুপা চান্মা য়াঙ্খ্রে পীবো। ঐসু হয়েং নিয়ু ইয়াব চৎকদৌবিবনি।

— ইবেম্মা নঙনা কদায়দা কনাগা চৎকদৌবিবা?

— ইচে মেমচাখোযগী কেন্তবদুদা ঐখোয় ময়াম সেকমাই তুবেল খোঙবান্দা চাক চাকপাদৌবিবনি।

—অঙাং মখৈসু হয়েংদি লোইনমক পিকনিক চৎশ্রনি। মখোয় বাবা ঐখোয় অনী ঙাবেল চাবা ঙাবেদনা। ঐসু কৈথেল চৎলুখিবা তাবি।

— মমা। ঐসু হয়েংদি প্রোগ্রাম চৎসি হায়নখিনে। নঙসু যাওনা।

— হনুথঙদা ঙকচবেদা।

নুমিদাংদু মাইক্কা পানখৎতুনা বাই বাইগী লাঙবা হৌবকই। লাউ-খোংলিবা চোইহা ময়ামদুনা ঈশৈকা শক্লিনে। কদায কদাযদগী ঈশৈনো? হঙোই খোংবদৌনা গ্রো-গা অফাওবা কলাকাবগী ঈশৈ মখৈ লোইনা মাংথোক্লে। কবি থোক্লে তৌজশাবিবনো? তানীংদবনা নাকোং মেল্লগা খাঙনীংবদু হেক য়ৌই। পান্মিদকো মীতৈ মচাশিংসিনা কুম্মৈ-হবাও, অমত্তবু চীংথদেনে। পূং বাবো তাবকপদুদা বাই বাই শোক ২০০৩, হেপী নিয়ু ইযাব ২০০৪ মাযকৈ খদিং শীন থুংনা লাউবকপদুদি তম্ববু কনাসু য়াবল্লোই।

লৈবাকসি মওং অমা তৌখ্রে। খষ্টান কেলেন্ডরগী নিয়ু ইযাব পাথিবী শীন থুংনা পাঙথোক্লিবা নুংঙাই যাইফবগী কুম্মৈদু ঐখোয়গী লমদমাসদনা হেন্না ফজনা শরুক য়ান্না তৌবি। নুংঙাইথোকপদা মপাল শাবা মহয়দি যান্দবা লৈবাক হাযবদুনি। নুংঙাইবেনা মীতৈনা নুংঙাইবিবসে যাউশিঙ, চৈবাউবা, নিঙোল চাক্কৌবা পূম্নমক অদুসু য়ুমখোঙ থৃদিং চাৎখনন্তে। পূম্নমক পৈশা চঙলিবা ঙাক্তনি মদুদি কনাসু খন্নদবগুম তৌই।

নুংঙাই য়াইফবা অনৌবা চহীগী জানুবাবী তাং ১ শোক ২০০৪ গী অহনবা অযৃক্লি। ইচামখৈসু ইমুং মনুংগী থবক নীংশিংদনা মাগী মাগা প্রোগ্রাম চৎননবা শেম শানাব। ঐসু মরূপ মপাঙ খবা ঙাঙনখিবদু খঙনীংদুনা ইঞ্জিনিয়াব সাহেবখোয়দা চৎলুই মরূপ মপাঙ অনী অহমদি ফি শেংলগা লৈবল্লে, ঐবু উবদা শাউদুনা লাউবকই।

কবিনো ওজা। কৌক্র লৈখা য়ৌবদা ফনা কুইনা চঙগনি। ঙন্না চৎসি হাযনবগা।

মরূপ অমনা অমুক মখা তাথবকই।

- সেকমাইদা অমুক ফনা কুইনা পনাখিনিদো। ওজা খবা থুবিবক্লো।

ফি হোংদোক্লবা যমদা প্রপ প্রপ লাকই। যুমদা লান অমা থোক্লল্লে। ইচানুপা অতোম্বদু ও-খোংনা কপ্পুনা লৈবম্মী। অপায় অপায়বা পোৎ লংবদা লৈমাযকাদু উজাব মেলা শাবল্লে। ঐ উবগা মমানা পাউ তল্লকই।

- মহা শিগেজন নচানুপা অহলদুনা গাডী পুবগা চৎখ্রে। সিবু কমদৌগদৌবিবনো?

মখোয় মবক্তা লৈগদৌবিবসে, হিংনীংদ্রে। ঐদা শিজনীংলে।

— ঙবাংনা য়ানস্তবা নৎত্রো? গাড়ীদু শো লোল্লগা থম্মু য়াদ্রা। মীফৎতনে মদো।

অহল ওইববা ঐ ফাওবা নিয়ু ইয়াবগী ঈবাং তৌবি। তৌবিবা থৌদৌসিদা কবম্না থেমগনি খনফম খঙদে। খঙনীং নীংশিংলকই অৱাংগী ইমৌনা তোংলিবা কাইনেতিক হোন্দাদু মদু ওইনা লৌবীকবগে খন্দুনা প্রপ-প্রপ চৎতুনা হংলুই।

ইবেম্মা নঙগী গাড়ীদু থবক চৎকদৌবিব্রা?

— বাজ্জি কবিমত্তা চৎলোই। গাড়ী শীজিন্নবিগে হায়ববস্ যানি।

য়ূমদা লান তানহৌবে। ঙবাংদগী মচীন-মনা ও য়ানদুনা ইবোমচানা পুগনি হায়বগা ময়াম্বনা তূমিন পুবগা চৎখোকস্রে। ঐ জ্ঞান তাদে সত্য।

— মী খূদিংগী গাডী লৈবা কনানা ঙমগনি। হংনবগা শীজিন্নবা যাবদ্রবো। বাজ্জ শো সিদা লৈবে।

ইমৌগী ৱাদু ঐ খবা ইকায়। ঙবাংনা হংনবস্লবদি ফগদবনি, মদুসু হেক নীংশিংনদবনি। তঙাইফদ্রবনিনা গাডী ঈস্তোবক্লগা ঐ য়ূমদা পুবকখি। থেম্বা য়াবনি খন্দুনা ইচানুপাদা খোল ৱাউবপ হায়খি।

— হবাও তয়াম্মা লৈগদবা নুমিৎ অসিদা নখোযগী থৌদৌসিদি ইপা হৈনদে। অৱাং নাতেমগী গাড়ীসি ৱাযকববনি চৎকদৌবদ্ চৎলো।

চৎ লাল্টে। গাড়ী থিন্দোকপিন বো।

কান্নবাইদা ইবো। ওইনবগা ওইজবা ফংলেইদা। অঙাংনা চাক ওইনবগী পাউবৌদু তাদুনা হোক্কনি।

খোক্লিবা 'থীদো ক্লুদা ঐসু চৎন শুমাশিবা খল্লি। ময়াম্মা কৌদৌবে হংনবকপদা খুম্ফমদি খঙলোহদৌবি অদুগাসু মথক্তা মীনা খঙনবক্লগা মচা মশ ৱাবকপা ঙমদ্রবা মপা তাগদৌবি। মমাদ চৎনীংত্রা কৈনো ঙবাংগী ৱাফমদুদা ফনা যাম্নবু কেব তৌবস্লে তঙাইফদনা ঐ চৎতবা যাকোইদৌবি হোযদা খোক অনা অমা লাকচনি। খন্দুনা ফি হোংলিউদা গাডী থৌদোকখিবা মখোল তায। ৱাখন্দা খাঙ ক্রুং নুংঙাইবা ফাওবদগী মমাদা হংখি।

অমদু চৎখববা '

চৎস্রে, চৎস্রে' কাবনো কপ্পু কপ্পনে, নুপীদৌনা মৰাক্লংব' নুংশিনা তেংথাবিনে। ওস্থোকপা ইচা হায়বদুনি।

অদুগাসু চৎলবোইকা হাযশাবিনে। কান্নদে মমা লোইশিল্লো মী ঙাইনবল্লনি।

নহাদি লাযবদনা অহল ঐখোয ফাওবা অনৌবা চহী নুমিৎসিদি মথুম মবাঙ হৌই। হৌনবমদনা তূমিন্না লৈববাদ ফগদৌবা। ইঞ্জিনিয়াব সাহেবনা নুপী নুপী যাওগদবনি

হায়রকপদুদা ময়ামসু হেক য়ানখি। তৌবদি মদুনদি ফৈ, কা হেন্না ঙাওনদনবা। ঙসিগী নিয়ু ইয়ার ডেগী প্রোগ্রামসিদা মখোয় মমাগী খুৎকেসিদি ঐ ফাওবা মীৎ থকই। অদুনিদনা খোঙচৎ শোয়দনা মঙ্গল ওইগনি। অনৌবা চহীসিগী অহানবা নুমিৎ অসিদা পুক্লিং নুংঙাইবসিমদি চহী চূপ্পা দাউ য়াগদবা মাল্লি। ইচাশিংগী ঙাইহাক নীঙাইদুদি করিসু নত্তে। মমাগী মীনোক অমখক্লা পূমকোক হেক কোকখি।

হেন্না ফজহন্নীংবদগী ঙাইহাক থল্লুই। আতবগুলাপ ময়াম অমা শাৎলিবদু উরকই। চঙশিন্দুনা ময়ামদুগী মরক্তগী চাউতক তৌবা মপূং ফানা শাংকায়রবা গুলাপ অমা থৎলুরে। অহীংগী লীক্লা তাক্লমদ্রি। মদু মমাগী নাপ্লদা হেক থেৎচীল্লুবে। মদু হেক পকখিবদগী কয়াম ফজে। অদুবু গুলাপ্তু মশানা শেমজীঙরগা লোল্লপ হায়বকই।

— হনুথঙদা মী উপ্তগা ফর্জরিব্রা?

— কনাসু উখিদেনা। উববসু নিয়ু ইয়ার্স ডেনি কৈনো?

কোয়না নৈদুনা য়েংলুবদা অৱাংগী ইমৌনা নোকফেৎ তৌরম্লগা ইমুংলোমদা চেনশীনখিবদো মদু উবদা ঐ হুমাং অনপ্পী কাংহৌই। ⟳

লাইবক্তা তম্নম্বা

পেনা শকপগী নুমিদাংবাইরম, কৈথেল ফম্বগী শারী, সনা শাবগী হয়েং, লৌউ উবগী নোংমৈ কম্প্যুতরগী যুগ ওইরবসু অদুম্মক চংনরিবা বাফমনি। তাইবোহলদু লৌবূক চংলুবা ওইরমাল্লে। থাঙজৌ অমা মরেঙবান্দা হাইগংলদুনা মফি-মরোলদু লৈখোম হাইফেং তৈনা লাকই। লম্বীদা ঐগা কোক হেক থেংনরে। হায়রকই।

— ইবুংঙো নহাক্কী লৌদু পেংথোকপিরগা হার অমুক্তং হৈথরবদি ব্রং ফুগংলক্নুনা ফৌ থোক্কনিদো। ফংত্রেব্রো য়েংবা নুংঙাইত্রে।

— তাদা খল্লিবনি।

— ফৌদম শেল লৌব্রা, শেল পূবরা মতম লৈরিভৈদা খরা হোংনহৌ মাঙহনবা পাম্মুই ইবুংঙো।

কুর্মাশিসি ঐগী দাউ য়াদবা চহীনি। দশা য়েংলুদ্রবসু অদুম খঙলে। তাইবোহলনা তাকপিদ্রবসু ঐগী লৌদু উরবনি, খঙলবনি। মতমগী লৌ উবা হায়বসিসু লায়রা ইনাক খুনবা ময়েক শেংনা তাকথোকই। ঐগী লৌদু ঙাশুশঙ ঙাঙলগা ফেরে ফেরে হাইদুনা নাপীনা য়োমদুনা লৌরিবদু লৌপু ঐ ফাওবা য়েংনীংদে। কমদৌনি উপায়দি লৈতে। কনানা পেংবিগনি। কদায়দগী শেলনা হার লৈদুনা চাইগনি। ফৌ খরা লৈজবদু চাননবা ফাওবা খাকহৌদবমখৈ তাইথোকপ্রগা মমাদু গুৱাহাত্তিদা ওপরেসন তৌরুবগী কন্দ্রি। মীগী শেলসু খরা শোকচীল্লে। থবক শূদুনা শেল তানদ্রবদি ইচা পিশকশিংদু চরা হেনগদৌরি। তাইবোহলনদি ফৌদমশেল, মীঙোন্দগী পূবা হায়রি মদুসু পোইনুদা তেরি-মেরিনি। ওল্লরোই লৌকা হন্না য়েংবা লাইনা পীরকপা খরদু লোক্লুগে। নোংমৈ ওল্লকপদদি মীয়ামদা খঙহনগে।

পোইনু লৌ লোকপদু পি তাদেদা খাকই। লৌ শূমিন্নরিবা ময়ামদুগী মমাঙদা ইকায়বা পোকই। ফত্তবা হৌনবমখৈ ফংত্রে। শঙমদা বোরা ৭/৮ খক থোকই। লৌখোইমন, লৌরোকমন ফাওবা হঞ্জিন্দ্রে। নুংনাংভুবগী করি কান্নগনি, ঐনা তৌজবনা ঐনা ফংজবা ফজনি। লৌ শঙম ৩ খক পাঞ্জবনি লৌরাক অমদি অশানবনি, শঙমখক্তনি লৌচা। লৌপুগী বোরা ৮ লৌশাল খিল্লুবদা হায়রকই।

ইবুংঙো নোংমৈদি শঙমদা বোবা ৫/৫ লৌবগনি। মাঙজৌননা হায়হৌবিবর্সিনকো। মী লোইনা পীনবে।

খোয়দৌ শাওগৎনা যুমদা হল্লকই। তৌববুদি শৃবিনবা য়াম্না শেন-থুম মবাঙ কায়বা ইমুংগীদি হোৎনবা কনবনিনা শঙমদা বোবা ২৫ গী মথক্তা থোক্লে। মখোয়শিংদুনা লৌশাল হেন্না তমগে লৌ পীযু হায়বদগী লৌপুশিংদুনসু ৫/৫ চৎনবে হায়বিবনি। মীয়ামগী ভু ইদুনা ঐসু নোংমৈদি লৌশাল হেন্না তম্বা তাবনি। তমগনি, মীয়ামগী চৎনবী ঐ থুগাইবোই।

চষ্টী খুদিংগীদি থোকচবকপা ফৌন' লেম পানা চাবা কোন্নজবনি। কুমশিদি কুম তঙ্খায় অমদগী হেন্না চাববোই। শেল তানবগী থবক্তা ঐ কন্না মায় ওনশীল্লে। মমাসু কল্লবনিনা ইখোল শৃদুনা ঙাচেৎ-থুমচেৎ পুননবা কন্না হোৎনবি। নোংমসু ঐখোয় অনী তান্নে।

— ওল্লকপর্দদি লৌ ফজনা উবগা পৃৎথবিবা ময়ামসি মেনখৎতবা য়াদ্রে। শৃবদা ফংলক্রিবা পৈশাশিংস লৌ খোইদোক্কনি। হাব লৈশীলহৌগনি মসিনা মক ওইনা হোৎনসি। নঙসু রাবা থিগনু।

মদুসু তৌসি। খবা কন্না হোৎনদবা যাদ্রে। অরাবা খাঙসি।

অঙাং পীক্রির্বা-না খবচ পঙযাম য়াম্না চৎং। অঙাংশিংস এল পি স্কুলদ লোইনা তমহাল্ল। ঐগুম্বনা মখোযগী ইংলিস স্কুলদা তমহনবা ঙম্বগী শক্তি যাওদে। খবচ হুনবা ঙম্লোই। মদুমক্তা শৃক নোম্লুবদ ফংজবকপা শেল অদুনা চেঙ খবা রান, লৌ খবা খেইদোব, ঽ ব খবসু লৈশীনদুনা থমজবে। ঈশ্বরনা চানবীবা হায়বদুনি। শৃক নোম্লুবদু যাম্না কাম মীনা হায়নবা লৌ উবগী নোংম হায়বা রাফমদু মদুতাদ থোকহল্লবোই খন্দুন ঐসু কন্না হোৎনখিবনি

মতম ঽ ঙহৌদে, লৌউ পাম্থ য়ৌবক্লে। শেল তানবগী থবক পোৎথাবে। থা অনী অঙমনী চাননবা ফৌ লৈবিঙৈদুদা লৌ উবদা মায় ওনশীল্লে। মতাঙ মতাঙগী মতম চানা পংগোকপিবা, হাব হাপ্পিবা, ইীন ইীদাক্রচিংনা কাপথোকপিদুনা অকোয়বদ লৈশিনা লৌশিংদুদগী ঐগীদুনা খাইদগী হেয্যা ফজবে। রাবল নুংঙাই লৌবৃক্তদা লৈনাংঙি মমাসু শবাম যাওনা অরাবা খঙদবমখৈ হোৎনজখি। তইবোহলদু ইনাক্তা চঙলক্নুনা হায়বৈ।

কুমশিদি ইবুংঙো নঙগাস থোকপ্রনি। ২৫/২৫ দগী তববোই। শেল যাওদ্রবদি লৌসি ফী হায়বা য়াদ। ইয়াম্বগীদি যৌদ্রে দশা য়াওল্লে।

খঙদেদা তাদ। হাক্লমদু থরায় নুংঙাইখিদ্রে। কুমশিদি হোৎনগে য়াওনা হোৎনববনি। লইনা কবি তম্লিবা খঙদ্রে।

হৌখিবা চহীদুদি ঐনা তাখিবা দশাদু কনানসু খঙবিদনা ঐগী লৌফমগী লৌদু উবগা থীনা ঙাঙনখি। "মাস নুপাসি মহা কতনান। মমাগ্নবা লৌ তাইনবশিংগী মমাঙদা ইকাযদ

খঙদে। উবোই হায়বগা তোকথোকউ।” তাবা ঙমদ্রবা ৱাহৈ কয়ানি ঙাঙনখিবদু। কুমশিদি কবি থোকএ। নখোয়দ্রা লৌ উবা হৈবা।

লাংবন চঙলক্রে। ফৌবক চঙবা য়াদ্রে। লৌগী থবক লোইরবে। চেঙসু ৱাংলক্রে। থা অমা অনীদু মেম্নবা ঐ শেল তানবগী থবক শূবা যাওবে, মমাসু। ৱাখল নুংঙাই, আশা লাকই মীমাঙদসু লেন্নজে। কুমশিদি য়ামদ্রবদা কয়দা বোবা ৭০/৮০ দি হৈবগনি।

পানথৎলকপা হিয়াঙ্গে থা নিঙোল চাক্কৌবদা লোইরব্রে। লৌ মুল্লে। ঐ ফৌ চবোংশিংদু উকবদা ইতোমতা মোমোন নোকখি। ঙসি মঙা তবানি লৈববদি লৌ লোকপা য়াবগনি। ইখোলগী মনা-মশীংসু ফগৎলে। লৌ লোকপদা হঙ্গাম তপ তাবা মখৈ চাশিল্লগা চৎপদা অৱাবকা লৈবোইদৌবিবনি।

–অঙাংশা ঙসি মঙা-তবানি লৈববদি লৌ লোকপা খবা য়াওমিন্নসি। নোংমগী খুল্লঙগী লৈশা পীগনি।

– তাদা নোংবু মঙলক্লিনে। নোং চুববদি খোঙ চোং তুনা লৌ লোকপা নুংঙাইবোই।

– কন্না চুবোইদা মেবাগী থাউমৈ মৃৎপগী খবা খীকপা গৌনশানি।

নুংথিল পৃং ১ গী অদুৱাইদদি অতিযা পৃম্বা নোং পুবা লৈচীন্না পৃমমম মমখ্রে। থাজদনা থাক লাউবা যা ওবকই। থম্মোয়সি খাঁজিক নুংনাংঙি। অখাক অবা ও মবক্তা নুংশিং কন্না শীংলকই। নোংসু ফৈনা ফৈনা মকৃপ মকৃপ চুবক্রে। নুংশিংতু শাফু কনশীল্লকখি অমুক অমুক লৈখাযদুনা শীংলকপা নুংশিংকী শাফুনা উ ৱা তেকই খুৎকন থীবে। জিভঘ ফক্কুনা পাইবক্রে। নোংঙা উগা নুংশিংকা লোয়নদুনা তৌবক্লিবা কৃম্মেদু অঙকপনি। ইমাঙদা যূম তেকখিবসু উবে।

হে লাই! জগৎপু শেম্লীবা ইবুংঙো থম্মিদকো নঙগী নতীক। তাইবঙ মীবু হাৎকে খনম্রমাল্লে। খাক লাউবা মবক অদুদা লেঞ্জাউ হৈথবক্রে। ঐ অতৈ বাখল চঙদ্রে। “লাইনুংদকে ঐগা লৌ” মদুদবু কেক গ্রাওলোইদধা কনানো? তশেংনা ঐ লাইদা ৱাবৌনা কপখি।

খোযদৌ থাংপা খৌদোক্লি। পৃং অমবোমদু নৈখাইবন্নগা চপ লেপখি। তাবমদাই নুমিৎতু মযেক শেংনা উবকই। তৌবিবা গৌদৌদু ঈশ্ববনা তাইবঙ মীদা তশেংনা লক্লবে। ঐ চৎলে তাক্লমদনা থুনা খোবকখি। চৎননবা লম্বী লৈবমদ্রে। উ ৱা অতেকপনা লম্বীদু পৃংফুন ফুল্লম্লে। এলেক্ট্রিক তেলিফোন তাবা ম ৎং মতৎ তৎলম্লে। এলেক্ট্রিক পোস্ত লৈমাযদা তুবি। পাইথোবকপা যূমগী জিভধনা লম্পাক লৌবৃক্তা ইবং লংনা তাবি। স্কুল, কৈথেলশঙ, সবকাবগী ওফিস তেক্রম্নে। লনাই বিল্ডিং কযা 'অমসু উজাউনা নন্দুন' নীংখাযবসু উবে। নুংশিং খাঙলম্বা জীপ, কাব ফাওবা সোবোক্তা নোংনৈ নুংশিংনা নালাগী ঈশিংদা লংথবাম্লি।

অশোক-অপন, অশি-অনাসু য়াওরে।

পূন্নমক্তু ঐ থৌশাদে। ঐগী লৌফম তান্না চেন্দুনা য়েংলুই। ফৌ চরোং লৈরমদ্রে। লৈমায়দা ফৌ ফৌবগুম চাইরি। হুকচাংসি নীকখিবদু ফাথবা ওমদে। ও খোংনা কপ্পীংখি। থা ৩/৪ বানা হোৎনজদুনা মহয় য়াল্লবা ঙসি মঙা-তবানিগী মতুংদা য়ুমগী কয়দা পৈশিল্লগদবদুবু নংহৌরবোই মতাগুম তৌবিবল্লিবসিনি। ফত্তেদকো লাই নঙসে।

বাখল অমা ফাওবক্তুনা য়ুম তান্না প্রপ প্রপ লাকখি। কোম্বোঙ চঙলকপদা মমা-মচা মখোয় মবিদু শুমাঙ ময়ায়দা লেপ্পগা তেক্লবা ঐগী য়ুমদু য়েংদুনা লৈরম্মী। শাখৎনা ঐনা লাউখি।

– অঙাংশা কনা কনা শোকই।

– ফমুং মখাদা চঙহৌবগী ইমা-ইচা ঐখোয় হিংহৌরবনি। কনাসু শোক্তে।

মমানা পেৎৌ পেৎৌ খুল্লকখি। মতমদো থেঙজিল্লক্লে থাউমৈ য়াওদ্রবদি অম৺: অমগা শক উনবা ঙম্মদ্রে।

লীলা লোইরে

য়াউশঙ মতুং নোংমাইজিং নুমিৎনি। য়াউশঙ লোইশ্রবসু মীতৈগী হরাও-কুম্মৈদি লোইবা নাইদ্রি। মৌনহাশিং, য়াইতোং-খমদোংবশিং চাকচা-হৈজানদুনা শুমাঙ লীলা কৌরগা য়েংবগী চৎনবী অমা কল্লা চৎথরি। ঙসিসু থৌদাম লৈকায়গী মৌশিং অরিবম মান্দবতা চাক চানবগা লোয়ননা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা শুমাঙ লীলা অমা তৌগদৌরি। মাইক পান্দুনা অয়ূক্তগী কোয়লাউ লাউদুনা মীয়ামদা খঙহল্লি।

লালমণি বেঙ্গলোরদা এম এ তম্লিবা ছাত্রনি। বি এ তম্বদগী মথং-মথং তমথরকপনি। অমুক্তা ময়ূমদা থোরক্তে। কুমশিদি ইম্ফালদা য়াউশঙ য়াওরুরগে খন্দুনা থোরকপনি। ইম্ফালদদি য়াউশঙগী চৎনবী খরা হোংলপ্লে। পাখঙ-লৈশাবী আবের তৈনবগী মহৎতা লৈকায়-লৈকায়গী ওইনা স্পোর্তস ওইনা পাঙথোক্লরি। নুমিদাং থাবল চোংবদি লম্তক লম্তক চোংনরি। লালমণি থাবল চোংবা অমুক অনীরক য়াওরুই। খোয়দাবা থম্মোয়না পামজবী লৈশাবী থেংনদ্রি। ঙসিদি লালমণি লীলা খংয়েং য়েংনীংখি। মচেগী কাইনেত্তিক হোন্দাদু শেংদোক-শেংদোক্লা মচেদা লাউরকই।

— ইচে, ঐগী ফুরিৎ খোল্লাওদু খরা শূদোকপিয়ু লীলা য়েংঙুগে।

— লীলা য়েংবদি জিন খোল্লাও জেকেৎনা য়ারে। ফি অফবা শেৎতোকপদু পাম্মুই।

— ঐগী অপাম্বগা ইচেগী অনীংবগা মান্নৌ য়াবা হৌনদে। শূদ-শূদোকপিয়ু।

লালমণি গাড়ী থৌদুনা থোকপ্লে। চুমদ্রিং লমফৈ চৎতনা হজাম চঙদুনা মশামদু নাল্লা ককহল্লে। কোক্তা তৈননবা মনম নুংশিবা থাউ, মায়তৈ অমমম লৈরগা য়ুমদা হল্লকখি। সুনিতা মৌপ্পাগী থৌরাঙদু উবদা খরা ঙক্তক তৌই। মতম কুইনা মৌপ্পানা মপান্দা লৈরুবা হন্দক য়ুম থোরকপসিদা পাখঙ ফারম্বসিদা নুংঙাইজে। ভৌথোকই, মশকসু ফজথোকই। মীমাঙদা মৌপ্পা উৎনীংঙি। য়াউশঙ মমাঙদা নোংমা সুনিতানা মৌপ্পা পুদুনা মমান্নবী রজনিখোয়দা কোয়রুই। রাং-চাউবা, মতু-মমান শীৎ নানবা মশক ফজবা লালমণি উবদা সুনিতাগী ওইনা ভাব অমা খল্লুরে। সুনিতানা হান্না রামাঙ য়াল্লমদ্রবদি রজনি রাফৈ ঙাঙলুদুনা চোপ্লমগনি। সুনিতানা কনবিখি।

— রজনি। ইপ্পা অমা বেঙ্গলোরদা লৈ হায়বদুনি। পাখঙসু ফারগ্লে, মশকসু ফজদ্রা? নঙোন্দা উৎকে লাক্লিবনি।

— ও! ইপ্পা ওইরে। নুংঙাইজরিনি। ঐখোয়দি ইবুং-ইপ্পা কনাসু লৈজদবনিনা কল্লকই।

সুনিতা বজনিগা লুনা তিন্নজবী মমান্নবীনি। ইনাক-কৈরাক খুনবী, মশক-মতৌ ফজবী, মতোমতা পোকপী মোং হাদবী মওংদু সুনিতানা কল্লকচৈ। অচীক-অকোম মুন্না খঙবী সুনিতানা মৌপ্পাবু পুনশিন্দুনা লম য়াল্লুবনি। মতুং তাবদি মখোয়গী বানি। সুনিতা বাহৈ অমা ফাওবা কাঙথোকখিদে। লালমণি, রজনি ফজে ঈং-তম্বী হায়বদুদি খঙখি। মখা তাবদা মচেগী মমান্নবী, মচেগীবাখলদা য়ুম য়ৌরকখি। সুনিতাদি বাখল অমদা ঙাওহৌই।

নুংথিল পূং ১ বোম তারকপগী অদবাইদা লালমণিনা মচে সুনিতাদা অমুক লাউরকই।

— ইচে, ঐগী ফিশিংদু আইরন প্রেস তৌবিরব্রা?

— মসি অঙাংসিমা ঙাইঙমদবা তৌগনু। লীলা য়েংবদু নংগনি। ঙসি নঙনা অদুক য়াম্না কেনীংলিবদুবু নুপীকা উনগদৌরিব্রা?

— ইচেসিমা কাতু-কাবন। নুপীগী বাদি ইচেনা থিবিয়ু।

সুনিতা শ্বায় লাউই। নহান নোংমা রজনিখোয়দা পুদুনা কোয়মিন্নকবদুগী ফল অমা মৌপ্পানা খঙলব্রা খল্লবদা। অদুবু ফোঙদোকপদি পামদবনিনা তূমিন্না লৈথোক্লে।

ঙসিগী লীলা য়েংবসি লালমণি খবা নাম্ভক চৎনীংঙি। কেবা হৌবকই। মনম নুংশিবা থাউদু মকোক্তা তৈবে। মাযতৈদু অমুক তৈ, অমুক তৈথোক তৌদুনা মিংশেল য়েংঙি। নুপীদৌনা লৈ লৈদুনা য়েংলগা শমজেৎ হাংলি। লোয়্না য়েংলবদি অউবা মীনা নোক্লিন। শেৎলিবা কোত-সুত তোংলিবা খোঙউপতুসু কাপ লংনা থাববা বাটাগী এম্ব্রেসেদব অমুবা মর্চুনি। সুনিতা মৌপ্পাবু য়েংলগা নোকমি-নোকমি তৌদুনা লক্লবকই।

— ইবুংঙো নঙগী ফজবা খূৎকেসিদি বোলিউতকী হীবো শকককখান্না কৈদৌর্কনি।

- ইচে অশেংবমক্কী।

- ফজৈবো ইপ্পা ওইবগী থাগৎপা নঙে।

লীলা মতম য়ৌবক্লবদুদদি মমান্নবা ২ / ৩ সু চঙলক্লুনা কোয়লাঙ লাঙলৈ। লালমণিগী পোজ তাবা খূৎফজদু উবদা মমান্নবশিংনসু ঙাঙথবকই।

- খূর্সিসিদি ঐখোয় মকর্পাস পুবা হীবো ওইবেকো। লৈশাবী মখৈ ব্রাছুবা শোয়বোই।

- মদুতা থোক্লনবা হোৎনজবিবনি।

পাখঙ মচাশিংদু মবী-মবী থোকখ্রে। সুনিতা য়েংহৌই।

মমান্নবশিংদুদগী মৌপ্পানা তোঙান তাবে। মৌপ্পানা কোৎ -সুত শেৎতুনা চৎখিবদু মাদি মদুমক্তি শেৎহন্নীংখিদবনি।

য়ৌবগা লীলা তৌবে। লীলাদা পুক্নীং চঙনৈ। ফল্লিবা ভাবোক নুপীশিংগা লালমণিখোয়গী কাঙবুদুগা মায়োক্লনা লেপ্তুনা লীলা য়েংঙি। লালমণি নুপী ভাবোকশিংদুদা কোযনা লৈদুনা য়েংলি। হেল্লোয়গুপ্পী অমা ওক্লবে। মীৎয়েংদু চপ লেপখি। মুন্না য়েংশিনখি। নাপ্পদা থেৎলিবা লৈ মচুগী গুলাপতুনা হেন্না মযেক শেংহল্লি, ঈবাং কাহল্লি। লাইবক্কী চন্দন, ফজববা শকফমদু উকববদা মীৎফম লেঙঙ্ যাখিদ্রে। মুন্না য়েংদুনা চঙজফম থিখি। নুপীদুনসু নুপা মবক্তা লেপ্লিবা মশা নানবা পাখঙ অমনা ঐবু মীতানা য়েংলে শঙবগুম নোকফেৎ তৌবগা মীৎচিংগী তেন কাপ্লকখি। তেন্না পাল্লবা লালমণি চৈনা ফাওখি। পুক্নিদা নুপী অমগা অসুম্না অমুক্তা য়েংনদ্রিবা পাখঙনিনা নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈখিদ্রে।

লীলা কবি তৌবি খঙদে। দাইলোগ তাদে। শকতেনবী নুজাদু শেন্নবিঙৈদা। লালমণি মীৎচি খৎপা তৈতে, চুমদ্রিংনি। নুজাদুদি মীৎচিনা, মোমোন মীনোক্লা, ভৌববা কম্ফোর্ট যাত্রাগী পবেংশিংদু উৎতুনা হাইফেৎ শুগৎলগা য়েংলকপদুদি লালমণি লেপ্লি কাউই। তুগেদুম তৌই। মদুমক্তদসু শুমহৎয়াইগী খুৎনোক অমসু হাপচাল্লকই। নুংঙাইববা কুম্মে মবক্তুদা নাকন্দা মমান্নবশিংদুনা লমফৈ ৱাবী শানবি।

– ভাবা আদগী ফুনিৎ অঙাঙবা লীৎপা হা ওফি ইর্নবিসে পোজ তাদ্রা, মমাং ঙাওবিবসে য়েংঙু। ঐখোযদকাসু য়েংলক্লিবসে।

লেম্না থাবা যাদে। এাঙং খবা কাপহৌবো। খোযদাববদি তযেং চিটি পীর্কাস।

লালমণি মশান য়েংজানবা নুজাদু ওইনমগদ্রা খল্লুই। অতোপ্পা লৈশাবী অমা ওইবন্দুদা নে ওাই। কনানো, কদাযদগীনো, কাব মিং কৌবা খঙনীংবগী লাঙতক্লবদু থম্মোযদা য়ৈনকাখ। মমান্নবশিংদা হংগদবসু ইকাযবগী অশোনবা অমা লৈবি। তংখিদে লেপ্লা লেপ্লদুম মঙ মঙলকই। মথং ইনবগী সিনদে।

কাব মিং কৌবিববগে ?

বাধবাণী।

যাম্না ফজবা মিংনি। বা অম হংগা। নতাংগা লীলাদা ফজব্রা ? ঐাদ হজবা লৈশাবী অমদা ঘম্মোয কৎথোক্লিঙদা লীলাদু ভাব ভাহৌদ্রে।

ঐসু লীলাগী ফজনদুদি খঙজহৌদ্রে। ইশাদি নুমিৎতৃ যাম্না নুংঙাইখি। মশা নানবা পোজ তাবা পাখঙ অমনা পামজনা য়েংববকপদুদা।

মাযাম ৱা নোক্লকই। লালমণি মঙলান কাযখি। লীলাগী দাইলোগ, এাঙদা নোকপা ওইবল্লে। লালমণিসু নোকখি মীয়ামগা খুনোক তিন্নদে। মীনোক্তুগী পাউখুম ফংখিদবা নত্তে। নুজাদুনসু অনৌবা মথোল অমা তাপচাল্লকই। শোযদনা নুংশি খোঙদাফম ফংলগনি। লেম্মদি থাববোই। লালমণি নাবেপ লৌজখি।

মীয়াম্না যা লাউনা কাযখি। লীলা লোইবে। লালমণি মকোক্তু খঙহৌদনা চীং লাউখি। কনাগুম্বনা উতৃপ্পা থোম্বদৌনা মকোক ঙাওবকখি। মশাদু লেপ্পা ঙম্লক্তে, হমাং অনম্বী কাংলকই। মওং চাববোই খন্দুনা মমান্নবা কনাসু তাক্লমদনা নুজাদুবুসু হন্না য়েংলমদনা চেনবোই চোংবোই তৌদুনা য়ুম যৌবকখি। মশাদু থক থক নীকই। মফি মবোল হোংদোক্তনা উপ্লাক্লা ফমুংদা উপশিন্দুনা চোইবোল পাবোল ওইনা মচীন্দা মুকম মুকম শোল্লকই।

— "হে নুপা! নখোযসিনিকো লাঞ্জাও থোকহনবা। লৈবাক ব্রাথোক ওইহনবা, ঙশ্মী, নখোযমুক কিবা লাই লৈতে। ঐবু কবি ইবাল নঙজব্রবগে? মীৎয়েংগী পাউখুমবু অদুম্না পীথক্লবদি মী শিনবোইদবগী মবম লৈতে। ইকাযবা পীবিবা, নোক্লবিবা হায়বদুবা, অদু ওইবগনা পেল্লেনি। নশাগী শক্তম তাক্লগদবু ঐবু অঙাওববো? ইস ইকায়খ্রেদ। ঐ লৈকাযসিদা লৈনীংদ্রে। হয়েংমক মীবমদা চৎলগনি।"

লীলা লোইবগী চবাঙনবকপা মতমদুদা লালমণি অবোইবা ওইনা খুদোম্না ৬ৎতুনা চাগদবগুম মুন্না শেম্নদুনা উননবা যেংজখি। ঙসাইমখৈ যেংনবগী পাউখুম ওইনা নুজাদুনা মতম্বাক্তা পম্লম্বা পীক্লিবা মচা অদু উজহৌবে, খঙজহৌবো মতাগুম ব্রাংলপ থাংগৎতুনা উৎলকখি। লীলা পূমলোই লোইখ্রে। ◌

ঐ কমদৌনা হিংহৌরিবা?

লিদরশিংনা সিনিযব ওইবা ঐখোয় খবা খঙ্গৎলগা লোতবী তৌবদা ঐঙোন্দা ফাওবে লুপা লাক্ষ ৩০ গী প্রাইজ্জান। ঐ র্কবসু নাচুংবিদে। যাই, থবক্তু পাঙথোক্কনি। লৈবাক্কী সেবাগীদমক থরায় কৎথোকপা পাম্মুদে। মীযামগীদমক উশিল ওইনা ঐগুম্বা অমা মাঙখিবদি মাঙজখিসনু।

পার্টিনা লৌবিবা ফিবোপ্তু লৈবাক অসিদা কবপসন মরু ফংনা মূৎথৎকনি। মেদিযাদা, চেঞ্জাইদা কবপসনগী মাযোক্তা ব্রার্নিং কয়া তৌগ্রবসু থওইদনা নোংম-নোংমগী হেঞ্জিল্লকই। লনাই ওইনা চৈবাক পীবদসু কিবিদ্রে। পার্টিনা কুপ্পা খন্নববা তুংদা তোইহান্তু সিক্স জানুৱারী বিপর্য়িক দে সেলেব্রেসনগী পেবেদ চৎথবিঙৈদা ভি আই পি গেলবীদা ফন্নিবা লৈবাক্কী অঙম অখৌ, ফ্ল্যাইবা, হায় ওফিসবশিং পুম্নমক তম্না হাৎননবগী থৌবাঙান। মদুদা বিম্নোত কণ্ট্রোলগা এটোমিক পাৱর য়াওবা শক্তি লৈবা বোম অমা ফিত ভৌবগা পোকখাযহনগদৌবিবনি। থবক অদু পাঙথোক্লনবা লোতবী তৌবদা ঐঙোন্দা ফাওববনি। সুইসাইদ তৌগদৌবিবনি।

শেল পুম্নমক থবক পাঙথোক্লবা মতুংদা নহাক্কী ফেমিলীদা খুৎশিন্নগনি। থৌবাঙ অসি পার্টিগীদি অবেপ্পনি। নশানা য়ানীংদবা লৈবগসু খন্থনবা মতম লৈবি খল্থখিগদ্রা?

- সাব। পুক্লাংদা চিংনবা লৈতনা থবক অদু পাঙথোক্লবা শেম-শাজবে। মখা তাবা ব্রাহং থাম্নবগনু।

ইশানা যানা চে চাংদ' সগী তৌখি। অদুবু ইথক্তগী ওইবা ব্রাখল খর্বাদ খল্লকখি। নোংমদি শোয়দনা শিবগদবা মীওইপোক অসিদা ঙাইঙমদবা অমা যাওনা শিবগী চৈবাক পীবা অসিমক্তি কন্নমনব্রা ' মখোয় অমবর্মাঙ নত্তে। ঐনা পাঙথোক্কদৌবিবা থবক অদুমকসু মবাল শুক্ল লৈজদ্রবা মমল যাম্নব মীওই কয়া অমসু চেন্নগদৌব। মদুগী পাপ অমদি পুফম থোক্লা" পাপ্ত ঐনা পুফম থোক্লবসু ঐবুদি উৎ ওইনা তুমথ্রনি।

তৌবসু লৈবাক অসি হাকমনথ্রে। খোঙথাঙ খাদং কবপসনগী লাংদা থুবে। কবপসন হৈবা কাঙবুনা স্বর্গ য়ৌনা ব্রাংখ্রে। শূজ নোমজবগা নেংমগী চবা তানবা কাঙবুনা উপ্রাক্লা হীপ্তুনা খাঙলি। কুনমাথোইশুবা সেঙ্কুবী অসিদ' শিকি তিংদনা সবকাবগা মবী লৈনবা

থবক ফংখিবা কনা লৈবিবগে? মীশক্তো ইটিহাস ওইনা ময়েক লানা ইদুনা থম্লমগে। লৈবোই। মহৈ-মশিং হৈববা কয়া অমা কান্নু থাও ওইদুনা লৈবির্বাস ইন্টরভিয়ু মতমদা সেলেক্সন তৌখিবা মীশক অদুনা পূমহেন কেনাখ্রো? লাইমক য়েংদুনা পাউখুম পীহন্নীংঙি। অসিগুম্বা ময়াম অসি নৈনকগা পার্টিনা ফিবেপ অসি লৌখিবনি।

ইশাগী চহী ৪০ হেনখ্রে। নুপী থিদ্রি, থিগেসু খর্নাখদ্রবান। নহা ওইবিগে, মাষ্টব লোইবগী তাঞ্জাদুদা ঐগী নুংশিববী অঞ্জুনা চেল্লসি কয়াবক হার্য়াখ। ঐ শুকয়া য়াখিদে। থম্মোযগী ব' ফোঙদোকখি।

– থবক মচা অমত্তং তৌখিগে। কন্না হোৎনবি। মায় পাকপা নুমিৎ অদুদা য়ুম পানবগী আশা খল্লবা য়াবে।

অঞ্জু ইনাক কৈবাক খুনবা ইমুংগী নিঙোলনি। ওঙাগী শিনফম অমসু তৌজবিবীনি। মানা থবক তৌবা ঐনা ফমজা চাদুনা লৈগদবদু খনবদগী ঐ মশীং খঙদনা ইন্টরভিয়ু যাওখি। পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু খুদিংমক ফজনা পাউখুমখি। খল্লকপা যাই খনখি শীং শীং নাষ্ঠোকখি। থবক ফংলক্তবনা মবম ওইদুনা মা ঐগী মব ক্লা চাউববা চেকপল অমা খাখি। মবাল লৈজদ্রবী অঞ্জুগী নীংবা থুংহনবা ঐ ঙমখিদে।

কুইনবগী তুংদা পেন্দবগী ঈহৌ অমনা ঐ পার্টিদা জোইন্ত তৌখি। অনৌবা সংসাদ অমদা পার্টিগী আইদোলোজীদা ইশাসি কৎথোকখি। চান্নবী অঞ্জুদো থম্মোয় শোক্লা সংহোংখি হাযবদুমদি ঐসু তাখি। পুন্সিগী নুংশি বাবাদ কাযনননা অদুমক থুপচীনখে।

বিপব্লিক ডেগী অর্যাক্লি। লৈবাক অমা নীংওম্ন ফংলবদা ইশাগা লৈজ্রাক্লান চৎনা পথাপ হৌদোকখিবা নীংশিং থৌবম পাঙথোকপা নুমিৎনি। থৌবাও ন্ম শেম শাবা লোইবে। মতম য়ৌববদা ঐ ভি আই পি গেলবী তম্না চঙ্গশিনখি ঐনা শেংলবা গীজোল অদুমক্লা কনানসু চিংনলাং ঙাই লৈত্রবনি। অদুবু পালসাশংনা পার্যাববা দিংঙে কবাং অদনা চেক তৈবকপা মতমনা হুদোংঘীবা অমাদ লৈাব।

পুলিসকী চা'টবব ওফিসব কযানা গেলবীগী অ্যাকোযবদু মীকুপ নাহুম শিংনা ৎ'ক শেল্লি। এ চঙাশন্নবা নাপন তৌই। না পুক্লা ও সি ইবোহল নাইতোম লেপ্লা উবকই, তাঞ্জা অমা ফংলে খন্দনা মনাক্তা চঙশিল্লুই। মাযোক্লববা মতমদা কৌখি।

হল্লো ইবোহল সাহেব

হল্লো উনদবা কুইবেদা। কাব ডিপার্টমেন্তুতা লৈবিববগে?

– ইনফোর্মেসন সেন্টব, দিল্লীদা লৈজবে।

লেঙশিনবিসি।

মকপ ইবোহলগা পূৎ শোক্লবে। মামক খোংনদমদ্রবদি ইশাদা যাওবিবা বোমদ

দিক্তেতবনা চেক তৌবদ্মা যাই। ঐ মযায ওইব প্তা হাংবা সোফা অমদা চওশিন্দুনা ফম্লে। কমাল পুথোক্তনা মায় মীৎ তৈথোকই। মার্চ পাস তৌখ্রে। গবর্ণনবনা সলামী ওকই। ঙাইহাক্তুদা মকপ ইবোহলবু নীংশিংলকই।

চান্দিগড় য়ুনিবর্সিতিদা এম এস সি ফিজিক্স তম্মিন্নবদা শঙনবনি। ইনাক খুনবা মচানি। কোয় লংবা, ফিলম, ক্লবতা ঙা ওজবনি। উচিন নাচিন্না এম এস সি পাস তৌখির্বনি। ঐদি গোল্দ মেদল ফা ওবা ফংলকখি। ঙসিদি ইবোহল ও সি ওইনা থবক তৌবম্লে ঐনা ।

খঙহৌদ্রে। ঙাইহাক মঙ মঙলিঙৈদা দি আই জি, এস পি পুলিস খবনা ঐগী খৃৎ অনীমক ফাবগা বোদী চেক তৌবর্কখি। মতৌদুদা ঐ য়াম্না থৌনা লৈনা থ ৬ইদবগী মওংদা হায়খি।

কান্নবোই। নথ্রায়শিংদু মাঙমীংদ্রবদি থুনা চৎখ্রো সেকেন্দ ১৫ গী মতম লৈবি। বিমোত কন্ট্রোল বোম্মি। অবাম্নদগী সুইচ শীবর্ক্নে। ঐদ সাইসাইদনি। পলিসশিংদু মমীৎ মনা যুংখি। খদক্তা গেলবাদু ইবাং হৌবকখি। খঙহৌদনা ইশাদা য়াওবিবা বোম অদু পোকখাযবর্কখি। কনাসু লীৎথোকপা নংহৌদে মীযামদু চাউববা মৈবল অমগী মৈবক্তা উৎ ওইনা ভুর্মখি। পম্নম কু ঐগী মীৎনা তশেং তশেংনা উখি। তপ্পাদুদা অবাম্নদগী খোঞ্জেল অমা তাবর্কখি।

তানিব্রা! তাবব্রা!!

জুমা! জুমা!! ঐ শান্দ্রে। ঐনা কমদৌনা তিংহৌবিবা?

তানিব্রা মঙলাক্লবমাম্লে জ্ঞান তান্ব্রা?

মাকপ ন নকই। মীৎ নাশিংও। জ্ঞান ৎরই। চান্দা শোনখি।

থম্ভ্রাকপা মঙ নমা মঙশিদা।

বল ক্লাক্লা অহাং পা ৩ তবকপগী বেল যৈবর্কখি। পৃক্লিংদদি খল্লি মকু মঙনি। অমুক হন্না ভুমখাব যাদনা নোং খানবা ঙাইখি।)

নীংতম্বা হায়বদো অসিরা

“ইবুংঙো অদুগুম্বা থবক্তুদা মায ওনশীনগে খনগনু। তুংদা অফবা কবিসু ওইবোই।” ব্রাহৈসি বাজেসকী মমা, মযাম্বা, মতৈমনা মশীং খণ্ডদনা হায়ববনি। অদুবু বাজেসনা খক য়াবা লৈতে। মদুগী মাযোক্লবা পাউখুম ওইনা হেক হেক পীবকই।

— ইমা, তামোখোযনা মথোল-মথোলগী দলালদা নুংঙাইনা লৈবসিদা লৈম্বাকসিগী লৈত-লাযববা মীযাম্না ব্রাবিবসি উবা ফংদ্রে। নীং-তম্বা লৈবাক অমা হায়ববু অসিবা? আর্ম ফোর্সেস স্পিসিযেলে পাৱর্স এক্টকী মখাদা আর্মী কয়াগী মীওৎ-মীনৈসিবু চুপ্লিব্রা? শৃফম-নোম্ফম লৈত্রবা মহৈ-মশিং হৈববা নহাবোল কয়াগী পুন্সি নীংবা কায়না হিংলিবসিবু সবকাবনা কবম্ব ফেক্তবী, ইন্দ্রস্থ্রি লিংবিদুনা থবক পীববগে? শেলতবু পাযববাদ মীনা-মীবু উশিং থওইনদ্রে। ওফিসব কযা অমনা কবপসন্দা শেঙ্গাও তাল্লি। লৈবাক্কী অঙম-অথৌ, মন্ত্রীশিংনা অবাংবা থাক্কী শেঙ্গা থুমজা তৌদুনা লৈত্রবা মতমসিদা কনানা চুমথোক্কদৌবি। পূম্নমকসে চুমথোকপদি তারবনি। মসিগুম্বা ব্রাখল্লোনসিদা নচা ননাও অমা ওইনা খোঙদাখিবদা কবিগী থিংবিববনো?

বাজেসকী বাঙাঙদু তাবগা মযাম্বা চন্দ্র থিংবা য়াববোই খঙাত্ত। অদুবু মনাও অমা ওইনা লম্বীদুদা চংখবদ থোবক্কদবা অকি ভুজুংনবা থৌদোক কয়াদু উকবদগী অবোইনা ওইনা পাডমেল্লকই।

— বাজেস! লৈবাক অমগী অওনবা (রিভোলুসন) অমা পুবকপা হাযবসি মতম চঙগনি। মাবোল অমদসু পাক হেক ওইগদবা নত্ত লৈবাক প্রজাশিংসি চপ মান্ননা জ্ঞান তাহনবা দবকাব ৩ই। মীযামগী থোল্লা উতনা রিবোলুসন মায় পাক্কদবনি। নখোয ১০০/২০০ খুংলম্ব খবা পাযাশল্লগা লৈবাকসিগী আর্মী, পুলিসশিংদা মুক্রদুনা নবাংজেল ফুদোকপদুনদি ওইবা যাখবোই। ইয়াম্বনা হায়বিবসে খম্বা তম্মু। খোঙদাদ্রিইঙদা মুন্না খল্লু। নখোয়দি লুট পাং, মীহাং মীপুনগী ব্রা ঙা জা মেদিয়ানা ফোঙলিবসি উদব্রা? মোদযাদা নখোয়গী পান্দমদু মযেক শেংনা ফোঙদোক্রব্রা? নশাদু মমল য়াওদনা অবেম্বদা পুন্সি মাঙখিবা পাম্মুদ্রা?

— তামোদি য়াম্না পীকস্তবা মেতবদা বা ঙাঙলে। পার্টি অমগী চাউববা আইদিওলোজী খঙদনা মপাম্ফোংগী মীৎয়েংদা উরি। পার্টিগী শেল খায়বা দরকাব লৈ। মদু পীবা ঙমগদৌবা মীদগী খায়বনি। লুট-পাৎকী বাফমদুদি ঐখোয়গী নামাদা গেং খূৎপু অমনা চান্স লৌবনি মদুগুম্না মীওইশিংদু ঐখোয়না খক লেম্না থাবা ঙম্লোই। মেদিয়াসু ঐখোয়না ফোর্স ওইনা শীজিন্নকবা য়াদ্রি। অতে বাফম নত্তবা ঐখোয়গী লৈবাকসিবু তশেংনা নীং তম্না লৈবাক অমা হায়বদু ওইবব্রা? মসিমত্তং তামো মুন্না য়েংবিয়ু।

মচীন-মনাও য়াম্না ঙাঙনৈ, মবৈ য়েংনৈ। বাখল অনীদু খক চুংশিন্নবা যাদে। চন্দ্রনা মনাওবু লম্বীদুদা চঙদনবা হোৎনৈ। বাজেসনা ময়াম্বগী বাদু নাচুংদে। মমৈথংদা বাজেস ময়ুম থাদোক্নুনা চৎখিবা থা ৪ / ৫ শুখ্রে। তৌফম খঙদনা ইমুং-মনুংগী মীওই পূম্নমক বাজেসপু নুংশি নুংশিনা কায়নখ্রে।

ইম্ফাল পুলিস চন্দ্রগী য়ুমদা য়াম্না তোয়না লাক্নুনা বাহং কয়া হংলৈ। উপায লৈতবনা চন্দ্র অশেংবদু খুম্মী। "য়ুমদা হল্লক্তবা থা ৪ / ৫ শুবে। সাহেবখোযগী বেকোর্দতা নহাবোল যাওই তাকপীবদু চুমগানি। ঐখোয উপায লৈতে। কদায়দা লৈবিবনো হাযবদুসু ঐখোয খঙদে"।

অশেংবা পাউখুমদুদা পুলিসশিংদু উপায লৈতনা চৎখিবা ঙাক্লনি। অযাম্বা মতমদদি হাযবম্মী "অ ভাংদু থিবিযু সবেন্দব তৌবনা খ্বাইদগী অফবা ওইগনি"। নোংমৈ কাপ্লবা, খূৎলায় মুনব অদুগুম্না থৌদোক অমা খেবকপদা চন্দ্রগী য়ুমদা আমী, কমান্দো পাইশিল্লক্নুনা ইমুং মনুংদা চৈব তৌখিবা অমুক অনীনকসু যাওখ্রে। য়াম্না নুংঙাই থাইফনা শান্তি লৈবা ইমুং অমা ওইবম্বদু বাজেসকী খোঙথাঙ অদুনা মৈশা লাংলবা ইমুং অমা ওইবে।

চন্দ্র অমগী মনুংদা বাজেস অচৌ অচৌবা ক্রাইম কযাদা চেন্নবা মীশক অমা ওইবনা পুলিস, দর্মাগী মায়কৈদগী বম্ভেদ লাউথোকপা মীশক অমা ওইবে। হিংনা নৎত্রগা শিনা ফংবদা লুপা লাখ অমা পীগনি হায়দুনা লম্বী সভক্তা পোষ্টব থেৎখ্রে। মচাগী দশাদু খনবদা ইবেচাউবা চাগনি থক্লনি খঙদনা অঙাওবী শুম চেইঙাঙ ঙাঙদুনা লৈবে।

নোংমা নুমিদাং পুং ৮ মুক তাবকপা মতমদা বাজেস ময়ুমদা ফূৎ ফাওজিল্লকই। লোযনবাক্লবা মমানব অনীদুনা মখল মথেলগী খূজু খূৎলায় পাযবকই। মতম কুইনা উখিদ্রবা মচাগী মশক উবদা মমাদ মপি তাবমখৈ কপখি। বাজেসনসু মতৈমদা ওইনবা বাঙাঙদা হাযখি।

— ইতৈমা ঐখোয় চাক চাবক্তবা চবা অনী শুবে। এঙ্গাংদু য়েংদুনা খবা থোংবিয়ু।

— পাউ অমত্তং মাঙজৌননা খঙলম্লবদি ঙ। থোংগদবনি। নুমিদাংসিদদি কবিনো থোংগদৌবিবা য়েকম লৈ মদু ওইনা তৌসিবা ইবুংঙো?

— অবৈবদু হোৎনবীবো ইতৈমা।

মতৈমা অনিতানা মতম কুইনা উখিদ্রবা মনাওশিংগী শীজ শীথক্লবা থরায় য়াওনা থোং-থাকপা হোৎনখ্রে। চন্দ্রসু মনাওশিংগা ৱাবী শাননীংবা লৈবদগী চণ্ডদুনা হায়কই।

— ইনাওশা নখোয়না যুমসিদা লাকপসি ঐদি পাখৎলি। সি আই দিনা কুংনা লৈত্রবা জাৎনি। আর্মী, কমান্দো হেক্তা পাইশিল্লক্কনি। চেকশীল্লুকো।

তামো মদুগীদমক্তা কবিমত্তা চিংনবিকগনু। ঐখোয়গী ওজা কমান্দবনা লৈবিবা মফম অসিগী কিলোমিতব ১/২ লাপ্পা মফমদা মোবাইল পাযবগা ঐখোযগী মীনা গার্দ লৈ। খুদোংথীবা অমা উবকপদা পাউ পীবক্কনি।

ফৈ। চেকশীল্লু হৌজিক্তি মীখূৎ চনখিদনবা হোৎনবা তবনি। চণ্ডসুবনিনা হৌজিক নখোযবু ভাক শেন্দুনা য়েংশিনবা দবকাব লৈ। ফবে ভাইহাক পোখাবো।

ইবেচাউবীনা মচাব্ তোঙান্না কৌথোক্কুনা মমাগী কাদা মমা মচা য়াম্না কুইনা ৱাবী শানখি। মদুদা মক ওইবা ৱাফমদি- ইচানা নীংতম্বা লৈবাক অমা পুবক্লবা হোৎনবিবদু ইমাসু নুংতি নুমিৎ খূদিংগী ঈশ্বরগী মফমদা ইচাগী মঙ্গল পীবিযু হায়দুনা খুকমজবিবনি।

ইমা কবিমত্তা নুংশা থীবিগনু নোংমদি শোযদনা ফংগানি।

— চাবা থকপা লোইবগা তুম্না হীপ্লবগী তাপ্পাদদা নহাবোলশিংদু মুকম মুকম শান্নবকই। কাইনথংদা বাজেসনা মমা, মযাম্বা অর্মাদি মতৈমদা হাযবকই "ঐখোয সদা লৈবা চুমদ্রে। পাউ অমা লাক্রে। ইতৈমা ফমূং ফানুং লোইশিনবিয়ু। কমান্দো চঙলকপা যই। মী লৈবক্কগী খুদম উহনগনু। ইমা ঐখোয চৎলে।

পোকখিব মিনিত ১০ বোমগী মতুংদা চন্দ্রগী যুম কমান্দো পাটিনা পমকাং ক্নোযশিল্লবে মখোয় মণ্ডা/তকক্লা ইমুং মনুংগী কা খাদিং মথক মখা চেক তৌখি লোইববা, কনাসু লৈত্রবা মতমদা চন্দ্রদা খ্রিতন তৌবকই।

ননাওনুপা লাক্লম্মী হাযবা পাউ ফংখি। কদাদা লোৎলি।

লাক্লমদে। সাহেবখোযনসু লৈবক্কগী হূদম উবিদ্রবা অদুনি।

ফূদেক্লবদি অশেংবা হায়গনিদো।

তশিংনা বাজেস মাগী মমাগনশিংগা চংখিবগা ফর্বানি। অমত্তং থেংনবদা ইমুং মনুংদা অচৌনা লাঞ্জাও অমা থাক্লম্বা যাই। উপায লৈতনা কমান্দো পাটিদু হুনখিবনি।

কুইদে মিনিত ।৫ ব ফাবল্লোই নোংমৈ কাপ্লবগী মখোলনা পূর্মানল নির্লাখি। চন্দ্রগী ইমুং মনুংগী মী ওই পম্মমক পাগংপনা লুতোন শাংখি। বাজেসকী কাণ্ডবুগা ওইবমগানা হায়বা ৱাফমদুদা থাজবা থম্মখি। কবম থোক্লমগদবা খনবদা লৈতাফম খণ্ডখিদে। মিনিৎ মণ্ডামুক্কী মতুংদা অহৌব বোম পোকখাযবগা খোঙ্গেল অমা তাখি। মদুগী মতুংদা নোংমৈ

মক্ত মণ্ডা / তক্কক কাপ্পগী মখোল তাবগা তূমিন লৈখি। ইবেচাউবীগী ইমুং মীৎ কক্লা অমা ফাওবা তূমদনা নোং ঙানবা ফাওবা লেনখি।

অয়ূক অঙনর্বনি। আর্মীনা লৈকায়দু কোযশিন্দুনা সৈবম্মী। লৈকায়দুদা লৈবিবা মীওই পূম্নমক কৌথোক্তুনা কোম্বাং ওপবেসন চৎথবা হৌবকখি। নুমিদাং বোম পোকখায়খিবগী মখোল অদুনা লম্বীগী সডক নালাদা জীপ্পী গাড়ী অমা চাইদুনা লৈবা উই। অশিবদি অমা ফাওবা লৈবা উদে। মীযাম পূল্লিবা মফমদুদা আর্মীনা অশিবা নহা অনীগী হকচাং পুশিল্লক্লগা হংলকই "নহাশিংসি মশক খণ্ডদ্রা? মখোয় লৈকায়সিগী কনাগা চৎমিন্নে।" মীযাম্না যেংনৈ, খণ্ডদে হায়নখি।

ইবেচাউবী মচা ওইবমগদ্রা খন্দুনা পাখৎনা যেংলুই। মচাদি ওইবমদ্রে ঙবাং মচাগা লোযনদুনা মযূমদা লার্কমিন্নবম্মা নহাশিংদুনি। মমীৎতা পিগী ঈব চেল্লদুনা মবূক্লিংদা খল্লকই। "ইবুংঙো নঙনা কমদৌনা নপাওশিংগী মব ক্তগী নাম্পোক্লিবা। কদায়দা কবিদা লোৎকদৌবিবা? নঙগী মক্তপাশিংদি নীং তমগ্রে। নোংমাদ অসি শুম্না মীশি অসিদা শোয়দনা শিগদৌবি। অসিবা নীংতম্না হাযবদো"।

ইবেচাউবী যেংদুনা লৈবম্নদগী আর্মীদুগী মমাঙদা খঙ্দে হায়দুনা মঙক হাইখি। চৎথোক্লগা অহাঙবা মফম অমদা থমিন ফমথাখি ইবেচাউবী মচা বাজেসপূদি মমাৎতা শা শা উবকই)

ভূত চঙলবা শণিপুর

মমিং লৈববা বিসার্চ সেন্টর অমগা হৈ শিংলবা সাইন্টিষ্টশিংনা মীওইবগা কাবমত্তা খেন্নদনা এসেম্বল তৌববা বোবোতান থনায য়া ওদ্রবা মীনি অদুবু তৌথোবকপা থবাক্ত মীওইবদগী হেন্না [illegible]। বিসার্চ সেন্টরনা পথিবী হাযবা প্লানেত অসিগী থৌদোক-থাথোক থোকপা লৈবাকশিংগী বিপোর্ত কযা অমা খোমজীন্ল। মীৎতা কেমেবা, নাকোংদা মাইক্রোফোন, খনাউদা স্পিকর, কোক্তা কম্প্যুতর হকচাংদা মেছিন কযা অমা ফিত তৌববা বোবোর্তনি। চং থীবল চাবা পাম্পঙ অমতুম এসেম্বল তৌবনিনা অউবা লৈশাবাশিংনা কল্লক্রে।

নুমিদাং অমা ঐব অনসন ফ্লাইং ওবজেক্ত (যু এফ ও) না লমদম অমদা দ্রোপ তৌবিবর্ম্মী। ঐদি বোবোৎনিনা অহাং নুংথি [illegible] খেমবা লেপ্তে। [illegible] খঙাঙ ঐন লৈবা লমদমসি শণিপুরনি

শণিপুর অনৌব লমদম অম নংত্রে। হাসদগী চহী কুল্লমাবি মত্তাগা থমাগুদা ভদ্রলোক অনী অমসু এপোলো ৬৯ [illegible] লম [illegible] কোযবকাখনগী থাবা লৈখি [illegible] অনীদুন কোয়বকখিবা মতমদা [illegible] ওকপগী থৌবমদা শণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রীনা [illegible] হেংহন্দুনা [illegible] থৌখি। ভদ্রলোক অনীদু শণিপুরগী [illegible] নাম্লবা কলদুদা ওকখিবনি। [illegible] নুপীদুগা [illegible] শ্রীম [illegible] থবে [illegible] অংম [illegible] ওইবনম [illegible] ধনঞ্জয [illegible] পনাখবন্তুম তৌখি। মথোযদুবু [illegible] শণিপুরগী [illegible] কার্দ [illegible] যাইরেং [illegible] মফমদা চঙদুনা হংলুই

[illegible] নংচদে। মতম অমগী জগোং শাবা শ্যাম [illegible] থবো অম বা [illegible] নবী। টিকাদাব ধনঞ্জয [illegible] কদাযদ লৈনগে?

- ইবুংঙো [illegible] মতমদুগী [illegible]। থবো অশংবীদু ঐচ আই ভি পোাক্তাতব ওইবক্নুনা লৌথদ্রে। টিকাদাব ধনঞ্জযদুসু লালহৌব। লহাবোলশিংগা মখুৎতা লৈখিদ্রে।

ও! সোর্ণ। খঙজনদুনা হংজানি থবৌবিবে হৈ।

শণিপুবগী লমদমসি ঐচ আই ভি যৌবক্লবা। লালহৌবা নহাবোল লৈববা! বাফমসিদি ইন্টবনেসনেলগী থাক্তা নৈনদবা য়াদ্রে। পীকখ্রবা লমদমসিদা কদোমদগী পাইশিল্লক্লিবা নোংলৈ-নুংশিৎনো' দ্রগকাসু মবাঙ কায়না শীজিন্নবমগদৌবা মাল্লি।

হংলবোই কান্নদ্রে। মতমদুগী মুখ্য মন্ত্রী, শ্রীমতি থবো অশংবী দেবী য়াওনা ভদ্রলোক অনীদু তুবিষ্ট হোম যেংহল্লুবা হল্লকপদা পি আব থন্নম্নদু নীংশিংলুবগা মুখ্য মন্ত্রীদু ফাওবা হিংলমগদৌবা মান্দ্রে। ইবন্নাই ওইনা য়েংজবগে।

মওঙ তাদ্রেদা লমদমসিগী লম্বী-থোংসিদি। লাইজাউ থোকখিদুনা মী মমায চাম্বদি হৌনে। কয়লাস মথক্তা মমায চাম্বসিদি মপু পান্দবগী যৌওগুনি। বালু সিঙ্গলনকাসু মোল্লানে, খুনাং ৱাংবী তোংবা মৌনহা লৈশাবীশিংদি মখোংবু লৈথেক্কুনা বেব' কার্বাননে। শহনগী মচী মচাদা পৈশিন্দুনা থল্লিবা অপুম অশা মযামসিনা কৈদৌবিবা' ইমাই পেন্মা' হাযিংনা বা বা। লাযনা শন্দোবক্কুনা মীবু তোবা তুবমখে শিবনিনে। শহনবা লৈবানী মিংশেলোন। পঙলে লৈবাক অসি চা ওখংনি চাওখৎতে হাযবদো।

শাণিপুব মীযামগী মাযথোংভাস ওক্লোক্রা থোব হন্থনা উন্ত্রদা। খোঙথাঙনা লুহোং খোঙথাঙ। ফ্রান্স, জর্মন, আমেরিকা, জাপান পাথবাগী চা ওখৎলবা কন্ত্রীগী মী ওইশিংনা তৈলনা থাংনা ... অমত্রবু উদে ... খোংনবং তাবমদাদি পথিবিদা মমং পল্লাক্লবা শাণিপুবদি হযনি। ভাববা মওঙাসগা ওক্লোক্র খেন্নত্রেনা কমদৌবনে ... বনগী কম্প্যা তবগা মেস ... নইচ নল্লই। অমা শণিপবাসাদ লে ইলম শন্দোকপা কপা মমনা আম ... স্পাসিয়েল পাবাব এক্ক চলাইদুনা আমীনা নৈতংপদবা প্রজা ওইবক্লেদনা মদুগীনদনা মীশিংসে তুফক তুফাই চল্লিবসে।

ইত্রবা ইতিহাস ... বদুনা কৈদৌকান। মতমসিগী ফোঙ ফোঙ শাববা যৌদো। ... খোমজীনবনা ফবে লম্বাদা লৈবম্লা কলেজগী ছাত্র খবনা ... হংলুই

ইবুংঙো। শাণিপুবগী মুখ্য মন্ত্রীগী মমং কবি কৌবগো?

জিবো, বান সিক্ক জিবো সিক্ক বান, ফ ইব জাপানগী তেদান। ওা নম্বানংদা হংলবা ওহবে। অদু ওবা মুখ্য মন্ত্রী ওইবম্ভ তাবে। খবব পাদুনা লৈবম্বা অহল অমদা অমুক হংলুই।

- পাবুং শাণিপুবগী, হকানো মাক অবস্থাসবু।

- ইবুংঙো খত্রব দোযফনা হাংলেদনা। হা অনী অহুম পনাশিল্লগী কর্মচারীগী তোলে প পীবদনা, মদুসু মুখ্য মন্ত্রী জিবো, বান সিক্ক জিবো সিক্ক বা য়া কেন্দ্র সবকাবদা ভিক্ষাবী ওইনা চৎলুবগা পীবাক্লগান। চাংখং থৌরাঙ পাংদ্রদনা।

— পাবুং লো এন্দ ওর্দবগী ফীবমদি।

— হায়দুনা কান্নদে ইবুংঙো। সবকাবগী থৌদৌসিনা ফবকপদি লায়বদনা হেঞ্জিল্লক্কদৌবদনি। মীশি-মীনা তোয়বে। খুবক্কী ঈনা লাই শাবা কাঙবু অমা লৈবাকসিগী ইন্টিগ্রিটি কায়ননবা কন্না শীল্লি। সবকাবনসু খঙনা খঙনা মায়োক্নবা ঙমদে। শণিপুব কুম্মৈ তাববনিনে ইবুংঙো।

ইকুই কুইদ্রিবা চহী অনীবোমগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। কেন্দ্র সবকাবনা লৈবাক অসিগী ইন্টিগ্রিটি কায়বা যাবা সিজ ফযাব শণিপুবগী মফম খবদা চৎনবগনি লাউথোবকখি। প্রজা ময়াম খোম্মকবা তৌদনা "লৈবাক মচেৎ অমা ফাওবা কাযবা য়াবোই" হায়বগী খোল্লাউগা লোয়ননা নুপী-অঙাং মীওই লাখ লাখনা শণিপুব শহব ঈবাং থোকখি। লৈবাকসিবু ঙাক-শেল্লিবা সিফায়না নোংমৈনা কাপ্পুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখি। অদুগুম্না ব্রাথো ক্রু নেমথখিবদা ঙাযবি। হন্দক্তা অরাংলেন্দগী গুগু খবনা আইন্না যাদবা খুজু খুৎলায ফোংনা পুবগা শণিপুব থুগায়নবা মিতিং তৌবা লাকপদা হৈ-শিংলবা শণিপুবগী কমান্দোশিংনা ফাকবে। মবাল লৈববা কাঙবুদু দন্দী পীগদ্রা হায়বগা মুখা মন্ত্রীনা কন্দিসন অমা ফাওবা থমদনা লৈ পবেং হূক্লগা থাদোকখি। ব্রাবীসি তাবদা গ্র কোক চাকই। মীকিথী, ভতকী থৌদৌনি। মখা তাবা ব্রীকা তানীংদে।

চৈবকসিদা শণিপুবগী শহবদা লৈবিবা "ইমা কৈথেল" মথোল মথোলগী বিল্ডিং শাননবা কেন্দ্র সবকাবনা পৈশা খবা থাদবক্তে তায। কৈথেল ফমজর্বিবী নুপীশিংনা "ইমা কৈথেলগী শক্তম কাযবা য়াবোই" হায়দুনা কন্না থিংলি। সবকাবনা পৈশা হনখিবা পাম্মুই শাগনি হায়বি। অনীগী লান্দু চৌজিক ফাওবা মেন তাদ্রি। শণিপুবগী নুপীশিংসিবু মথোল মথোলগী বিল্ডিং নান্না শাবগা কৈথেল ফন্নদু পামদ্রবা জাৎলা? অফববু তৌবিগে হায়বদা কবিগী অর্থাংবা থন্নিবনো? মহৈশাগী শক্তম কাযবা যাবোই হায়বগী খোল্লাউদি নুংশিৎমুক কুংঙি। শণিপুবদা শক্তম কাযদবা কবিবু লৈবিবগে? অসুক যামখ্রবা শহবগী ইমা ইবেন, ইচে ইচন কযানা সমদর্মসিগী ইযোংদা শাবা ফি মতেকশিং ইর্ন্নাফ ওইনা ইন্নবম্বদু ঙসিদ দুকান ফি, মোবে ফি ইন্নবিবাসবু লৈবাকসিগী শক্তম কার্যাদ্রববা? শক্তম কন্নবা কবন্না নুপীনা ঈহৌ অসিদা খোঙজঙ চঙখিবগে?

কৈথেল শাবগী ব্রাফর্মসমবুদি লৈবাক শীন থুংনা খঙনবে। ইমা ইবেনশিংসু কবিগী চাওখৎপা পামদনি। লৈবাক অসিগী অঙম অথৌশিংসে প্রজানা থাজবা কৌবা লৈদ্রে। কৈথেল মথোল মথোল ফজ্ঞনা শাবগা হয়েং ইমা ইবেনশিং সবকাবনা ফমহন্দবসু কনানা খঙবা।

শণিপুবগী প্রজাশিংনা সবকাববু থাজদবগী ব্রাদি সবকাবগী ভুলদা ছাত্র তম্নদবসিনি।

লমদমসিদা স্কুল মখল অনী লৈ। অমনা সবকাবনা লিংখৎপা স্কুল, ওজাশিংদু তোলোপ চাউনা পীবা তম্লিবা ছাত্র-ছাত্রী খবদু নরাচানি, হৈগে হৈয়ু হৈবোই তোকউ থাগী তোলোপ শোয়দ্রগা লোইবে খনবা মীওই কয়া অমনা ওজা ওইবিবা সবকাবগী স্কুল। অমনা লনাই মীওইনা লিংখৎচবা ওজাশিংদু থাগী তোলোপ হৈগ্র মনাদা যোল্লগা পীবা ছাত্র ছাত্রী হৈতবা যাদে খন্দুনা কন্না তাকপী তম্বিবা অদুগুম্বা ওজাশিংনা পুবা স্কুল অমা। অসিবু হায়শিন্নববো ? ঐচ এস এল সি পরীক্ষা বিজল্টতা মীয়াম্না খঙলিবদুনি। মসি খঙনা খঙনা উনা উনা সবকাবনা কবি থৌবাঙ তৌবি। কনা কনা থৌবা ঙদু খঙতি ? ফগদৌবা মানব্রা ?

ব্রামল্লদুনা খোংনাং মখোঙগী উকমদা ঙাইহাক পোৎথাদুনা ফম্মী। লৈশাবী অমগা পাখঙ অমগা চঙলক্লুনা ব্রাবী শানবকই। পাখঙদুনা হায।

– কদাযদা কোয়কনি। বেষ্টুবেল্ট থিংখিবসিদি দাউ অম হাওদৎলে। চীংয়াদা কোয়কসিবা ?

– বেষ্টুবেল্টগী অমম্না কাদা ফম্মিন্নবদি যাই। লমহাঙ তুহাংদা মীয়া ঙদা শক উৎপদু ইকাযউজ। মদু ঐ ঙমজবোই।

শণিপুবগী শাবী শানৌ অনীদো খোংনাং মখোঙদা শানী লোইশিনখি। কবিগী লমদমসিদা বেষ্টুবেল্ট থিংখ্রিবা হংখিসিবনে ? হংলবোইদা বেষ্টুবেল্টগা বাবীসি ফবমগানি খাদদ মদুনা কান্নগদবা মেংবসু ওইদে।

লাইবিক সাংবণা গৌবম অমা হাওরকই। চাঙখৎপা তৈ বাক্রা তৌবগুম থৌবমদু মম্মা ম ও ঙ ও ই শণিপুব সাহিত্যগী লম্পাদা শন চাওখৎলমান্নে। মাযাম মতীক চানা ঙ্লি। থৌবমদদা ফাপ্রলবা লাইবিক্রু মীপম শুদিংদা যেল্লকই ভাষণ মথং পাম্রবগী ৎংদা অচুব হব অর্গ্গানাগ ভাষণ পাবদা যাওরকই।

[illegible] শণিপুবদা ঙোভ্রালবা লাইবিক থাদংমব শোল মাড়ভি। মদ খংনা খঙনা লাইবিকশি যো লাবগসি, অইবনা কাব খুম্না শবা ইংব হায বদ পর্নিং শ [illegible] লাবিবান। অদব্ লমদমসিদা মশিংগী লাইবিক পা। লাইবিক পাবণা মংৎ তা ব বেম লাংবা, মীবা শন্দাকপা হেংগা পাম্মা লইবিক লৈবগী পাদ্রবাননা যো ভ্রালবা লাইবিকাসগী কোপাশংদু চহী ১০ ফাওবা লোইদে। শাংবুঙ শোলগী অবাবা লৈবদা। কবিশিংসু মথং লাইবিক পুথোকপদা অরাবা ওই

বাঙাংদু তাবদা বায, পুক্লিংবু নংশিবকই। মী কিদনেপ তৌব্রবা, খববদা বাথোক অমগী শেংদোক্লবা শণিপুবগী শহব, লবায থবায যা হেক্রা লাউই। লাইবিক ফোঙবা শহবগী মাযামদি লাযবদনা সাহিত্যদা থবায যাওর্দবিবা মী ফাওবা থ ওইদে। মশাগাদুখর্জনি মীবু যেংহন্নাংঙবা পাহন্নাংঙবা।

শণিপুবদা মী ফাবগা শেল তানবগী চৎনবী অমা কন্না চৎনবক্নি। চাওখৎপা লৈবাক্কী নৎত্রগা ফিলমগী গেং কাণ্ডবুনা তৌবিবা মতৌদু তম্লিব্রা? লৈবাক অমগী নুপী অঙাংদা খৃৎ থাবক্লবাদ লৈবাক্তু তুমদৌববান হাযবা মহাভাবতকী ৱাবীদু খণ্ডব্রবা লৈবাক্লা? শেল তান্নবগীদমক্তা স্কুলগী অঙাং ফাখিবা তাবে। মমা মপাদু কয়াম ৱাবমগনি। নুমিৎ থাগুম যেংজবিবা মচাদুনা, স্কুলদগী ফাগ্রে তাবদা মমা-মপাদু কবি ওইবমগনি। মচা নুংশিদবা মমা-মপা পৃথিবীদা লৈবা হৌনদে। শেল কযানো পীয়ু হাযবদু পীগনি ইচাদদি তেক্তে কাযদনা থাদোকাপবকউ শোযদনা হাযবমগনি।

দিমান্দ পৈশাসু পীপ্রবা অঙাংদনা খৃৎশিন্নবক্রবা। মতুং তাবদা বোবাথাউ মনুংদা পৎ পৃমদুনা ঈশিংদ তাউবম্ব। মসিবু মীওইবা কনাগী থম্মোযনো? শিববসু শেল তানবা পীক্লিবা জিব অদুগী মবাল কবিনো? ঈশ্বব লৌবি কাউব্রা? ইবুংঙো মাগী মফমদা মীনমদুনা কযাম কুইনা লৈবা ওমগনি। মীদি তাকাখাস, ঈশ্ববনা দন্দী পীবোইদবগা মবম লব্রা?

শণিপুবদ লৈবা কুইমল্লে সেন্তবদা হল্লগে খল্লকপা তাঞ্জানি। সেক্যবিতিশিংনা লৈশাবী অমা অহাংদা মযুমদগী ফাদুনা পম্রগা নুপা ওইবীগী ইজ্জৎ পৃন্বা মাঙহনবিববা মতুংদা নুংশি হৈতনা নোংমৈনা কা পুনা হাৎতোক্লগা লমজা ওদ হন্দোক্লম্লন। মসিব মী ওইবগী লীচংলা, পৃথিবীগী জাতিশিংনা যানীংলিগদ্রা?

পৃম্নমকসে আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিযেল পাৱব এক্ট, ১৯৫৮ গী মখাদা মীচম প্রজাশিংবু ওৎ নৈবকপনি। জাতি অমবু উশিৎ থ ওইদবা উৎলকপনি। লৈশাবী মচাদো লম্পাইবা যাওল্লোযসু ওইসনু মখূৎ চন্না ইমুংদগী ফাবগা ওম্মী হাযদুনা থেক্তমক হাংতেকপদি লৈঙাক্লোনগী আইনবু শীংনবনি। খোযশা ওনববা প্রজাশিং বন্দ তৌদুনা 'মাহাৎপা পুথোকউ' হাযবকখি। প্রজাবু কিবদগী সবকাবনা কফিউ লাউথোক্তুনা মীযামগী নীং তম্বা মাঙহনখি। প্রজাদি থম্মোয শোকাখিবন কর্ফিউ কিদে, শাণপুবগী লৈবাক পাক-শন্না পেন্নদনদগী ধাবনা ফমদুনা 'মাহাৎপা লন্দা পীযু। আর্মদ ফোসেস স্পিসিযেল পাৱাব এক্ট লৌথোকউ' হাযবগী খোঙজঙ চঙশিনন হৌবক্লে। প্রজাশিং হল্লোইদৌব। সবকাবনসু মোইথেম তৌদুনা মাযাম্ব থেম্বাদ ওইথোক্লবেন্ত।

থম্মোয মৈ হৌনা চাক্লবা ইমাশিংগী খোঙজঙ উবদা মীংকী পিতাখিবা খঙহৌদে। সেক্যবিতগা নমাগুদা ইমাশিংনা মফি থোদনা দেবীগী শক্তম লাংদুনা চোংথোবকপিবদুনি। ও ইমাশিংনা জাতি অমগা ইজ্জৎ য়োল্লব্রা? নত্তে। সেক্যাবিতবু শীংনবা ওইনা নুপী অঙাংগী ইজ্জৎ মশক খণ্ডদবা, জাতি অমগী নুপীগী থাক কদায যৌই খণ্ডদবা, মীওৎ-মীনৈদা শিবা কিবক্লবা, ফি শেৎলুবগী অর্থ লৈত্রে হাযবদু মালেমদা শক তাকখিবনি।

কবম্বা পৃথিবীগী লৈবা ক্তা নুপীশিং তনা আর্মিগী মাযোক্তা লান হৌপিবা যাওবগে?

শণিপুবগী ইমাশিংদি 'নুপীলান' হাযবা অমসু পৃথিবীগী ইতিহাসতা মৃৎলবোইদবা কালিনা য়েক্লুনা থমখ্রবনি।

লোইলম শন্দোকপা ভূর্তাশিংনা নৈহৎপিববা শণিপুবগী ফম্নাইবশিং ৩াঙ্কক অসিদদি প্রজাশিংদা উৎ চাইদুনা ঈবাং নেমথহনবা ঙম্লোই। নৈহৎপিদুনা মপূঙ্গি লোমখ্রবা চনুবা অদুনা মীয়াম্বু মীকপ থোকহল্লে।আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পাৱর্স এক্ট, ১৯৫৮ লৌথোক্ল নবগী লমজীং মৈবা ওইখ্রে। টিয়াব গ্যাস, ববব বুলেতনা মীয়ামগী খোল্লাউ নমথহনগনি হাযবদুদি হেন্না ঈবাং কনখৎলক্লবা সবকাবগী থৌওংনি। ঈবাং নেমথহনগে হাযববদি প্রজাশিংগী অপাম্বদুদা পৃকচেল শেংনা শকক য়াদ্না রাবেপ লৌবনা ফগদবোই খাল্ল।

শণিনা য়েংলিবা শণিপুব দশা তাবগী লোইবা নাইদে। চেবকসিদা লাইফ লাইন ওইবিবা নেসনেল হায়বে অনামক চাং নীংখাযদুনা লম্বী ফাওনদ্রে। নোংমগা শবগা পক থঙ্গাবিবা মীওই কযা অমা কর্ফিউ থমাজনবিদুনা উপায নৈহন্দ্রে। লম্বী ফাওনদবনা পোং চৈ পুশিল্লকপা যাদ্রে। শণিপুবগা প্রজাশিং মতুং তাবদা কাব দশা অমা অমুক লাকদৌবি কনানসু হাযবা ঙম্নদে। হিংদবা যাদবগী হিংলিবান।

মতুং তাবা বিপোর্ত লৌববোই সেন্টবদা হল্লগে। শণিপুবদা কইনা লৈথোকপা যাদ্রে ।...মদইনা মদম তুংদি হ... বমগ শাণপুব ৩৩ চ...লবা লৈবাক ওইবে। মসিমক বিসাচ সেন্দ বেকোর্দ খাল্লবগে।)

নুমিৎ তাগদৌরে

চহী অমা অনীসি ঐগী দাউ যাদবা মতমনি। থবক-থৌবম্মা মনম-মনম। তৌদবা যাদ্রবা ঙাক্তা। ইচানুপা অহলদু নুপী হেক পুশিল্লকই, নুহোংদনা য়াদবনিনা হোঙঙি। কুইদে শেল খবা খবা তাঞ্জবিবা ঐগী বসতু গ্যাব বোক্স সর্বনাস শাবা মথৈ কায়। শেন্থা থোক্ত্রদুনা অহনবা অমা লৈবগা শিল্লিবনি। মীঙোন্দগী লাকশীল্লুবা শেল শিংববু কুইদ্রি ইচানুপা যাইমদু দিল্লীদা কম্প্যুতব ইঞ্জিনিয়াব তমগনি হায়দুনা শ্রু-শ্রু হেক্তা নৈবনি। চক্রিদু ঐসু খাঙবা ঙমদে। শেল যাম্মেমথৈ পুদুনা চৎখিবনি। মদুনসু লোইদে কদায়দেনো মমাদু থোক হেক নাশল্লকই। ফাগা ফাগদগী ভেলোন যৌবিবনি। পঞ্জাও পঞ্জাও হোৎনবিহুদ অকুপ অতাইদি কানমত্তবু তৌবা ঙমদ্রে। ইম্নুন্দা ভাবী ফাওবা চাদ্রে।

মকুপ অমদা ন অমঙং হায়নাংদুনা টেলিফোন থাঙ্গৎলুই। কম্প্যুতবনা ইংলিস, হিন্দী, মৈতৈলোন্দা মথং মথং হায় থবকই, "অদোম্মা টেলিফোন। বিল শাম্মা মুন শোংদোকাপনু।" থোংদৌ শান্নৈ, পঙযাম ইন্না তোনাবা বিলসু নংঙে। এম্মা হায়দুনা হাইনা তৌবা ককথহলি। পৈশা শাংকদৌবদু চায়। টেলিফোন য়াদবসিন্দা ইং শাগো প্রোক প্রোক হেক তেকই।

থাগদৌরা ইংনা তৌবা তৌদ দ্রাই তন তেম্মা চঙল ফুনা হায়রে

শানগা শিন টেক্স থাদো ফুবদি লাইনা চংপা নুংঙাইগদৌবা মান্দ্রে। শাদ্রা হম্মা ফাদ্রে। মঙ তব ন পাংথোকপিনা।

ইম্ম এম্নবা ইনা অংক কতনা গা তা পাযানকপবু থ অমসু ফাদ্রি গাম্রিপিহান ওইনিবা। টেক্স তথানা কৈরনা,

তৌবাদ মঙ নো ওইবনা এনা লানাবা থৌজক্কা মতম্সিসু মোতোব তোইকলগী মথৌসু পুলিস, অমাসু ইম্না থাওরে। টেক্স থাদোক্লনবা পৈশা তানবা ওইনা নোংমা নানি গাড়ী চৎনদুনা থেংবা য়াবদুনি।

পোস্তমেন মাণল ক্লিবসি পৈশাগী ওইবমগানিসে। ইবুংঙো যাইমগী পৈশা থাবা মতম ওইববনি। লৈমন্দ্রদুনা থাদ্রবনি। হায়গুমদনা মাণনা পীবগ্গা চিঠিদু পাকথদা ঐনা নীংলম্বদুমক

ওইরম্মী। খরা থুনা থাবীরকউসু হায়রিনে? কমদৌনি পূবরা-লওব্রা থাখিবা হায়বদুনি। তাল্লক্তুদা মমা অমুক চঙলক্তুনা শোল্লকই।

—তাচৌগী মচা লুহোংগনি তৌরিবদুবু করি পাংবিখিসি হায়রিবনো? গ্যাসরা, ফ্রীজরা, কলর টি ভিরা অমা হায়রো ঐ ঙসি চৎলুগে খল্লি।

— নঙনা ফগদৌবা অমা হেক হায়রল্লো। তৌদবা য়াদ্রবনি।

ইবায়দুগী থবক্তা ঐনা কোমথোকপা য়াবা নত্তে। ঐগী গাড়ী লৈবগী হাক্তক্তা লুপা লীশীং ৫০ থংবিরিবনি। শেন্দোয় শিকি লৌখিবা নত্তে। মদুদবু ঐনা তুমিন্না হেক লৈথোক্লুববা ইবায়না পুন্সিগী কাউররোই। তৌদবা য়াদে কবিনো মশক থোকপা অমদি পাংবিগ্রগে।

করি অমুক তৌরে ইমুং-মনুংদা কোয়লাঙ লাঙনরক্লবসিনা। খঙনীংনা ঐসু হাইফেৎ লাউখি "কৈদৌনরবগেনে?" ইচানুপা অহলদু মফি-মরোল শেংলগা ইনাক্তা চঙলক্তুনা হায়বকই।

— পাবুং পৈশা খবা পীয়ু। অমসি হৌজিকমক হোস্পিটালদা পুদবা য়াববোই। চৎননবা থৌরাঙ লোইববনি।

— মাগী মতম শুনরবনে? ঐখোয়সু ভাব অমদসু লৈথোক্লুই। লীশীং অমা চাম্মাঙনি পুথ্রো। দবকার লৈরগা থুনা চেল্লকউ।

অতানবা ইশু ফংগদৌরিবনি। মসিদবু মচঙবা পৈশা পীগদৌরিবনি তৌদবা য়াদ্রবা। মমা, মচা ইমৌ মখোয় মরাম্রবক ফবনা অয়ক্কী ঈশিং চাগৌরবনি। তান চায় মাকতি ভান থৌদোক্লুনা হোস্পিটাল চংগ্রে। ফংদ ঈশুবনা চানবিবা ওইসনু।

ইশ্যাসি ওইহাক্তি ঈংলে। ঈফ-মায়থজবগা চাক চারগে খন্দুন। খাগা কম চংগে তৌবদা ইচানুপাদুনা হায়রকই।

— পাবুং ঐনা স্তবাং হায়বদো পীরো।

— কয়ানোনে" টুলব লৈবমানগদ্রা খঙদ্রে। তামোনসু পুখ্রবনি।

— চাম্মাঙা পীবকউ। চপ চাবনীন।

কলেজগী পরীক্ষাগী ফোর্ম ফিল-অপ তৌননবা তাল্লক্লিবা দিনান্দনি। ঙরাংদগীনি হায়জবিবা। মদু পীবদা ইচানুপাদু হব ওনা চৎখি। তৌবিবা থৌদৌসাদ ঐ স্বর মতেক অমা হোন্দোকই।

"য়ুমসিবু কনামত্তা লৈবিদ্রববা" চে অমখক্তা থমজবমগে?" কনানো মপান্দা অমুক কৌরিবসিনা। মপাল গোক্লুনা য়েংলুবদা নহাদু মশক খঙডি। এলেক্ট্রিক বিল থীনবা লাকপনি। এবু উবদা হায়রকই।

— পাবুং এলেক্ট্রিক বিল থমজবমগে। সহী অমত্তং তৌবিয়ু।

— ইবুংঙো ঐগীদুবু কযাম যাল্লবগেনে?

— পাবুং লীশীং মঙা খবা হেল্লে। নহাদু নোক্লকই। মানা নোক্লিবা খুৎনোক্তুগী অথ ঐ খঙদে। বিল থীদোক্তে হাযবা ওইবন্না তাই।

অযুক্কী চাক-ঈশিং চাবা থকপা লোইববা তুংদা ঙাইহাক পোৎথাগে খন্দুনা ফমুং চঙলে। ঙর্সাদি চৎথোক্লীংদ্রে। তৃপ্পা যাদে। তৌবিবা নোংমগী খবচ মযার্মসি কমদৌগদগে খল্লুবদা। টেক্স ময়াম অমা মনম মনম তোনশিন্দুনা লৈবে। মতম মতমগী ওইনা থীবা ঙমহৌদবদগী যামশিনখ্রিবনি।

লৈকায, মকাপ মপাঙনর্বুদি ঐবু মহাজননিকা হার্যার্বিব। ঐগী বিল্ডিং মথোল অনী, বস, মারুতি ভান গাড়ীমচা, লৌ শীং খবা লৈজবসি মঙায। মসিদগী হেন্না শেল থোক্লীংঙাই লল্লী অচৌবা অমা ফাওবা লৈতে। মাসদবু মহাজন্নিকা হাযশাবি। ঐনা তাবিবা দশা মযার্মসি মেন্ননবা ঐদি মাল-চাং ইযোনমক যোন্দবা যাদ্রবনি।

মীওইবা ঐখোর্যসি ঈশ্বরনা অমুক্তি নুংঙাইজৌ হাযদুনা পাবজার্বনি। ঐঙোন্দস্ মদু লৈখি। ঐনা অঙাং নুবী পাক্লিংঙদা য়ানা শূ নোমদুনা শেল তংশিঞ্জবগা ইবায়দা শেল খবা থংহন্দুনা লৈখবা বসনি। অহনবগা ওইবে বেবা চক্রি তৌবদনা ঐ যাম্না কানখি। ইনা লাযনা ইবাযগা শেল শিংখি। যম শাহৌই, লৌ শা ফনা যাম্না লেপাখ। লৈবব লন থুমাস বস অসিনা পাবিবা ঙাক্লনি। মীযামগী ব্যবহাব ফংানবস্ মসিমক্লনি। দাউ য়াবা হাযবর্দুনি।

চহী অমা অনীাসিদা দাউ যাদ্রে। দশাসি পুংশৎমুক কংাঙ। লীশাং ৩০/৪০ ন মতেনবা ওইবগা পাক্তিংখোকাখবা শেলযামাস হৌজক ফ ওব লোইব নাইদ্রি ঐঙোন্দগা লক্ষ্মী মমায় ওনগ্রমাল্লে তৌকবা থনক অম ত্রা মঙ্গল ওহদে। লৈশা পায়াবি ঙগা নাপলনা হৌজকস্ খীদোক নাখোক্লা খবর্চাত চহাদ্রি ঐগা মচম লোহবে, নুমিৎ তানাদৌবে ইচানংগা মবাম্নবক হেংগাদৌবনা ঙায়বে। ইচাশিং খঙহনবা তানাল। ইমুং অমদবু অস্ক যাম্ন খৌদেব বাথাক চোযনা খোক্লগাবু কবম্ন হমুংনা ভংগাদৌনা রানে হাযহৈদ, ঐ রাবব।

ভূমাই, রাহুল খনবোক্ট তৌবম্নদগা তৌগনলে। নুমিৎস্ লৈথবাক্লা। ড্রাইভব তেম্না যাম্না শুকথন চঙলকই মমযদু ইমক মকশীন্না টই

— কৈদৌবে তোম্না?

— পাবুং গাড়ীদু ডিমাপুর চেনবা তাত গাড়া অমগা থেংগাইনবদগা সেনাপতি পুলিসতা লৈহৌবে।

— কযাম থীনা শোকপগে ঐ নিংশা স্বব মপী হোল্ল। হমাং কায়।

— খব থীনা শোক্লে। ঐনা লানর্বাদ নত্তে। তাতা ড্রাইভরদুনা শাথীনা লাল্লকর্পনি।

- অমবু ওইবো অমবু ওইবো হয়েং ঙন্তা লাকউ। পোৎথাকবো।

ঐগী দাউ য়াবক্তবা লাইবক্লনি। ড্রাইভর তোপ্পা ঐগী গাড়ী হেক লৈবকপদগী থৌবির্বানি। নোংমতসু এক্সিদেন্ত থোকখিদ্রি। য়াম্না লুনা মপোৎতৌনা হোৎনজবনি। মানা লাল্লম্লবসু শোযখির্বানি, ঐ মঙোন্দা শাউকবা পাপ পুর্গনি। সিনি ঐঙোন্দা তাবিবা দশাসি।

পৈশা হাযবসিদি ইমুং খুদিংমক্কী তৌদা যাদবা খোঙফমদা চৎখিবা ঙাক্লনি। উপায লৈব ক্লবা মতমদনি লৌ-শীং, মাল চাং কাযর্নাবর্বসি। মাল-চাং পৃমতুম তুমখ্রবা মতমদসু ইশাগী পাঙ্গলনা শ নোমদুনা হিংনবি। মদুগী তানফমদু ইহাকথক্তা নৎএগসু ইচা হা ক্রক্তা যৌবক্তদ্রা কিদবা ঙমদে। ফবে মসিগী য়াফর্মসি থমখিসি। নুমিৎ তাশিল্লক্দৌবে। ঙসাউ অযূক মমা মচা মখোয ময়াম চৎখিবদুবু কমদৌববা জাৎনো? টেলিফোনস যাদে, পাউ অমা ফাওবা হোযান মাযনি ওযবদর্বসিবো' খুদোংথাবা থোক্দৌবিবা জাৎনো?

খাল্লগৈ তাঙ্কাদুদা ইচানুপাদু নোক নোক্লনা সাহকল থৌজাল্লকই। নংজৈববোই মতাগুম তায়বকই।

প বু এ তাম্পাকেল থৌক্তে। নুপা অমা পোবহৌরে। ৱৈশোক ভৌবদনা চাউক্রবজাৎনা ননম্বাদবু কানমঙা তৌতৌদ্রবো।

বৰিম নসু তৌহৌদ্রে। হানগা হমাগ লেক্কান হয়। এ চাক ওয়া থোংলবগে পানু।

অতাংবা ফংজন ইশান। পাং তাবদ নংঙাক্ত মচাসু চাউনা শোন্দবা হাবোইদৌবি। হনক্কসাদ নু শিংমক কথাশল্লকই ওন্দক্কী মতাঙাসাদ তঙাইফদনা লৌ শঙম মমাদ খাদো ক্লবা যাবেবোই। দনকাপ ওইাবব শেনফমাস পাশিল্লবগাদ মদুনসু কোয়গদবা মান্দ কাযবগান মাস চাং খনা মতুং তাবকপগা লাব অমুক তৌবা মদু ঐনা তম্বা ঙম্বা নদ্রে। ম ওইবা এবোযাসাদ পুক্নগা ইচেংদা তউমানবা কাওশাংনা

পুক্নগা ইচেলাপ তাবেনগা ইচেলগ কাবস থেন্নদ্রে। বাবব ঐগা পাম্স ইচেলসি ইচাশিংনফাওবা উদবান। ইচানুপা তাম্লানা যম্ন মান্দা নুংঙাইবগী মওংদা হাযবকাখ

পাবুং ঙাসাদ যাম্ন নুংঙাইব নুমিৎান হু থেংবা চাশি

কহান্দা নুঙাইম্রবা য়ানো? ঐসু নুংঙাইবর্বান অদুবু ইচাগী য়াদু খাকপা ঙমদে। খুৎতা শেল শিক পাযদ্রে। এনা শানবা মথা নযামদু কাউথোক্লগা ইচাগোম্নাগী অনাংবদুসু পুংতনবা যাবান মদু ফাওব। হেক মমদ্রে। ইচাগোম্পী বাবৌদনবা চান্দা হাযদোকখি

ইবেম্মা নুমিৎ তাগদৌবে কৈদোমল চৎপা থেঙলান। তশেংবাদি ঐগী পুক্নগী খোঙচৎসু নুমিৎ তাগদৌবে।)

মমি শান্নবা

সেমিনার লোইবদা নুমিদাংগী পুং ৫.৩০ তারে। নুংঙাইমনত্তুদুনা অরোইবা পুংফম ফাওবা লৈথোক্লবনি। শারবা কালেনগী মৈশানা ওমচাক্লবদু হোল মনুংদগী মপাল থোরকপদা অঙৈংবা নুংশিৎনা হকচাংদা যৈরকপদু ঈং-ঈং লাউই। নুংঙাইববা মওংদা যুম হনবা য়াববা তাঙ্গানি। মরূপ-মপাণ্ড খরা কায়নরমদাইগী খূৎ শোক্লরে। ঐগী ক্ষুতরদু স্মার্ত তৌরকবদা স্মার্ত হৌ হায়বা শুকয়া য়াদ্রে। খুদোংথীরবা মতমসিদা মরূপ-মপাঙশিং নীংশিংলকই। ইতেমতা পুক্লীং নুংশিরকই। গাড়ীদু ঈল্লগা ল্লাকপোপ অমদা যেংহল্লি। ইবুংঙোদু মনা কল্লা হোৎনজৈ। উপায় লৈতবা ল্লা হাযরকই।

পাবুং গাড়ীসি কল্লেক পোইন্ট ফেল ওইবে। ঙসিদি থেঙ্গলবনিনা শেম্লা ঙম্লরোই। হযেং শেমজবগে গাড়ী থম্লিরল্লো।

থেঙ্গলবদুদা অনম কন্দুনা শেম্লীয়ু হায়না ঙমদ্রে। দুকানশি থোক্ত লোনশোল্লাদে। ইম্ফাল শহরসিদি নুমিদাং পুং ৭ পু তাল্লবদি মী পুম তাক তাকই। মদুগী হয়রকববদি মীবমগী শহরশিং উকবনা কল্লকই। নুমিদাং অপেঙ্গবা ওইববসু দবকাব ওইবা অপাম্না পুম্লমক ফাঙ্গ। ঐখোয়গী ইম্ফালগী থৌদৌসিদি কম্যুমব লৈতবনবা, মতম ফজদুনা কিবনবা ঙম্লা থোক্ত তেক্ত লোল্লাখি। চাওখৎলোই লৈবাকসি থবক্লা মমল, মতমগী মমল কপশিন্দে। উপায় লৈত্রবনিনা গাড়ী থম্লল্লে। লমমপানগী জীপ পার্কিং যৌবকপদদি কৈথেল খল্লমগদৌবে। মী পুম তাক তক্লল্লে। জাব অমফাওবা লৈরমদ্রে। কমদৌনা যুম যৌগানি খনবদা চমনল্লে। ওতো পিল্লো অমা ফারগা চৎকদবসু ভাবা অ যৌনা লৌগে হায়রক্লনি। চৎতবদি যাদে কমনৌপদগে খল্লিংঙদা ইনাক্লো খোঙ্গেল অমা তাবকখি।

-- ওজা গাড়ী য়া ওবিদ্রবরা'

— এ! মোহোন ঐগী গাড়ীদু বেরা তৌবদগী খুদোংথীরে। কোইবেঙ্গে ফাওবদং য়াওবা পাগদ্রা?

- ওজা মাল্লি হায়দুনা গাড়ী শামজবান। চৎমিন্নারসি ওজা।

পুক্লিংসি হরাওই। লাই লৈতবা নত্রে। মোহোনগী গাড়ী মনীংদা তোংদুনা লাকমিন্নারে।

মোহোন্না মমা নাদুনা বিমস হোস্পিটালদা লৈবগী রাবী শাবকই। ঐসু ওসিগী খুদোংথীবা থৌদোক্কী রাবী শানদুনা লার্কমিন্নবদা কিলোমিতর ১০ মুক লাপ্লদু য়ৌখিবা খওহৌদে। কোইবেঙ্গে বাজাবদা কৃমথহৌবে। মোহোন নেসনেল হাযবেদা গৌপ্রে। লৈমখোংদগীনি। মানা চৎখিগদবা লম্বীদু য়াম্না শাংলি মদু নৎত্রবদি য়ুম ফাওবা থিল্লু যাগদবা নগানি। ঐ নুংঙাইনবগীদমক্তা মোহোনবু রাহনবা পামদ্রে। ওসি নোংমখক্তি ঐসু রাবা যাই।

ঐগী য়ুম অরাং পোৎশংবম যৌনা চৎকদবা কিলোমিতর ৩ রাংলি। অরাং পাংনা চৎখ্রিবা লম্বী অদুদা চুর্মদ্রিং চৎকদবনি। কোইবেঙ্গে বাজাবগী দুকানশিংদু থোঙ লোয়বল্লে হোটেল খবগী মমাঙদদি গাড়ী মচা অমা অনী থাম্বা উই। সডক মযাদা মানগাড়ী তাতা অমা অনীসু থাম্লি। লৈকায় অঙাংশিং, খঙনবা নহাশিং যাওবম্বা যাই। অদুবু মখোযনা হোটেলদা ফাম্নবদো থোবকপদা কুইগদবা মাল্লি পওথেও থেঙবসু নৎত্রি খন্দুনা রাকিং ওইনা খোঙশাল্লকখি। থোংজাউ রাংমা লাল্লকপদদি পুম্মম মল্লম্মী।

নাংশিংলকই, ওসি কালেনগী থাশিনি। থাশিগী অহীং ওইজববসু অতিযাদা থোক্লিবা নিংথৌ তুবেলগী চন্তুংনবরা খরাম্মিচাকশিংগী মঙালনা সোবোক্তু মশেং মবাং উহাল্ল। নোংচুপ থংবা মাযইকেদা লাপ্পা তাবিবা খুঙ্গংশিংদা এলেক্ট্রিক বল্বশিংগী মৈঙান পবেং পবেং উাবনদুনা মঙাল শবা ফাওবকপগুম উই। অরাং থংবা শকক্তা মপাউ চীংশাংগী মসা মংলেন্দদি মুশিন মুনা মাচদা থৎপগুম তৌবি। কযলাস মথক্তা বালু সিঙ্গলনা চাইথাইববা লম্বাদুদা শোচনা লাকপদুদি মথোঙ অমদি চাদ্রে। মবক মবক্তা নৃংদূমদা খোঙনা কাওখিবসু যাওই খুদোংচাদ্রবা তাঙ্গা অদু খল্লুবদা পুক্লিংবু নুংশিবকই। ওসি ইতোমতা ঙাযববা নুমিৎসিদা থেংনাবিবা খুদোংচাদবসি হযেং মরূপ অনীদুনা ত্রিপুবাদগী হল্লকপদা তম্লবদি শোযদনা হায়বক্কান "যাবোই যোৎশবী মখোঙ অমনা লেপ্প হাযবা হৌনদে।"

সাহিত্যদা থবায যাওজবা মোত মাল্লবা ঐখোয মরূপ অগুম লোযনবি। ঐখোয অগুম কাবন্তুম্বা মতমদসু য়াম্না থেঙনা হল্লকপা যাওদ্রে। অসুম্না খুদোংথীবা অমক্তা থোকখিদ্রি। ঐগী মরূপ কাব ইংবেংবা, কলমানিষ্ট, খোইজ্জে লপকী প্রেসিদেন্ট আৰ কে ত্রিপুবাগী মৈতৈ সাহিত্যগী সম্মেলন অমগী বাতুন তৌবক্তুনা, অদুগী মথক্তা ত্রিপুবাদা মৈতৈশিংগী চৎনলোনচৎ, সাহিত্য খোঁজল্লুগনি হাযদুনা চৎখি। খোংচৎ তদা ঐবুসু চৎননবা কন্না হাযনম্মী। য়ুমগা আচনবা অমা লৈনদগী যাওবা তমাখদবানি। সাহিত্যনিবু হাযববদি মরূপ অনীদু তম্বা চাবা থওইদবানি। থেঙনলা নুমিদাংসি ফাওবা মরূপ অনীদুগা ত্রিপুবাগী ইচীন ইনাওশিংগা রাবী রাতায শানবমগনি। ঐগী মরূপ আব কেনা লংজান চিংথোক্লুনা ঙংবা হৌবমগনি, মাইক্রফোন্দু মরূপ ইবেংবনা লৌবগা অবোইবা শকক্তু ভাষণ পীবমগনি। হাযবদি ঐখোয অহুমদি ইখঙ্ক খঙ্গনি। রা বা নোক্লুনা নুংঙাইবমগদবদ্ খল্লুবদা ঐ কল্লবই। ঐদ বাননা

ফুবিৎ লৌথোক্লে। হুমাং অনপ্পী কাংলে।

উচিন নাচিন্না খুল্লক্তা হাইজিনফম খোংনাং কাবক য়ৌবে। মদু ফাওবা লাকপদা জীব অমা ফাওবা থেংনদে। বস পার্কিংগী সেভুদা খোঙ খুৎ তিংথোক্লনা পোৎথাই। হুমাং হন্দোকই। শদৌ থোংলম্বা, ফুইনা হোল্লম্বা নিংশা স্বব খবা তপথে। শাংলবা লমশাংদু লাকপগী খুবোম কাযবগুম তৌই। ইচোক চোকথৈ। তুমখ্রবদি লেঙলবোই।

অমম্বা মীচিক-মীবা ওখোল তাদ্রবা অহীংদুদা যুম য়ৌশিন্নবা অমুক খোঙ থাংদোবকই। লম্বী ময়াদুদা লম্পাক মচা অমা লৈ। ঐখোয় খুঙ্গংগী মীয়াম পোৎলোইফর্মনি। মোংফমদুগী মবক্তা ভৌগ্রোক ভৌনা কবিগুম্বা অমা লৈবগুম উবকখি। ঐ অকিবা খঙহৌদে। খোঙথাঙ চপ লেপ্পী। কবিনো চিংনবকই। মৈখেৎ সু যাওদে। অহন লমন্না হায়নবদু চুপ্লবোই খল্লি। "অমম-অথেঙদা চৎকদৌবা লৈববদি মৈখেৎ, লীচৈ কাউগনু।"

ঙবাং ইবোমগী নুপামচা বোয়াইদু হার্ত এতেক তৌদুনা লৈখিদবনি। হাকুল্লা কৈনোনি মানা লুহোংখিবদু। মতৈ মনাওদু পিশক পীক্লিবা মচাকাদু থওইদবা মখৈ থবক কনখ্রে। ঐনসু হেক হেক লক্লবী।

— নখোয় অনী ইনাক খুল্লগে হাযবেনে। ফৈ ফৈ শৃগদবনি।

— মাম্মা সবকাবগী থবকসু ফংদে। থনক খবা শৃহৌগে।

জ্ঞান তাখ্রবা অঙাংনি। অফবা মীদি লাইনসু কল্লকমল্লে। হার্ত এতেক তেক লৈখিদে। মঙদৌনবু তৌখি। নীংবা থুংখিদ্রবা ইবুংঙোদুগী আত্মা ওইনা খোর্বাক্লিবা ঐ চমৈ্ল চৎপসু ঙমদ্রে চঙশিনবসু হঙ্গোইবে মতমনগা থেঙজিল্লকপনে ইশাসি শৌবিং শৌবিং লাউই। তেংথা লাওইনা কপ্পগী খোঞ্জেল অমা তাবকই। জ্ঞান পোপ তাবকই, কিদ্রে। ইবেম্মা বাধেনি। অহম/অহা খৌদেমদুনা ঐ চঙশিল্লি। মনাক য়ৌবগা থেমখি।

—ইবেম্মা বাধে। অথেঙবসিদা অদুম তৌবা হৌনদে। ঐখোয় খুদিংমক শিগদৌবা ঙাক্তনি। অহিংবনা অশিবা খক উনবোই। লাকও মাম্মগা চৎলসি। নচাদো কপ্পল্লনি।

ঐগী খোঞ্জেল তাবদা হেন্না অহোযনদুম কপ্পর্কখি। থম্মোয় কাযনা তেংথাবর্কখি। ঐদ নুংঙাইতে অবাবদুগী শকক খবদি য়াখি।

খুল্লকবেমদগী টর্চ লাইট, লেনর্তন পায়বা মী খবা লাকপগী খোঞ্জেল তাবে। ঐ খঙভি মখোয় বাধেবু থিবা লাকপনি। ময়াম যৌবক্লে। নুপী মখৈনা বাধেবু শমবোই কোনবোই তৌদুনা মাঙ থানা পুখ্রে। মকুবোক ওইবিবা ইবোহলদা ঐনা পাউমেনখি।

ইবোহল। ইবেম্মাস খবা শেল্লৌ। অসি যৌনা কিবক্লবা হায়নসি খুদোংথানিংঙৈনি। আত্মাঘাট ভৌবগী বাখল য়াওববনি। চেকশীল্লু।

- কমদৌনা থোকপ্রিবনো উজহৌদ্রে ওজা। ওজানা অথেঙবা অহীংসিদা তান চানা

থেংনবিবল্লে। ওঙ্কোক্লা নুংঙাইজৈ।

-- ঐসু ঙসিদি খুদোংথীবা নংলবনি।

ইবোহল অঙাংশিং পূন্নমক পুদুনা ময়ূম চঙখ্রে। ঐগা কায়নবে। ইশাগী চোকথবা অবাবা পূন্নমক কাউখ্রে। হেন্না শাথীবা অবাবা পোংলূম অমা কোকথক্তা ননশিল্লকই। ইবেম্মা বাধে আশা মাঙলে, খাঙবা ঙম্বগী মথৌনা মাঙখ্রবদি আখ্মাঘাট তৌদুনা শিখিগদ্রা চিংনৈ। লে পুবা খোঙথাঙদুদা য়ুমগী থোঙজাওদু খুৎ তিংথোক্তুনা নম্লুই।( )

অইবগী শক্তাক খ্রারোল



জাতিশ্বর সৌবাম ইংশোক ১৯৫২ গী ডিসেম্বর তাং ২১ নোংমাইজিং নুমিৎতা অৱাং পোৎশংবমদা পোকই। সৌবাম ~থোপ্পা সিংহ অমসুং ~ইবেমহল দেবীগী মচানুপা অহনবনি। হৌজিকমক্তি অৱাং খ্রাবগাইদা যুম হোংদোক্লনা লৈবে। মহাক মণিপুর ষ্টেট রোড ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন্দা এস ও ওইনা থবক তৌরম্মী (ইং ১৯৭৮-২০০৩)। মণিপুর সরকারনা কোর্পোরেসন ডিপার্টমেন্টশিং মৃৎথৎখিবদা মহাকসু থবক্তগী পোৎথাখ্রে। মতুং তারকপদা সাহিত্যদা থবায যাওনা খোঙদারকখি। হৌজিক্তি অইবসি সাহিত্যদা কখোল্লবা মীশক অমা ওইবে।

ইবমদম মীযামগী অপুনবা খোর্জেই লুপ (ইমাখোল) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরি। তেল্লবা মতম খর্াসিদা **'ভানু থঙ্গোংনা পাইথ্রবদা'** হায়বা বাবী মচাগী লাইরিক অমা লুপ অসিগী মরিশুব' খুৎফোঙ ওইনা অইবনা মীযামদা খুদোল চান্ন।

কেশো সিংহ ইরেংবা

জেনারেল সেক্রেটরী

ইমাখোল

জাতিশ্বরগী চাংচৎ অমদা পঙ্শাং শাংদনা ইবা বাবী মচাশিং অসি মহাও যাওদবা অমত্তা য়াওদে। ... অপাবদা যাই থাবদৌনা পঙথহল্লগা খ্রাবীগী অবোযবা শকক ফাওবা পুদুনা চৎপা ভন্নী।

নোংখোম্মম কুঞ্জমোহন